
প্রাচীন মণিপুর কাষ্ঠ কলা



শিবতোষ নটরাজ বন্দ্যোঃ এম.এ

প্রচলিত মণিপুর নাট্য কলা

কোংজম গুরুঅরিবম্ ওংবী
শ্রীমতি সনাহনবী দেবী

লাইরিক অসিগী সংশোধন

শ্রীব্রজমণি শর্ম্মা শাস্ত্রী
সংস্কৃত অধ্যাপক

ইকব :—

শ্রীবলদেব শর্ম্মা নটরাজ, নৃত্যাচার্য্য।

মমল— লুপা ১৫.০০

ভূমিকা

মণিপুব ভারত নোংপোক চিদাইদ লৈব চীংন ইকোই কোই-শিনব পিক্রব লৈবাক্ অমনি অহুবু লৈবাক অসিগী মমিং খংনরকই জগোই ইশৈ কলাগী লম্‌দম্‌নি হায়না। লৈবাক্ অসি তোপ তোপ্পা কলাগী খুৎশেম লৈজে, মহুদ ভারতীয় নাট্য শাস্ত্রগী ইথক ইপোম্না থেংলুবদ মশাগী হায় লৈজরম্ব কলা ইপোমগী ইথক্ ইহৌদ। দেশীয় নৃত্য গীত সংকার তৌরকই, মহুনি মণিপুর নৃত্য হায়ন পৃথিবীদ ফাওরাব অসে মালেমদা। লাইহরাওব অমদি থাং-তা, মুক্না কাংজৈনচিংব কলাদ জগোইরাস গোষ্টলিলা, গৌড়লিলানচিংবগী নৃত্য, নৃত্ত, নাট্যনচিংবন থেংলুবদ মণিপুর জগোই হায়না তোংডানব শকলোন অমা চোংথোকলকপদ, মসিমক্ মণিপুর জাতিবু পৃথিবীন শকখংজ। অসিগুম্ব নিংথিব গুণ পুম্নমক্ অসিন মরম ওইদুনা ভারতকী শিংথানরিব কথকলি ভারত নাট্যম, কথক, কুচপুরীনচিংবা মথক্কশিংগী মনুংদ মণিপুরম্ব মথল অমা ওইন শিংথানরী। অরাবদি, মণিপুরগী জগোইগী ওইব মশক নিংথিন তাক্লব লাইনিকতী ঐথোইগী থুংতু হৌজিক ফাওব মপুং ফান লৈত্রি মরম অসিনা ঐগী থমোইদা অরাংপগী হুংডাইতব ফাওজরকই মরম অসিনা রাংলিব অসি মেনশিন্‌নিংবগী রাথল্‌ প্রচলিত মণিপুর নাট্য কলা কৌব লাইরিব অসি পুথোকচবনী লাইরিক অসি পুথোকচবগী কংজরকপ কলাগী জ্ঞানদি গুরু শান্তিকেশ্বর শর্মা, গুরু অমুদোন্ শর্মা অমদি গুর গোপাল্ পিলাই অহম্ অসিগী কৃপান ভমজবনী অহুবু পাংতব্রব ঐতোম্বগী অরান্-অহই কয়া য়াওরমগনি থাজজৈ মহুদা অথং-অহৈ কয়ান তাকপী রকপ অহু হরাওন ফিগাও শানা লোজনী মতুংগী থুংনমদা চুমথোকচগনি লাইরিক অসি কোংবদ মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিন থেনুগী মতেং পিন বীরী অসিগীমক্ মণিপুর কলা একাদমিবু থাগৎচরী।

—

লাইরিক অসিগী মতেং পীবিথীব পণ্ডিতশিং :

শ্রীনতুনচন্দ্র শর্ম্মা।
শ্রীবজ্রমণি শর্ম্মা।
শ্রীওঝা ইবোবী সিংহ।
শ্রীগুরু ইবোহ্তোন শর্ম্মা।

লাইরিক অসিগী মতেং পীবিথীব পুংগী গুরুশিং :

শ্রীগুরু ব্রজবিধু সিংহ।
শ্রীগুরু তোম্বা সিংহ।
শ্রীগুরু ইবোমচা শর্ম্মা।
শ্রীথম্বা সিংহ (মরুওইন নৈনথিব)

লাইরিক অসিগী মতেং পীবিথীব স্বরলিপিগী গুরুশিং :

শ্রীগুরু ইবোযাইমা শর্ম্মা। (মরুওইবিথীব)
শ্রীগোপীরমণ শর্ম্মা। (মিউঃ কলেজ অধ্যাপক, সহায়ক)
শ্রীকুমার সিংহ। (বিশারদ)
শ্রীথোপপী সিংহ। ”

ব্রোকীদমক মরুওইব যেকপীহনা পুথোকপীথীবশিং :

শ্রীতোম্বা সিংহ। শ্রীনরাণ সিংহ।

সহায় তৌবিথীব কলাকারশিং :

শ্রীবুদ্ধ সিংহ।
শ্রীইবোপিশক সিংহ।
শ্রীগোপাল সিংহ।
শ্রীমণি সিংহ।
শ্রীবিহারী শর্ম্মা।
শ্রীঅরুনকুমার সিংহ।
শ্রীবীরমনি সিংহ।
শ্রীনরাণ সিংহ।
শ্রীইবোচৌব সিংহ
শ্রীশামু সিংহ।

রাধারাণী দেবী।
নমদা দেবী।
সাবিত্রি দেবী।
জুবোল্লতা দেবীনচিংবা
নাট্য অভিনয়গী কলাকারশিং

মরুওইনা য়াবিথিবা
গুরু ইবোপিশক শর্ম্মা
ব্রোক শাবা
ককচিংতাবম জয় শর্ম্মা

হিরম	লমায়

লমায়

হিরম

ফিবম | লমায়

হিয়ম	লমায়

হিরম	লমায়

প্রচলিত

মনিপুর নাট্য কলা

প্রথমা

স্বস্তি

শ্রীগণেশায় নমঃ

শ্রী[illegible] নমঃ

বন্দে ব্রহ্ম শিবং বন্দে

বন্দে বাণীঞ্চ পার্ব্বতীম্।

লক্ষ্মীং বন্দে [illegible]

বন্দে শিক্ষার্থ দেবতাম্॥

নাট্য উৎপত্তি ([illegible] দর্পণ)

অপযক্তঃ সা[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ।

পা[illegible] চা[illegible] [illegible] রস[illegible] [illegible] পঙ্কজঃ।

শাস্ত্রমিদং [illegible] [illegible] [illegible]কম্॥

ভগবান [illegible], [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

মরি অসিদগী মথং মনাও [illegible] [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible])

গীত ([illegible]) অমসুং [illegible] অসিনচি[illegible] [illegible], [illegible], অথ, [illegible]

অমসুং মোক পিরিব অসিনম্ম [illegible] [illegible] [illegible]॥

নাট্য বেদং দদৌ পূর্বং ভরতায় চতুর্মুখঃ
ততশ্চ ভরতঃ সার্ধং গন্ধর্বাপ্সরসাং গণৈঃ ॥
নাট্য নৃত্যং তথা নৃত্যমগ্রে সম্ভোঃ প্রযুক্তবান্
প্রযোগমুদ্ধতং স্মৃত্বা স্ব প্রযুক্তং ততো হরং ॥
তণ্ডুনা স্বগনাগ্রন্যা ভরতায় ন্যদীদিশৎ ॥
লাস্যমস্যাগ্রতঃ প্রীত্যা পার্বত্যা সমদীদিশৎ ॥
বুদ্ধ্বাঽথ তাণ্ডবং তণ্ডো মর্ত্যেভ্যো মুনযোঽবদন্
পার্ব্বতী ত্বনু শাস্তি স্ম লাস্যং বানাত্মজা নুষাম ॥
তযা দ্বারবতী গোপাস্তাভিঃ সৌরাষ্ট্র যোষিতঃ।
তাভিস্তু শিক্ষিতা দেশী যাস্তদ শিষস্তু যোষিতঃ ॥
এক পরম্পরা প্রাপ্তং এতল্লোকে প্রতিষ্ঠিতম ॥

পিতা মহ ব্রহ্মাণ নাট্য বেদ লেংবিদুনা অতম ওইবা নাট্য (অভিনয়-গীদমকতা) আচার্য্য ভরততা পিখি। অদুগী তুংদা গন্ধর্বশিং অমসুং অপ্সরশিংগ লোইননা আচার্য্য ভরতনা নাট্য বেদ অদুবু নৃত্য, নৃত্ত, নাট্য মখল অহুমগী মথংবু ভগবান শঙ্করগী মফমদা উৎখ্রে।

আচার্য্য ভরত না উৎখ্রীব অদুসু অভিনয় মওশিং অদু উবগ শঙ্করনা মহাক্কী মরু ওইব কাংলুপতগী তণ্ডুবু ভরতকী মফমদা জগোইগী নিয়মশিং অদুবু তম্বীহনখী। ভগবতী পার্ব্বতীনসু মুংশিবীবগ লোইনন ভরতকী মফমদ লাস্য নৃত্য কৌব জগোইবু তম্বীহনখী। তণ্ডুদগী ভরতনা খংহনখিব অদুসু নাট্যবু মুনিশিংনা মীওইবগী মফমদা তাণ্ডব কৌব মিংথোন্ অদুবু শন্দোক্খী (তণ্ডুগী মমিংদগী)। অসিগী তুংদা ভগবতী পার্ব্বতীনা বানাসুরগী মচানুপি উষাদ লাস্য নৃত্য তম্বীখী, উষানা ব্রজবাসী (ব্রগ গোপী) শিংদ লাস্য নৃত্য তম্বীখী। গোপীশিংনা সৌরাষ্ট্রগী নুপিশিংদা তম্বীখরে, সৌরাষ্ট্রগী নুপিশিংনা অতোপ অতোপপা

দেশশিংগী যুবতীশিংদা শন্দোকখিহ্না, মমাংঙৈদগী চংনরক্লব নাট্য শাস্ত্র অসিবু মথং মথং পৃথিবীশিং থুংনা শন্দোকখী।

হায়গ্রীব নাট্য উৎপত্তি অসিদগী থর শন্দে ক্লা উৎলকই অমুক নাট্য শাস্ত্রদগী।—

মমাংঙৈদ অনধ্যায় (লাইরিক তমহৈদব) ওইব মতমদা ব্রত কৌরব কর তনা সন্ধ্যা জপ লোইবব মতম্‌দা মহাক্কী মচাশিংগা লোইনত্তনা লৈরমই, মতম অত্তদা আত্রেয় মুনিনা লুচিংলব ইন্দ্র অমদি বুদ্ধি লাকশিনবা ওয়্রন, মহাক্ষংগী মশক্‌ ওইবব মুনিশিংনা পুজাগ লোইনন নাট্য বেদগী মরমদা হংজগী মহাত্ম ভরতনা মুনি মযামগী রা অত্ত তাবগ মথং মনাক নাইন ... বেদগী মরমনু হায়গী (তাকখী)।

হে বিপ্র ব্রহ্মণ পুম্নমক্‌, ... সংমা যজ্ঞা সয়ম্ভুব মন্বন্তর হৌথ্‌রব অত্তগী তুংদা, ...মগ হৌরকপদা বৈবস্বত মন্বন্তর ওইরক্লবদ লোক পুম্নমক্‌ (মীয়মশিংন) অপাম্ব লৌশিং চংশিংগী মথা পোল্লক্লবদা, থোইরাংব অমসুং অশাওবগাদ চংশিনক্লবদ, হে ক হায়নব জম্বুদ্বিপগা লৈব দেব, দানব, গন্ধব, যক্ষ, রাক্ষস, অমসুং ... গী নিংথৌ খিবিক্ল, মহাক মহাক্কী তোংতান তোংতানব থৌদাং দা যংশিনক্লব মতম অত্তদা ইন্দ্রনচিংব লাই মযাম্ন ব্রহ্মাদা হাইজখা। ঐখোইন চন্দ, তাবদস্নু ওইব, (শাস্ত্রবগী) মতৌত্তবু পাম্মী। অত্তগ বেদ ব্যবহারসুম শূদ্র জাতি খিবিক্লা তাহনগদব ওইব নবম্‌ অসিদগী পুম্নমক্কী ওইব য়াব বেদ অমগ মতা শুহনহনা নাট্য বেদবু শেম্বীয়ু। অহুম বর্ণ মাংগী (বর্ণশিংগী) ওইব য়াব (তিন্নব য়াব)। লাই খিবিক্কী রাহৈ অত্ত তাবগ ভগবান ব্রহ্মানা বেদ মরি নিংশি থবে। (নাট্য বেদ পুংখ্রন) মর্ম সন্নাক (মর্ম ওইব), লল থুম অমদি

[নাট্য=ইশৈ, জগোই, যৈবথোংন, রসকী মওং মতৌনি তিল্লব। মন্ত্র=পুংলোন জগোই, নৃত্য--ইশৈ অমসুং বস তহ্নগ লোইনব জগোই। লাস্য=থোংলন, নুপী ওইবগী জগোই। তাণ্ডব অকনব]।

মিংচং থোকহনবা নিংথিব পাওতাক তিল্লব, লোক পুম্নমকী কর্ম খিবিন্ন তিল্লব লম্বেল ওইহনব অমদি শাস্ত্র পুম্নমকী অর্থনা থল্লব শিল্প পুম্নমকী জ্ঞান ফোংদোক্পা, অমসুং ইতিহাসনসু তিল্লব নাট্য কৌব বেদবু শেমখে।

নাট্য বেদ অসি সেম্লব ভুংদা (লোইরবদা) ইন্দ্রদেবদা পিখে। মহুদগী ইন্দ্রদেবনা নাট্যগী অরুব মণ্ড মতৌ থংলগা, ব্রহ্মাদা হংখী। হে ভগবান নাট্য শাস্ত্রা চ খোম্ন শিজিন্নবদা লাইথিবিরুসু মতিক ওইরোই, মরম্ অসিনা বেদগী মশক থংলব ইন্দ্রিয় সংযম তৌরব মুনি খিবিন্ন নাট্য বেদবু তম্বদা অমসুং শিজিন্নবদা মতিক চাব ওইগনি। হায়সিনব ইন্দ্রগী ৱা অসি তাবদা ভগবান ব্রহ্মানা মহাত্মা ভরত মুনিগী মচা মচা চামগা লোইননা নাট্য বেদবু পয়োগ তৌহনা পুথোক্লব তারগী মাহে অসিগী মতুং ইন্না ভরত মুনিনা মগা চানদা নাট্য তম্বীখরে। অমসুং ভারতী, সাত্বতী, অবন্তী, বৃত্তিনচিংবশিংবু শেমখে, কৌশিকী বৃত্তিবুসু থোকহনবগী দমক ভগবান ব্রহ্মাগী শক্তিদগী পুথোক্লুনা পিবিখে। অদুগা নাট্য অহৌদা পনব, মৃদঙ্গ, বাল্লবীনচিন ৈয়নবগী খোংনবগী পিথিকপুসু অহৌগ নারদ চবা গন্ধর্ব খিবিকপুসু নাট্যগী কর্মদা চংহনখবে।

নিপা থোকপগী ভগোই। চয়া ভগোই হৈব বনা মগী মগাল্লাপ সৌরাষ্ট্র=সৌরাষ্ট্রগী নম। ব্রজবাসা=ব্রজদ লৈব মী।

ঋগ্বেদ, দগী=পাটাভাগ (শৈবে খিব রাইে ...)।

সামবেদ, দগী=গীত (ইশৈশন চিব)

যজুর্বেদ, দগী=অভিনয় (মণ্ড মতৌ ...)

অথর্ব বেদ, দগী--রস (নবরস লাচব)।

সত্য যুগ=সত্যগী মতম, স্বায়ম্ভুব মন্বন্তর—স্বায়ম্ভুব মনুনা পাংথোকপা, বৈবস্বত মন্বন্তর=বৈবস্বত মনুনা পাংথোকপা মতম, দেব=লাই, দক্ষ=

অসিগী তুংদা ভরতনা ভগবান ব্রহ্মাদা হায়জখী ভগবাননা ঐমা নাট্য বেদবু তম্থুনা (শেমশাজুন) লোইরে, হৌজিক্ করি তৌগদব তাক্পিশি। মা অসি তারগ ব্রহ্মানা ইন্দ্রগী নিরান্গী অচৌব উৎসবতা ইংখনখী। উংখিব অদুদা দেবগণনা হিংচাবশিংবু ভম্থিবগী উংখী। মথুনা লাই খিবিক্ত পেল্লনা থবক সুনিদা নাটাগী মচাক্ অমদি শক্তি পুম্নমকপু পিখি। মরম অসিদগী হিংচাব এযাম্ম শাওরদুনা দেবশিংবু নাট্য অদু উৎপ হৌদনবা অহাইব কয়া শোবক্না নাট্য কায়শিংবু পুং থোং লংহনদনা অনদি লেংখ্রেন থোকহনদবনচিংব লৌহনখী। অতম্ব অদুবগী কন্নবা ইন্দ্রদেবনা মখাকী ফিরান (বিজয় পতাক) অসুবু নিক্তুনা হিংচাবগী মযাশিংবু থুগাইখী। ইন্দ্রগী খোংদোক্ অদু ঙৈরা লাই খিবিক্ত পেৎখি মরম ... ফিরান অসিবু জর্জর মিংথোন ওইরে (কৌখে)। অমস্তু হায়নগী, ফিরান অসি উবদগী ফংদ্রবশিং অদুবু চেল্লগনি, অদুমলাই খিবিক্ত হাওখিব মতমদা ইন্দ্রদেবনা থুম খী অহুমক্ ওইবা ওইসিনু।


ভরতকী মাংনবা শিল্লকপনদিবু বিহিনী কয়া (হিংচাবনচিংব) শিংগী বেংক্রনবা বিধান কৌরনা ব্রহ্মানা নাট্য মণ্ডপ শাহনখে মথু ভাক্কনবা মরম্ পুম্নমক্ লাই হাংদা থহনখে (থোদাখে)। তশাওবগী মশক্ ওইরিবা হিংচাবা খিবিক্তপু ইংখনবা ব্রহ্মানা নিংথিরবা নাট্যগী কান্নরবা পাওকুম কয়া লিগী, অমত্তা নাট্য অসি উৎপাদ অফ ফত্ত পুম্নমকু থংনবা, কনাবু ...নবা, ... মখল শিল্লবু

হিংচাবগী জাত, দানব=রাক্ষস—হিচাব, গন্ধর্ব=গন্ধর্ব ভাগ ... হৈদা চগোই হৈনা ...=হৌবগী ... বল, ...—...গী ... তৌদুন হিংব ... হ্রাস, ভারতী=বোক্ত্র, বিভাৎস রস ... বীররস, আরভটী=চাংকব্বা অডক প=পুংম চন্দ্রনদিগী, কৈশিকী=শৃঙ্গার রস, পনব=পুং মখল্ অম, মৃদঙ্গ=মৈতৈ পুং গা মওংশিংগা মক ঝল্লরী=তাক্কনবা শিন্নরনচিং মক।

উব কংনব উংপনি। মসিদি পুম্নমক্কী কাম্নবনী মশিদা শাওকম্ থোক্তে হায়ন অসিগুম্নব শাস্ত্র পুম্নমক তিল্লব পুম্নমক্কী কান্নব ওইরক্কদব নাট্য অসিবু ঐনা লেংথ্রবনী নখোইনা লাইশিংগী মফম্দা শাওকম্ থোক্কে অমুম্ন হিংচাবশিংবু ব্রহ্মনা থেম্জিখ্রী। অসিগী তুংদা রঙ্গ পুজা বিধিগী লাই য়ামদ থংহনখ্রী। অমসুং নাট্য মণ্ডবকী চাওখৎপ মওং মতৌস্ত্র থংহনখ্রী অদুগ রঙ্গ দেবশিংগী পুজাগী মবম সু ওাকখ্রী, অমসু ব্রহ্মনা ভাক্রবতুংদ ভরতনা ব্রহ্মাদা হংজখ্রী। থাকুপিয়ু পিশানৎ কৌজিক করম্ব নাট্যবু উৎকদব ওইবগে। মতু খাবদগী ব্রহ্মনা থুমগী কৌজিক অমৃত মন্থনগী অভিনয় উৎকদব ওই, অমৃত মন্থন অসিদি দেবশিংগী থোন হেনগৎনবনি সমবকারনী, মাসদা দেবশা দানবশিংগী হবাওব ওইগনি। অদুম্ন ব্রহ্মনা হায়খ্রী, মহ উৎপদ দেবতা, দানবশিংগী হরাওনখ্রী। মসিগী তুংদা ত্রিনেত্র শঙ্করগী মফমদ লাই য়য়াম্ অমসুং ভরতকী কান্নপনা গন্ধর্বশিংগ লোইনন নাট্যবু উৎনব শঙ্করদ হায়জখ্রী। শঙ্করগী য়াথং ফংলহনা উৎননব থৌরাং থ্রে। হিমালয় চিংগী চিংদোনগী নিংথিরব মফম্দা অহাম্ব অহানবদ পূর্ব্ব রঙ্গ বিধি মপুং ফানা উৎখ্রগ মতুংদা অহুম্ব **সমবকার** ওইব ডিম কৌব অভিনয় ত্রিপুরদহ (ত্রিপুর নৈথাব) অভি-নয়বু তৌখ্রী।

মহুদগী শঙ্করগী কান্নপন হবাওখরে অমসুং নটরাজ শঙ্করনা পেল্লহনা নিংথিরব অঙ্গ হারনা শিল্পন তাণ্ডব অকন অথৌগী মওংবু মহাত্মা তণ্ডুদা য়াথং পিহনা ভারতা থংহনখী॥ ভগবতী পার্ব্বতীনসু পেমহুনা চানবিবগ

নাট্য মণ্ডপ=কুইথৈ লৈফম, রঙ্গ দেব পুজা=কুইথৈ লৈফমগী লাই পুজা, অমৃত মন্থন=সমুদ্র নৈন, পূর্ব্ব রঙ্গ=(য়াওশিং শোম্রুক কুইথৈ তৌক), **সমবকার**=(মাহুংগী মওং অমাং লেন থাইদব) ডিম (অকন অথৌ মওং), ত্রিপুর দাহ=(ত্রিপুর কিংচাবর নৈন থাহুনা মাংহনবা)।



শিব তাণ্ডব (বলদেব শর্ম্মা, নটরাজ, নৃত্যাচার্য্য)

লোইনন লাস্য কৌব নৃত্য (মেংলব, লোংনবন থিল্লব) ভূমীগী কইনা জগোইবুস্থ তম্বীখী।

নাট্যবু মথং মথং শনদোকখীবগী অভিনয় দর্পণদগী অমসুং নাট্য শাস্ত্রদগী কংল শয়া মথাং অসিদ লোইরে।

করণ অমসুং অঙ্গহার

শিবদগী ভরত [illegible] প্রাকৃথিন করণ (১০৮) অঙ্গহার (৩২) নি।

জগোইদ খোং খুংশিগী থিল্লব মথংবু করণ খাংলে। করণ অনিম মতুংকা অমা কৌই, অনি, অহুম, মরিগী মতুংকা শিংনা পুনশিন্নগা অঙ্গহার অমা ওই করণ অহুম = কলাপক, করণ মরিন = ষণ্ডক, অমসুং মঙা = সংঘাতকস্থ খংনগদব ওই [illegible] রেচক, নিপান, মাপন = করণশিংদুনসু থিল্লবদ অঙ্গহার থোকপনি

পুংল শাগ জগোইদু = নৃত্যহস্ত খংনগনি, নৃত্যহস্ত অনি খোক খাইদোকই মতুংদি ; অসংযুক্ত হস্ত = (খুং নাম্নগী ওইব)। ২ সংযুক্ত হস্ত = (খুং অনিগী ওইব)। নাট্য শাস্ত্রশিংগী মতুং ইন্না নৃত্য অসি মথক অহুম [illegible] মতুং [illegible] নাট্য

(চতুর্থ অধ্যায় নাট্য শাস্ত্র)

নাট্য শাস্ত্রগী ([illegible] গী) শম্লকপ থবগী মফম অর্থ উবগী

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

সময়ম [illegible] সম্পূর্ণ নখীবগী মরমদ [illegible]

[illegible] ([illegible]) [illegible]

[illegible] ।।

[illegible]

[illegible]

নৃত্ত = পুংলোন জগোই (ভাব অভিনয় য়াওদব) নৃত্য = রস অমসুং ইশৈগ লোইনব (ভাব অভিনয় য়াওব)। * নাট্য = নৃত্ত, নৃত্যনতিল্লব, রস ভাব অভিনয়ন তিল্লব (রাসনচিবগী মপুং অম ওইববু খংনগনি)।

চরী = খোংগী চমথ খোংদগী হৌরকপশিংবু চারী কৌই। অদুনব নিপা থোকপ জগোইবুন মহাচারী কৌই। চারীশিং অসি অকাশচারী, ভৌমীচারী অমসুমনা মথল কয়া খাইরি।

অভিনয় = অভিনয় মথল মরি লৈ মখোয়দি আঙ্গিক = (হকচাংগী মথল)। বাচিক (ৱাডাং-শডাং), আহার্য = (লৈতেংশিং), সাত্বিক = (ঈশ্বরগী ওইব ভাব)।

সৌষ্ঠব = খ্বাংগী মওং, খুনিং লেংকম নাপ কোক, খবাক্কীসু মায়ন নিংথিন লৈবগী মওংবু সৌষ্ঠব (ফজব ফিরেপ) খংনগনি।

নৃত্ত = যুদ্ধ, মল্লযুদ্ধ চারীগী জগোই - লাল, নম্বর ফুনবগী লাল কোইশিন্দুনা চংপনচিংব মথল মথলগী চারী অদুন। নাট্যাচার্যশিংগী অথং অহৈদগী কয়া থোক্ক প্রয়োগ তৌদব ওই। (মহা পিরী ভরত মুনিনা)।

অঙ্গ খুংকী মরম ওইবর ওইগী খুং থবাক (থবাক্কী চুমখল) য়েংথব খুংন খোংগী মচংকী তুংইনব, খুং, নাকন, খুট, খবাক, নঙ্গল, পুক লেংইনব খুংশিংগী খোংশিংগী মচং ওইনব নাট্য শাস্ত্রগী মতু ইন অঙ্গ মচম চৎনব চারীশিং অমদি নৃত্য হস্তনী খংনগনি। অমসু মাতৃকা খংনগনি, মহাক অদুন কিনশিল্লগ করণশিং শেম্‌গাদব ওই। (মাতৃকা, অমসুং করণশিংগী মরম মথক্ত য়ুংথরে)।

* নাট্য = নাট্য অসি হৌভিক মতমদা য়াম্ন চংনবি। ইশৈ, জগোই, ডিলা (ড্রাম) না শিল্লনা, রস ভাব অভিনয়নচিংবদগী কোংনোব্রুপদগী থংনৈ, মতবু হৌভিক মতমদা দান্স ড্রামা হায়না কৌই।

একাদশো অধ্যায় - চারী লক্ষণ,
(নাট্য শাস্ত্র)

খোং খুদৈ কৈনচিব মাপ্পনব (নিথিনব) তোংনরকপ অমদি খোং নাম্থন চংপ হৌরকপগী মথলদু চারী কৌই। খোং অনি শুইরকপনা করণ কৌবদু খংনগনি, মরমশি সিনা পুনশিনলকপদা খণ্ড কৌগে, খণ্ড অজুম, মরিন ত্রিমব অতনা মণ্ডল কৌগে অদুম চারীশিং অতদগীদু ন্নগা খংনগে (শেনগে)। অদুম অতুদগী চারীশিবু মথল অনি থোক্ত থাইবা। মতুদি- ভৌমী চারী, অকাশ চারী, অমুম ১৬ অমনা ভৌমী চারী, ১৬ অমনা অকাশ চারী, পুম্ন মথল ৩২ ওই। খোংগী মতুংইন্ন খুংদু শাংগদব ওই, চারীশি অতনা ন্নগা অদু শেমই চারীশিং অদু লাম্নচিব খুলাই কাপথোকপদদু ওইগনি, চারী নংতনা করিগুমগ অঙ্গ অমত্তবু নাটাদা শিজিন্নবদ য়াদে (ফজবা ঢেদে)

(ভৌমীচারী ১৬ কী)

১। **সমপাদ চারী** - খোশিং অদুবু হাতন্দব, খোং অনি অদুগী (খুজিন্নচিব) মাপ্পন থম অদুবু সমপাদ চারী কৌই। পুম্নমক্কী হৌবক কমান (মতং অসিদ চিনকম থোক্কে হায়না প্রমাণ পিবি) ন্যাধ্যায় (অশোক মল্লগী) মতুদি চশা অপ চংপদ ওই, সমপাদ দদু চংপগী মতিকচাব অদুদি ওই। অদুগ স্থানকতা ওইবদু চারী মতৌ ওই।

চারী=ভৌমী চারী ১৬, অকাশ চারী ১৬, স্থানক ৬, ভৌমী মণ্ডল ১০, অকাশ মণ্ডল ১০ মথলশিং সিগী মথাদ য়েংবীগদব ওই।

সমপাদ= অদু লেংদন লৈরবদু, চংপদ ওইরবদু চারীগী অর্থদু কাইব লৈতবগী অর্থনী। চারীন হান্ন উংখে খুদোংচাগদব থরদগী অদুগ স্থানকতা ওইবদু চারী মতৌ ওই)।

ভৌমী চারী

২। **বার্ত্তা চারী**=খোং লৈবাক্ত তক্রহনা নগুল অহুগী মসুংদা চংলগা অতোপ্পা খোং অম থাংগৎহন শিংখোক্লব অহুগুম্বগী মফমবু বার্ত্ত চারীনা খংনগনি।

৩। **সকটাস্থ চারী**= হকচাং অহ লুকলপ লৌরগা খো অহ তিংখোক্লুনা খোংদোনশ অহ লেংওংলহনা থবাক্ অহ রালপ হংখৎতুনা লোলব (চংলাব) মগো অহবু সকটাস্থ কৌই।

৪। **অধ্যার্দ্ধিকা চারী**= ওইগী খো থাংগৎতুনা খো অহ য়েৎকী খোংগী তুংদা থম্বগা য়েৎকী খো মমাংদ শংতুন চৎপগী মচৎতুবু অধ্যার্দ্ধিকা খংনগনি।

৫। **চাষগতী চারী**= খো লৈখোক্লগা অমুক চিংশিল্লকপ, ওইগী খো ন য়েৎকী তুংদ থম্ব, অমুক থাদোকপ মওবু চাষগতীনি।

৬। **বীচবাক চারী**= সমপাদ খো অনিহু থাইদোক্লগ খো অম অতোপ্পা অমগী মমাংদ থম্ব খোংপাক্ (খুয়া) অহনা, অসুম্ব অসিবু বীচবাক চারী খংনগনি।

৭। **এড়কা ক্রিড়িত চারী**= খো অনি অহনা অগ্রতলা (খোংদোন), অহুনা চোংলপ চোংলপ চংপদ এড়কা ক্রিড়িত খংনগনি।

৮। **বদ্ধা চারী**= মই মই খো দোনশিং অহুনা স্বস্তিক ওইরগা কৈ অনি অহ বলন (কোম্বব)বু বদ্ধ চারী হায়খে।

৯। **উরুদবৃত্তা**= অগ্রতলা (খোংদোননা) ওইব খোং অম লৈথোকপ (খোংনিং লৈথোকপ), অতোপ্পা খোং অমনা থর নমথবর অহুবু উরুদবৃত্তা চারী ওইরে।

১০। **আড্ডিতা চারী**= মাংদ তুংদসু ওইব ওইব খোংদোন অমনা চৎপ, অনিশুবনা তকপ, লৈয়ববু অড্ডিত চারী হায়ন খংনগনি।

১১। উৎস্যন্দিতা চারী=ওম্ন তম্ন খোং অম লৈয়থোকপ (লৈয়থোক্ লৈশিন্ তৌবা) ওইরগুন শিংতুন চৎপ রেচকী মতুং ইন্না তৌরিবা অদুবু উৎস্যন্দিতা চারী কৌই।

১২। জনিতা চারী=খুৎতুম অমনা থবাক্তা অতোপ্পা খুং অমনা লৈপোকপ, খোং খুয়ান শিংতুনা চৎপ অদুবু জনিতা চারী কৌই।

১৩। স্যন্দিতা—হান মতাংগী মমুংদা খোং অমন শন্দোকপ স্যন্দিতা চারী খংনগনী।

১৪। অপস্যন্দিতা=মতুংদা অহুম্বা স্যন্দিতাগী খোং অমনা অতোপ্পা অমনা অমুক সন্দোকপদা অপস্যন্দিতা চারী খংনগনী।

১৫। সমোতসেরিত মণ্ডলি চারী=খুয়ানা চংনবা, খোং অনি অদুনা লৈননৈনা শিংতুনা চৎপ অদুবু সমোৎসারিত মণ্ডলি ওইব চারীগী শাক্তেন্দু তৌগদব ওই।

১৬। মণ্ডলি চারী=খাং অনি অদুন লৈন লৈনা শিংতুনা চৎপ অদুগা খুংশিং অদুন উদ্বেষ্টিতা পরিবেষ্টিত (লৈথোক্লগা লৈশিন-লকপদা) এইব অদুবু মণ্ডলি চারী খংনবে।

ভোমীচারী ১৬ কী লোইখে। হৌজিক্ অকাশ শিকচারী ১৬ কী হায়বগী।—

১। অতিক্রান্তা চারী=খোং অম *কুঞ্চিত ওইরগা খাংন খাংগৎলগা মাংলোমদা চংথোকহনব শন্দোকপ) খোং অদুবু ইনথোক্লুন চংথোকহনব (শন্দোকপ) খোং অদুবু ইনথোক্লুন হাংহনব অদুবু খংনগনি।

লৈয়থোকপ, হকচাং লৈয়ব — য়, য়াওবদ খংহনগনি। লৈব — লেপতুনা লৈবনা চিংবদ খংনগনী। রেচক=নোম্ব, হায়ব,।

*কুঞ্চিত=(কোনাম্লব, অকোব, অখোইব)

২। **অপ্রকান্তা চারী**=ঁক অনিনা বলন (কোৎ) অতুদগী খোং অননা কোন্ শিন্দুনা থাগৎলকৃলগা নাকন্দ চংখোক্তদব ওই মতুবু অপ্রকান্তা চারী কৌই।

৩। **পাশ্ব কান্ত চাবী** কোন্ শিনব খোং অম থাংগৎকনি খোং অতু নাকন্ লোম্দ রাংন থাঙ্গৎকদব ওই, মতুদা পাশ্ব কান্ত চারী খংনগনি।

৪। **উৰ্দ্ধজানু চারী**=খাং অমবু কোন্ শিল্লগ থাংগৎলব খুউ অতুনা থবাক্ খোম্ মপাদা থম্গনি অতুমনা লৈহৌরীব অতুনা অমুক্ তৌগনি মথং মনাও নাইনা হুকচাংদি লেংদনা অতুবু উর্দ্ধজানু খংনগনি।

৫। **দোলা পাদ চারী**=কোন্ শিল্লব খাং অমবু থাঙ্গৎলগা নাকন নাকন্দ হায়গনি অতুদগী অঞ্চিত ওইন খংনগনী মতুবু দোলা পাদ চারী খংনগনি।

৬। **উৎক্ষিপ্তা চারী**=*অঞ্চিত ওইরব খোং অম থাগৎলগ (খোইন থাংগৎলগ), ইম্বতুন খুবোম্ অতু স্বপ্তিকক্রী মথং ওইগনি, অতুবু উৎক্ষিপ্ত চারীনী খংনগনী।

৭। **আবিদ্ধ চারী**=স্বস্তিক ওইবব অতুগী মাংদ খোং অমন কোন্ শিন্দুনা তিংখোক্লগ খোইরবদা আবিদ্ধ চারী খংনখে।

৮। **উদ্‌বৃত চারী**=খোং অমনা নপশিন্দুনা লৈশিল্লগ (কোশিল্লগ) থাঙ্গৎপ অতুদগী অমুক্ থাদব অতুম খোং অনিস্তুবসু তৌরবদ উদ্‌বৃত ওইরে।

৯। **বিদ্যুৎভ্রান্ত চারী**=তুংলোম্দা খোং অতু পোইগৎপা (থাংগৎপ) কোকৃতা শোকপ, অতুম অমুক তিংখোক্তুনা পুম্নমক শোকপ কোইন ভম অতুবু বিদ্যুৎভ্রান্ত চারী ওইগনি।

---

*অঞ্চিত =(কোম্‌ব, খোইব, থেকপ,)।

১০। **আলাত চারী**=তুংলোম্লদা খোং অম তিংথোক্কনী অত্তদগী খ্বাংগী মথাদ শোক্কনী অত্তুদগী থুন লৈরক্কুনা থাদরকুনী থুনিংনা অত্তুবু আলাত চারীনী।

১১। **ভুজঙ্গত্রাসিতা চারী**=খোং অম কোন্‌শিন্‌হুনা খা গৎপ থবাকৃতম্ভ খোইব (কোম্ব) ওইব খ্বাং খুট অত্তু লৈয়-থোকপ অত্তুবু ভুজঙ্গত্রাসিতা চারীনী।

১২। **হরিনপ্লুত চারী**=অতিক্রান্তগী ক্রম অত্তু তৌরব (অতিক্রান্ত মথক্ত য়াওখ্রে) চোংলগ তাবখোং অত্তুদগী খোং কোনশিন্‌ব অত্তুগ শিংথোকপ অত্তুবু হরিনপ্লুত চারীনী।

১৩। **দণ্ডপাদ চারী**=খোংজিল্লুবু খোংদা শিরগ মাংদ শিংথোক্লুব (শনদোক্লুব) থুনা কাওথোকপগী অবিদ্ধ করনত্তু তৌবদ খনগনী দণ্ডপাদ চারী।

১৪। **ভ্রমরী চারী**=*অতিক্রান্তগী ক্রম (মথক্ত য়াওখ্রব) অত্তুম অত্তু তৌরগ তৃক (নিং) অত্তুবু লৈযথোক্কুনা লৈরব অত্তুদগী অনিশুব খোং অত্তুনা লৈযত্তুন লৈরবদ খনগনী।

মফমসিদা আকাশিক চারী মখল লোইরে। সৌষ্টভনচিংবা বৃদ্ধ চারীনচিংবগী মওং মতৌ অমদি ভৌমী চারী আকাশিক চারীগী মওগী অভিনযবু উংখ্রে। অসিগী তুংদা থুলাইনচিংব কাপ্পগী হায়রকৃই।

---

*অতিক্রান্ত=(অহানব আকাশিক চারীদ য়েংগদব ওই)।

(স্থান) ফীবম ৬ কী

বৈষ্ণব স্থান=তাল অনি মথাইন থোং অনিগী মবক্ত খেন্নব থোং অমনা নিংথিন লৈব অমন থরদং থোক্তব থুবোম্ অমস্থু. হকচাংশিং চুম্ন লৈরবদ **সৌষ্ঠব** গী মাপ্নব, মথক্ত চায়থ্রব অঙ্গুষ্ঠগী মফম্ অহুবু বৈষ্ণব স্থাননি খংনগনি।

মফম অসিদ বিষ্ণুনা অধিদেবতানি। স্থান অসিনা ওইব মরমদি - স্বভাবতগী পোকপ, অমগ অমগ বারি শাব, মই মই তাংনব অসিনচিংবদ শিজিন্নগনি। উত্তম, মধ্যম ওইবশিংনা মথল মথল ওইব থবক্তা [illegible] শিজিন্নগনি। অমদি চক্র, ধনুবদা লিক, প্যাইনদ, [illegible] হকচাংগী ফক্কনা [illegible] অমস্থং [illegible] শিজিন্নগনি। [illegible] অমদি [illegible] পাঙ্গল থোক্ত লাংবদস্থু, শিজিন্নগনি। [illegible], থুং থনব, নিংশিংব, [illegible], চাউথোকপ, [illegible] অমদি শক্তি উংনদ শিজিন্নগনি।

শৃঙ্গারগী ওইব [illegible], বীরগী [illegible] ([illegible]) তুপি মরমদস্থু প্রয়োগ তৌগনি।

সমপাদ স্থান=[illegible] অনি চপ [illegible] মকুংদস্থু লৈব ওইব [illegible] অহুপ অহুবু সমপাদ স্থান খংনগনি। মসিদ ব্রহ্মানা অধিদেবতা, [illegible] অসিনা ব্রাহ্মণশিংগী মঙ্গল [illegible] হকচাং ফবশিংগী [illegible] ([illegible]) [illegible] ([illegible]), ব্রহ্মচারীশিংগী [illegible], লৈবাক্নুগী মফম অহুবু খংনগনি।

বৈশাখ স্থান=থোং অনি অহুবু থোইদোকপ থবাক অহু থর থোইব (নম্ব), অহুবু খংনগনি। মসিদ কার্তিকনা দেবতানি। অঙ্গিগুষ্ঠ স্থান অসিবু শগোল তোংবদ শিজিন্নগনি। হকচাং

খাঙ্গেন কৌবদ কপ্প চংপদ, অচৌব উচেক থ,নপ্প, তেন্ শিংবু কাপ্ থোক্পদা শিজিন্নগনি।

মণ্ডল স্থান—তাল মনিংদা চুমথনা লৈবা অহুম্ব অহুমদা খুৎ থুট, অনিমক্ মাকচুম্ব থবাক্ লৈপদ, অমিসিংচিংবদ ওইগনি। মসিদ ইন্দ্রন লেবগনি। খিনিংবাগ (শিংচুংপদব) লিকুং ব্রজনা চিংব খুলাইশিং অতুগী পাইবদ প্রয়োগ তৌগনি। খামু তেংবদ চ [illegible] চৌন উচেক থইবদ মণ্ডল স্থান অসিগী মখমক তৌগনি।

আলিঢ় স্থান— থাযোং অহু [illegible] মচাদা [illegible] শিংথোক্লগ লৈরদ [illegible] স্থান অদু ওইগনি, মদা রুদ্রন অসিদেবগনি [illegible] মকমদ তৌগদব ওই। ম [illegible] শিংগী মঙ্গ [illegible], [illegible] চুমদব, মত (লাংকু কাবন) শিংগী মঙ্গ [illegible] উংপন চিংবদ শিজিন্নগনি, অমসু মাইয়োকবদ, [illegible] কাপ্ থোকপনচিংবদ শিজিন্নগনি।

প্রত্যালীঢ় স্থান [illegible] প্রত্যালীঢ় কৌই, [illegible] অতুম [illegible] থোকপ আলিঢ় অহু অমা [illegible] প্রত্যালীঢ় অহুনা [illegible] অদু প্রয়োগ তৌবশিনা [illegible] অদু [illegible] নচিংবদ শিজিন্নগনি, [illegible] মতম মতম ওইবা নিয়ম্ থংগদব [illegible] দুত, বারগন্য, কৈশিক নচিবদ ওই। ভারত (পুখং লৈথোকপ), সাত্বত (খাং কোম্ব), বার্সগন্য (থবাকী ম [illegible]), কৈশিক (কোক মথেক্), অসিগুম্ব মঙদ

তাক্লাব স্থান (কিরেপ) শিংগী অর্থশিংদি তাক্লীব মওং অমিনমু অহুম্ থংনগদব ওই।

প্রয়োগ তৌগদব ওই, খুলাই কাপথোকপগী মথল মরিগী নিয়ম অসিদগী মথল মশংগী বিচার তৌহনা।

ওইনা চুংগোই পাইব যেংকা খুংন খুংলাই পাইবগী মচং খুং অনিগী মচং মশিং থিংথোকপ, ইন্থব নাকন, মফম অমদগী অম ফাওব লৈযব প্রয়োগ তৌগনি। মফম অসিদা ভারং হায়ন কৌব অদুগী মওংদ খুলাই থাদোকপ অদুদা মথল মথলদ অথবশিংন তৌগদব ওই। সংস্কৃত, দস্থ মশ অদুগী বিচারদে, থংগদব ওই থেন্নদি থা, চুগোইগী মরমদ হৌনগনি, মতুদি তুংলোমদ নম্বনচিবদ ওইগনি। বাথগন্না, অদুদস্ত ক্রম নাইন সাত্বত ওইদুনা চংপ অদুবু তৌগদব ওই অদুগ খুলাই অমসু, চুগোই অনিগী **লৈয়ব** অদুবু হাযবী সাম্বংদ খুলাই অদুনা কোক্ত **লৈয়রুবদগী** তুদা থবাক্ত **লৈরব** অদুবু তৌগনী অদুম্ন হন্ন হন্ন তৌগদব ওই, মতুবু ভাঁংদি হস্ত হস্ত চংপবু তৌগদব ওই, অদুম অদুবু কৈশিকদস্থ হংনগনী মংলৌ অপুন্ন হকচাংগী ফজ্জানব মওংদ খুলাই, লিক্ত ব্রজনচবগী প্রয়োগ তৌগদব ওই। মগক্ত হায়গ্রীব নাট্য শাস্ত্রগা চারী অমস্তুং স্থান ময়াম অসিগা লান্দ চংব খুংশু খুলাই কাপথোকপ, হায়ব, য়েন শুনব, ফানবগী মশাংস থংহনবরে। [অসিগুম্ম মওং অসিবু মনিপুরগীস্ত ননাইবদগী থাংনা কাইজ মুক্লাবগী অয়াম্ব জগোইবু (নাটাগী মথলবু) থোক্থা (প্রয়োগ) তৌবা হায়ন নাট্য তৈব শুকাশ নত্তু ত্তাক্লি।]

মথাদা সৌষ্টব, বৈষ্ণব, চতুস অহমসিগী মওং মাম্নবা তাকুলকনী।

লিক্কংগী মথল্ মওং অহুম্ মথল মরি থোক্ত থাইরী মতুদি পরিমার্জন, আদান, সন্ধান, অমদি মোক্ষন, মথল মরি অসিনী।

লৈয়ব=লৈয়ব (ময়েক অসি) হকচাং লৈয়থোকপদ থংনগনি।

পরি মার্জন=শিংনান্দুন হোংনববু থংনগনি,
অলান=লৌথংপ মও. অদুবু থংনগনি,
সন্ধান=হেন্ অদু হাপ্ন (হেঙ্গাপোংব) বু থংনগনি,
মোক্ষণ=কাপথোকপ অদুবু থংনগনি,

অসিগুম্ব শাজেন চৌবশিংনা মফমসিদা নিংথিন স্বর শিজিন্নগনি, অমদি থাও কৈন্নুনা হকচা শেমগনি অসিগুম্ব নিয়মগী মথা পোন্ন শাজেন্ন হিপ্লব চাবীশিংবু তৌগদব ওই।

মযম অসিদ চাওরাকপ স্থান অমদি লাম্নচিব থুংস্থ থুলাইগী ওইন চারীগী লোইরে, মথাদ আকাশ গামীনী অমসুং ভৌমি মণ্ডলগী চারী অমুক্ শাক্লক্লা। আকাশ মণ্ডল মখল ১০ নি, ভৌমি মণ্ডল মখল ১০ নি থংনগদব ওই।

১। আকাশ মণ্ডল অতিক্রান্ত –

অহানব পাদদগী মথং মনাও নাইন উদ্ঘাটিত ওইগনি, ওইথব অ ন অলাও ওইগনি, য়েংথংব অদুদা অমুক্ পার্শ্ব ক্রান্ত ওইগনি অদুদগী সুচিপাদ ওইরগ ত্রিক ওইদুনা লৈথোক্নী মথং অদুম্ন তৌদুনা যেংথংব অদু থাঙ্গংলগ ওই থংব অদুবু অলাং ওইবগ বাহুভ্রমর ওইদুনা পরিশিষ্ট তৌগনি, মতুদগ ওইন অমুক্ অতিক্রান্ত ওইগনি, যেংন দণ্ডপাদ ওইগনি।

২। আকাশ মণ্ডল বিচিত্র–

যেংথংব অদু থাঙ্গংলগ ওই থংব অদুবু অলাত ওইব, অমুক্ ওই থংব পার্শ্বক্রান্ত ওইব অদুগ অমন সূচী পাদ ওইদুনা য়েংথংব অদু থাঙ্গংপ, অদুদগী ওইন অমুক্ অপাঙ্গ ওইব অদুদগী অমুক্ বাহুভ্রমর (লৈয়থোক্লগ) থাঙ্গংপ থোং অদুবু অমুক্ তৌরগনি, হায়গ্রীবসিংসি বয়াম (শাজেন্) তৌবদ বিচিত্র কৌব মণ্ডল অসিবু থংনগনি।

৩। আকাশ মণ্ডল ললিত সঞ্চত

অহানবদ ওই থংব খোং থাক্সংকনি অতুগা সূচীপদ ওইগী খোংচুনা শাগনি, অতুগা ওইচুন অপক্রান্ত ওইচুনা অহানবদ নাকন্দ চংপ ওইগনি, অমুক্ চুম ওই অতুদা সূচীপাদ ওইগনি অতুগ ত্রিক (নি) অদু লৈযথোকনী অতুদগী যেংন অমুক অতিক্রান্ত ওইগনি অতুদগী অমুক লাইংলমদদু উংকনী মতুদা। আকাশ মণ্ডল ললিত সঞ্চার থাংনগনী।

৪। আকাশ মণ্ডল সূচী বিদ্ধ—

সূচী পদ অদনা ওইথনবদ [illegible] ত্রিক (নি) অতুদ লৈথোকনি, অতুদগী ওই ভদু [illegible] অতিক্রান্ত চংলা ওইগনি। যেংন অমুক সূচীপাদ ওইগনি। অতুদগী ওইথবদ [illegible] অতিক্রান্ত ওইগনি। অতুদগী অদন [illegible] পাদ [illegible] ওইগনি। মথু আকাশ মণ্ডল সূচী বিদ্ধ থাংনগনী।

৫। আকাশ মণ্ডল দণ্ড পাদ

অহানবদ [illegible] ওইবদ [illegible] ওইগনি অতুদগী ওইদ সূচীপাদ ওইবগ ত্রিক অতু লৈথোকনি অতুগা যেং অতুন [illegible] ওইগনি ওই অতুদ অপক্রান্ত ওইগনি যেংন অমুক্ অপক্রান্ত ওইগনি [illegible] ওইগনি [illegible] অতিক্রান্ত ওইগনি যেংন দণ্ডপাদ ওইগনি অতুদা অহানবদ সূচীপদ অতুগ ত্রিক (নি) অতুগ লৈথোকন অদুগু অদুবু আকাশ মণ্ডল দণ্ডপাদ থাংনগনি।

মকম্ অসিদা য়াওথ্রব যাওরকদব চারীগী লক্ষণশিং অসিগী অর্থ মকম্ অতুদা দোংবীগদব ওই।

৬। আকাশ মণ্ডল বিদ্ধতম্—

অহানবু জনিক ওইবব অংগ অমুক্ নিকুটিত ওইরবদ ওই অংনম্বু আস্কন্দিত ওইরব যেংনম্বু ঊর্দ্ধং ওইরব, অদুদগী ওইন অলাত ওইরব, যেংন অমুক সূচীপাদ ওইরব, অদুদগী ওইন অমুক পার্শ্বক্রান্ত ওইরব, অদুদগী যংবা অক্ষিপত্তা ত্রিক (নিং) অদু থৈখোক্তুনা দণ্ডপাদ অমদি সূচী ওইব ওইগী খোং অদু [illegible] ত্রিক (নি) অদু থৈংথে ক্রগ যেংন ভুজঙ্গত্রাসিত, অদুদগী ওইনা অতিক্রান্ত ওইরবন, আকাশ মণ্ডল বিদ্ধ [illegible] ওই।

৭। আকাশ মণ্ডল অলাত--

অহান্বু [illegible] অদু সূচীপাদ [illegible] ওইন অপক্রান্ত, অদুদগী [illegible] পার্শ্বক্রান্তদগী অলাত, অদুদগী যেংন দণ্ডকবন অমুক [illegible] অদুন থৈখোকপ অদুদগী যেংন পার্শ্বক্রান্ত [illegible] আকাশ মণ্ডল অলাত [illegible]

৮। আকাশ মণ্ডল বাগবিদ্ধ (বাগবন্ধ) —

[illegible] অদুনা আক্ষিপ্ত, যেংন দণ্ডপাদ যেংতুন অমুক্ [illegible] অদুদগী ওইন অমুক সূচীপাদ শাগনি, [illegible] অদুদগী ওইন অল [illegible] ওইগনি যেংন [illegible] অতিক্রান্ত ওইগনি, মসিবু আকাশ

৯ [illegible] মণ্ডল ললিত—

[illegible] ওইন অপক্রান্ত, অদুদগী অমুক্ পার্শ্বক্রান্ত, ভুজঙ্গ[illegible] চারী [illegible]। অদুদগী ওইন অতিক্রান্ত, যেংন আক্ষিপ্ত, ওইন অতিক্রান্ত অমসু ঊরুদ্বৃত্ত অলাতসু শাগনি। অদুদগী যেংন পার্শ্বক্রান্ত, ওইন অতিক্রান্ত ওইরব চারী অসিদ আকাশ মণ্ডল ললিত থংনগনি।

১০। আকাশ মণ্ডল ক্রান্ত -

অহান্‌বদ সূচীপাদ যেংতগী অতুদগী অপক্রান্ত ওইগনি, যেংন পার্শ্বক্রান্ত ওইগনি, মতো অসুম্ব ওই খব খান অমুক্ তৌগদব ওই। হায়র্ত্তুব চানশিনন মথং মনাও নাইন হন্ন অমুক্ মণ্ডল অতুদা তৌগদব ওই। অতুগী মুথ সূচীপাদ, যেং অপাক্রান্ত তৌগনী মথং অসিবু আকাশ মণ্ডল ক্রান্ত কৌই।

আকাশ মণ্ডল ৮'থী মণ্ডল ১০গী লৈতরে।

(ভৌমী মণ্ডল চাবী ১০ গী হায়বনই)

১। ভৌমী মণ্ডল ভ্রমর -

অহাম্ব ওইন জনিং যং খোন লেপ্পা, অ নগী ওইনা সন্দিং অস্বন্দিত ওইগনী। যেংতুন অমুক্ শকটাস্য ওইগনি ওইন হায়দোকপ, যেংভ্রমর, ওইনা নি অনবু লৈখোৎনী। অমুক্ ওইনা অস্বন্দিত, যেংন শকটাস্য অংলগী ওইনা *পৃষ্ঠপ্রসর্পিং ওইদুনা ভ্রমর ওইগা অস্বন্দিত ওইগানি মসিদ ভৌমী মণ্ডলগী ভ্রমর খংনগনি।

২। ভৌমী মণ্ডল আস্কান্দিত

য়েংনা ভ্রমর চারি, ওইন অন্দিং ওইগনি অসুম্ব ভৌমী মণ্ডল আস্কন্দিং কৌব চাবী অসিনা লালগী মণ্ডলবু খংনগনি।

*পৃষ্ঠ প্রসর্পিং = অঙ্গ হাবদ যাওরকনী। পুং অমন নোম্ব অমন লতা হস্তদা

সর্পিত=করনদা য়াওরকনী। খোং অনিহু কোম্ব কোক লৈয়ব পুং অনি হায়দোকপ (৪ গুব অপায়দ) পৃষ্ঠ (তুংগী) প্রসর্পিত খংনগনী।

৩। ভৌমী মণ্ডল আবর্তন—

অহানবদ য়েং অতূনা জনিত ওইরগ ওই অতূনা নিকুট ওইব অতুদগী য়েংন অমুক নিকুট ওইগনি। অতুদগী য়েং শকটাস্য য়েং অতুন অমুক উরুদ্বৃত ওইতূনা অতুদগী ওইন অমুক পৃষ্টাপসর্পিত ওইগনি। ওয় অতুন অমুক চার্যগতি শাগনি অতুদগী অমুক হয় হৈনবগা লোইন আস্কন্দিত অমদি অতুগী তুংদ ওয়ন শকটাস্য ওইরগ, য়েংনস্তু ভ্রমর ওইরগ নি লৈথোকনী অতুদগী ওয়ন অমুক পৃষ্টাপসর্পিত ওইবদ ভৌমী মণ্ডল আবর্তন থংনগনি।

৪। ভৌমী মণ্ডল সমোতসারিত—

অহানবদ, সমপাদ স্থান তৌরগ খুং অনিত্থু তিংথোকুগ অমপ লৈমন মথক্লামদ খুবাক্ অনিত্থু ওনথোক্ ওন্শিন্ তৌবগ খ্বাংদ ইস্থরগ মথ মনাও নাইন অহানবগী খোংতু লৈথোকনী মকৌ অতম ক্রম নাইন, অমুক্ ওইন তৌগনি অস্থুম চাবীশিংসিন। শন্দোক্ল কোইতূন শাববু ভৌমী মণ্ডল সমোতসারিত থংনগনি।

৫। ভূমী মণ্ডল এডকা ক্রীড়িতা—

খোং অনি অতু, লৈমাইদ লৈতূনা সূচীবিদ্ধ ওইরব নিং অতু লৈথেক্লন অমনা মথ মথ নাইন এডকা ক্রীড়িত (য়াওগী মণ্ডল) না শারব মং ওইগনি। মতুদি তলসঞ্চর খোংদোয় খোচং ওইরব চাংতূনা, কোস্থব মতৌ অতুস্থ মতুদি তুংদা সূচীবিদ্ধ অপবিদ্ধ শারগ অস্থুমা মথং মনাও নাইন তৌরব ভূমী মণ্ডল এডকা ক্রীড়িত মণ্ডল থংনগনি। অস্থুম্ তৌব অতুবু কও মণ্ডলস্থু কৌই, মতুদা সম্মিনচিংব অকংব খোংপ মণ্ডলবু থংনগনি।

৬। ভূমী মণ্ডল শকটাস্য—

ওয় থংব খোং, অতূনা উঘট্টিত ওইরগ অতুদগী আবর্তনবুস্থু তৌরগ অতুদগী অস্কন্দিত শাগনি। অতুগী তুংদ ওইন শকটাস্য

তৌরগ য়েৎন পৃষ্ঠ সপিত তৌবগ চার্যগতি অহুবু তৌগনি, অমুম্ব ভূমী মণ্ডল শকটাস্যগী খোংশিং অসিনা মণ্ডল অহুদ তৌগদব ওই।

৭। ভূমী মণ্ডল অধ্যাঘর্ম্—

অহানবদ য়েং অহুনা জনিত ওইবব অহুম্ব অহুদগী আস্কন্দিত ওইবব অহুদগী ওই অপসার্পিত ওইবব য়েংন শকটস্য ওইরবদ, হাইরীব চারীশিংহুনা মথং মনাও নাইন মণ্ডল অহুদ তৌরবদ অকনব লাল্ তৌবগীদ হংনব ভূমী মণ্ডল অধ্যাঘম্ খংনগনি।

৮। ভূমী মণ্ডল পিষ্ট কুট্ট—

অহানব খাং অহুন সূচীপাদ ওইরগ মথন অপক্রান্ত ওইবগ য়েং অহুনা অমুন্ ভুজঙ্গত্রাসিত ওইরগ মথন অমুকুম্ব ওইবদগী চারীশিং অসিগী ওইলনা, অদুম্ব লাংলগী ওইব ভূমী মণ্ডল পিষ্ট কুট্ট চারী খনগনি।

৯। ভূমী মণ্ডল চানপত

অমুং চাক্ষী মকক থকন পাখাং অহুনা মণ্ডল অহুন লৈযববগী মচং অথুবু হনগনি ভূমী মণ্ডল চানপত চারীবু অমুম্ব চারী অসনা অকনব লাল হংনবদ তৌগনব ওই।

১০। সমচারী

সমচারী অসি প্রয়োগ তৌব আচার্যশিংনা গল্লগ তৌগদবমক ওই হায়রীব সমচারীসিংসে অহুম্ব শরুক শরুকী মণ্ডলশিংহুনা লান্দ মগ্র থনবদ, লোইস্রন চংশন তৌগদব ওই।

মথম অসিদা ভূমী মণ্ডলগী ১০ শুব লোইরব মতাং নী।

— —

য়াওবীব শব্দ অরুবসিংগী অর্থ কবগ, অমম্ব অঙ্গাবনচিংবদ য়েংগদব ওই অর্থদি শাকলীব ব্রাহ্মশিংহুন খংগদব ওই।

হায়বীব একাদশ দ্বাদশনচিংবসিগী মথাদ চতুর্থ অধ্যায়গী কবগ, অঙ্গাবগী লক্ষণ লাক্লী, মসি চারীনা হায় হায়নিংউবদগী চতুর্থ অধ্যায় অমম্ব অঙ্গহারন অকোন্বা উৎচরে।

(চতুর্থ অধায় গী)

করণ অমসুং অঙ্গহার

করণ ১০৮ গী হায়রমই অহানবদা

১। তলপুষ্প পুট করণ

খ্বাংদগী শুইরকপ ফিরেপ খুনিং, লেংজুম, কোক্, থবাক্, লোইনন চপ মান্নন রাংথংপগী মওংবু সৌষ্ঠব কৌই। অদুগুম্ব ভাগী নাকল পুংনা তলপুষ্প পুট মওং (লৈ খুজোক) শারব ... অগ্রতল সঞ্চর শারগ নাকল নমথরবু থংনগনি, তলপুষ্প পু, করণ।

২। বর্তিত করণ —

অতুপ্ন মনিববন্ধ (সম্নল খুজ্জে) খুং অতুবু লৌথোক্লগ ...নথোক্না খুট মথক্তা থম্নবদি বর্তিত করণতুবু থংনগনি।

৩। বলিতরু করণ —

অতুপ্ন খুং অতু লৌথোক্লগ অন্যোন্য মথমদা লাক্নব খুং, শুকতুণ্ড কৌব (...নরা মচিন) নৃত্যহস্তদু শারব খুংতুনা লৈরগ খুউতুনা কোম্বর, অদুবু বলিতরু করণ হায়রি।

৪। অপবিদ্ধ করণ

অতুপ্ন যেংতুনা শুকতুণ্ড শারব খুং অতুনা খুউ মথক্তা থম্নব অস্ত ... থংব খুং অতুনা থবাক্ত থম্নব অদুবু অপবিদ্ধ করণ কৌই।

৫। সমনখ করণ --

খোং অনি নপ্নব মান্নব, খুং অনি অতুনা মখাগী মাইকৈদা য়ান্থতুনা লৈব অদুগ হকচাং অতুনা লেম্ন মশাগী ওইব মওংদুদ লৈববু থংনগনি।

৬। লীন্ করণ—

ওকশম অহু শন্দোক্ত ইন্থোক্তুনা লৈরব লেংজুমগী ওমখৈনা থাংগৎলব, ওক্তুনা লুকপরব অহুদগী অঞ্জলী বদ্ধ, পতাক হস্তনা থবাক্কী মথক্তা থম্লব অদুবু লীন করণ খংনগনী।

৭। স্বস্তিক রেচিত করণ—

অহুম্ব রেচিত (নোম্ব থেকপ) অদুগ অরিদ্ধগী খুৎ অনি অহু স্বস্তিক্কী মওংদ অমত্ত ওইনা লৈরগ তোঙান তোঙান খ্বাংগী মফমদা থমগনি।

৮। মণ্ডল স্বস্তিক -

খুৎ অনিহু স্বস্তিক মফমদা খ্বাংগী মথক্ত ওইব খুবাক্শিং অদুগ হকচাং অদুন মণ্ডল স্থানদা লৈববু মণ্ডল স্বস্তিক করণ খংনগনি।

৯। নিকুট্টক করণ—

খুৎশিং অহু মওং মনাও নাইন কোক্ অমস্তুং পাম্বোম্গী মরক্ত থেক্ত চৎপ, অহুম্ব মওং অদুনা খোংস্থ থেক্ত খোইন চৎপা অদুবু নিকুট্ট করণ কৌই।

১০। অর্ধনিকুট্টক করণ—

খুৎশাশিং অহুনা মা লোম্‌দ হায়রদি লেংসনবা কোন্থব মফমদা নিকুট্টত করণগী তংখাই ওইব অদুবু অর্ধনিকুট্ট করণ খংনগদব ওই।

হায়খ্রীব=অঞ্জলিবদ্ধ, অসি নৃত্য হস্তদ য়েংগদব ওই, করণ — অসিদা য়াওরীব অঙ্গশিংসী য়াওখী য়াওথীব মকম্ অদুদ য়েংবীগদব ওই অহুদি য়াওরকদব য়াওখ্রব চারী অমস্তুং হস্তনচিংব মফমদু থিগদব ওই। অমনা অঙ্গার, করণ, চারীশিংসিগী চপ্ চাব মখিংদি তাক্লীব অর্থশিংদুনা মহুগী মওং মওং, অহু খংগদব ওই।

১১। কটিচ্ছিন্ন করণ—

অতুম্ব অতুগী মফমদা কটিচ্ছিন্ন (খ্বাং থেকপ) ওইব অমনা কোক্থক্তা হন্ন হন্ন খুৎশিংদুন পল্লব মওংদুবু শারীব অতুবু কটিচ্ছিন্ন কৌগদব ওই।

১২। অর্ধরেচিত করণ—

অতুম্ব স্থচীমুখ মুদ্রাদা শারব খুৎপু চৎথোক্ চৎশিন্ থোংদস্থ হন্ন হন্ন মথক্ মথা চৎথোক্ চৎশিন্ তৌবীব (থেক্নুনা) নাকন্ কোম্ববগী মওংদা লৈবীব মতৌ অতুম্ অর্ধরেচিত হায়খ্রে।

১৩। বক্ষ *স্বস্তিক করণ –

থোং অনি অতু অমনা অমদ কারন (স্বস্তিক) ওইরীব অতুগ খুৎ অনিহুনা রেচিত (নোম্ব) ওইদুনা কোন্শিন্লগ থবাক্ মথক্ত থম্নব অতুবু বক্ষ স্বস্তিক কৌই।

১৪। উন্মত্ত করণ—

অতুম্ ওইব থোং অঞ্চিত (থেকপ) মওংগীদ থম্নব অতুগ খুংন বেচিত্ (নোম্ব) তৌরীব অতুবু, জগোয় হৈবশিংনা উন্মত্ত করণ কৌই।

১৫। স্বস্তিক করণ—

অতুম্ব থোং অমস্নং খুৎতগী মথং মনাও নাইনা হকচাংদা স্বস্তিক ওইর মুদ্র, শেমলিব অতুগী করণগী অভিনয় তৌরুরিব অতুবু স্বস্তিক করণ কৌই।

১৬। পৃষ্ট স্বস্তিক করণ –

বিক্ষেপ (হাইদোকপ) মথক মাইগৈ, অতুগী তুংদা অক্ষেপ (মথাদ ইম্বগ) লোইনন খুৎ অনি স্বস্তিক, থোং অনি, অপ্রক্রান্ত

---

*স্বস্তিক=থোংদন থোং অনিন কারন তাব, খুৎতনা পতাক অনিনা কারন তাব।

অমসুং অর্ধসূচী কৌব চারীশিং লোইনন স্বস্তিক মণ্ডল লৈরবা অদুবু পৃষ্ঠ স্বস্তিক হায়ন খংনখে।

১৭। দিক স্বস্তিক করণ—

অদুম্ব নাকন্ অমদি মমাংগী মাইকৈদা হকচাংগী মণ্ডং মতৌ চুদগী ওইগদব ওই মচুদি খুৎশিং অমসুং খো শিংনা স্বাস্তিক অদুবু শারব মতৌচুদগী দিক স্বস্তিক করণ কৌগদব ওই।

১৮। অলাত করণ

অলাত চারীগী মবমতু তৌরবদগী খোংবু থম্‌লব, অদুদগী যেং খুৎন লেজুম্ মখাদ পুবক্তুনা উর্দ্ধজানু চারীবু মথং মনাও নাইনা (খোং অনিদগী) শারব অদুবু অলাত করণ কৌই।

১৯। কটি শম করণ -

স্বস্তিক করণগী মণ্ডদগী খোং শন্দোক্লন (চন্দোক্লব) ওইন খুং অনিদগী অমনা খাইদৌদা থম্বা, অতোপ্পনা খাদ থমলগা অদুদগী হাংখৎপগী মওংতুবু কটি শম করণ কৌই।

২০। অক্ষিপত রেচিত করণ—

খুৎ ওইনা থমোইদা, যেৎন নোংম অদুদগী হাইদোকপ অদুগী চুদা খুৎ অনিতু নোংম থেকপ অদুগ অপবিক্ক মুদ্র শাব মদুবু অক্ষিপত রেচিত করণ খংনগনি।

২১। বিক্ষিপ্তা ক্ষিপ্ত করণ—

অদুম্ব হায়দোকপ (মথক্কী মাইগৈদ) অদুদগী খুৎ খোংশিংচুনা অমুক হন্ন মতৌ অদুম্বদগী মখাদ হায়ক্ববদ বিক্ষিপ্তা ক্ষিপ্ত করণ খংনগনী।

২২। অর্ধ *স্বস্তিক করণ–

খোং খুং অনিবু স্বস্তিক মুদ্রাদ শারগ য়েংবী খুংনা অমুক্ করি হস্তগী মরমদু শারগ, ওইগী খুংনা মথক্ত নৈরব অদুবু অর্ধ স্বস্তিক করণ কৌই।

২৩। *অঞ্চিত করণ

অর্ধ *স্বস্তিক করণগী করিহস্তগী মরমদু শারব খুংপু মথং মনাও নাইনা ব্যাবর্তিত (লৈবকপ) অদুবু পরিবর্তিত (অমুক্ লৈথোক্লকপ) এণুং অত্তুদগী নাত্তোন্ মমাংদ লুকথবব অদুবু অঞ্চিত করণ ওইরে।

২৪। ভুজঙ্গত্রাসিত করণ—

*কুঞ্চিত (কোন্‌শিল্লব) খোংশিংদগী অমন মথকী মাইগৈদা হায়থংপ (থাক্লংপ) কৈ লৈথোকপগী মওদুবু শারব, খুাং শুউ অদুবুস্ত মতো অস্তয় লৈথোক্‌প অদুবু ভুজঙ্গত্রাসিত করণ হ নগনি।

২৫। উর্ধ্বজানু করণ –

কোশিল্লব খোং অমবু মথক্ত হায়গংলব (থাক্লংলব) অমসুং শুউ অদুবু খোম মমংদা থাক্লংলব অদুবু উর্ধ্বজানু করণ কৌই।

২৬। নিকুঞ্চিত করণ –

বৃশ্চিক করণগা মাওব খোং অদু ওইবগা, খুংতু নাকল্দ কোম্বব, য়েংবী থুংন নাত্তান্ মমাংদ কোম্বব অদুবু নিকুঞ্চিত করণ থংনগনী।

*স্বস্তিক হস্ত (খুং অনি কারন্) পতাক নত্রগ ত্রিপতাক নচিংবদ ওই।

*স্বস্তিক পাদ (খোং অনি কারন্) ওইবদ ওই।

২৭। মণ্ডল্লি করণ—

ওই অমদি যেংকী খোংবু তুংগী মাইগদ হায়দোক্না লৈয়রব (উরু-উরু) অদুগ জগোইগী খুৎ অদুনা *উদ্বেষ্টিত (লৈখৎপ) ওইগনি অদুদগী *অপবিদ্ধ করণ মতৌদুবু শাগদব ওই, মদুদা মণ্ডল্লি করণ খংনরে।

২৮। অর্ধমণ্ডল্লি করণ—

*স্খলিত করণগী মফমগী খোং হাইদোক্লব ওইগী খুৎনা রেচিত (নোম্বদা) লৈরীব অদুগা যেংকী খুৎনা খুদাগী মফমদা থম্‌গদব ওই, মদুবু অর্ধমণ্ডল্লি করণ কৌই।

২৯। রেচিত নিকুট্টিত করণ -

যেংকী খুৎ রেচিতগী (নোম্বগী) মওংদ অদুগা যেংকী খোংনা নিকুট্টিত, ওই খোংন হায়বদ ওইবব অদুবু রেচিত নিকুট্টিত কৌরে।

৩০। পাদপ বিদ্ধক করণ—

*কটক মুখ খুৎকী মদাবু মাং শললগ খোইদোগী নরু থমগদব ওই অমসুং খোংন অহানবদ সূচী বিদ্ধ অদুদগী অপ্রকাশ চাবীদুবু শাগদব ওইব মফম অসিব পাদাপবিদ্ধক খংনগনি।

*আঞ্চিত=থেকপ

*কুঞ্চিত=কোনব

*নিকুঞ্চিত=কোন্‌শিনব

---

*কটক মুখ=নৃত্য হস্তদা য়েংগদব ওই, *উদ্বেষ্টিত (লৈখৎপ) *অপবিদ্ধ করণ (করনদ য়েংগদব ওই , *স্খলিত করণ করনদ য়েংগদব ওই।

৩১। বলিত করণ—

খুংনা মপানলোমদ হায়দোক্লগ গোংন সূচী চারীগী মকমদা লৈরব, অনন ত্রিক (নিং) না খোইরব (পৈবন) মওং অহুবু বলিত করণ কৌই।

৩২। ঘূর্নিত করণ -

অহুম লৈগী খুং করিহস্তগী (হায়রুন হুমহুন লৈব) মতৌহু লৈরব, যেংকী খুংন শেকলগ লৈয়হুনা লৈরব অহুগ খোংগী ভমখন স্বস্তিক মওং অহুগী হন্দোকপ অহুবু ঘূর্নিত করণ কৌই।

৩৩। ললিত করণ -

অহুম লৈগী খুংনা করিহস্তগী মতৌ লৈরব (হায়রব) অহুনা যেংকী খুংন মাইগৈ অমদগী লৈযখোক্লুন লৈরব অহুগ খোংগী ভমখন থেক্তোক্-থেকচিন্ (থাংদোক থাংচিন) তৌরব অহুবু ললিত করণ নী।

৩৪। দণ্ডপক্ষ করণ—

জগোই খংবশিংগী মতুং ইন্না উর্দ্ধজানু চারীগী মকমদ খুংশিংবু (লতাহস্তগী খুংপু) খুউগী মথক্তা লৈরবদ, মহুবু দণ্ডপক্ষ করণ কৌই।

৩৫। ভুজঙ্গত্রস্ত রেচিত করণ—

ভুজঙ্গত্রাস্তি চারী অহুবু শারগ খুং অনিন ওইগী নাকল রেচিত (নোম্ব) মওং অহুদা লৈরবদ অহু ভুজঙ্গত্রস্ত রেচিত করণ কৌই।

৩৬। নুপুর করণ—

করণ অসিদ নিং লৈরব ফজনা, অহুম্বদ খুং অনিনা লতাহস্ত অমদি রেচিত (নোম্ব) অহুবু শারগ খোং অহুনা নুপুর পাদ চারী শারব অহুবু নুপুর করণ খংনগব ওই।

৩৭। বৈশাখ রেচিত করণ—

খুং অনিদু অমদি খোং অনিদু রেচিত (নাম্বগী) মফমদ ওইবব অমসুং খ্বাংসু ওকসু মতৌথুম্ না়োম্বব অতুদগী বৈশাখ স্থানগী মফমদ লৈরব অদুবু বৈশাখ রেচিত করণ কৌখে।

৩৮। ভ্রমর করণ—

খোং অদু অক্ষিপ্ত চারীদগী ত্রিক্ক ওইববদগী স্বস্তিককী মফমদ লৈরব খুংনা চক্রগুম্না লৈয়রব অমদি নি অদুন খোইরব অদুবু ভ্রমর করণ খংনগনি।

৩৯। চতুর করণ -

ওইগী খুং অদু থেকপ যেংন চতুর হস্ত শারব অদুগ যেংকী খোনা কুট্টিত (থেকথোক থেকচিন। খা দোক্ খা চিন, শারব অদুবু চতুর করণ কৌই।

৪০। ভুজঙ্গাঞ্চিত করণ—

ভুজঙ্গত্রাসিত চারীগী মখমনা যেংকী খুংনা রেচিত অমসু ওইগী খুংন লতাহস্তনা লৈরব অদুবু ভুজঙ্গাঞ্চিত খংনগনি

৪১। দণ্ডক রেচিত করণ—

হায়রিব করণ অসিদা দণ্ডপক্ষ কৌরব হস্তগী মখুৎ শারব অদুগ খুং অমসুং পক্ষ রেচিত (নোমলগ) খোং অদুনা দণ্ডপাদ চারীগী মখমদা লৈরব অদুবু দণ্ডক রেচিত করণ খংনগনি।

৪২। বৃশ্চিক কুট্টিত করণ—

করণ অসিদা খোং অমনা বৃশ্চিক করণ শারব অমসুং খুং অনিনা নিকুট্টি (থেক্তোক্ থেক্চিন্) মওদ লৈরব অদুবু বৃশ্চিক কুট্টিত করণ কৌই।

৪৩। কটিভ্রান্ত করণ –

করণ অসিদা সূচী কৌব চারী অডু শারগ য়েংকী খোং চাইদোক্লবা অদুগী মণ্ডল, লাখানলবা ওইরব অমসুং খ্বাংদ রেচিতগী (থেকপ নোম্বগী) মণ্ডলবু শাবদ কটিভ্রান্ত করণ খংনগদব ওই।

৪৪। লতা বৃশ্চিক করণ

মফম অসিদা খুয়া কোনশিনলগ খোংদোনশিংগ লোইননা কানবা, খোংচুনা তুংগী মাইগদ লৈব অডুগ এয় খুং অডুনা লতা হস্তদ লৈব অদুবু লতা বৃশ্চিক করণ কৌই।

৪৫। ছিন্ন করণ –

খুং অনি অডুনা অলপাদ্ম হস্তদা হন্ন হন্ন থেকপ ওইব মরমদুদগী মিংরব অদুনা খ্বাদ লৈবব অডুগ বৈশাখ স্থানদা লেপলব (লৈরব)।

৪৬। বৃশ্চিক রেচিত করণ—

করণ অসিদা খ অমম বৃশ্চিককী মণ্ড অডু শাবব স্বস্তিক তুনা খুং অনিনা শারংতুনা রেচিত (নোম্ব) অডুগ বিপ্রকীর্ণ মুদ্রাত শাগদব ওই।

৪৭। বৃশ্চিক করণ -

অসুম্ব করণ অসিদা খুং অনিদু থেক্লগ (কোল্লগ) লেংজুমদ খম্বর খোং অমনা নকুমগী তুংগী মখদা থেবকৎলগ খোইথব (নকুমগী) হমখদ শন্দোক) অদুবু বৃশ্চক করণ কৌই।

৪৮। ব্যঞ্জিত করণ –

করণ অসিদা আলিঢ় কৌব স্থানগী মণ্ডং অদু ওইরব থবাক্ত রেচিত (নোম্ব) খুৎনা মথক মখাদ ওইবদুদ বিপ্রকির্ণ মুদ্রা ওইবরসু ব্যঞ্জিত করণ কৌই।

৪৯। পার্শ্ব নিকুট্টিত—

অতুম্ব খুৎ অনিদুনা স্বস্তিক ওইরব অতুগ থাংনা নাকংগ নিকুট্টিত করণ ওইরবদ শংনগানি পার্শ্বনিকুট্টিত করণনু।

৫০। লালাততিলক –

করণ অসিদা খোং অমন বৃশ্চিক করণ অতুগা মথোংদুগী অতুম্ব খোংবি অতুনা লাইবকৃত তিলক (পিনব) অতুবু লালাট তিলক কৌনরে।

৫১। কান্তক করণ—

অতিক্রান্ত চারীগী মকমদগী নওংবব খোং অতুবু মথংগী মাইথৈগী কোশিল্লব খোং অতুন অপোক্রব অতুগা খুৎ অনিনা হক হাইদোকপ অতুবু ক্রান্তক করণ হায়গনি।

৫২। কুঞ্চিত করণ –

অহান্তদ য়েং থংব খোংনা নমথবব অমস্ত খোংনী খুৎপু কোম্বরগ খুবাক্ত মথক্ত থম্ব ওইগী নাকংদ লৈব অতুবু কুঞ্চিত করণ খংনগনি।

৫৩। চক্র মণ্ডল করণ –

শাংনা চুম্ব যান্নবব পাম্বোম অনি অতুদগী লৈথোক্লব হকচাংগা লোইনব অতুনগী অপবিদ্ধ চারী শারব অতুবু চক্র মণ্ডল করণ খংনগনী।

৫৪। উরো মণ্ডল করণ –

অতুম্ব স্বস্তিক মকমদগী হন্দোক্লব খোং অতুগ অপবিদ্ধ চারীগী মরমদা শাত্থন লৈরব অতুদগী খুৎন উরো মণ্ডল চারীদ হিল্লবদগী খংনগনী উরো মণ্ডল করণ।

৫৫। আক্ষিপ্ত করণ –

অথুবগ লোইনরব খুৎ খোংশিংবু অক্ষিপ্ত (চারীগী মকমদ) তৌরবদ অক্ষিপ্ত করণ কৌই।

৫৬। তলবিলসিত করণ—

মথক্ত থাক্বলব খুংশাশিং অমদি খুয়াগী খোংচুনা নাকন্দ ন্নান শন্দোকপ অতুগা খুবাকৃশিংবু থেক্লব (থেকখরব) খুং অতুবু খংনগনী তলবিল সিত করণ।

৫৭। অর্গল করণ—

করণ অসিদা খোং তুংদ শন্দোক্লব, তাল অনি মথাক্ত মণ্ডল ওইরব অতুম্বত্তুদ মা গী মাইগৈদ খুংনা খোংগী মতুং ইন্ন চংকদব ওই (লোইনগদব ওই।

৫৮। বিক্ষিপ্ত করণ -

অতুম ওইব খুং অমদি খোং তুংগী মাইগৈগী নাকন্দ অমনা অমগী মতুং ইন্ন কন্না হাইদোক্লব অতুবু বিক্ষিপ্ত করণ খংনগনী।

৫৯। আবর্ত করণ—

কান্শিল্লন খো বু হাইদোক্লগ, অমুক্ হন্না অথুবগ লোইনন শাকপ (হায়বদী লৈয়তুনা হনলকপ) অতুগ খুংশিংস্থ মতুগী মতু ইথ অতুবু আবর্ত করণ খংনখে।

৬০। দোলাপাদ করণ—

অতুম্ব কোশিল্লব খোংবু মথক্ত হায়গৎপ (তুন্দোকপ) নাকন্দ নাকন্দুংগী হায়রব অমসুং অতুম্ব অতুগী মতুং ইন্ন খুংশিংবুস্থ শাগদব ওইরব অতুবু দোলাপাদ করণ খংনগনি।

৬১। বিবৃত করণ—

করণ অসিদা খুং খোংবু অহান্বদ আক্ষিপ্ত (মপাল্ ডমথৈদ কাওথোকপ) নিং অতুনা লৈয়রব, খুং অনিতুনা রেচিত (নোম্ব থেকপ) শারীব অতুবু বিবৃত করণ কৌই।

৬২। বিনিবৃত করণ—

সূচীবিদ্ধ কোব চারী খোংশিং অদুবু তোরবদগী নিংবু মাইগৈ মরিদ লৈয়রব, খুংশিংনা নোম্ব থেকপগী মচং অদুবু তোরবদ বিনিবৃত করণ খংনগনি।

৬৩। পার্শ্ব ক্রান্ত করণ—

করণ অসিদা পার্শ্ব ক্রান্ত চারীগী খোং অদুগী মকমতুদগী লৈরগ অমসুং খোং খুংশিংডগী মচং মওংগী মাংগী মাইগৈদ ওইরবগী মতুং ইন্না শারবা অদুবু পার্শ্ব ক্রান্ত করণ কৌই।

৬৪। নিস্তম্ভিত করণ—

খোং অম কোপ্নবগ তুংগী মাইগৈদ চংলব (থংলব) থবাক্ ৱাংখৎপা ওইব, অদুগ খুংন লিলক্ ওইনগী মযমদ (লাইবক্কী মফমদ নন্ন) লৈরব অদুবু নিস্তম্ভিত করণ খংনগনি।

৬৫। বিদ্যুদ্ ভ্রান্ত করণ

করণ অসিদা তুংগী মাইগৈদা খোঙ্গব তোংনা, খোং মফমদ নপ্‌লগ শন্দোক্লব খোং, অদুগ খুংন অকোইবদ হাযবর অপাক্রান্ত চারী অদুন মাইগৈ মবিদ শন্দোকপ ওইরৈ অদুবু বিদ্যুদ্ ভ্রান্ত করণ কৌই।

৬৬। অতিক্রান্ত করণ —

অতিক্রান্ত করণ অসিদ খাশিংবু অতিক্রান্ত চারীদ শাংবগা খোং অমবু মাগী মাইগৈদ শন্দোক্লব অদুগা খুংশিংবু মচং অদুগী মতুং ইন্না শারবদ অতিক্রান্ত করণ খংনগনি।

৬৭। বিবর্তিতক করণ -

খুং অম অমসুং খোং অম হায়দোকপ (কাওথোকপ) নিং লৈয়রব (মাইগৈ মবিদা) খুং অমনা নোম্ব থেকপ (রেচিত) ওইবা অদুদ শারীব অদুবু বিবর্তিত করণ খংনগনি।

৬৮। গজক্রীড়িতক করণ—

ওইগী পুং অমদি মাইগৈ অহুগী নাকোং মনাক্তা থেক্লগ লৈরব, য়েং অহুনা লতা হস্তগী মকমদা লৈরব, অহুগ খোন, কোলা পাদ চাবী শারব অহুবু গজক্রীড়িতক করণ কৌই।

৬৯। তলসংস্ফোটিত করণ—

খোং অহুবু অথুবগী মণ্ডদ থাক্লব অহুগা মাংদ খাদরক্লব অমসুং খুংশিংবু তলসংস্ফোটিত (তাল খাবগী মতৌদ) শারবদ তলসংস্ফোটিত করণ খংনগনি।

৭০। গরুড়প্লুত করণ -

খোং অম তুলোম্দ শন্দোক্লব অমসুং পুং অমন লতা হস্ত শারব অমনা রেচিত (লোন্ন) অহুবু শারব, কোক্ত মাল্লন থম্ব (ব্রংখংপাদ ওইব) অহুবু গরুড়প্লুত করণ কৌই।

৭১। গণ্ড সূচী করণ -

খোং অমা সূচীপাদ শারগ নাকন্দা লুকথবব পুং অমনা খবাক্ত থম্রব, অতোপদুনা অমক্ত ওইররহুনা চাইক্লংদ থম্লবদি গণ্ড সূচী করণ কৌই।

৭২। পরিবৃত্ত করণ—

খুংশিং অহুবু মংক্রী *নাইগাদ অপবেষ্টিত মুদ্রাগী মতৌদু তৌরব খাংদুনা সূচীপাদ শারব বিবর্তিত (লৈয়বব তাওন) তৌদুনা লৈনখাক্লব অহুবু পরিবৃত্ত করণ খংনগনি।

৭৩। পার্শ্বজানু করণ—

খোং অম মাংগবগী মণ্ডদ (চুম্ন লৈবব) অতোপ্প অহুনা খোং অতোগ কৈফগী মথক্ত থম্বব অহুগ পুং অমন *মুষ্টি হস্ত শারগ খবাক্ত থম্রব অহুবু পার্শ্বজানু করণ কৌই।

---

*অপবেষ্টিত মুদ্রা—*মুষ্টি=হস্ত হায়বীবশিংসী মুদ্রা (নৃত্য হস্ত) গী মকমদ য়েবীগদব ওই।

৭৪। গৃধ্রাবলিনক করণ –

খবদং লুকথব খুটগী খোং অম তুংগী মাইগৈদ। শন্দোক্লন অতুগ লোইননা পান্সোম্ অনি হাইদোক্লব অসু গৃধ্রাবলিনক করণ খংনগনী।

৭৫। সন্নত করণ –

খবদং চোংখংলব খোং অতুবু মাংদ স্বস্তিক মুদ্রা শাবগ খুং অনি অতুন্য দোলা মুদ্রা শারব অতুবু সন্নত করণ খংনগনি।

৭৬। সূচী করণ –

কুঞ্চিত (কোনশিল্লব) খোং অতুবু থাংগৎলা মাদ থমব অতুগ খুংশিংন মথং অতুগী মতুং ইনব অতুবু সূচী করণ কৌই।

৭৭। অর্ধসূচী করণ –

খুংন অলপদ্ম শাবগ কোক্ক ওয়ব অমা, ংংকী খোংনা সূচীপাদ শারব অতুম্ব মথং অতুনা [illegible] অসু অর্ধসূচী করণ খংনগনি।

৭৮। সূচীবিদ্ধ করণ

সূচী চাবী শাবম্নদগী খো [illegible] অ [illegible] নিদ নম্লব, অতুগ খুং অনিতুনা ম মনাঙ নাইন খুবা অমাদ থবাক্তু লৈরনন সূচীবিদ্ধ করণ খংনগনি।

৭৯। অপ্রক্রান্ত করণ –

ফৈগন ফৈবোম্ কোল্লব খোবু অপক্রান্ত চাবা শারগা অতুদগী খুংশিংগী মতো অতুনা নিথিন মাম্লহনব মথং অতু অপ্রক্রান্ত করন খংনগনি।

৮০। ময়ূর ললিত করণ –

খোংন বৃশ্চিককী মওংদ লৈবগ খুংগ রেচিং (নেংম্লব) খুংতু শারব, মাইগৈ মরিদ নিং লৈয়রব মওং অতুবু ময়ূর ললিত করণ খংনগনি।

৮১। সর্পিত করণ—

খোংশিংহুবু থেকপদগী (কোম্বদগী) হন্দোক্লব কোক্ *পরিবাহিত (শিরকর্ম) মতৌ অহু শারবদ খুং অনি অহুনা নোম্লবদ সর্পিত করণ খ নগনি।

৮২। দণ্ডপাদ করণ—

করণ অসিদ মখং মনাও নাইনা নূপুর চারী অহু শারবহুদগী দণ্ডপাদ চারীগী শন্দোক্লব, খুৎন আবিদ্ধ চারীগী মফমহুদগী য়াম্ন থুনা তিল্লরবদগী দণ্ডপাদ করণ খ নগনি।

৮৩। হরিনপ্লুত করণ -

অসুম করণ অসিদা অতিক্রান্ত চারী শাববদগী মহুদ চোংখংলব খোংবু মথাদ শারবদগী কৈগন কোম্লরব (লুকথরব) থুংশংবহুন অমুক্ হায়গংপ অহুবু হরিনপ্লুত করণ খংনগনি।

৮৪। প্রেঙ্খোলিত করণ—

দোলপাদ চারীগী মহুদা চোংখংলব খো হুবু মথাদ তারবদ, লিংথ লৈয়রবদ প্রেঙ্খোলিত করণ কৌই।

৮৫। নিতম্ব করণ -

পান্দোমাশ অহু কোকা মথক্তা থাঙ্গংলব (যাম্ন থুনা থাংগংপ) খু শাকিংন মথক মাইগৈদ অম অমনা মথাদ লৈবব অহুদগী থংগনা বক্রা চারীগী মতৌ অহু তৌবব নিতম্ব করণ খংনগনি।

৮৬। স্খলিত করণ—

দোলা চারীগী মহুং ইন্ন খো শিংবু শাববদগী রেচিত (নোম্ব) অমদি ঘুর্নিত করণ শাবব থুংশিন অদুনা মহুগী মচং মহুং ইন্ন তৌরব অহুবু নিতম্ব করণ খংনগনি।

---

*অপক্রান্ত চারী *পরিবাহিত শিরকর্ম=চারীগী মফমদ, শিরকর্মগী মফমদ য়েংগদব ওই। ঘুর্নিত কম্নণ=করণগী মফমদ য়েংগদব ওই।

৮৭। করিহস্ত করণ—

ওইগী খুৎপু থবাক্ত থম্লব, যেৎকী খুৎকী পুনাক্ত লৈখোকপ অমম্তুং খোং খেকপ (নেমখব) ওইরব অদুদগী করিহস্ত করণ খংনগনি।

৮৮। পসর্পিত করণ—

খুৎ অমন বেচিত (নোম্ব) ওইব মতৌদা অতোপ্প অমন লতাহস্ত শারব অদুগা খোংগী খোংপাক্ত লৈবাক্ত চিংদুনা তপ্প তপ্প মাংদ চৎখৎপ অদুবু পসর্পিত করণ খংনগনি।

৮৯। সিংহবিক্রীড়িত করণ -

করণ অসিদ অগাম্বদ অলাত চারী শারবদগী মতুংদ অধুব মচৎকী মওদা খুৎস্থ খোংগী মতুং ইন্ন তৌরব অদুবু সিংহবিক্রীড়িত করণ কৌই।

৯০। সিংহকর্ষিত করণ -

করণ অসিদ খোং অমনা তুংগী মাইগৈদ শন্দোক্লব খুৎ কোন্শিন্ব অদুম্ন মণং মনাও নাইন নাক্তস্থ তৌরবদ সিংকর্ষিত করণ খংনগনি।

৯১। উদ্বৃত্ত করণ -

খোং অমদি হকচাং পুম্নমক ইম্থোকপ মচৎতা হায়দোক্তু না চৎলীব ওইব অদুদগী উদ্বৃত্ত চারী শারবদগী ওইরব অদুবু উদ্বৃত্ত করণ কৌই।

৯২। উপসৃতক করণ -

করণ অসিদা খোংন অক্ষিপ্ত চারী শারব অদুগ খুৎ নামনা মদুগী মতুং ইন্ব, হকচাংদ্রন কোম্বব (লুকথব) অদুবু উপসৃতক করণ কৌই।

৯৩। তলসংস্ফোটিত করণ—

দোলা পাদ চারী শায়গ মতুংদ খুং অনিগী খবাক অদু শায়রগ অদুগ এটগী খুংন নোম্ব অদুবু তলসংস্ফোটিত করণ কৌই।

৯৪। জনিত করণ—

করণ অসিদা খুং অমনা থবাক লৈব অতোপ্পা অদুনা য়াম্থনা (থাদগন) হায়রব অদুদ খোংন জনিত চারীগী খোংদোম্ন শাব অদুবু জনিত করণ খংনগনি।

৯৫। অবহিত্থক করণ

জনিত করণ হায়খ্রীব অসি শারবগী তুংদা অমনা অমগী মথাদ হায়দোক্লব খুংশাশিংবু থাংগৎলগ মথং মনাও নাইন মথাদ পাদরব অদুবু অবহিত্থক করণ খংনগনি।

৯৬। নিবেশ কবণ—

খুং অনিনা *নিভুগন থবাকতুগী মফমদ লৈরব (থম্রব) অদুগ মণ্ডল স্থানক অদুবু শারবদ নিবেশ করণ খংনগদব ওই।

৯৭। এলকাক্রীড়িত করণ—

তল সঞ্চার (খোংদোন মচৎ) অদুগী চৎলীব খোংজ্দগী চোংলগ অমুক্ অমুক্ মথাদ তাব অদুগ লুকথরবগী মতুংদ হকচাংশিং অদুবু বলিত শারবদি এলকাক্রীড়িত করণ কৌগদব ওই।

৯৮। উরুদ্‌বৃত্ত করণ—

খুংশিং অদু লৈথোক্লগ কৈগী মনম্‌গী শরুক্‌তা লুকথরব মওংজ্দগী ওইরব অদুগ খুডি কোন্‌ব অমনা উদবৃত্ত করণ শারবদি উরুদ্‌বৃত্ত করণ খংনগদব ওই।

*নিভুগন=(উচুক কুম্ন লেংদব থবাক নংগন্দি খোইজিন্দুনা রাংখৎপ অদুবু খংনগনি।)

জনিত চারীনচিংব, অমদি নিভুগন, উরকর্মনচিংব য়াওরীব অসিগী অর্থদি য়াওথ ব অমদি য়াওরুদবদ ঙোংবীগদব ওই।

৯৯। মলস্থখলিত করণ—

খুংশিং অতু হায়রব কোক্ *পরিবাহিত (শিরকর্ম অহৃগী মতুং ইন্ন নৈরব, খোংনা অবিদ্ধ চারীগী মতৌচুদা কোম্নব অত্বু সদস্খলিত করণ নি।

১০০। বিষ্ণুক্রান্ত করণ—

চংনবগীদমক্ খোং মাংদ থাংদোক্লব অত্তুদগী খুং অনিন নোম্নব অত্বু বিষ্ণুক্রান্ত করণ খংনগদব ওই।

১০১। সম্ভ্রান্ত করণ—

খুং অনি অত্তু নৈলযবক্লবগ লোইনন নৈফগনগী মনম চনৈশদা (খুটদ) থম্লব অমস্তং নৈফনা *অবিদ্ধ চারী শারবদ ওইবন অত্বু সম্ভ্রান্ত করণ কৌখে খংনগনী।

১০২। বিস্কম্ভ করণ

করণ অসিদা খুং তাইদাক্কগী মফমদ খোংন সূচীপাদ চারী শারব অত্তদগী কোম্নব অমমং ওযগী খুংনা থবক্কী মফমদা থম্ন অত্বু বিস্কম্ভ করণ নি।

১০৩। উদ্ঘট্টিত করণ—

খো শিং অত্তন উদ্ঘট্টিন (খো দোম্ন লেপলগ খুনি কাবা) কৌরবদ খুংশিং অত্তনা তলসঙ্ঘট্টিত করণ অত্তুদগী নাকন্দ নমথরব অত্বু কৌরবদ খংনগনী উদ্ঘট্টিত করণ ওইরে।

১০৪। বৃষভক্রীড়িত করণ—

করণ অসিগী মতৌদি অহান্নদ অলাতক চারী তৌরগ খুংশা শিংবু রেচিত (নোংঙ্) মতুংদ খুং অনি অত্ত কোন্শিনব (থেক্ তোক্ থেক্শিন) তৌরবদ বৃষভক্রীড়িত করণ কৌখে।

*পরিবাহিত (শিবকর্ম)। *অবিদ্ধ চারীনচিংব য়াওরীব-শিংসিগী অর্থদি শিরকর্ম চারীনচিংবগী মফমদ যেংবীগদব ওই।

১০৫। লোলিত করণ—

করণ অসিদদি থেক্লব খুং অদু নোম্লব অদুগ কোক্ *লোলিত (শিরকর্ম) কোক্ অদুবু নাকন অনিদ লৈয়রগদব ওইব অদুবু লোলিত করণ খংনগনী।

১০৬। নাগপস পর্পিত করণ—

খোং অদু *স্বস্তিকগী মফমদগী থাদোক্লব কোক্ মাইগৈ অনিদা লৈয়রব খুংন নোম্লব অদুবু নাগপসর্পিত করণ কৌই।

১০৭। শকটাস্য করণ—

হকচাং অদু লেংদন লৈবদগী অহান্বদ খোংবু তল সঞ্চার (খোংদোনগী মচৎ) তৌরবদ পুক্ (থবাক্) অদুনা ৱাংন থাঙ্গৎলবদ শকটাস্য করণ ওইখ্রে।

১০৮। গঙ্গা অবতরণ করণ—

খোংগী খোংবী (খোংপাক্) মথক্লোমদা থাঙ্গৎলগ কোন্-খৎলব অদুদগী *ত্রিপতাক হস্ত শারবদুনা মাংদ লুক্থরব কোক্ সন্নত করণ শারবদ গঙ্গা অবতরণ করণ খংনগদ ওই।

মফম অসিদ করণ চামনিপান্ শিবদগী থোকখীব ভরতন ফংখীব লোইবে অসিগী ভুদা অমুক ৩২ শুব অঙ্গহারশিং তাক্-লক্লী।

---

*অবিদ্ধ চারী—চারীগী মফমদ য়েংবীগদব ওই, লোলিত= শিরকর্মদ য়েংবীগদব ওই।

---

*স্বস্তিক=খোং অনিগী কারন ওইগনী খোংগী মফমদ।

*ত্রিপতাক হস্ত=হস্ত কর্মদ য়েংগদব ওই।

৩২ অঙ্গহার

(১) স্থির হস্ত অঙ্গহার—

খুৎ অনিবু শন্দোক্লগ মথক্ত হায়গৎপ, খোংনা সমপাদ (মাল্লব) স্থানদা লৈরব অহুগী তুংদা য়েংকী খুৎপু লেংজম্গী মরুদগী মথক্তা হাইদোক্লগনি, অত্তুগা লোইনন প্রত্যালীঢ় স্থান শাগনি, অহুদগী মথং মনাও মাইনা নিকুট্টক, উরুদ্বৃত্ত, অক্ষিপ্ত, স্বস্তিক, নিতম্ব, করিহস্ত, কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী মতৌহুবু শারবদগী হরি (বিষ্ণু) বু নুংশিব ওইব স্থির হস্ত অঙ্গহারগী প্রয়োগ ওইরে খংনগনি।

(২) পর্যস্তক অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদ অহান্বদ তলপুষ্প পুট অমদি অপবিদ্ধ করণ অনি অসিবু তৌগদব ওই অহুদগী বর্তিত অমদি নিকুট্টক করণশিংগী শেম্গদব ওই মথংদা অমুক উরুদবৃত্ত অমসুং আক্ষিপ্ত, উরো মণ্ডল করণ তিন্নদ ওইগনি অহুগ লোইনন নিতম্বা করিহস্ত অমসুং কটিচ্ছিন্ন কোৎ করণবু শাগদব ওই অমুম্ব শিবদগী শন্দোক্‌থত্ব অসিবু পর্যস্তক অঙ্গহার খংনগদব ওই।

(৩) সুচীবিদ্ধ অঙ্গহার -

অহান্বদ খুৎশিংবু অলপদ্ম, খোংশিংনা সূচী মুপদগী তিল্লবগী বিক্ষিপ্ত প্রয়োগ তৌগদব ওই অহুগী তুংদ অবর্তিত করণ তৌগনি। অহুদগী অমুক নিকুট্টক।

অঙ্গহার ৩২ অসিদ য়াওরাব য়াওরকদব অঙ্গহার করণ চারী, শারীব অভিনয়, গভীনাচিংববু য়াওথীব অধ্যায় অহুদ মপুং ফান য়েংবীহুনা অর্থ অহুবু খংবীগদব ওই।

উরুদ্‌বৃত্ত আক্ষিপ্ত, উরোমণ্ডল করণশিংগী মথং মনাও নাইন শাগদব ওই অতুদগী করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণবু প্রয়োগ তৌরবদগী সূচীবিদ্ধ অঙ্গহারবু মপুং ফরব থংনগদব ওই।

(৪) অপবিদ্ধ অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা, অহাম্বদ অপবিদ্ধ করণন তিল্লব ওইরব অতুদগী সূচীবিদ্ধ করণ শাগদব ওই অতুগী তুংদা উদ্বেষ্টিত (লৈখংলন) খুং শাবব নিং চুবুন লৈযরব, অতুদগী উরো মণ্ডল করণ শারম্বদগী খুৎশিংবু থম্‌লগ কটিচ্ছিন্ন করণ শারব মথং কয়া অসিগী করণ তিল্লবদগী শেম্রব অঙ্গহার অসিবু অপবিদ্ধ অঙ্গহার থংনগনি।

(৫) অক্ষিপ্তক অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিগী অহানবদ নূপুর করণ শাগনি মতুংদা বিক্ষিপত অমদি অলাতক করণবু মপুং ফাহনলবদগী মতুংদা অক্ষিপ্তক করণবু শারবগী তুদ, উরোমণ্ডল, নিতম্ব, করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী মথৌতবু তৌগদব ওইরব, অমুম্ব করণশিংদগী শেম্রবদ অক্ষিপ্তক অঙ্গহার ওইগদব ওই।

(৬) উদ্‌ঘাট্টিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিগী অহানবদ য়েংকা খুং উদ্বেষ্টিত লৈয়খংলকপব অতুদগী অপবিদ্ধ করণ শাববদ য়েংকী খোংবু নিকুট্টিতগী মওবু (কোনশিনব) বু শাগদব ওই, অতুদগী ওইগী নাকন্দ ওইগা খুৎপু উদ্বেষ্টিত (লৈখংলকপ) দগী অপবিদ্ধ করণ শারবদগী খোং ওইনা নিকুঞ্চিত (কোনশিল্লব) মতৌ অতুবু শাগনি, অতুগী মথংদ উরো মণ্ডল করণগী মকমদ খুৎশিংবু শারম্বদগী, নিতম্ব করিহস্ত, কটিচ্ছিন্ন করণবু শারগনী অমুম্ব হায়খ্রৌব মথং শিংসিবু উদ্‌ঘাট্টিত অঙ্গহার (নৃত্যদ) তৌগদব ওই।

(৭) বিস্কম্ভ অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদ খুৎশিংবু চক্রক্রমনা লৈযরগ খোংশিংবু লুকথরগ কোন্‌লবদগী শন্দোক্লব ওইগনী অতুদগী মওং অতুম্ম খুৎশিংবু হুন্ন হুন্ন মথং মনাও নাইন কোস্থব, খোংশিংন থেকপা অহবু শারগদব ওই। অতুগী তুংদা উরুদবৃত্ত করণ, শারগ খুৎন চতুরহস্ত শারব খোংদন নিকুট্টিত করণ শারগ ওই। মসিগী মথ দ ভুজঙ্গত্রাসিত করণ শারগনী অতুগী তুংদা খুং অতু লৈখৎকনী অতুগ ভ্রমর করণগী প্রযোগ তৌগনি, নিংবু থেকপগী ক্রমশ্চ তৌগনী। অসিদগী হেনদোকপ বিস্কম্ভ কৌব অঙ্গহারদ করিহস্ত করণ অমদি কটিচ্ছিন্ন করণ প্রযোগ তৌবদগী অসিগুম্ব মওং অসিবু খ নগদব ওই বিস্কম্ভ অঙ্গাহারবু।

(৮) অপরাজিত অঙ্গহার -

হায়খ্রী করণ অসিদা দণ্ডপাদ করণদা চরন (খোংশিংবু) থন্নব ওইগী খুৎ হায়গৎলব হাযদোক্কদব ওই মতুদ ব্যান্সিত করণগী মওং অদু শাববদ ওই থেংগ লেংইনন ওইগী খুৎ লিলগী মওদু শাগদব ওই। অমগ অমুক নিকুট্টিত অর্ধ নিকুট্টিতক শারবগী লোইনন আংক্ষপত উরো মণ্ডল করণশিংগী মওং অদু শাগদব ওই অতুগী মথ দ অমুক অপরাজিত অঙ্গহার অসিগীদ করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণবু প্রযোগপুং তৌগদ ওইব অসিবু অপরাজিত অঙ্গহার খংনগদব ওই।

অঙ্গহার অসিগী তাকিব শরুক্শিংসিদ য়াওরীব করণ অমদি নৃত্য হস্ত (মুদ্রা) অমস্তুং স্থান, শরীর অভিনয়নচিংব অসি য়াওখীব য়াওরক্কদব মফমশিংহুদ য়েংবীগনি।

৯। বিষ্কম্ভাপসৃত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদ কুট্টিত অমদি ভুজঙ্গত্রাসিত করণগী প্রয়োগ লোইনন রেচিত (নোম্ব) খুৎ অতু পতাক শাগনি। অতুম্ব অতুদ অক্ষিপ্তক অমসু উরো মণ্ডল করণগী তৌগদব ওই অসিগী তুংদা কটিচ্ছিন্নগ লোইনন লতা হস্ত অতু শাগদব ওই। অসুম্ব মওংসীং অসিবু বিষ্কম্ভাপসৃত অঙ্গহার খংনগদব ওই।

১০। মত্তক্রীড় অঙ্গহার—

নিং নিংখিব মওংদ খোইরগ, অহানবদ নূপুর করণ শারগব ওই, অতুদগী ভুজঙ্গত্রাসিত করণ শারগ বৈশাখ রেচিত করণ শাগদব ওই। অতুগী তুংদ আক্ষিপ্ত অমসুং জিন্ন করণশিংগী প্রয়োগ তৌগনি। মথংদ বাহ্য ভ্রমর করণ শারগ উরো মণ্ডল, নিতম্ব, করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী অভিনয়তুবু তৌগদ ওইরব অসিবু শিবগী চান্নরব মত্তক্রীড় কৌব অঙ্গহার খংনগদব ওই।

১১। স্বস্তিক রেচিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা খুৎ অমদি খোংশিংবু রেচিত (নোম্ব) ওইরগা বৃশ্চিক করণগী প্রয়োগপু শাগদব ওই অতুদগী অমুক্ত খুৎশিং খোংশিংগ ভিন্নবদগী বৃশ্চিক করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই। মথং মনাও নাইন য়েৎ ওই অনিগী হচকাং নাকন্দ নিকুট্টক করণগী শাগদব ওই অতুগী তুংদ অসুম্ব স্বস্তিক রেচিত অঙ্গহারদা ওই য়েৎ অনিবু লতা হস্ত কৌব মরমতুদ শারগ, কটিচ্ছিন্ন করণগী অভিনয়বু তৌগদব ওই।

১২। পার্শ্ব স্বস্তিক অঙ্গহার—

খোংন স্বস্তিককী মতৌদু শারব অতুগী তুংদা মতৌ অতুম্ব হকচাং তংখাই অমদ নিকুট্টক করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই, অমুক্ অতোপ্প নাকন্দ মতৌ অতুম অমুক্ চপ্ মান্নন তৌগদব ওই। অতুদগী খুং অতু লৈয়গনী চক্রগুম্না অতুদগী ফৈগী মথক্ত থম্গদ ওই। অতুদগী অমুক্ উরুদবৃত্ত করণ অমসুং অক্ষিপ্ত, নিতম্ব, করিহস্ত করণশিং শাগনী অতুদগী কটিচ্ছিন্ন প্রয়োগ তৌগদব ওই অসিগুম্ব অভিনয়ন শিন্নব অসিবু পার্শ্ব স্বস্তিক অঙ্গহার খংনগনি।

১৩। বৃশ্চিকাপসৃত অঙ্গহার—

বৃশ্চিক করণ অতুগী প্রয়োগ তুদা খুৎপু, লতা হস্ত, শাগদব ওই অতুম্ব খুং অতুবু নাকোন শুমাংদ লেকংদুনা থম্লগ অমুক্ চক্রগী মতৌগুম্না লৈযরগ নিতম্ব করণগা মফম্তুদগী লৈথোক্কদব ওই। মতুগী তুংদা করিহস্ত অমসুং কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী প্রয়োগ তৌগদব ওইব অসিবু বৃশ্চিকাপসৃত অঙ্গহার খংনগদ ওই।

১৪। ভ্রমর অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা খোং অতুবু নূপুর চারীগী মওং শারম্বদগা আক্ষিপ্তক করণগী প্রয়োগ অতু শাগনি, মথংদা ছিন্ন (কটিচ্ছিন্ন) করণদগী সূচীপদ চারীদগী সূচী বিদ্ধ করণদগী প্রয়োগ অতু তৌগদব ওই, অতুগী তুংদা মথং মনাও নাইন নিতম্ব, করিহস্ত অমসুং উরো মণ্ডল করণশিংগী অভিনয় অমসুং অমুক্ কটিচ্ছিন্ন করণগী প্রয়োগ তৌরবদ ভ্রমর অঙ্গহার কৌখরে।

১৫। মত্তস্খলিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা মত্তল্লি করণ শারগা য়েংকী থুংপু থক্তাইদ (নাপদ) য়েং থংব নাকন্দা য়াম্ম কক্তন কোল্লব অতুবু শারগ, অতুদগী অপবিদ্ধ করণগী মপুং ফান শারবদগী তলসংস্ফোট করণগী প্রয়োগ অতু শাগনি, মতুংদ করিহস্ত অমসু কটিচ্ছিন্ন করণশি সিবু শারবদ মত্তস্খলিত অঙ্গহার থংনগনি।

১৬। মদবিলসিত অঙ্গহার—

হায়বীব অঙ্গহার অসিদা অহান্বদ দোল হস্ত শারগনি অদুগ স্বস্তিক শারব খোংশিংবু হন্দোক্লব ওইগনি, অদুগ থেক্ল কোল্লব মতৌ অদুদা খুৎশিংবু তল সংঘট্টিতগী মতৌদ লৈগদব ওই অদুদগী মতুংদা নিকুট্টিত করণ অমদি উরুদ্বৃত্ত করণগী অবোইবদা করিহস্ত অমসু কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী অভিনয়গা লোইননা মদবিলসিত অঙ্গহারবু মপুং ফারগনি।

১৭। গতি মণ্ডল অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিগী অহান্বদ মণ্ডল, স্থানক্কী, প্রয়োগ তৌরবদগী ওই। খুৎশিংন মোয়্গ মাংদ উদ্ঘাট্টিত শারব খোংগ তিন্নরগ মত্তল্লি করণ শাগদব ওই অতুদগী আক্ষিপ্ত অমনি উরো মণ্ডল করণশিংগী প্রয়োগ তৌগনি, মথংদা কটিচ্ছিন্ন করণ শারগ গতি মণ্ডল অঙ্গহার থ নগদব ওই।

১৮। পরিচ্ছিন্ন অঙ্গহার—

অহান্বদ সমপাদ স্থানদা (মানাব খোঙ্মদা) লৈব অতু শারগ মতুংদা পরিচ্ছিন্ন (ছিন্ন) করণগী মতৌ অতু শাগদব ওই অতুগী মতুংদ খোংদগী অপবিদ্ধ চারী অভিনয় লোইননা

বাহু ভ্রমরক করণগী, অমনা ওই থংবদ থোংগী সূচীদগী অর্ধসূচী করণ অম্মুং অতিক্রান্ত, ভুজঙ্গত্রাসিত করণশিংগী মওংবু শাগদব ওই। অসিগী তুংদ করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী অভিনয় ওইরবদ পরিচ্ছিন্ন অঙ্গহারগী মপুং ফারে।

১৯। পরিবৃত্তক রেচিত অঙ্গহার—

অহানবদ কোক্কী মথক্তা খুংশিংবু থম্লব মওং অদু স্বস্তিক ওইন থম্গনি হকচাং অদু লুকথরগ য়েংকী খুংপু নোম্লবদ ওইগনী। অদুদগী অমুক্ হকচাং ৱাংখৎলগ নোম্লীব খুং অদুবু মথক্ত থাংগৎ কদব ওই। অদুদগী খুংশিং অদুবু লতাহস্ত শারগ তিন্নরবদগী বৃশ্চিক করণগী নিংথিব মওংদ শাগদব ওই। অদুগা মথং মনাও নাইনন নোম্লব করিহস্ত অমদি ভুজঙ্গত্রাসিত করণশিংগী অভিনয় তৌগনী। মথংদা আক্ষিপ্ত করণ শারবগী তুংদ খোংবু স্বস্তিক শাগনী অদুদগী মাই অৱাং ওন্লগ (হায়দোক্লগ) মথক্কী করণশিং অদুবু শাগনি। অদু তুংদ করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণশিংবু শারগ পরিবৃত্তক রেচিত অঙ্গহার ওইথবে।

২০। বৈশাখ রেচিত অঙ্গহার—

অহানবদ হকচাংগ লোইনন খুংশিংবু নোম্বদগী অপবিদ্ধ অদুবু শাগনী অদুদগী হকচাংবু নাকন্দ ৱাংখৎলগ নোম্গনী অদুদগী নূপুর ভুজঙ্গত্রাসিত করণ শাগনী অদুগী তুংদ রেচিত অমদি মণ্ডল (উন্নত অমদি মণ্ডল স্বস্তিক) কী প্রয়োগকা লোইনন পাম্বোম্ মরু লেংজুম্ থক্ত কোন্ববু ওইগনী অদুদগী উরুদ্বৃত্ত আক্ষিপ্ত উরো মণ্ডল করণশিংবু প্রয়োগ তৌরব মতুংদ করিহস্ত, কটিচ্ছিন্ন করণবু অভিনয় তৌগনি। মতুদা বৈশাখ রেচিত অঙ্গহার থংনগনী।

২১। পরাবৃত্ত অঙ্গহার—

অহান্‌বদ যেংকী লোম্‌দগী জনিত করণগী প্রয়োগ তৌরগ থোং অমনা শব্দোক্কুনা লৈগনি। অতুগা অলাত করণগী প্রয়োগ তৌদুনা ত্রিক (নিং) অদু পরিবর্তিত (লৈয়হন্‌ব) লোইনন ওইগী খুৎপু অঞ্চিত করণ (থেকপ) শারগ খজাইগী মকমদা লুকথতুনা থম্‌গনী মতুংদা কটিচ্ছিন্ন প্রযোগ তৌরবদ পরাবৃত্ত অঙ্গহার কৌগদব ওই।

২২। অলাত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা স্বস্তিক করণগী প্রয়োগ তৌরবদগি মতুংদা খুংশিংবু ব্যন্সিত করণ শাগদব ওই, মথংদা অলাতক উর্ধজানু অমদি নিকুঞ্চিত করণশিংগী প্রয়োগ শাগনী অদুদগী মথং মনাও নাইন অর্ধসূচী, বিক্ষিপ্ত উদ্‌বৃত্ত অমদি আক্ষিপ্ত করণশিংগী প্রয়োগপু তৌগদব ওই। অরোইবদ করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী অভিনয় তৌরবদ অলাত অঙ্গহার খংনগদব ওই।

২৩। পার্শ্বচ্ছেদ অঙ্গহার—

খুংশিংবু থবাক্কী মকমদা থম্নগ (লুকথরগ) অমসুং উর্ধজানু করণগী প্রয়োগ তৌগনি। অতুগী তুংদা আক্ষিপ্ত করণ অমদি স্বস্তিক করণগী অভিনয় তৌগনি অদুগী তুংদা ত্রিক অদু (নিং অদু) লৈয়থোক্কদব ওই অদুগ খুংশিংদগী উরো মণ্ডল করণ প্রয়োগ তৌরব নিতম্ব অমদি করিহস্ত করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই অদুগী তুংদ পার্শ্বচ্ছেদ অঙ্গহারদবু মপুং ফাহন্‌বদা কটিচ্ছিন্ন করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই।

২৪। বিদ্যুদ্‌ভ্রান্ত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা ওইগী খোংন সূচীপাদ শারব য়েংকী খোংনা বিদ্যুদ্‌ভ্রান্ত করণ অহুগী মরম্‌ অদুদগী তিন্‌গদব ওই অদুদগী অমুক্‌ য়েংতগী অর্ধসূচী, অদুদগী ওইরোম্‌দগী বিদ্যুদ্‌ভ্রান্ত করণগী প্রয়োগ তৌগনি। অদুগ তুংলোম্‌দ ছিন্ন (থেকপ) গী পরিচ্ছিন্ন করণ তৌরগ ওইনা হকচাংলোম্‌দা অতিক্রান্ত করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই অসুম্ব অরোইব অঙ্গহার অসিদা লতা হস্তা, লতাবৃশ্চিক অমসুং কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী প্রয়োগ তৌরবদ বিদ্যুদ্‌ভ্রান্ত অঙ্গহার মপুং ফারে।

২৫। উদ্‌বৃত্ত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদ খোংবু নূপুর চারীগী মতৌদা ছিন্নব অহুগ য়েং অমসুং ওইগী খুং অনিন যাম্বর ওইগনি, অদুদগী অদুগ খুং অনি অহু বিক্ষিপ্ত করণগী চংখোম্ন প্রয়োগ তৌগদব ওই অদুদগী খুং অমদি হকচাং অহু মথং মনাও নাইন সূচী করণ শারগ ত্রিক• (নিং) লৈয়খোক্কদব ওই। অসুম্ন অরোইবদ উদ্‌বৃত্ত অঙ্গহার অসিদা লতাবৃশ্চিক অমদি কটিচ্ছিন্ন করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই।

২৬। আলিঢ় অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা আলিঢ় কৌব ফমনগ লাইনন বাল্লিত করণগী প্রয়োগ তৌরবদ বাহুশীর্ষ (লেংজম্‌ মথক্‌) তা খুংশিংনা নিকুট্টিত শাগনি। অমুক ওইগী খোংবু নূপুর করণ অমনা য়েংপু অলাতক করণগী মরমহু পাংখোক্লবদগী, য়েংকী খুং অমদি হকচাংগীদমক্‌ আক্ষিপ্ত করণবু শারগ খুং অনি অদুদগী উরো মণ্ডল করণবু অভিনয় তৌগদব ওই অরোইবদ করিহস্ত, কটিচ্ছিন্ন করণশিংবু পাংখোক্লবদ আলিঢ় অঙ্গহারবু থংনগদব ওই।

২৭। রেচিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা খুৎপু নোম্লগ নাকল লুকথরগ রেচিত অস্তুবুম্ন তৌগদব ওই। অমুক হুকচাংশিংবু লুকথরগ নোম্‌গদববু ওই, অতুদগী উরো মণ্ডল করণগী প্রযোগ তৌগদব ওই মতৌ অসুম্ন রেচিত অঙ্গহার অসিদা কটিচ্ছিন্ন করণ তৌরবগী রেচিত অঙ্গহারবু খংনগদব ওই।

২৮। আচ্ছুরিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা নূপুর পাদচারীদা চরণগী প্রযোগ তৌরগ নিংবু লৈযথোক্কদব ওই। অদুগা বাল্সিক করণগী প্রকিযাদগী লিন্নব খুৎকগী নিং লৈযথোক্লব (মাইগী মরিমক্তা) অসুম্ন লৈবগ ওইগী হাম্বু অলাতক শারিব অতুদগী সূচী করণ পাংথোক্কদব ওই, অদুগী তুংদ অসুম্ব অঙ্গহারশিং করিহস্ত, কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী অভিনয় তৌবদ আচ্ছুরিত অঙ্গহারবু পাংথোক্কদব ওই।

২৯। আক্ষিপ্ত রেচিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদ স্বস্তিক ওইনা খুংঙি অতুবু নোম্লব অমসুং স্বস্তিক থোং তত্তুনা লেমন অতুম্ব নোম্লবশিংদুদা খুংশিং অতুদি থাঙান থোক্লা তৌগদব ওই। নোম্লীব অতুবু অমুক্‌ হন্ন হন্ন নোম্‌গদব ওই (ইন্দ্রোক্কদব ওই) অতুগী তুংদ মথং মনাও নাইন উদবৃত্ত, আক্ষিপ্ত, উরো মণ্ডল, নিতম্ব, করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন কারণশিংগী প্রযোগ অতুবু তৌগদব ওই, অসুম্ব মথল্‌ মথল্‌ করণশিংসিনা তিন্নবদ আক্ষিপ্ত রেচিত অঙ্গহার মপুং ফাগদব ওই।

৩০। সম্ভ্রান্ত অঙ্গহার—

অহানবদ বিক্ষিপ্ত করণগী প্রয়োগ তৌববদ খুং অমম্লং খোংবু মাইগৈগী মতুং ইন্না তৌগদব ওই, অদুগী তুংদ ওইগী খুৎপু সূচী হস্ত শারবদগী হাইদোক্কদব ওই। অদুগ য়েংকী খুংন থবাক্ত অমগ নিং লৈযগানি, অদুদগী নূপুর, আক্ষিপ্ত, অর্ধস্বস্তিক, নিতম্ব, করিহস্ত অমদি উবোমণ্ডল করণশিংগী প্রয়োগ মথং মনাও নাইন তৌরবদগী মমৈ অসিদা নৃত্ত থংবশিংগী মতুং ইন্না সম্ভ্রান্ত কৌব অঙ্গহারদ কটিচ্ছিন্ন করণগী প্রয়োগ তৌববদ সম্ভ্রান্ত অঙ্গহার খংনগদব ওই।

৩১। অপসর্পিত অঙ্গহার—

অঙ্গহার অনিদা অপ্রকাণ্ড করণ পাথোক্লবগী মতুংদা খুৎতগী ওইব বাক্সিত করণ তৌগদব ওই অদুদগী খুং অদু উদ্বেষ্টিত (চক্রগুম্ন লৈরগ) শাগনি মতৌংন্ন অর্ধসূচী, বিক্ষিপ্ত, কটিচ্ছিন্ন উদ্বৃত্ত অমদি আক্ষিপ্ত করণশিংগী প্রয়োগ তৌগদব ওই, অদুগী মতুংদ অপসর্পিত অঙ্গহার অসিদা করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন প্রয়োগ তৌরবদ অপসর্পিত অঙ্গহারবু মপুং ফারে।

৩২। অর্ধনিকুট্ট অঙ্গহার—

অঙ্গহার অসিদা খোংবু নূপুর পাদ চারীগী মফম্দ তিল্লবদুনা য়াম্ন থুনা মথং মনাও নাইন খুৎ খোং ইস্নোক্তুনা তৌগদব ওই, অদুদগী অমুক্ হন্ন খোংগী তুংদ খুৎশিবু মতুং ইন্দুনা নিং লৈয়থোক্কদব ওই খুৎ খোংবু নিকুট্টিত শাদুনা লৈরবদগী উরো মণ্ডল করণগী প্রয়োগ তৌগদব ওই মদুগী তুংদা অর্ধনিকুট্টক অঙ্গহার অসিদা করিহস্ত অমদি কটিচ্ছিন্ন করণশিংগী প্রয়োগ তৌরবদ অর্ধনিকুট্টক অঙ্গহারবু খংনগদব ওই।

মতাং অসিদ ৩২ শুব অঙ্গহার নাট্য শাস্ত্রগী ভরতনা ব্রাহ্মণ, শিংদ লিব মতাং লোইরে অসিগী তুংদা মথল মরি রেচক হায়রকলী।

(১) পাদ রেচক, (২) কটি রেচক, (৩) কর রেচক, (৪) কণ্ঠ রেচক,

তোঙান্ তোঙান থেকপ পোইব নোম্ব মথক্ত মথাদ অসিনচিংব তৌরীব অদুবু রেচিক খংনগনি।

(১) পাদ রেচক—

থক্ থক্ নিকপ, খোংশিং নাকন্ অমদগী নাকন্ অমদা হায়রব মথল মথল কয়াগী মওং অদুবু তৌরবদ পাদ রেচক কৌই।

(২) কটি রেচক—

ত্রিক (নিংজোনগী) মথক্কী মাইগৈ খাঙ্গংলব, খাংগী পোইব মতৌ অদুবু (ইনখোকপ তুংদা) কটি রেচক খংনগনি।

(৩) হস্ত রেচক—

খুং খাংগংলগ হায়দোক্লব মাদ (শন্দোক্লব) অমসুং অমুক হন্ন তুংগী মাইগৈদ চিংলব অদুবু হস্ত রেচক খংনগনী।

(৪) গ্রীব রেচক—

ওক্শম্ অহু মথক্ত খাঙ্গংলব, অদুদগী মথাদ লুকথরব, নাকন্দ থেকথব, অদুম্ব মতৌ অদুবু গ্রীব রেচক কৌই।

মথক্ত হায়খ্রব করণ অঙ্গহার অমদি রেচকশিংগী ওইব শঙ্করগী জগোইদুবু উরগা পার্বতীনসু সুকুমার (অনৌব) গী প্রযোগশিংন ত্রিল্লব নৃত্যশিংবু শাখী অসুম্ব (শঙ্কর) গী নৃত্যদা মৃদঙ্গ, ভেরী, পতহ, ভাণ্ড, ডিণ্ডিম, গোমুখ, পনব, দর্দুর অসিনচিংব মথলশিংগী খোংস্বাং কয়া প্রয়োগ তৌখী।

মৃদঙ্গ, ভেরী, পটহ, ভাণ্ড, ডিণ্ডিম, গোমুখ, পনব, দর্দুর, হায়রীব পুংগী মওংশিংসি অমরার্থ কল্প ক্রমঃ অমসুং সঙ্গিত শাস্ত্রনচিংবদ য়েংবীগদব ওই, শুপাইন খংবীনবদি।

নাট্য শাস্ত্র নবমো্যা ধ্যায়ঃ (মাপনুশুব অধ্যায়)।

২৪ শুব— হস্তকম অসংযুক্ত (খুং নানতগী) খুংকী মথল মওং কয়াগী অভিনয় শিজিন্নগদবগী '২৪' গী মমিংশিং—

(১) পতাক, (২) ত্রিপতাক, (৩) কর্টরীমুখ, (৪) অর্ধচন্দ্র, (৫) অরাল, (৬) শুকতুণ্ড, (৭) মুষ্টি, (৮) শিখর, (৯) কপিথ, (১০) কটক মুখ, (১১) সূচিমুখ, (১২) পদ্মকোশ, (১৩) সর্পশির, (১৪) মৃগশিষ, (১৫) *লাঙ্গুল, (১৬) *উৎপলপদ্ম, (১৭) চতুর, (১৮) ভ্রমর, (১৯) হংসাস্য, (২০) হংসপক্ষ, (২১) সন্দংশ, (২২) মুকুল, (২৩) উর্ণনাভ, (২৪) তাম্রচুড়।—

সংযুক্ত হস্ত (খুং অনিগী) মথল ১৩ গী শিজিন্নবগী মমিংশিং।—

(১) অঞ্জলী, (২) কপোত, (৩) কর্কট, (৪) স্বস্তিক, (৫) কটক বর্ধমান, (৬) উৎসঙ্গ, (৭) নিষেধ, (৮) দোলা, (৯) পুষ্পপুত, (১০) মকরা, (১১) গজদন্ত, (১২) অবহিতথ, (১৩) বর্ধমাণ॥

হস্তকর্ম অসংযুক্ত (খুং নামত) গী *বিনিযোগ (শিজিন্নগদব) শিংগী।—

১। পতাক— খুংশা মযাম্ তিংলব থবাক্ অদুবু পতাক খংনগনী। বিঃ (শিঃ) খুংলাই তাখ্রব, বারব, হরাওব, ঐ-ঐগী অসুম্ব গর্ব তৌবদসু, লাইবক্ত খুং থমদুনা শাগদব ওই (তৌগদব ওই)।

---

*লাঙ্গুল, *উৎপলপদ্মবু কনা কনাগুবগী মফম্দ কাঙ্গুল, অলপদ্মবু কৌনৈ।

নৃত্য হস্ত (১৪)



























মৈ অমস্তুং নোং তাবদ, লৈনচিংব চাইথরকপদা, লল্‌-পোক্না লেংবগী খুৎশাসিং ওইবদ সংযুক্ত হস্ত [খুৎ অনিগী তিন্নব] হস্তদা উৎকদব ওই।

অতুম্ব খুৎ অতুন *স্বস্তিক ওইরদুগা লৌথোক্‌না [হন্‌-দোক্‌না] শায়বদ মনা অমস্তুং লৈ, পোৎলম্‌ হুপিশিংগী পোৎচং শেম্বদা, অমদি পোৎলম্‌শিং অতু লৈম্মাইদ লৈরে তাকপদ শিজিন্নগদব ওই। হায়গ্রীব পতাককী খুদোন্‌শিং অতুন মথাদ ওন্থহুনা [য়ুংহুনা] চৎথব অমস্তুং থাংগৎলব, লেংলব, নিক্লব, মশিং ইপোম্‌ ইথক্‌ ওইবদ শিজিন্নগদব ওই।

খৌরাংহনব, য়ায় য়াম্ব, অচৌ অসাংশিংগী পাদধুলী (খোংয়াগী উফুল) লৌব, ইশিং নৈবদ, উচেক্‌ মশা শাব, থাঙ্গৎপদ ইস্তোকপনচিংবগী মওং মতৌদা প্রয়োগ তৌগদব ওই।

২। ত্রিপতাক — পতাক্‌ অদুগী খুৎনিংথৌ কোম্বদ ওই। মসিদা কৌব, কুমথব, শেংদোকপ, খোমজিন্‌ব, থাম্ব, চংব, অরাং-বদগী নোম্বব, খোম্বনচিংব অমদি মখল মখলগী য়াঙা', মঙ্গল ওইগদব পোৎচৈশিংবু শোকপদ, কোক্‌ চিংশিন্‌ব কোয়েৎ লুছপ্‌, নাতোন্‌ য়াথুম্বদা তৌগদব ওই।

খুৎশা শিতুন লৈরব, লেংলব, মমাই নথা ওন্দুনা লৈরব, পাম্বোম্‌ন লেং ওৎপ ওইরব মফম্‌দ মুংশিং ইথক্‌ ইপোম্‌ ইচেন্‌ ওইবদ খংনগনি। অদুগ অমনা পি তৈথোকপদ চন্দন্‌ থিনবদ, মিৎ নান্‌থোকপদ, শম্‌ নাম্বব য়েংবদ শিজিন্নগদব ওই।

হায়গ্রীব পতাকনচিংব মমিংশিংসিগী অর্থদি তাক্লীব মতুগী কর্ম (বিনিয়োগ) অতুদগী খংবীগদব ওই। বিঃ [বিনিয়োগ]= শিঃ শিজিন্নগদব, বিঃ, বু শিঃ খংনগনী। কঃ [কর্ম]=মঃ [মথৌ] কঃ বু মঃ খংনগনী। মথাদ য়াওরক্লনা মওং অসি।

*স্বস্তিক (পতাক অনিগী খুংকী ওইব কারণ)।

৩। কর্ত্তরীমুখ— ত্রিপতাক অহুগী খুং অহুদগী খুদোন্ বী অমসুং খুংয়াই অনি লোঞ্চুন য়েৎনবদা কর্টরীমুখ কৌই, মহুগী বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব)। — মাই মথা ওন্নব, লম্বেল চৎপ, খোংবু শেন্ন, মথক্ত যেংব অসিনচিংবদ শিজিন্নগনি। অহুগা তাব, শিব, কাইনব, হুনলকপ, রাখল তৌবনচিংবদস্থ শিজিন্নগনি মহুদ খুং অনি অহু তোঙান্ তোঙান্ তাহনগনি। অমনা চামর, শামু, ইরোই, মণ অমসুং চিং অৱাংব য়েংবনচিংবদস্থ অভিনয় তৌগনী।

৪। অর্ধচন্দ্র— অহুম খুংশাশিং খুবাগ খুংশাসিংগ লাপ্-নহন্ব অহুবু থংনগনি। মহুগী বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব)। উ মচাশিং থাগী মকোয় (মপু° ফাদব), মোইবুং খুজাই খুজি অমসুং খুজিশিং লোথোকপ, চুম থোকপ, মযাই ওইবগী চা্দম্নব অমসুং চাওব পিকপদস্থ শিজিন্নগনি।

৫। অরাল *লঙ্গুল।— অহুম খুবী অহুবু খোইথরকপ লেমহৌবন তোঙান্ তোঙান্ মংক্ লোমদ রান থরদং লল্ন কোন্থরকপ অহুবু অরাল কৌই

বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব) পোং অমসুং সত্তুণ ওইব (কজব ওইব) পাঙ্গলগী লোইনব, মকু্ব মড়াল্, লেম্নবগী মচৌ, আশিবাদ তৌবনচিবদ শিজিন্নগদব ওই, অমসু্ রুপি শিংগী শম্ শেম্ন শেমশাব, হরাও কয়াম্ব লুচোংবনচিবগী শেন্ শাবদ, খুদেংন্বী মশোন্ অহু স্বস্তিক ওইনা প্রযোগ তৌবদ, য়েং ওইনন কে ইবদ অ.চী অশাংবনচিবদস্থ তৌগদব ওই। লৈমাইদ থুন্নদ, অবাংহন তৌবদ, ক্ষুন্নবদ, নিন্দ তৌবদ ঙাংনব রাঙাং, হুমাং শোবদ, মনম্ নম্নদ মঙ্গল ওইবনচিংবদ অভিনয় তৌগনি।

---

*লঙ্গুলতা (লিকগী মঙং)।

৬। সুকতুণ্ড— অরাল অহুদগী খোইরব খুৎনিংথৌ অহুবু সুকতুন্দ ওইরে।

বিনিয়োগ (শিজিন্নব)— ঐ নৎতে, নং নৎতে, তৌরোই-দবনি হাইবনচিংবদ অভিনয় অসি তৌগনি অমসুং অবাহন, তৌবদ, পৈশিন্বদ, থরোইদবদ, তোল্লী অসুম্ব উৎপদ শিজিন্নগদব ওই।

৭। মুষ্টি খুৎশাসিং অহুবু খুবাক্ ময়াইদ থম্নব অহুদগী খুবিনা মথক্ত থম্নবদি মুষ্টি খংনগদব ওই।

*বিঃ, (শিঃ,) কঃ, (মঃ) থাবদ ফুবদ, শাজেন তৌবদ, লেংচন্নন থম্বদ, খুৎ নোইবদ, থাং, তানচিংব খুৎলাই পাইবদ শিজিন্নগনি।

৮। শিখর— মুষ্টিগী মওং অহুদা খুবৌ অহু মথক্তা চপ্ য়ুখৎপদ শিখর হস্ত অহু খংনগনি।

*বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— থৌরী, কুজ, শামু কাটি, লিকং, পাইব থাংগৎপ অসিনচিংবদ শাগনি, অহুগ মনিং মমাং তুম্বগী শক্তি তানচিংব হুন্বদ, চিনবান্ ফজহন্ব লৈতেংগী, অমসু পোৎ লোখৎপদসু শিজিন্নগনি।

৯। কপিথ— শিখরগী মওং অহুদ খুদোনবী অহু মথক্তা য়ুংখৎলব অহুগ খুবৌ অহু খুদোম্বী নপ্শিন্নরব মওং অহুবু কপিথ হস্ত কৌই।

বিঃ (শিঃ) — থাং, লিকং, চক্র, নোংমৈ, তা, অকব শক্তিগী, ব্রজ, তেনজৈ হায়রীবসিগী অভিনয়শিংবু উৎকনি, অমদি কান্নত্রে, অচুম্বনী অসিনচিংবগী উৎপদসু খংনগদব ওই।

---

*বিঃ (বিনিয়োগ), শিঃ (শিজিন্নগদব)। বিঃ বু শিঃ খংনগনী কঃ (কর্ম) মঃ (মথৌ)। কঃ বু মঃ খংনগনী।

১০। কটক মুখ— কপিথ হস্তগী থুংনিংথৌ থুংনাওবী অনিতুনা খোইন থাংগৎপগী মওং অদুবু কটক মুখ খনগদব ওই।

বিঃ (শিঃ — হোম থিনচিংব যজ্ঞগী পোৎচং পাবদা, ছত্র পাইবদ, চুকুলি চিবনচিংবগী মওং উৎপদ মিংশেন পাইবদ, ককুথৎ খোংতৎপ, নৈথাই খোংথাইবদ অমদি চৈ অচুম্ব পাইবদ মুক্ত পরেং য়াম্বদ লৈ পরেং উংপদ, ফিজ্ঞৌ পাইদুনা নিংথিন য়েংনবনচিংবদসু, লৈহেক্পদসু শাজৈ পাইবদ অমদি য়েংবনচিংবদসু শিজিন্নগনি।

১১। সুচী মুখ— কটক মুখ অদুগী থুংদোনবী তিংথোকপ অদুবু সূচী মুখনি খঃনগনি।

বিঃ [শিঃ]— অয়াংব য়েংব, থাদ য়েংব, নিকপদ, থোং নৌবদ, হকাম চনবদ, লোংখৎপদ, লৈহুননচিংবদ লোগদব ওই। অমদি চক্র, নোংথাং ফিরান, মশান, নায়নাশং, খোইন চংখীব, নিংথিব য়াভাং চাংবদ অংগ মথক্ত ইনথংপগী তাকপদ অকোইব থংনগী অভিনয় তৌবনচিবদ শিজিন্নগদব ওই।

অপাং, লিল, উনা, থুপ, লৈ পরেং, উয়ী, য়াহোং মচু অমদি শেম শাব, থনম নম্ব চৈ শাজৈনচিংব, কোম্বব, চিকপনচিবদসু শিজিন্নগনি। শামু, ময়া পাম্বনচিংবগী থংহনবদদি চিনবাম্নচিংবদ থমদুন উংকনী।

অকোইব চংপ, লৌশিনব, নোনলুকপ, নিংশিংব মতম, চিনবানগী থবক্তা, হকাম চনবদ, তাব তাহনচিংবদ, চিন্দ থমগনি। অমসু মসি অসুম্ন হায়বনচিংবদ নিক্তুনা তিংথোক্তুনা মথকুলোমদ পাংগৎতুনসু প্রয়োগ তৌদুনা শিজিন্নগদব ওই।

নিকতুনা শাওবদ, নায়িন থুদোপ, লৈতেংশিং অমদি ঐগীনী হায়না চাংখোকপদ, য়েক্কবনি হায়না উৎপদ, মসি কনানো হায়বদ অমদি নাকোংনচিংবগী কর্মদ তৌম্নদব ওই।

খুং অনি অহু চিন্নবদ যারে হায়ন থংনগনী, খাইদোকপদ কাইনরে য়ানদরে থংনগনী, স্বাস্তিক (কারণ, অহু ওইরগন থংনবদ থংনগনি। মতৌ মতৌ মুক্রগ পুনবদ কাযদ, থংনগনী। আনহুনা য়েং, ওই, রোমদ চংলগ অহিং তুংখিনগী অরোইব মতমবু থ নগনি। অনিহন খাইদোগরগস্ত মাই ওনথোক্লন চংপদস্ত থ নগনি। কাইন নৈপয়রগ অকোইবগী প্রমাণ থংনগনি।

১২। পদ্মকোশ — খুংকী খুদোনশিং অহু য়ারী মখৈ লংথোকপগ খুদীগ ওনশিননা থরদং থোনশিন,হুনা শারব অহুবু পদ্মকোশ থংনগনি। বিঃ (শিঃ)—

লাইগী পূজা তৌবগী, বলিগী পোংচং লৌব, কুপশিনব অমসুং পিগুনচিব পিবদ, নৈ শিক্পদস্ত শিজিন্নগনি।

সংযুক্ত (তিনব খুং) খুজেং অনি পকশিন্নবগ লাওথোকপ অভুদ লেংলবদি থম্বান শাংকাইবগী অমসুং খয়ো শাংকাইবগী অভিনয়নচিংবদ শিজিন্নগদব ওই।

১৩। সর্পশির্ষ — খুবগ লোইনরব খুদেংন পুম্নমক চপশিন্নহুনা মথ রোম্দা লুকখরব অহুম মও অহুবু সর্পশির্ষ থংনগনী।

*বিং [শিঃ] কঃ [ম. ।— সর্পশির্ষ অসি ইশিং পিবদ, চাওথোকপদ, শামুগী মরাংবকনচিব নানবদ থংনগনি।

১৪। মৃগশির্ষ — খুংশার্শা তহুনা লুকখরকপ খুবী খুনাওবী অনিনা মথক্ত হাধগংপ তহুনু মৃগশির্ষ কৌই। বিঃ [শিঃ] কঃ [মং] — মৃগশির্ষ হস্ত অসিনা — মতিক চাই, চৌক্তিক নৈ, চাকবাশিংদা, অমদি চাংবার হুনবদ, হুমাং তৈথোকপদ অমদি অরোনব মচং নওদ শিজিন্নগনী।

*বিঃ বিনিয়োগ [শিঃ] শিজিন্নগদব। বিঃ বু শিঃ থংনগনী
কঃ — কর্ম [মঃ] — মথৌ। কঃ বু মঃ থংনগনী।

১৫। *লাঙ্গুল— খু শাশিং অহুদগী খুবিনে খুদোনবিনে খুৎয়াইনে নপ্‌নব খুৎনিংথৌ কেম্বব অহুগা খুদোন্‌বী য়ৎখৎপ অহুবু লাঙ্গুল কৌই।

বিঃ (শিঃ), কঃ (মঃ), খুৎকম্‌ অসিনা অচৌব মচৈগী মথল মথা অয়াম্ব অপিক থবাক্‌ তৌবদ, মাননচিংব উৎপদ খংনগনি।

১৬। *উৎপল পদ্ম— খুদোন্‌শিং অহু লৈশিঙব হেক্‌ ঙম মখৈ ললব অহুবু উৎপলপদ্ম খংনগদব ওই। বিঃ [শিঃ], কঃ [মঃ], ককৃথৎপদ, ন, অসি কনাগীসু নত্তে অমসুং লৈশে হায়বদ অভিনয় তৌগনী মশাগী শেম্‌ শাব, মুপিশিংগী মওং মতৌ তাকপ উৎপলপদ্মবু শিজিন্নগনি।

১৭। চতুর — খুদোন্‌ অহুম তিংথোক্লুনা খুনাওবী বাং-খৎপ অহুগ খুনিংথৌগী মখোংদ খুবী থব্রব মওং অহুবু চতুর হস্তনি।

বিঃ [শিঃ], কঃ [মঃ]। পুবদ হৈশিংব মতৌদা, মান্নবদ, চংখোল্লবদ, অরাব কারবদা, মিনম্বদা, তাৎ তৌবদা অর্থশিংদ, রাঙাং রাঙাদা মখিক চাবদ, কান্নদবদ, অচুম্বদা, প্রয়োগ অসি তৌগনি। অমন ওইরবসু অনিনা ওইরবসু চৈস্ত পুব, রাখল তৌব, শেম্‌ শাবনচিংব অমদি কাবিশু লেত্তে হায়ব, ইকাইব মীৎ অহুগী চাংদম্নবদ, অমসুং থম্বালবু সাজ্রাশ গী মনাবু খংহন্‌বদ শিজিন্নগনি। সংযুক্ত (খুৎ অনি) তিন্নরগ, অপাম্ব, নিংথিব, নিংশিংব রাখল, অরেম্প, লোইরব, মামংশিংগী রাখল, তিন্নবদ, শেংলবদ, হৈশিংলবদ, মাইথিরবদ, মথোন্‌, কান্নকপদ, য়ুম্‌

*লাঙ্গুল, *উৎপলপদ্মবু কনাগুম্বন কাঙ্গুল অলপদ্মসু কৌনৈ।

থংহন্‌বদ, মচুশিং থংহন্‌বদ খংনগদব ওই। অমদি মগক্লোমদ থাঙ্গৎলগ অতৌব মচু, লৈয়রগনা অভাংব, মেল মান্‌ব, নোইরগন অশংব অস্থমনস্থ খংনগদব ওই।

১৮। **ভ্রমর হস্ত**— খুংয়াই কোন্‌শিনদুনা খুবীগ পক্‌শিন্নরব খুদোন্‌বী কোম্থব অতৈন ম্রাংখৎলব অদুবু ভ্রমর হস্ত কৌই।

বিঃ (শিঃ), কঃ (মঃ)— থরো থম্বাল্ থারিক্‌থানচিংব মকোক্ অশাংব লৈশিং হেকপদ অমস্তুং নাকোং মথুল থংহন্‌বদ, চোইথন তাখিবদ মতোন্‌গ লোইনবদ, অমস্তুং অভাংশিংগী ম্রারী শাবদ, অথুব তাল্ থাবনচিংবদস্থ ভ্রমর হস্ত সিবু শিজিন্নগদব ওই।

১৯। **হংসাস্থ**— খুদোন্‌বীনে খুবীনে খুয়াইনে অহুম্ অসি তিন্নরব (অগনি তির্থ খংনরব) অদুদগী খুনিংথৌ খুনাওবী অনিথু থাঙ্গৎলব (শন্দোক্ল) অদুবু হংসাস্থ হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— থংহন্‌বদ, থরদং কোম্‌থোকপদ, লোথোকপদা, থোংল্লব মওং মতৌ ওইবদদি থরদংকুমথব (হাইদরকপ) দা খংনগনি।

২০। **হংসপক্ষ**— খুদোন্ অহুম্ চপ্ মান্নবদ খুবী নপ্‌শিন্দুনা কোন্থরব খুনাওবী ম্রাংখৎপ মওং অদুবু হংসপক্ষ হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— করিগুম্ব মশক্ মুংখৎপদা, ইশিং চাইবদ, হুস্তবদ শিংপদা, দান্ তৌবদ, লৌবদ তৌগদব ওই, অমদি ইকাই খুম্নবদ, চাব-থকপগী অর্থদ, ব্রহ্মণনচিংবগী কর্মদ, কোন্‌শিবদা অচৌব উথোং থংহন্‌বদ, তুজুংবদ, তৈথোক্‌পদ, পুবনচিংবদস্থ প্রয়োগ তৌগনি; অদুগ মুপি মুপিশিংগী থবক্ অনিগী (থোম অনি) গী মরক্ত থম্নগ অকাওব অভকপনচিংব খংনগনি। চুবাদ থম্নগনা অম্রাবগী অভিনয়বু খংনগনী।

২১। *সন্দংশ— অরাল হস্তগী মওং অদুদা খুদোন্বী অমসুং খুবী অনি অহু চিকৃশিন্নরবদ খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— সন্দংশ হস্ত অসি মখল অহুম্ ওই, মহুদি আগ্রত, মুখজ, পার্শ্বগত অসিনি। আগ্রত সন্দংশ— লৈখোক্রুগী লৈহেকপ লেংব, নাপী লৈ, মনা, শম, লং, য়েংতুম্ন চিংব অকুপ্প খংহন্বদ অমসুং চিংহুনা লৌবদ খংনগদব ওই।

মুখজ সন্দংশ— লৈখোক্রুগী লৈহেকপ, বত্তি তাশিন্ব, তোম্মী হায়ব খংহন্বদ, শাওবগী রাভাং শাভাংদ, অমদি নবগুণ শিব, পুন্ব, লিরী তাশিনব, তেন ত্তম্বা, অমগ অমগ তিম্নব, লাইবিক্ ত্তম্বদ, খবগী চাং খংহন্বনচিংবদ শিজিন্নগনী।

পার্শ্বগত সন্দংশ কুপ্প, তুকচব, লোইরাংব, দেংশ (মরালগ) লোইনব বাংহুদা খজিক্কং পুং মতোন্ অহু লৈথোকপ ওইহুনা পার্শ্বগত সন্দংশদ খুং ওটন তৌগনি, য়েক লোংপদা অমসুং রাগস তৌব, মথোক্ অনাদি পুহাম্নচিবদ শম্-শাবদ, চাবু, কেন্দ শিজিন্নগনি।

২২। মকুল হস্ত খুংকাশ অহুগী খুদোনশি অহু চপ্-মানন নপান্দুনা কুকথরব অহুগা হংস্য মুখ (ভানু মচিন) গী মথোইগুম্ রাংখরপ মওং অহুবু মুকুল হস্ত খংনগনি।

বি. (শি.) ক. (ম.)— লাই পূজা তৌবদ, বলি পিবদ, খবো খম্বাল অপোম্ন টঙদ, চুম্নগী মওং উৎপদ, পৈশিন্নগী মওদস্তু খনগনি, চাবদ, মনা নাশংগী অপোম্নদ লৈশিংগী মওং খংনবদ শিজিন্নগনি।

২৩। উর্ণা নাভ— পদ্ম কোশকী খুংশাশিং অহু খোয়রব হায়বদি কোনশিন্ব অহুবু খংনগনি।

*অরাল=অসংযুক্ত হস্তদ

বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— শম লৌশিন্‌ব কোক হোৎপদ লাইথুং থুংব খংনবদ, নোংশা কৈনচিংবগী অভিনয়দ শিজিন্নগনী অমদি চাইথোকপ খোমজিন্‌বদসু ত্তৌগদব ওই।

২৪। ত্রাম্রচুর — থংম্নাইগ খবিগা চিংশিন্নব খুদোন্‌বী খোইথব লেম্‌ছৌবন খৃনাক্‌ ময়াইদ খম্বা মওংবু ত্রামচুর কৌই।

বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— চৈহৎশমচিংব, অকাইব খোন্‌থাং লাইনবা, তালপাবদ, থাক্তবদা, অথুপগী অর্থদসু মখিং থোম্বশিংদসু, *কলা, *কাষ্ঠ, *নিমেষ, *ক্ষণ মতমগী চাং খ নবদসু শিজিন্নগনি। অংগ শিংগী ময়ারী শাবদা ; বার্ত্তন তৌবদসু থংনগনি, চামা লিশিং অম, লাক্ষ অম, থুং অমত্তনা পোক্‌হনগনি মওংতৃদা, য়াম্ন থুনা থুদোন্‌শীংনা থাদোক্লগ মৈম্রিক্‌ থংনগনী, অমসুং বিন্দুগী ভমথৈবুসু থংনগনি।

মথক্ত হায়খ্রবশিংসে অসংযুক্ত (খুৎনাম্‌তগী হম্‌খ) ওইব হস্ত কর্মবু থংনগনী। অসিগী তুংদ সংযুক্ত হস্ত (খুৎ অনিগী হিন্নবগী) মওংবু হায়বকনী।

(১) অঞ্জলী পাংদাক ওইব অনিগী পক্‌শিন্নবদ অঞ্জলী খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) কঃ (মঃ)— লাইখিবিক, গুরুশিংদা, মরুপ মপাংশিংদা হায়জব প্রার্থনাদা অঞ্জলী হস্ত অসি শাগদব ওই। মনাক্ত থম্নগা লাইখৌনীঙ্গী মমমদ শিজিন্নগনী ; চিমবান্‌ মপাদ থম্রগন গুরুশিংগী মকখদ, খবাক্ত হম্‌লগন মরুপ্‌ মপাংশিংগী মকমদা শিজিন্নগদব ওই।

---

*কলা, *কাষ্ঠ, *নিমেষ, *ক্ষণ, মতম্‌গী চাং খংন্‌নবনী। মসি অভিধান চিন্তামনি নচিংবদ য়েংবীগদব ওই।

২। কপোত— খুৎ অনি *(পতাক অনি) অত্থু ময়াই পোংন পক্‌শিন্নব (ত্তিন্নব) অহবু কপোত কৌই।

বিঃ (শিঃ) কঃ ঃ মঃ) – মফম্ অসিদ কিরনদ, যেক্লবদ, খুম্নদ, গুরুশিংগী মফম্‌দ য়ারী শাবদ, ইংলনদ, অকিব ফংলব অত্থুদ খবাক্ত খম্‌গনি।

৩। কর্কত— খুদোন্‌শিং অত্থু পক্লগ মইহ মইহ চংশিন্নবা হায়বদি ম্নারক্ত থিন্‌দোক্লব মওং অহবু কর্কত হস্ত কৌই।

বিঃ (শিঃ), কঃ (মঃ) অপাম্বন হকচাং অসে নৈহৎপ, তুমন্নবদগী তৌহৎপ, হক্কাম্ চন্‌ব, অচৌব পুবদ, চাইক্লং ঙাবদ, মোইবুং লৌবদ, শিজিন্নগনি।

৪। স্বস্তিক *অরাল হস্ত তত্থুনা খুজেং অনি নপ্‌শিন্নব অত্থুদগী লো থোক্ত্‌না ওইগী নাকন্দ লৈরব অহবু স্বস্তিক খংনগনি। অমদি অরাল ওইরবস্থু বর্ধমানক ওইরবস্থু ওই নাক্‌কন্দুদা লোং-থোক্ত্‌না লৈরবদি মত্থুবুস্থু স্বস্তিক হস্ত খংনগদব ওই।

বিঃ (শিঃ) স্বস্তিক অত্থুনা ললথোক্ত্‌না হায়দোকপগী মাইগৈদ নোং, অকাশ, জঙ্গল সমুদ্রনচিংব অমদি ঋতুশিংগী, পৃথীবীগী মওং পাকন শন্দোকপদস্থু অভিনয় তৌগদব ওই।

৫। কটক বর্ধমান— কটক অনি অত্থু খুজেং নপশিন্নব অত্থুবু কটক বর্ধমান খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) - শৃঙ্গায়গী অর্থশিংদা অমস্থু প্রমাননচিংব তৌবদস্থু প্রয়োগ তৌগনি।

৬। উৎসঙ্গ — অরাল হস্ত অনি অত্থু ওন্‌থোক্লগ লোংখৎতুন লুলুক্লব অহবু উৎসঙ্গ কৌই।

বিঃ (শিঃ), খুৎ অত্থুনা তক্লগ, শাওরবদ খোইরাংলবদ খংনগনি। পাইশিন্নগ মুপিশিংগী খোইরাংবদ খংনগনী।

---

*পতাক, *অরাল=মথক্ত য়াওখে

৭। **নিষেধ হস্ত**— খুনিং পাশ্বোম্ অহূদা খুং ওইন নম্ন পাইশিন্‌ব, অদুগ্ন অত্নম্ন য়েংনস্ন ওইরগ খুদুমস্নু শারবদ অদুবু নিষেধ হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) ময়াই কাবদ গর্ব তৌব, নিংখিব, মন্নাং তৌবদ, পাঙ্গল অখোবদ, চাওথোকপদা লেংদন লৈবদ, তপ্‌থবদস্নু তৌগনি জাল অমস্নু মিস্থত থোংন চিংবদ শিজিন্নগনি।

৮। **দোলা**— নিষেধ হস্ত অসি অমুক্ ওম্বোক্‌না পাভাক শাহ্না য়াম্বরব মওং অদুবু দোলা হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ)— কাওরবদ, ব্লারবদ, ব্লাম্বদা ময়াই কাবদ, থিংগাইবদ প্রয়োগ তৌগনি।

৯। **পুষ্পপুট হস্ত**— মথক্ত হায়খ্‌ব সর্পশির্ষ অদুগী খুদোন্‌শিং অদু মরক মরক হোহন্‌বদ খুং অনিনা নাকন্দ নপ্-শিন্‌ব অদুবু পুষ্পপুত হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ)— হস্ত অসিনা তিন্নবদ পোং মথল কয়া পুবদ লৈনচিংব অচাপোংশিং পুবদস্নু তৌগদব ওই, অদুগ ইশিং পুব লৌব, কম্বোক্‌পদস্নু খংনগনি।

১০। **মকর হস্ত**— অদুগ্ন খুং অদু পতাক হস্ত ওইরগ খুবী অদু লুকথরগ খুং অমগী মথক্তা অমনা নম্ন মওং অদু মকব হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ)— নোংশা কৈনচিংব হিংচা য়াতস্বগী মওং উৎপদ মকর কৌব ঙা, ঙানচিংবশিংগী মওং উৎপদ মরক হস্ত শিজিন্নগনী।

১১। **গজদন্ত হস্ত**— সর্পশির্ষগী খুং অনিদু খুনিং কোন্-শিন্‌ব (থেক্‌চিম্‌ব) ওইরবদগী গজদন্ত খংনগনী।

বিঃ (শিঃ) লুহোংব বরগী কন্যাগী দলাই পুবদ, য়ুম্বী পুবদ, চিংদগী নুং ফুকপগী অভিনয়দ উৎকদব ওই।

১২। **অবহিথ**— খুৎ অনিদ শুক তুণ্ড শারব থবক্কী মমাই ওনশিনদুনা থোইজিনব তপ্প তপ্প মাই মখা থন্দুনা হন্নব অদুবু অবহিথ হস্ত খংনগনি।

১৩। **বর্ধমান**— খুৎ মামক মুকুল শারব কপিথনা য়েংশিনব মওং অদুবু বর্ধমান হস্ত খংনগনি।

বিঃ (শিঃ) — লৌশিনব, দান তৌব, দান লৌব, পুব পাইব, থাক্কৎপগী মতম্ অওইব অচুম্বা, ভাংব, অমস্তুং শুপ্‌চিনব থবদ, ওইবদ অমস্তুং পাইশিনব, লৌশিনবদ অভিনয় তৌগনি। অমনা খুৎ হংসপক্ষ ওইবগ মমাই লৈতোক্পদ লাং অমস্তুং মিহুৎপৎ হ' দোকপদ খংমগনী।

অসিগুম্ব হায়খ্রা মওংশিংসিদ নাটা থবশিংন চায়া চাম্বদ হস্ত অদুগী মওং অদু শেম্‌গদব ওই। দেশ কাল অদুগী চাম্ব চাম্বদ। মপি নিপশিডুগী ওইব হস্ত কর্ম নাটাদ চংবশিংদুগীদ, উত্তমশিংগী লাইবক্ মপাদ, মধ্যশিংগী থবাক্ মপাদ, নিচ, অত্তোনবশিংগীদ হায়বশিংদুগী মথাদ শাগদব ওই।

খুৎ অনিপা ২৩ ইপ্প লে খোংপ মফম্ অদুদা মীংনা য়েদুনা পাক্কংপ, নম্বব, থোইবব, মাই মখা, মংকু, ওক্তেক্ ওনশিন্ তৌবনচিবদ হস্তগী (খুৎকী) মওংশিংদো নাটদ শম্‌গনি।

নৃত্ত সমাশ্রয়া হস্ত (নৃত্তদ চংব খুৎ)

১। **চতুরশ্র** — থবাক্, চিনবান মমাংদ খুৎশিংনা থম্ব কটক মুখ অনি অদুবু মমাং ওনব, খুৎ অনিদু চপ্‌শিন্‌লদুনা তিংব অদুবু চতুশ্র খংনগনি।

২। **উদ্‌বৃত্ত**— হংসপক্ষ ওইরব খুৎ অদু কোন্‌ব, তমাইগী মতোগুম্ব হায়দোকপ অদুবু উদ্‌বৃত্ত কৌই।

৩। **তলমুখ**— চতুরশ্র ওইরব খুৎ অনিহু হংসপক্ষ ওইহনা ওম্শিল্লা অহুদ খোইজিন্দুন লৈরব মওং অহুবু তলমুখ খংনগনি।

৪। **স্বস্তিক**— তলমুখ ওইরিব খুৎ অমিহু খুজেং নপ্নব ওইরবদা স্বস্তিক অহুবু খংনগদব ওই।

৫। **বিপ্রকীর্ণ**— স্বস্তিক অহু চোয়থহনা তারবদ বিপ্রকীর্ণ কৌই।

৬। **অরাল**— *উৎপলপদ্মগী মওং ওইহনা মমাই ওল-খংলগা পদ্মকোশ ওইব খুৎ অনিহু অরাল কটক কৌই।

৭। **অবিদ্ধ বক্র**— পাম্বোম্গী শরুক খুনিং ফাওব খুৎ অনি অহু খোইমা (খুৎ য়েং কারন) লৈথংলকহনা মমাই ওম্বোক্লুনা নপশিনব অহুবু অবিদ্ধ বক্র কৌই।

৮। **সূচী মুখ** খুৎ অনি অহু সর্পশির্ষ ওইরগ খুবী অনিহু ময়াইদা থরগ খুৎ অনিহু নপশিন্নব অহুবু সূচী মুখ কৌই।

৯। **রেচিত**— হংস পক্ষ অহুনা থাঙ্গৎলগ লৈয়ঘ নোম্ব অহুবু রেচিত খংনগনি।

১০। **অর্ধ রেচিত**— লোংথোক্লব খুবাক অনিহু রেচিত ওইরব অমন চতুশ্র ওইব খুৎ অহুসু রেচিত ওইব অহুবু নৃত্ত তত্ত্ব খংবশিংন অর্ধ রেচিত ওইরে হায়ন খংনগদব ওই।

১১। **উত্তান বঞ্চিত**— খুনিং অনি অহু খোইরগ ত্রিপতাককী মওং শারগ খুৎ অমি অহু ফংনব (ওম্শিন্নব) অহুবু উত্তান বঞ্চিত খংনগনি।

১২। **পল্লব**— পতাক শারগ খুজেং অনি অহু তিন্নব (শন্নরব) পল্লব খংনগনি।

*উৎপল পদ্মবু অলপদ্মসু কৌনৈ

১৩। **নিতম্ব** – পাম্বোম্ অমস্তং কোক্কগী চংশরকপা (শারকপা) পতাক খুং অদুনা খ্বাং ক্বাওব থেকথরকপ অদুবু নিতম্ব কৌই খংনগনি।

১৪। **কেশবন্ধ** – কোক্‌ংগী চংথরক্কুনা নাকন্দ লৈরব খুং অনি অদুবু কেশবন্ধ খংনগনি।

১৫। **লতা হস্ত** – খোইন ভিংথোক্কুনা নাকন্দ লৈরব খুং অনিহুবু লতা হস্ত খংনগনী।

১৬। **করি হস্ত** – খুং অমন লতা হস্ত শারব খুং অমন ত্রিপতাক শারগ নাকোং ময়াদ থম্বা (লতা হস্ত) অমনা হায়ব শামু মনাত্তোন্ গুম্ব, খুং অমন শামু মনাগুম্ শারব অদুবু করিহস্ত খংনগনি।

১৭। **পক্ষ বঞ্চিত** – ত্রিপতাক ওইব খুং অহু খ্বাংদ অম চংশিন্‌ব, খোক্ত অম চংশিন্‌ব অদুবু পক্ষ বঞ্চিত খংনগনি।

১৮। **পক্ষপ্রদ্যোতক** – পক্ষ বঞ্চিতদগী খুং অনিহু ওন্‌থোক্লরবদ খংনগদব ওই।

১৯। **গরুর পক্ষ** – খ্বাক্ অহু মখা ওন্থহুনা নপ্‌শিন্নব অদুবু গরুর পক্ষ খংনগনি।

২০। **হংসপক্ষ** – খুং অহু ফাক্তোক্লব (ওন্‌থোক্লব) হংসপক্ষ খংনগনি।

২১। **দণ্ডপক্ষ** – মথং অহুম্ব পাম্বোম অনি অহু য়াম্ন

২২। **উদ্ধ মণ্ডলী** – অহুম্ব খুং অহু, মথক্লোমদ লৈইং-পদগী উদ্ধমণ্ডলী খংনগনি।

২৩। **পাশ্বমণ্ডলী** – খুং অনিহু নাকন্দ নপ্‌শিবদগী পাশ্বমণ্ডলী কৌই।

২৪। **উরো মণ্ডলী**— অমন মথক্‌লোম্‌দা কোইখৎলকপ অমন অমুক্‌ন্সু অতুম্ন কোইখৎলকপ অতুদ লৈয়নব থুংশিং অতুবু খংনগনি উরো মণ্ডল।

২৫। **উরঃ পার্শ্বার্ধ মণ্ডলী(অরাল)**— অল্প পল্লব, ওইরক্লুনা থবাক্ত মথং মনাও নাইন লৈয়রকপ নাকন্দ অমুক্‌ন্সু লৈয়রব অতুবু খংনগনি উরঃ পার্শ্বার্ধমণ্ডলী।

২৬। **মুষ্টিক স্বস্তিক**— কটক মুখ থুং অনি অতুন মনি বন্ধ (থুজেং নপ্রব) অতুদ, খোইজিন্দুনা নপ্‌নব অতুদা মুষ্টিক স্বস্তিক খংনগনি।

২৭। **নলীনী পদ্ম কোশ**— পদ্ম কোশ ওইরব থুং অনি অতু থাইদোক্লগ লৈয়থোক্লব মতম অতুদা নলিনীপদ্ম কোশ ওইরে।

২৮। **উল্বণ**— *উৎপলপদ্ম শারগ থুং অনিতুগী মতোন্‌ য়ৄংখৎলব অতু মথক্‌লোম্‌দ তিংথোক্ত্‌না শন্দোক্লীব অতুবু উল্বণ খংনগনি।

২৯। **ললিত**— থুং অনিতু *উৎপলপদ্ম শারগ কোক্তক্তা নিংথিজন লৈরব ললিত কৌই।

৩০। **বলিত**— লতা হস্ত শারগ থুনিং অতু স্বস্তিক শারগ নপ্‌নব অতুবু বলিত কৌই।

---

*উপল পদ্মবু অলপদ্মবুস্থু খংনৈ কনাগুম্বন

হস্তানাং চতুর্বিধ করণ
হস্তশিংগীদ চংবা মথল মরিগী করণ

(১) অবেষ্টিত (২) উবেষ্টিত (৩) ব্যবর্তিত (৪) পরিবর্তিত। মথল মরি অসি থংনগনি।

(১) খুদোনশিং খুদোন্বিন চিংবদগী ক্রম নাইন মথং মনাও মচুং চন্না লৈশিন্ব (খুবাক্ত খেকথব) অদুবু অবেষ্টিত কৌই।

(২) খুদোন্শিং অদু ক্রম নাইনা (মথং মনাও) ওইব মমাই ওন্থোক্লগ (হন্দোক্লগা) তিংথোকপগী করণ অদুবু উবেষ্টিত কৌই।

(৩) খুনাওবিনচিংবদগী খুদোন্শিং অদু মচুং চন্না (খুবাক্ত) লৈশিন্ব (খেকথব) করণ অদুবু ব্যবর্তিত কৌই।

(৪) অদুগুম খুনাওবীনচিংব খুদোন্শিংদু মথং মনাও নাইন মপান্দ তাতনা লৈথংলকপ তিংথোক্লকপ অদুবু পরিবর্তিত করণ থংনগনি।

নৃত্তনচিংব অমদি অভিনয়দা খুৎশিং অমসুং পিগুম্ মিং তিন্নব করণশিং অদু প্রয়োগ তৌগনি।

তির্যগ=খোইব, উর্ধ্বগতং=মথক্ চংথংপা, অধো মুখ=মাই মখা, অবিদ্ধ=পকৃশিন্নব, অপবিদ্ধ=থাইদোকপ, মণ্ডল=অকোইব, স্বস্তিক=কারণ, অঞ্চিত=কোব, কুঞ্চিত=খোইচিন্ব, পৃষ্টগ=তুংওইব, অসিনচিংব মহামুনি ভরতকী শন্নরা নাট্য শাস্ত্রগী হস্ত অভিনয়গী মাপনগুব অধ্যায় লোইরে।

নাট্য শাস্ত্র

দশমো্য ধ্যায়ঃ শরিরাভিনয়ঃ

তরাশুব অধ্যায় হকচাংগী অভিনয়।

উর (থবাক)।

আকুগণ, নিভূ'গণ, প্রকম্পিত, উংবাহিত, সম মথল মঙা অসি উর (থবাকীনী)।

আকুগণ—নোঙ্গব নঙগদি য়াংথংপ খোইজিন্‌ব নাকল কোঙ্গব অহুবু আকুগণ কৌই।

*কঃ (মঃ)— অহুম্ব থবাক অহুনা ঙকপ য়াবা য়াঙ্গব লৈনাদা, শোক্‌পদ, নোং ভাবদ, ইকাইবনচিংবদা তৌগদব ওই।

নিভূ'গণ—লেংদব (উচুকুমন) নঙ্গন নোঙ্গব খোইজিন্‌হুনা, য়াংথংপ অহুম্ব থবাক অহুবু নিভূ'গণ খংনগনি।

কঃ (মঃ) - ইকাই খুম্নবদ, অঙকপ উবদা, নাপন্ তৌবদা, ঐনি হায়না উংপদ মতৌ অহুম্ব অহু ওইগদব ওই।

প্রকম্পিত— ইত্তত্তনা, মথক্‌লোম্‌দা, ইংখংপবু প্রকম্পিত খংনগনি।

কঃ (মঃ)— নোকপ কপ্পনচিংব ঙকপ, কিব, চোকথব, লাইথুং্‌ন য়াব মথল্ মথল্‌গী অর্থহুগী মওং অহু পাংথোকদব অভিনয়দ ওই।

উংবাহিত— মথক্‌লোম্‌দ য়াংথংপ অহুবু উংবাহিত খংনগনি।

কঃ (মঃ)— শর শাংন ফুইন হোন্‌ব অনসুং হকাম্ চন্‌বদা তৌগদব ওই।

*কঃ (কর্ম) মঃ (মপৌ) (মওং)

সম— য়াম্ন মেংনা খোংল থবাক্ অদুনা *চতুরস ওইদুনা থোক্হনলিব, থবাক্ অদু সম কৌই।

কঃ (মঃ)— মহৌশাগী ওইবদা য়াম্ন মেংলব হকচাংগী নিংথিববু খংনগনি।

পার্শ্ব (নাকন্) গী কর্ম (মথৌ)।

পার্শ্ব মখল মঙা গুই — নত, সমুনত, প্রসারিত, বিবর্তিত, প্রসৃত।

নত=খ্বাং খোইথব নাকন্দ, নাকন্দুদা থব ইন্থোকপ (নমথব) অদুবু নত কৌই।

সমুনত (উন্নত) নত অদুদগী অংোকপ নাকন্ ওইব খ্বাং নাকন্ পান্থোম্শিংদু রাংখৎপদ সমুনত কৌই।

প্রসারিত— নাকন্দ (নাকন অনিদ) রাংখৎপ অদুবু প্রসারিত কৌই।

বিবর্তিত=ত্রিক (নিং অদু) লৈয়বদগী বিবর্তিত কৌই।

প্রসৃত=বিবর্তিত অদুদগী লৈথোক্লকপ অদুবু প্রসৃত খংনগনি।

হায়থ্রব পার্শ্ব (নাকন) গী মখল মঙাগী বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব) দা

নাক্তশিংতন চংশিন্বদ *নত ওইগনি, হন্দোকপদ *সমুনত খংনগনি, হরাওবনচিংব প্রসারিত তৌগদব গুই, লৈয়বদ বিবর্তিত খংনগনি, লৈয়থোকপদ প্রসৃত খংনগনি।

---

*চতুরস=মথক্ত য়াগুখ্রে।

---

*নত=হায়জবদ (চংজবদ)। *সমুনত=হন্দোকপদ (চেন্থোকপদা)।

জঠর (পুক্কী) মথল
অমসুং বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব)

থাম, খব, পূর্ণ মথল অহুম্ অসিনি

শুপচিন্ব (পকশিন্বদ) থাম থংনগনি, হাপচিনবদ খব থংনগনি, কংথোকপদ পূর্ণ থংনগনি।

বিঃ (শিঃ)— থাম নোকপদ, কপ্পদ, স্বর হোন্দোকপদ হক্কামচন্বদ ওই।

*বিঃ শিঃ) খব— নারবদ, তোপ তৌবদ, চোকথরবদ, রাববদ শিজিন্নগনি।

*বিঃ (শিঃ)— পূর্ণ—নোইরবদ, লাইথুং অমসুং তল্লবদ চাবনচিংবদগী ওই।

কটি (খ্বাংগী) মথল মঙা।
অমসুং বিনিয়োগ শিজিন্নগদব।

জিন্ন, নুবৃত্ত, রেচিত, কম্পিত, উদ্বাহিত, অসিনি।

জিন্ন— থেকপ খোইর থংনগনি, নিবৃত্ত—ওনথোকপদগী লৈশিনলকপবু থংনগনি। বেচিত—খ্বাশিংবু নোম্বদ লৈয়বদ থংনগনি। প্রকম্পিত—খোইন চথোক্ চংশিন্ থেক্তোক্ থেক্-চিন্দ থংনগনি। উদ্বাহিত—তপ্প তপ্প নিং অহু পুবদ নোম্বদ থংনগনি।

বিঃ (শিঃ)— জিন্ন—সাজেন তৌবদ শুকপদা হন্দোক্ হন্জিন্ তৌহুন লৈবদ, য়েংবদ ওইগনি।

বিঃ (শিঃ)— নিবৃত্ত—লৈথোক্ লৈশিন্ তৌবদ শিজিন্নগনি।

বিঃ (শিঃ)— রেচিত—লৈরবদ ওই।

---

*বিঃ (বিনিয়োগ) শিঃ (শিজিন্নগদব)।

বিঃ (শিঃ) প্রকম্পিত—কোন্‌শিন্দুনা নেমন পিক্না চৎপদ তৌগদব ওই ।

বিঃ (শিঃ)— উদ্বাহিত য়ান্ন নোইবগী চৎপনচিংবদ, মুপিশিংগী মিপাইবদসু থংনগনি ।

উরু (কৈ) গী মখল ।

উরু (কৈ) গী মখল মডানি ।

কম্পন, বলন, স্তম্ভন, উদ্বর্ত্তন, নিবর্তন অসিনচিংব থংনগনি ।

কম্পন—নাকন্দ নেমথব, মা থৎপ অমুক্ হন্না হন্না তৌরব অহুবু থংনগনি ।

বলণ— খুউ চথোকপ হন্দোকপ অহুবু থংনগনি ।

স্তম্ভ— লৈশিন্‌লকপ অহুদগী ফজহনবহুবু ওইগনি ।

উদ্বর্ত্তন— কৈগল অনি অহুগী খোইরগ নপ্‌শিন্নববু কৌই ।

নিবর্ত্তন— অহুম্ব খোংশিং অহুন মমুংদ চংলব (মমুং চনব) মচং অহুবু কৌই ।

বি, (শিঃ) মখল মডা উরু (কৈগী)

কম্পণ— অতোম্বশিংন চৎপদ কিবদসু শিজিন্নগনি ।

বলন— মুপিশিংগী মনিং মথা তম্বগী মচৎত ওই ।

স্তম্ভ—হোৎনবনচিংবদগী য়ারবগী মতৌহুবু স্তম্ভদ শিজিন্নগনি ।

নিবর্ত্তন— লাংতকনহুনা কোইচৎ চৎপদা শিজিন্নগনি ।

জঙ্ঘ (খুবোম্) গী

খুবোম্‌গী মখল মডানি ।

অবর্ত্তিত, নত, ক্ষিপ্ত, উদ্বাহিত, পরিবৃত ।

অবর্তিত— ওইন য়েৎলোমদ য়েৎ থংব ওইরোমদ অস্তুন্ন চৎপবু কৌই ।

নত— থোইজিনব খুউ ওইরবদ নত ওই।
ক্ষিপ্ত— কৈ অহু ইনথোকপদ ক্ষিপ্ত কৌই।
উদ্বাহিত— মথকুলোম্‌দ থাংগৎপ অহুন উদ্বাহিত কৌই।
পরিবৃত— ওন্নতৈননা তৌরবদ পরিবৃত কৌই।

বিঃ (শিঃ) জঙ্ঘ (খুবোম্‌) গী—

অবর্তিত— কাপতুনা কোইন চৎপদ শিজিন্নগনি।
নত— ফম্নব ফিদানচিংবদ নতহু তৌগনী।
ক্ষিপ্ত— তাণ্ডব অমসুং হুকচাং শাজেন্নচিংবদ শিজিন্নগনি।
উদ্বাহিত— *অবিদ্ধগী মচৎ অহুবু তৌগদ ওই।
পরিবৃত— তাণ্ডব জগোইগী শাবদ শিজিন্নগনি।

পাদ (খোং) গী মথল।

খোংগী মথল মঙা গী

উদ্‌ঘট্টিত, সম, অগরতল সঞ্চর, অঞ্চিত, কুঞ্চিত, মথল মঙা অসিবু খ নগনি।

উদ্‌ঘট্টিত— খোং অমনা খোংদোম নেৎথৎব—খোং অমন খুনিংন লৈখা তাব অহুবু থংনগনি।

অসিগুম্ব উদ্‌ঘট্টিত করণশিং অসিদ মতৌ তম্নবগীদমক্ত মওং অহু তৌরগ অমুক্ত ওইরবসু হন্ন হন্ন ওইরবসু ধৃতমধ্যম—গী সঞ্চায় তৌগনি। সম-লৈতেম্‌ মাল্লবদ স্বাভাবিক ওইন তৌগনি।

অগ্রতল সঞ্চর— খুনিং ইম্ভোকপদ (হন্‌গৎপদ) খোংগী খোংদোন্‌শিং অহুনা খোইথব থেকথব অহুবু থংনগনি। মহুদা ইন্দুনা থেক্‌তোক্‌ থেক্‌চিন্‌ ওইবদ, লেংদবদ য়ুম্বীগুম্ন ওইবদ, লৈবাকৃতা থিন্দুন চৎপদা তৌগদব ওই। অসুহ্নদ মথল্‌ মথলগী নোম্বগী মচৎতসু তৌগনী।

---

*অবিদ্ধ—আকাশিক চারীদ য়েগদব ওই।

অঞ্চিত — মথক্ত খোংয়োন্ থাঙ্গৎপ খোং অমনা অতুগ খোং অমনা লৈমাইদ মওং অতুদা খোং অতু কোন্ব ওইব অতুগ খোং অতু কাওতুনা কোইচং চৎপদা ওইগনি।

কুঞ্চিত— খুনিং অতু থাঙ্গৎপ খোংশাশিং খোইজিন্ব (থেকথব) অতুদগী ময়াইদ কোন্শিন্ব (খোং অনি কায়ন) তাব অতুবু খংনগনি। মসিদা ওন্ন ওন্ন চৎপদ অমদি লৈথোক্ লৈশিন তৌতুনা শিজিন্নগনি।

সূচীপাদ— খুনিং থাঙ্গৎপ খোংশাশিংনা লৈব অতুগ খোং অমনা চুম্ন লেপ্প অতুবু সূচীপাদনী জগোই শাবদ নূপুর থিংবদ শিজিন্নগনি অতুম্ন চান্নব চান্নব অদু য়েংতুনা প্রয়োগ তৌগদব ওই। মতাং অসিদ দশম অধ্যায় শারীর অভিনয়গী লোইরে।

ষষ্ঠ অধ্যায় অমসুং সপ্তম অধ্যায়গী রস অমসুং ভাবকী মখলশিং (নাট্য শাস্ত্র)।

রস=শৃঙ্গার, হাস্য, করুণ, রৌদ্র, বীর, ভয়ানক, বিভতস, অদ্ভুত, বাৎসল্য, শান্ত।

স্থায়ী ভাব=রতি, হাস, শোক, ক্রোধ, উৎসাহ, ভয, জুগুপস, বিস্ময় স্নেহ সম।

শৃঙ্গার=নুংশি নুংঙোন্গী নিংথিব ম৺।

হাস্য=নোকপ নোক্নবগী মখল মথেল্।

করুণ=ৱাব অৱাবগী থৌদোক্ কয়া।

রৌদ্রা=চাকপ থমোই চাকপ শাওবনচিংব।

ভয়ানক=কিব, অকিব অখং কয়াগী ভমখৈ।

বিস্ময়=তুক্কচব, হঙ্গোইব, অপুম্ অশা য়ানিংদব কয়া।

অদ্ভুত=অঙকপ, (য়েংবদ উবদ ঙকপ) তথক্ তথক্প।

বৎসসল্য=মচা মগুগী প্রেমগী রাখল।

শান্ত=হংব ইংলব থমোই, অমসুং ঈশ্বরগী মরিদা চংলব রাখল।

স্থায়ীভাব=লেংত্রব রস অদুগী মতৌ মওং ওইব ভাব।

ভাব=রাখল ত্তৌরীব রস অদুগী অভিনয়নচিংব।

বিভাব=ভাব অদু ফোংদোক্লকপ রাঙাং হকচাং অভিনয়গী ভাব লেংদব ওইরকপ (ভাব তারকপ)।

অনুভাব=ভাব অদু নিংথিন ফোংদোরকপ, রাঙাং শাঙাং অভিনয়গী অঙ্গ উপাঙ্গ লোইনরকপা।

বেভিচারী, সঞ্চারী—অপুনব ময়ামচুগী চৎলিব ভাবশিং……

রসশিংগী বর্ণ (মচু মওং) দেবত (লাই)।

শৃঙ্গারদা=শ্যাম বর্ণনী, দেবত বিষ্ণুনী।

হাস্যদা=শুক্ল (অঙৌব) দেব রুদ্রগী কাংলুপ্।

করুনদা=কপোত (লমথুনু মচু) দেবতা যমনি।

রৌদ্রদা=রক্ত (ইগী মচু) দেবতা রুদ্রনী।

বীর=গৌর (অঙৌব) দেবতানা ইন্দ্রনী।

ভয়ানক=কৃষ্ণ (অমুব) দেবতানা কালনি।

বীভৎস=নিল (অশংব) দেবতানা মহাকালনী।

অদ্ভুত=পীত (লৈঙাং) দেবতানা ব্রহ্মানী।

শান্ত=কুন্দ শ্বেত, চন্দ্র শ্বেত (লৈ মথল অঙৌব)।

দেবতা=শ্রীনরায়ননী।

রস অসি নবরস হায়ন হায়নৈ অদুবু মতাং অসিদ তরাসুরে মসিদ বাৎসল্য হেগৎপননি মতাংসিদা শৃঙ্গারগ অমত্তনী মরমদী অমন মচাদ অমন সুংশি নুংঙোনগীনি।

শৃঙ্গারগী মখল তাক্লকপদা শুগাইন য়াওরকনি মখাদা।

মতাং অসিদা ভক্তী রসা মৃতদগী ফংব মথল থরদং উৎলী। মুখ্য গৌন ভেদ (রতিগী খেন্নবগী)।

মুখ্য অমসুং গৌন খেন্নবগী রতিগী মথল অনি থোক্লা খাইদ্রী মদুদি— মুখ্য ভক্তীরস, গৌনভক্তী রস, মুখ্য ভক্তীরস মথল 'মঙা' শুই মদুদি— শান্ত, প্রীত, প্রেয়, বাৎসল্য, মধুর মকম অসিদা মথক্ মথক্ থংবনা তাথব (রাৎপ) গী খংনগনী।

গৌন ভক্তী রস, মথল '৭' শুই মদুদি— হাস্য, অদ্ভুত, বীর, করুন রৌদ্র, ভয়ানক, বীভতস, অসিনী। মথক্ত হায়থীব মুখ্য গৌন মপ্তাগ তিন্নবদ '১২' শুই।

শমলকপ রতি ভাব— প্রীতি, প্রেয়ত, বাৎসল্য, মধুর।

শান্তগী সমভাবনি, সংসার বিষয় থাদোক্লব পুন্নমকপু মান্নন থল্লব শ্রীকৃষ্ণদ চংজরব।

দাস্যগী প্রীতি ভাবনী, হরিগী সেবাদ পেনজব অতোপ্পগী রাখল্দ থাদোক্লব।

বাৎসল্য— প্রেমভাব মচা ওইবগী প্রেম।

প্রেয়ত (মুখ্য) মধুরনি কৃষ্ণদা অমসুং রাধিকাগী মফমদা অঙৈবিগ (মথল নিপান) গী সম্ভোগকী ওইব মশক্পু প্রিয়তানি, প্রিয়তা অসিগী মমিং অমনা মধুরনী। গোপীশিংগী ভাব প্রীতি, সখা, মধুর অসিনচিংবগী প্রীতি ভাবনী, হরিগী সেবাদ পেনজবদ ওইব (মথক্ত য়াওখ্রে)।

ব্যভিচারি ভাব মথল ৩৩ নি

নির্বেদ, গ্লানি, শঙ্ক, অসূয়া, মদ, শ্রম, আলস্য, দৈন্য, চিন্তা, মোহ, স্মৃতি, ধৃতি, ব্রীড়া, চপলতা, হর্ষ, আবেগ, জড়তা, গর্ব, বিশাদ, ঔতসুক্য নিদ্রা, অপস্মার, সুপ্ত, নিবোধ, অমর্ষ, অবহিতথ, উগ্রতা, মতি, ব্যধি, উনমাদ, মরন ত্রাস বিতর্ক।

১। নির্বেদ— (বিবয় পামজ্রব) লাইররব, লাইথুং, সনমান লৈজ্রব, লংথোক্লব, লাওথোংব, শাওব চৈ, থাংব, মরুপ মপাং কায়নব, তত্বজ্ঞান লেংন থংলব অসিনচিংবদগী নির্বেদ পোক্‌ই।

অভিনয় তৌগদব মুপি অঙাং অতোনব অহল মহৌশাগী ওইবগী কপ লাওব স্বর চাওন হোন্‌ব থুন হোন্‌ব ইকাইব চিন্তা অসিনচিংবদ তৌগদব ওই।

২। গ্লানি— (চোকথব)–লাইথুং ওবনচিংব তপ তৌব, নিয়ম (চরা হেন্‌ব), পুক্লিংগী অৱাব, থবক কর তৌব, য়ুথকপ, শাজেন্‌ তৌবদ শাংন চৎপদ ভুমদবনচিংব বিভাবশিংদগী পোকই। অভিনয় তৌগদব — ময়েং তাব, মুংঙাইতব, কুচু ওন্‌ব, মিৎ চাইরুং মযেং তাব, পুক্‌শিৎপ, তপ্ন তপ্ন চৎপদ শিৎপদ থৌনা য়াঙজ্রব, স্বর কাইবনচিংবদগী তৌগদব ওই।

৩। শঙ্কা— (চিংনব) চিংনবগী মশক মুপি নহা অতোনব-শিংগী মহৌশাগী ওইব, ভুরানবদগী ফাব, নিংথৌগী মফমদা লংজরুব, অমসুং পাপ কর্মশিং তৌব অসিনচিংব বিভাবতগী পোক্‌ই।

অভিনয়– হন্ন হন্ন য়েংব কোন্‌শিন্‌ব, মাই মকশিম চিনবাল চিকপ, লেকপ, স্বব কাইব নিকপা চিনবান কংব, য়াঙাংব ভমদব অসিনচিংবদগী তৌগদব ওই।

৪। অসূয়া (কল্লকপ) – লংজরুবগী মথল। য়েক্লব, তৌব ডম্ব শক্তা। লাইবক ফবা, মহৈ মশিং হৈব, বুদ্ধি অমসুং লিলানচিংব বিভাবশিংদগী পোক্‌ই।

অভিনয়— সভাদা দোষ উৎপ মগুনশিংদগী মনা শিব, চৈথাংব, চাকপ, খোইরাংব, মিৎন য়েংব, মথাদ মাই লুকথব, চিন্‌লেংব, থওইদব অসিচিংবদগী তৌগদব ওই।

৫। মদ (ময়াইকাব)— মদদগী মথল মখা কয়াগীসু অহুম্ব অতুদগী মথল অহুমদং হায়রক্নই। মদ থকপদগী ময়াইন ইশৈ শকপ, কপ্প, নোকপ, অয়াকপ বাহৈ অমসুং তুম্বনচিংব অভিনয়বু তৌগদব ওই। উত্তমন তুমই, মধ্যন নোকই অমসুং ইশৈ শকই। অধমন মুংশিদব বাঙাং অমসুং কপ্ই অসিনচিংব অভিনয়দগী তৌগদব ওই।

উত্তম— প্রকৃতিগী মদ থকপদ মাইদ নোকই অমসুং মওং মতৌ নিংথিবদ মাইথোং বাঙাং থরথব কাইবপ তৌব মচৎকী মথোই কাবদ ওই।

মধ্যম— প্রকৃতিগীদন চোকথব, তথক্-তথক্প মিং পাঙ্গোম্ চোকথব, নিংব কাইব ওইন ইন্থোকপ হুনদোকপ অমদি চংপদ ইংথদবদ ওই।

অধম— প্রকিতিগীদা নিংশিংবদ মাংথিব বাগল, চংপদ ভমদব (লককলকক্) ওইব বাঙাং কাইব লুম্ব, তিনশিংপ ওবন-চিংবদগী অভিনয অতু তৌগদব ওই।

৬। শ্রম— (চোকথব রাব) অথাপ্প, চংপ, নোম্ খোংপ অমসুং থবক ইনথাংদ হোংনব অসিনচিংব বিভাবতগী পোকই।

অভিনয়— হকচাং নম্থেকপ, নোইহংপ, স্বর — হোন্ব, হকাম্ চন্ব, খোং তপ্ন থাংব, মাই শুপ্চিন্ব, মিং মিচী শুপ্চিন্ব শ্বব ফুইন শি শি লাওব অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

৭। আলস্য (তংনব)—অরাব, লাইথুং, পুক্নংব পুক্নংবী, চোকথব, অমসুং শোকপ (পেংগাই খোংকাইব) দগী, মুপি অমদি অতোপ্পশিংদগী পোকই।

অভিনয়— থনব গাম্বগী মথৌ, প মদব, ফম্ব, হিপ্পনচিংবদ লৈব অসিনচিংবদগী অভিনয় তৌগদব ওই।

৮। দৈন্য (তোম্বব)— অরাব অমসুং, থমোই চাকপা অসিনচিংবদগী পোকই।

অভিনয়— তপথদব, কোক্ চিকপ হকচাং লুম্ব, মীগী খল্লুব, বুদ্ধি মাংব অসিনচিংবদগী উৎকদব ওই।

৯। চিন্তা— ভৌব ভম্ব শক্তী অদুদগী লৈখা তাখ্রব অপাম্ব পোৎ, অমসুং চান্নবশিংগী মরল মথুম্ মাংথীব লাইরবগী মওং মতৌ অসিনচিংব বিভাবতগী পোকই।

অভিনয়— স্বর চাওন শাংন হোৎন্ব, নিংশিংব হোৎনব, মাই লুকথদুনা থন্ব, পাঙ্গল শোম্ব অসিনচিংব অদুদগী তৌগদব ওই।

১০। মোহ (ভকপ)— থংহৌদন খুদোংথিব, অরাবদ, নারবদ, কিরবদ, মিপাইবদ, মমাংঙৈগী য়েক্লবব্ নিংশিংব অসিনচিংব বিভাবতগী পোকই।

অভিনয়— চেষ্ট লৈতব, লৈয়বদ, লৈবাক্ত তাব, তুরোই ভারোই তৌব, নিংথিন উব ফংদব অসিনচিংব অনুভাবগী তৌগদব ওই।

১১। স্মৃতি (নিংশিংব)— মুঙংাইব অমদি অরাব নিংশিংবব্ থংনগনি, অদুম্ব মশাকব তুম্ব কাইরকপ, মাম্নব পোৎ অমদি মীনচিংবসু উব, মওং মতৌগী রাঙাং থম্ববনচিংব বিভাবতগী পোকই।

অভিনয়দি— কোক্ হায়ব, মথাদা য়েংব অমসুং পিগুম্ মথক্তা ইংথৎপ অসিনচিংব অনুভাবতগী ওইগনি।

১২। ধৃতি (ইংব) অথৌব, জ্ঞান, নিংশিংব মরন্ মথুম্ নিয়ম নিংথিব, গুরুভক্তী পুক্লিংগী অপাম্ব অর্থগী মরু ওইব ফংব, কাম্নব অসিনচিংবদগী পোকই।

অভিনয়দি— ফংকম্ থোকপদগী ফংবদ, অমসুং মাং তাকৃখ্রব বিষয়শিংগী মফম্দা থোইন চিন্তা তৌদব অসিনচিংব বিষয়শিংগী অনুভাবতগী তৌগদব ওই।

১৩। ব্রীড়া (ইকাইব)— মতিক চাদব থবক্ অমসুং গুরুশিংগী মফমদ ওন্ন তৈনব লমচৎ, সনমান ওইদ্রব, রাশক্ ঙাকপ ঙম্দব, মতুংদা নিঙশহৌদব অসিনচিংব বিভাবশিংদগী পোক্ই।

অভিনয় তৌগদব— মাই লোংপ, মাই লুকথরতুন খনব লৈমাইদ ইব য়েকপ, ফিশিং অনদি খুদোপ্শিংবু শোকপ পাইব, খুজিন্ চিকথৎপ অসিনচিংব অনুভাবতগী তৌগদব ওই।

১৪। চপলতা (ইথক্ থকপ)— শাওব, য়েক্লব, খাংতুন লৈব ঙমদব, কলকপ চাকপ, অতোপ্পগী মিচং (য়েক্লব) অসিনচিংব বিভাবশিংদগী পোক্ই।

অভিনয়— রাঙাং মুশি হৈতুব, চৈহৎপ, হাংপ পুন্ব, য়েথাইব ফুব থাব অসিনচিব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

১৫। হর্ষ (হরাওব)— পুক্নিংগী অপাম্ব ফংব, মুশিনবশিং উনব, পুক্নিং পেনব, লাই গুরু, নিংথৌ অমসুং মপুশিংগী মুংঙাইব, চাব থকপ ফিরোল্ লল্নচিংব ফংব বিভাবশিংদগী প্যোক্ই।

অভিনয় (উৎকদব)— মিং অমদি মাই নিংথিহনুবদগী ঙাংব রাহৈ, কোন্নব হরাওন, তুচংব পিতাবা অমদি হুন্নাং লৈরিক থোকপনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

১৬। অবেগ (পুক্নিং লাংব পাম্থৎপ)— ওইন্নব রাঙ নোং তাব, মৈ, শামুনা য়েংলোম্ মাইরোম্ চেনব, চান্নব অমসুং চান্নদব নিংশিংব য়েক্লবনচিংব বিভাবশিংদগী পোক্ই। অবেগগী অভিনয় মথক্ত নিপান্নী।

১। অভিনয়— শংঙাইসেন পাইব, নোংথাং কুপ্প, ব্রজতাব, নোং-মুংশিংকী অকনব, মুমিং, থাগী গ্রহন লাকপ, কেতু উব অসিনচিংব অরেগগী অভিনয় তৌগদব ওই।

২। অমদি— হকচাং পুম্নমক্ চোকথব, পুক্লিং ময়েং তাব, মাই মকৃশিনব, কাইনব অমদি ওকপ অসিনচিংবদগীসু তৌগদব ওই।

৩। মিং নোইব, ফিশেম্ব কম্ব চংপ, হকচাং থুপ চিন্‌ব লৈফম্ থিবনচিংব, মুংশিংতগী পোকপ অরেগগী অভিনয়বুসু থংনগনি।

৪। মিংশিংদ মৈথু চংব হকচাং থুপ চিন্‌ব, হন্দোকপ অসিনচিংব মৈথুদগী পোকপবুসু তৌগনি।

৫। চেন্‌ব, হন্দোকপ, নিক্‌প, য়ুম্বীগুম্ লেম্ব, তুংদ য়েংব অসিনচিংবদগী শামুদগী পোকপ অভিনয়বু অরেগগী থংনগনি।

৬। হকচাং পুম্নমক্ কোন্‌শিনহুনা লেপ্পদগী পিতাব তুচুংব অসিনচিংব পাও তাবগী অভিনয়সু তৌগদব ওই।

৭। লৈবাক্ত ওন্‌ব চেন্‌ব কপ্ লাওবনচিংববুসু নোংনচিংব তাবদগী অরেগগী অভিনয় তৌগনি।

৮। য়েক্লবদগী পোকপ থুদক্ত তুংদ হেক হন্দোকপ শামু শগোম্ দোলাই তোংব, থাংতা চুংগোই কবচ লিংপা থোং-শংবনচিংবদগী অরেগগী অভিনয় তৌগদব ওই।

অসুম্ব মখল্ নিপান্‌গী অরেগগী অভিনয়বু হায়রে। মখাদা উত্তম, মধ্যম, অধ্যমগী হায়রক ই।

উত্তম, মধ্যমদা— নিপা ওইবশিংগী অরেগবু ধৈর্য (অতপ্প) দগী পোকই।

অধম— অতোন্‌বশিংগীদি তুংদ চেন্‌ব হন্‌দোকপন চিংবদগী ওইগনি।

১৭। জড়তা (পঙ্থব) থবক্শিংদ কান্নদব, ওন্নব, খেন্নব, অপান্ন পামদবশিংবু তাব, অমসুং য়েংব, লাইথু, লাইথুংনচিংব বিভাবতগী পোক্ই।

অভিনয়— তুমিন্ন লৈব, সয়দব ৱাহৈ, ৱাঙাংদব, শক্তী লৈতব, খঙ্ব মুংবংনন লৈব অসিনচিংবদগী তৌগদব ওই।

১৮। গর্ব (চাওথোকপ)— তৌবঙ্গ শক্তিগী মশক্ মথোন্ কারকপ, মহৈ পাঙ্গন অমদি লল, কান্নব ফংব অসিন-চিংবদগী পোক্ই।

অভিনয়— নিংব কাইব, মু শি হৈতব, পাওখুম পিব, ৱাঙাংদব, হকচাংশিংদ য়েংব, ওকপ নোক্খেব মু শি হৈতব ৱাঙাং শুক্রশিংদ করেম্নব, ৱাঙাংশিংবু ককথংপ অসিনচিংব অনুভাব-শিংদগী তৌগদব ওই।

অতোন্ব নিপাশিংগীদি মিং অমদি হকচাগী মচংতগী তৌগদব ওই।

১৯। বিষাদ (অৱাব)— থবক্ ফংদব অমনা য়েক্লবগী মাইগৈ, লাইবব ওইবদগী অৱাব অসিনচিংবদগী পোক্ই।

অভিনয়দি— উত্তম অমদি মধ্যমগী বিষাদগী অভিনয়দি— মতেং পাংবদগী মাইকৈদ থন্ব, মথোন মাংব, পুক্নিং ময়েং তাব অমদি মুংশা স্বর হোন্বনচিংবদগী তৌগদব ওই।

অমসুং অধমন ওন্ন তৈনন চেন্ব কাইনবগী মাই মক্শিন্ব লুকথব চিন্বান্ লেকপ, তুমনিংদব, মুংশাস্বর হোন্ব, অৱাবগী ধ্যান তৌব অসিনচিংবদগী তৌগদব ওই।

থবক অমসুং কাওব ঙমদব, হুরান্বদগী পুন্ব নিংথৌন, চিংবদগী লাল্লুব, লল থুম্গী অৱাবদগী কাইনব অসিন চিংবদগী তৌগদব ওই।

২০। উৎসুকা (খোইরাংব)— মুংশিনবন চিংবদগী কাইনব, নিংথিব লৈকোন্ উব অসিনচিংব বিভাবশিংদগী পোকৃই।

অভিনয়শিং— মুংশাম্বর শাংন হোন্‌ব, মাই লুক্ত রাখল তৌব, হিয় তুম্ব অমুম্ব রাখলশিংদগী তেংগদব ওই। চান্নব-কাইনবগী নিংশিংব খোইরাংব কোংদোকপ, হকচাংগী লুমথবনচিংদগী তৌগদব ওই।

২১। নিদ্রা (তুম্‌নিংব)— পাঙ্গল সোন্‌ব, নোম্ব, চোকথব ময়াই কাব, অতন্‌ব রাখল, য়াম্ন চাব অমুম্ব বিভাবতগী পোকই।

অভিনয়— মাইগী অরুম্ব, হকচাং য়েংব, মিৎ লৈয়ব, হকচাং হায়ব, হক্কাম্ চনব, স্বর চাওন হোন্‌ব চোকথব, মিৎ খুজিন্‌ব অসিনচিংব অভিনয়বু তৌগদব ওই।

২২। অপস্মার (সারৈ)— লাই, যক্ষ, নাগ, ব্রহ্ম রাক্ষস, ভূত-প্রেত অমদি পিশাচ অসিনচিংবদগী অরাব নিংশিংব, লুখাক্ চাব, লমহাংদ লৈব, শেংত্রব, মতম্ নাইত্রব লৈনা লাইথুংনচিংব বিভাবতগী পোকৃই।

অভিনয়— থমোই নিকপ, চোংব মুংশাম্বর ফুইন হোন্‌ব, চেনব চোংব, হুমাং কাংব, য়ুঙ্খীগুম্ন লৈব, মাই লৈথোক্ লৈশিন্, চিনবান লেকপ, অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই তুব, জ্ঞান মাংব চৌগৎতুনা চৎপনচিংদগীসু উৎকদব ওই।

২৩। সুপ্ত (তুম্ব, তাব)— পঙ্খব ইন্দ্রিশিং মরমদগী ওইব, চাবনচিংব, লৈবাক্ত তুম্ব, তাব; হকচাং শন্দোকপ, হকচাং কোন্‌শিন্‌ব অসিনচিংব বিভাবতগী পোকৃই।

অভিনয় তৌগদব— মুংশাম্বর থবেৎ থবেৎ হোন্‌ব, হকচাং চোকথব, মিৎ খুজিন্‌ব, ইন্দ্রি পুন্নমকী ওকপ অমদি মংদ চোইরোন পারোন ঙাংব অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

২৪। বিবোধ (খংব)—তুম্ব কাইব, মংলোইবকপ অয়াকপ মখোল, ভাব, শব্দব, অসিনচিংব বিভাবতগী পোক্নই।

অভিনয়— হক্চাম চন্‌ব মিং লোইব, অমম্বং তুম্ব কাইব অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

২৫। অমর্ষ (খাঙমদব)— বিদ্যা তৌব ওম্ব শক্তী অথৌব পাঙ্গলদা য়াম্ন হেন্‌ব, ইম্থোকপ, ইকাইবনশিংবদগী পোক্নই।

অভিনয়— কোক্ হায়ব, খ্মাং খোকপ (কাংব), মায় লুকথব খাথল তৌব নিংশিংব, ওত্তম হোৎনব, উপায় থিব অসিনচিংব অনুভাবতগী তৌগদব ওই। অমদি সভাগী মাযাক্ষদ তৌব ওম্ব শক্তীদগী হন্‌দোক্পনচিংব অনুভাবতগীসু তৌগদব ওই।

২৬। অবহিংথ (লোৎপ থুক্ক)— তুমিন্ন নৈব, ইকাইব কিব, মাইথিব, চাথোকপ অমদি মিনম্ব অসিনচিংব বিভাবশিংদগী পোক্নই।

অভিনয়— মাডাং অতোম্প, য়েংব, মাঙাং কাইব, অমদি শেন্‌শাব, তপ্‌থব, অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

ধৃষ্টতা (ইকাইব নাইদ)— ওইব, মিনম্বশিংদগী পোকপ অবহিংথ ওইব (অকিবগী মশক) অদুগী অভিনয়গী চিন্তা তৌবদ, পাওখুম্ পিবদা, য়াম্ন হন হন্ন হায়জব অসিনচিংবদগীসু তৌগদব ওই।

২৭। উগ্রত (অকিব মতৌ)— হুয়ানব কাব নিংথৌগী মফম্‌দা লংজব, ওইদব ভাংব অসুম্ব বিভাবশিংদগী পোক্নই।

অভিনয়— হাংপা পুন্‌ব, নৈব পুনব, অসিনচিংব অনুভাব-শিংদগী তৌগদব ওই।

২৮। মতি (পুক্নিং)— শাস্ত্রশিংগী খাথল অতোম্প বিষয়দা থন্দোক্ থন্‌জিন্নজিংব বিভাবশিংদগী পোক্নই।

অভিনয়— শিন্তুশিংগা পাওতাক্ পিথ, অর্থ মন্নি লৈবর অরেম্ অমদি চিংনর তাকপ অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

২৯। ব্যাধি (লাইনা)— বাত, পিত্ত, কফশিংগী লৌকপ ওইব অরুম্ লাইহৌনচিংবদগী কো'দোক্লকপ জ্বরগী মথক্তা অসিগীদগী নিংথম্লদগী শাবদগী ওইব মতৌদগী ওই।

অভিনয়— নিকপ, হকচাংগী শরুকশিং, চিংশিন্‌ব, থুমী, মৈগী মাথক্তা তুজংব, থদাং নিকপ, মাতৌন্ চিংশিন্‌ব, থুপ্-চিন্‌ব, শন্দোকপ, লাওথোকপ, মাই মকশিন্‌ন কপ্ লাওব অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই। শাব, চাক্প, লৈনাগী থোং খুং কাওব লৈবাক্ত ওন্‌ব, তেন্‌শিন্‌ব লাও থোংব কপ্প অসিনচিংব অনুভাবতগীমু তৌগদব ওই। অসিদগী হেন্‌দোকপ থিং মাই য়েংথলোম্ মাইরোম্ মরেং তাব, থুপ্‌চিন্‌ব য়ুম্বীগুম্ন লৈবা অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী তৌগদব ওই।

৩০। উনমাদ (ঙাওব)— মরুপ কাইনব, লনগৈ মাংব শোকপ পন্‌ব বাত, পিত্ত কফ লোক হুংশিংকী লৈমাগী হৌরকপ অসিমচিংব বিভাবগীশিংদগী পোকই।

অভিনয়— মরম নংতন নোকপ, কপ্প লাওব, মরিলৈনদব, হিপ্প, কপ্প, হৌগংপা চেনব, জগোই শাব, ইশৈ শকপ, লাইরীক্ পাব থিবনচিংব অমসুং উং রাই তৈশিন্‌ব, অমোং অকাই নাপিশিংবীনচিংব শারব, চক্ষু চেগাইশিংন লৈতেংব অসিনচিংবদগী অভিনয় তৌগদব ওই।

৩১। মরণ (শিব)— থংহৌদন শোকপ, থেংব, মশাগী লৈনা, পুক্কী লৈনা, পুক লেংব, অথোব খুলাইনচিংবদগী মরণ (শিব) বু পোকই। বাত, পিত্ত, কফশিংদগী মাই মিং পোক

অরুম্ লাইহৌ পুরুচংপ, লোক্ মুংশিং শিংদগীমু ওইরীব (লাইথুং) মগী পোকপবু (ব্যাধি প্রভাব কৌই। থুলাইন শোকপ লিল মহুপানবশিংন পোকপ, মু থকপ, শাহিং চাব শাসিংদগী, দোলাই-নচিংবশিংদগী থংহৌদন শোকপগী মরণ (শিববু) অভিঘাতজ কৌই।

অভিনয়— অসুস্থ ব্যাধিদগী ওইরকপদ হকচাংগী অরাবদগী মওং মতৌ হোৎনব ঙম্লক্রব, মিং থুমজিন্‌ব, থগোকপ মুংশাম্বর চুমদব, মাগী মিবু মশক থংলক্রব। মরোন মরি থংদবনচিংববু তৌগদব ওই।

থুংলাইম শোকপদগী ওইব, মহু পান্‌ব, শা-সনগী শোকদগী থুদক্ত লৈমাইদ তুব, নিকপ চোংবনচিংব তৌগনি। অসিগুম্ব হুগী ওইব চিকপ থকৃপনচিব অসি নিপানগুব অয়েগ থংনগনি। মহুদি শোয়ব, তথক তথকনিকপ, চাকপ, থগোকপ, কোঙ্গোন্ কাব, ঙকৃথেকপ, পংথবদগী মরণ (শিব) মথল নিপান অসি হুগী ওইব অয়েগগী মকম্‌নী অসুম্ থংনগনি। অহানবদ য়াব, অনিশুবদ নিকপ, অহুম্‌শুবদ চাকপ, মরিশুবদ থগোকপ, মঙা শুবদ কোংগোন কাব, তরুকৃশুবদ লেংজুম্ থেকপ, ঙকথেকপ, তরেৎশুবদ পংথব নিপানশুবদ শিববু তৌগদব ওই।

৩২। ত্রাস (মিপাইব)— নোংথাং কুপ্প অর়ংব থাকপ তাব (বজ্র তাব) মুংশিং কন্‌ব, শাশিংগী খোলাও অসিনচিংব বিভাবতগী পোকৃই।

অভিনয়— হকচাং থুপচিন্‌ব, কোনশিন্‌ব, তথক্ তথক্ নিকপ, য়ুম্বীগুম্বা মওং, তুজুংব কপ্প লাওব, অসিনচিংব অনু-ভাবতগী তৌগদব ওই। অমদি মাই মীৎ থুজিন্‌নবচিংবদগীমু তৌগদব ওই।

৩৩। বিতর্ক (য়েংনব) খন্দোক্ খন্জিন নৈনবনচিংব বিভাবশিংদগী পোক্ই। মসিগী অভিনয় মখল মখলগী বিচার তৌগদব ওই।

পাও শন্দোকপদ, লেংদব মতৌদ, অথুপ্প ৱাঙাংবনচিংবগী মশক অমসুং নৈনব ৱাখলনচিংবদগী তৌগদব ওই, কোক্নিকপ, পিশুম্ থেকপদগীসু অভিনয় তৌগদব ওই।

হায়খ্রীব '৩৩' শুব ব্যভিচারী ভাবশিং অসিগী মকম্ মতম্ অতুগী তুংইন্ন উত্তম, মধ্যম, নীচনচিংবগী ৱাখলগী মতিক চাব তশেংন থংলব মীশিংন কয়ামুক শেমগদববু মতিক্ ওই।

মতাং অসিদ ব্যভিচারী ৩৩ গী লোইরে।

স্বাত্বিক ভাব (অশেংব নিংথিব ভাব) শিংগী ওইব (মখল নিপানগী)

(১) স্তম্ভ, (২) স্বেদ, (৩) রোমাঞ্চ, (৪) স্বরভেদ, (৫) বেপথু, (৬) বৈবর্ণ্য, (৭) অশ্রু অমসুং (৮) প্রলয়।

(১) য়ুম্বী মতৌ, (২) হুমাং কাংব, (৩) তুচুংব, (৪) স্বর কাইব, (৫) নিকপ, (৬) কুচু ওনব, (৭) পিতাব অমসুং (৮) মাংতাকপ।

১। স্তম্ভ— হরাওব, কিব, ৱাব, ঙকপ, কাইনব, শাওব অসিনচিংবদগী পোক্ই।

২। স্বেদ— শাওব, কিব, হরাওব, ইকাইব, ৱাব, চোকথব, নাব, চাকপ, শোক্পনব, শাজেন্ শানব, নোইথাইবনচিংবদগী পোক্ই।

৩। রোমাঞ্চ— হরাওব, শাওব, অমদি লৈনানচিংবদগী ওই।

৪। স্বরভেদ— কিব, হরাওব, শাওব, পঙথব, মুংশি হৈত্তব, লাইনা, মদ (ময়াই কাব) নচিংবদগী পোক্ই।

৫। বেপথু— হংলব, কিরব, হয়াওব, শাওরব, শোক পন্‌ব অমসুং পঙথব অসিনচিংবদগী পোকই।

৬। বৈবর্ণ্য— ইংলব, শাওরব, কিব, চোকথব, লাইনা, অমাংব, পাপনচিংবদগী পোকই।

৭। অশ্রু— মুংঙাইব, খোইরাংব, মৈথু কাজল-(কাজল থাব) হক্কাম্‌ চন্‌ব, কিরব, রারব, মিৎ কুপ্পুন য়েংব, ইংলব অমসুং অনাবনচিংবদগী পোকই।

৮। প্রলয়— চোকথব, রান্থব, ময়াইকাব, হিপ্প, শোকপ অমদি ঙকপ অসিনচিংবদগী পোকই।

মথক্ত উংথ্রীব সাক্‌ ভাব মখল নিপান্দুগী কোন্নব অভিনয় ইংলকই।

১। অভিনয়— স্তম্ভ কবিস্ত খংদ্রব, হোৎনবগী মহম্‌ লৈত্রব, লেংদব, পংথব, হকচাং ফাক্কিল্লকপদগী তৌগদব ওই।

২। স্বেদ— (অভিনয়) হুমাই পাইব, হুমাং তৈথোকপ, মুংশিং লাংব পাঙ্গগী মতৌ মওংবু তৌগদব ওই।

৩। রোমাঞ্চ— (অভিনয়) হকচাংশিংদ হম্ন হম্ন তুচুং-লকপগী যিবেপ্‌ ওইব খংননব অমসুং হকচাং শোকপদগী তৌগদব ওই।

৪। স্বর ভেদ (অভিনয়)— স্বরগী তোঙানব ওইরকপ (কাইরকপ) থক্‌ থক্‌ চিংবদগী তৌগদব ওই।

৫। বেপথু (অভিনয়)— থক্‌ থক্‌ নিকদগী ফোংদোক্লপ অভিনয়হু তৌগনি।

৬। বৈবর্ণ্য (অভিনয়) শিংগী শোন্‌বগী মরম্‌দগী মাইথোং মচু ওন্‌বগ লোইনন অশোন্‌বগী ঙম্‌দব মতৌ অহুবু তৌগদব ওই।

৭। অশ্রু (অভিনয়)— পিশিংগী তৈথোকপ অমদি মিংতগী পিশিংবু মতুম্ মতুম্ চেন্তব অমসুং তাবদগী তৌগদব ওই।

৮। প্রলয় (অভিনয়)— করিমতা লাকৃশিন্‌ব শমত্রব বাখল লৈত্রব নিকপ হায়ব য়াওত্রব, হুংশাম্বর শমত্রবদগী লৈবাক্ থক্ত ভুরবন্‌চিংবদগী তৌগদব ওই।

অসুম্ব মথক্ত মহামুনি ভরতন তাকৃখ্রীব '৩৩' ব্যভিচারী ভাব স্থায়ীভাব নিপান্ '৮' অমসুং সাত্বিক '৮' তিশিন্নবদ ৪৯ অসি ওই। শৃঙ্গারদ আলস্য, উগ্রত, জুগুপসা, অহুম অসি লৌকথোকখ্রবদি '৪৫' তা মডাইরে মবমদি শৃঙ্গার মফমদা হায়খ্রীব অসি *আলস্য, *উগ্রত, *জুগুপসা, অহুম অসি শৃঙ্গারদ যাওব য়াদবদগী (লৌদবদগী) '৪৬' তা মডাইবনী, অমনা স্থায়িভাব (শান্ত রসকী) সম ভাব কা থাববদি ৪৭ ওইরে, আলস্য, উগ্রত জুগুপসাগ থারগদি ৫০ শুই অহুম থংনগদব ওই।

'রস ভাব ব্যবস্থ'

শৃঙ্গার রসতা *আলস্য (অতন্‌ব), উগ্রত (অথিব) *জুগুপসা (তুকচব) ভাবশিং অসিবু থাদোক্লগ অতোপ্প ভাব শিংগী মতুং ইন্ন তৌগদব ওই।

হাস্য রসতা — সেন্দ্রব, চিংনব, কলকপ, চোকথব, তথকৃপ, তুম্ব, তুমনিংব, লোলপ ভাবশিং অসিদগী মতিক চাগদব ওই।

করুণ রসতা বিশয পামদব, বাখল, রাম্বব, চোকথব, পিত্তাব, পঙ্থব, শিবা, লাইখুং অসুম্ব প্রয়োগপু তৌগনি।

---

*জুগুপসা, আলস্য, *উগ্রত য়াওখ্রে মথক্ত য়েংবীগদব ওই মহুগী অর্থশিং।

রৌদ্র রসতা— চাওথোকপ, কলকপ, ময়াই কাবা, থৌনা, খোইরাংব, শাওব, তৎক্ কথকপা অমদি মুংশি হৈতব ভাবশিংগী প্রয়োগ তৌগদব ওই।

বীর রসতা— ঙক্তব থৌনা, পুক্নিংগী ইবাং, উইন্ কন্বদ, হরাওব পুক্নিং, অকম মতৌ ওইব, খোইরাংব অমদি ময়াই কাব, অদুম্বদম্ তুজুংব, স্বর কাইব শাওব কলকপ তপ্প, চাওথোকপ, অমসুং থম্ম নৈনবগী প্রয়োগসু তৌগদব ওই।

ভয়ানকতা— হুমাং কাংব, নিকপ, তুজুংব, শুং শুং লাওব, মিপাইব, শিব অমদি কুচু ওনব অসিনচিংবদগী প্রয়োগ তৌগনি।

বীভৎস রসতা— সারৈ, ঙাওব, রাব, ময়াই কাব, অশিব, ব্যাধি অমদি অকিবনচিংব ভাবতগী তৌগদবসু ওই।

অদ্ভুত রসতা যুম্মীগুম্ম ওইব, হুমাং কাংব, ঙকপ, তুজংব, ইরাং লাংব, পঙ্থব, হরাওব, রাম্বব অসিনচিংবশিংবু প্রয়োগ তৌগনি। অসিগুম্ব রসশিংগী মথলবু চংখোম্ম খংগদব ওই।

মফম অসিদ ষষ্ঠ সপ্তম অধ্যায়গী তিম্নব ব্যভিচারী ভাব অমসু সাত্বিক ভাবনচি বগী মতাং লোইরে। (নাট্য শাস্ত্রগী)।



অষ্টম অধ্যায়

(নাট্য শাস্ত্র)।

অভিনয় মখল মরিগী তাকপা।

অভিনয় মখল মরি শুই মদুদি *অঙ্গিক, *বাচিক, *আহার্য্য, *সাত্বিক।

অঙ্গিকপু – শাখা, অঙ্গ, উপাঙ্গ, অঙ্গুয় খংনগনি।

অভিনয়গী মচাকৃশিং— কোক্, পুক, খ্বাং, খবাক, নাকন, খোং, অঙ্গ পত্যঙ্গ তরুক অসিবু নাট্যদ লেংঙ্গ্রে।

উপাঙ্গ— মিং, পিশুম্, নাতোন্, চিন্, খজায়, খদাং অসি-নচিংববু উপাঙ্গনী।

প্রয়োগ তৌবশিংন *অভিনয়দা সখা অমদি অঙ্কুরবু খংগদবনী। অঙ্গিক অদুগী সখা (শরুক) অদুবু অঙ্কুর হায়ন খংনগদব ওই।

অঙ্গ হারদগী পোকপবু নৃত্য কৌই মসিদি করণদা চংবদ ওই। (করণন তিন্‌বদগী ওই)।

শিরকর্ম (কোক্কী মথৌ)

অকম্পিত, কম্পিত, ধৃতম্, নিধুতম্, পরিবাহিতম্, উদ্বাহিতম্, অবধুতম্, অঞ্চিতম্, নিহঞ্চিতম্, পরাবৃত্তম্, উৎক্ষিতম্, অধোগতম্, লোলিতম্ অসিনচিংব মখল তরাহুম্‌দোই শুই খংনগনি। শিরকর্মবু।

*অঙ্গিক (হকচাং), *বাচিক (ৱাঙাং), *আহার্য্য (লৈতেং), *সাত্বিক (ভাব ফজব), *অভিনয় (উৎপ)।

অকম্পিত—(তপ্পনিকপ) মথক মখা তপ্প নিকপদ, মমিং পাওতাক্ ফংবদ, অমসুং হংবদ, মশাগী ভাব হায়বদ উৎপদ, পুবদ (মথক্ত তোংবদ) শিজিন্নগনি।

কম্পিত - (নিকপ), শাওবদ, নৈনবদ, মুন্ন খংলবদ, রাশকপদ, চৈহৎপদ, নারবদ, (লাইথুংদ) খোইরাংবদ শিজিন্নগনি।

ধুতম—(হায়ব তপ্প), পাম্দবদ, অরাবদ, ঙক্রবদ, খঙ্লবদ, নাকন্ য়েংবদ, নৈতে হায়বদ শিজিন্নগনি।

বিধুত—(থুনা থুনা নিকপ হাযবদ) অই বদ, কিরবদ, মিপাইবদ, অথুবদ, খকপদ, ময়াই কাবদ শিজিন্নগনী।

পরিবাহিত—(নাকন্দ চৎপ মচৎ), সাধনদা ঙকপদ, হরাওবদ, লেংদন নৈবদ, খোইরাংবদ রাখল তোবদ, থাদোকপদ, মুংডাইবনচিংবদ খংগদব ওই।

উদ্বাহিতম্—(রাংগৎপ) গর্ব তৌবদ, নিংশিংবদ, উবদা, অরাংবদ, য়েংবদ, খন্বদ, নিংশিংবনচিংবদ শিজিন্নগনি।

অবধুত—(লুকথব) পাও অমসু কৌবদ, রারী শাবদ, মিংনচিংব শিজিন্নগনি।

অঞ্চিত— কোক অমসুং চিন্ন অঞ্চিত ওইব (থেকপদ) মুপিনচিংবগী অরাবদ, কোক্ত থুং হাপ্পনচিবদ শিজিংগনি, অমদি মান তৌব যন্ত্রীগুম্ন লেংদন নৈবদসু শিজিন্নগনি।

পরাবৃত্ত—(হাযদোক্প) চিংনব পোৎ লৌবদ, তুংলোম্দ য়েংথোকপনচিংবদ শিজিন্নগনি।

উৎক্ষিতম্ – (হাইগৎপ) অরাংবদ খুংলাই কাপ্থোকপনচিংবদ শিজিন্নগনি।

অধোমুখ—(লুকথন নৈব) ইকাইবদ, থুরম্বদ, রারবদ, শিজিন্নগনি।

পরিলোহিত—(তরেং তরেংবদ) হাম্বদ নৈনাদ, ময়াই কাবদ, অইংবনচিংবদ শিজিন্নগনি।

দৃষ্টিনাং নমানি

(মিৎয়েংশিংগী মমিং)।

শৃঙ্গার দৃষ্টি।

হুরাও তয়াম্ অমগুং থোজান্দগী পোকপ, অপাম্ মুংশি মুংভোনগ লোইনব পীগুম্ অমগুং মিংচি মিৎথৎ নিংথিরব অদুবু শৃঙ্গার দৃষ্টি (শৃঙ্গার মিৎয়েং) থংনগান।

হাস্য দৃষ্টি

ক্রোম নাইন মথং মথং মিৎপান্ খুজিন্ব কোইরেং লেংব ংনিক তনিকপ মিংনহা অদুম্ব অদুবু হাস্য দৃষ্টি (নোকনিংবগী মিংযে) বুস্থ কৌনৈ।

করুণ দৃষ্টি

মিৎপান্ চুইথরকপ পিরাংশিংগ লোইনরব। অদুম্ব অৱাবগী মিংনহা অহুন নাতোন্ নাকচিদা হায়থবক্পগী মিৎয়েং অদুম্বছুবু করুণ দৃষ্টি (অৱাবগী মিৎযেং কৌই)।

রৌদ্র দৃষ্টি

তমথিরব থম্মোই কল্লব মুংশি হৈত্রব, শাওরব ঙঙাংনরব মিং লৈয়রব (লৈখৎলকপ) লেংদ্রব মিৎপান্ মিৎনহা পিগুম্ থেক্ থোইরব নিৎয়েংদো রৌদ্ররসতা অশাওবগী মিৎয়েং থংনগনী।

হায়খীব দৃষ্টি (মিংয়েং) নবরসনাসিংব অসিদা মথল কয়াস্থ্ পোকই। মহৃদি শৃঙ্গারদ বিপলব্ধ শৃঙ্গার (কাইনব) শম্ভোগ (থুংনরব), অমদি সাত্বিক ভাব=ঈশ্বরগী মকমৃদ, বাৎসল্য =মচানচিংবগী মকমৃদা ওইব শৃঙ্গার (স্নেহ), অমনা হাস্যদ (হাস্য দৃষ্টিদা) নোক্পগী মিৎদেংদ=স্মিত, হসিত, বিহসিত, উপহসিত, অপহসিত, অতিহসিত অসিনচিংব মথল '৬' মু থোকই মথলশিং অসি মথাদ শুগাইন নবরসকী শুমথৈবু অভিনয়গ লোইনন উৎলকপদ য়েংবিগদব ওই।

বীর দৃষ্টি

শাৎকাইরব (ফোংদোক্লব) নিংথিরব নঙানগী তরু তরুব, তর তরংলব গম্ভির ওইরব মিৎনহা অদুবু চপ মান্নন ময়াইদ মকা লান্ন শাৎলব (নিংথিরব) মিৎয়েং অদুবু বীরগী মিৎয়েংবু খংনগনি।

ভয়ানক দৃষ্টি

ঋাংখৎলগ লেংদ্রব মিৎপান ওইব মকা লান্নব মিৎনহা লংখৎলকপ (লৈখৎলকপ) অদুম্ ওইব মিৎফম্না তিল্লব অকিবগী মশক ওইরব অদুম্ব মিৎয়েংদো ভয়ানক দৃষ্টি (অকিবগী মিৎয়েং) খংনগনী।

বীভৎস

তুক্কচব হঙ্গোইব ওইরদুনা মিৎপান্ মিৎচি খোইজিন্‌ব মিৎনহা তরেং তরেংলব, মই নহৈ পকশিন্নরব পা কাংব (নোকপ-গুম্ব) ওইদুনা অদুগুম্ব তুক্কচবগী মওং অদুবু বিভৎস দৃষ্টি খংনগনী।

অদ্ভুত দৃষ্টি

অদুম পা মতোন্ থুজিন্‌ব অঙকপগ লোইনব মিৎনহা লংখৎপা, মিৎচি তরু তরু লাওথোকপ, (নিংথিন লাওথোকপ) অদুম্ব অঙকপগী মিৎয়েং অদুবু অদ্ভুত দৃষ্টি কৌই।

শান্ত দৃষ্টি

নাতোন্ গুমাংদ নমথরকপ (মথাদ হায়দরকপ) উমথরকপ মিৎপান্ ওইব অদুবু শান্ত ওইব মিৎয়েংনী খংনগনী।

মথক্ত হায়খ্রী রস (দৃষ্টি) শিং অসি বিনিয়োগ উদাহরনচিংব মথাদা য়াওরকখীগনি।

বীর দৃষ্টি অসিগী মখল কয়াবু মথাদ নবরসকী অভিনয়নচিংব অপুন্‌বদুগী উৎলকখীগনী—ধর্মবীর, দয়াবীর, দানবীর নচিংবগী খুদম্ শিং।

স্থায় ভাবতগী পোকপ দৃষ্টি (মিংয়েং)।

স্নিগ্ধ দৃষ্টি—মিংয়াই লাওথোক্‌না মকালাম্ব নিংথিব মুংশিবগ লোইনব পিভাব রতি ভাবতগী পোকপ অদুবু স্নিগ্ধ (মেংলব) দৃষ্টি (রতি দৃষ্টি) কৌই।

হাস্য দৃষ্ট (হৃষ্টি দৃষ্টি)—তয়েং তয়েংব মিংনহা হকচাং মমুংদা নোকপগী মওং উৎপ, উম্‌শিন্‌লদুন থরদং থোইরপ তৌব অদুবু হৃষ্ট দৃষ্টিনী খংনগনি।

দীন দৃষ্টি মিংপান থর হায়থব তরংব মিংনহানা তপ্ন তপ্ন লেংব মিংয়েং অদু শোক (অবাব) মিংয়েং দীন দৃষ্টি (শোক দৃষ্টি খংনগনী।

ক্রুধা দৃষ্টি—লাওথোক্লগ লে'দব, রাংখৎপ মিংপান্ মিংনহা লংথৎপ, থোইরব পিগুম্ ওইব মিংয়েংদো ক্রোধ দৃষ্টি (অশাওব মিংয়েংদ) ক্রুধা দৃষ্টি খংনগনি।

দিপ্ত দৃষ্টি—তরং তরংব শাৎকায়রবগুম্ লেংদহন্‌দুন চংথোর লৈরব মিংয়েং সত্ব গুণবু ওইব মথোনাগী মিংয়েংদো দিপ্তদৃষ্টি (থৌন নাপন্‌গী মিংয়েং খংনগনি।

ভয় দৃষ্টি—মিংপান্ লাওথোকপ, কিবনচিংবগী তয়েং তয়েং চৎলব মিংনহাগী মওংবু ভয় ভাবতা ভয দৃষ্টি (অকিবগী মিংয়েং কৌই।

জুগুপসা দৃষ্টি—খুজিল্লপ্ তৌব মিংপান্ অদুম্বদা মিংনহা অদুসু ওইব পা অদুগী মওংসু ফোংদোক্লকপ থোইরাংব ওইব মিংয়েংদো, হঙোইব (তুরুচব) মিংয়েংবু জুগুপ্সা দৃষ্টি কৌই।

বিস্ময় দৃষ্টি—মকা লায় রাংখৎপ মিংনহা মিংপান্ অনিদা ওইব চপ্‌মান্না য়েংব মিংয়েং অনিদো বিস্ময়দ (অঙকপদ) বিস্ম দৃষ্টি খংনগনী।

(সঞ্চারী দৃষ্টি)

শূন্য দৃষ্টি— মিং নহা মিংপান্ চপ্ মান্নন লেংলাক্ত ইহাং হাংবদ য়েংবদ, মপান্দ নৈখিব, পোংত্তি উব ফংব মিংয়েংদো শূন্য দৃষ্টি কৌই।

শ্রান্ত দৃষ্টি—চোকখবগী রাব্বব মিপান্ অহূ ময়েং তাখরকপ, পকৃশিন্লব, মিংনহা অহুম্ ওইব মিংয়েংদো শ্রান্ত দৃষ্টি (চোক্-থরব) মিংয়েং কৌই।

লজ্জান্বিত— থরদং খোইব পা মতোন্ ইকাইবদগী মিং মথক অহূ নেমথবকপ (মথাদ য়েংথরকপ) অহুদ ইকাইবনচিংবন তিল্লব মিংয়েংহুবু লজ্জান্বিত দৃষ্টি (ইকাইবগী মিংয়েং কৌই।

গ্লান দৃষ্টি—অরাবগী পিশুম্, পা, মিংপান্, ওইব, মিংনহানা তপ্‌ন তপ্‌ন লেংলব পিশুম্, পা মিংপান্ অহূ ইকোম্ কোম্থোক্লবদ মিংনহা অহুনা চংহন্খিব মিংয়েংদো গ্লান দৃষ্টি (হরাওদব মিংয়েং) কৌই।

সঙ্কিত দৃষ্টি - থরদং তরেং তরেংলব অমুক্ত্ব লেংদব থবদ, রাংখপ অহুস্ব তথক্ তথকপ মিংনহা অহুবু চিংনব মিংয়েংদ সঙ্কিত দৃষ্টি কৌই।

বিষাদিনী দৃষ্টি— মিংচি অহু থরদং ওইশিনব মিংনহা অহুনা করিস্থ লেংদব ওইব মিংয়েংদো বিষাদিনী দৃষ্টি অরাবগী মিংয়েং থংনগনি।

মুকুলা দৃষ্টি— থোইদোক্‌ন চাংথোক্‌ন (পোন্থোক্‌না) তংথাই অম ওইন উমুথরকপ মিংপান্ অহুগ মুংঙাইব মকা লান্ব মিংনহা ওইব অহুবু মুকুলা দৃষ্টি (অপোম্বগী) মিংয়েং থংনগনি।

কুঞ্চিত দৃষ্টি— থোইজিললকপ পা মতোন্ অমদি মিৎপান্ খোইথব মিৎনহা নিংথিন খোইব অদুবু অখোইব মিৎয়েং, কুঞ্চিত দৃষ্টি খংনগনি।

অভিতপ্ত দৃষ্টি তরেং তরেং চৎপ মিৎনহা মিৎপাম্ম তিল্লব তপ্প তপ্প চংলব অৱাবন তিল্লব অদুম্ব মিৎয়েংদো অভিতপ্ত দৃষ্টি (অৱাবগী মিৎয়েং) খংনগনি।

জিম্ম দৃষ্টি— চোইথম্বকপ খোইব মিৎপান্ ওইব তপ্প তপ্প খোইন খোইন য়েংব মিৎনহাঃঅদুনা লোংশিনথ্রব মিৎয়েং অদুবু জিম্ম দৃষ্টি (হক্কাম্ চন্‌ব) গী মিৎয়েং খংনগনি।

ললিত দৃষ্টি— নিংথিজন খোইব পিশুম্ ইংখৎপগ লোয়নন নিংথিব মিনোকস্থ ওইব, অপাম্বন তিল্লব মওং অদুবু ললিত দৃষ্টি (নিংথিবগী মিৎয়েং) খংনগনি।

বিতর্কিত দৃষ্টি— লৈখৎলকপ মিৎপান্ অমমুং মিৎনহা অদু মকা লাম্ব ওইদুনা ৱাখল খম্ববগী খন্নব অদুম্ব অদুবু বিতর্কিত দৃষ্টি (নৈনব ৱাখলগী মিৎয়েং কৌই।

অর্ধমুকুল দৃষ্টি— তংখাই অম মিৎনহা কোংদোকপ তংখাই অম উম্‌শিন্‌ব মিৎপান্ হৱাওন তিল্লবগ লোইনব খজিক্কং তরেং তরেংলব মিৎনহা নোকৃফেং তৌববু ওইব মিৎয়েং অদুবু অর্ধমুকুল দৃষ্টি (তংখাই উম্‌শিন্‌ব দৃষ্টি) কৌই।

বিভ্রান্ত দৃষ্টি— মিৎনহা অদু তরেং তরেংলব মিৎপানস্থ ওইদুনা শন্দোক্লকপ, মকা লাম্লবন ময়াই ওইবদো বিভ্রান্ত দৃষ্টি চক্কৃব মিৎয়েং কৌই।

বিপ্লুত দৃষ্টি - মকা লাম্ব শন্দোক্লব অমুক্ত লেংদব ওইব অমুক্ত নেমথব ওইব, চোংথৎতুনা মথকলোম্‌দ লৈখৎপ মিৎনহাদা বিপ্লুত দৃষ্টি (লাংতকনবগী মিৎদেংনী)।

অকেকরা দৃষ্টি— মিৎপান্ পাশিং শম্বব তংখাই উগ্ব অমসুং তরেং তরেংলব মিংনহা অদু অকেকবা দৃষ্টী কৌই।

বিকোসা দৃষ্টি - লাওখোক্নব মিৎপান্ ওইব লেংদন লৈব অদুম্ব মিংয়েংদো বিকোসা দৃষ্টী কৌই।

তাপ্ত দৃষ্টি— মিপাইদুন ইংখৎপ, মথক্ত লৈখৎপ মিৎপান্ ওইব, মিংনহাস্থ ইংখংপ অদুম্ব মথক্লোম্দ নিক্লব মিৎনহা ওইব, কিরদুন মকা লাম্ব (লাওখোক্লব) গী ময়াই ওইব মিৎয়েংদো তাপ্ত দৃষ্টি মিংয়েং খংনগনি।

মদিরা দৃষ্টি ময়াইদ লৈব মিৎনহা মমুংদন শাংকাইরবগুম্ব চোক্থরব মিৎয়েংগী মিংচিদো মদিরা দৃষ্টী (ময়াই কাব থকপগী মিংয়েংনি)।

মধ্যমদ দৃষ্টি — থরদং খোইব মিৎপান্ মিৎনহানা তরেং তরেংলব মিৎয়েং অদুবু মধ্যমদ দৃষ্টী (ময়াই ওইব মদগী) মিৎয়েংনী।

অধমদ দৃষ্টি—মিৎ পাংখোক্ পাংশিন্ লোইনবদা খজিক্তং মিৎনহাদু য়েংবদ উহন্‌ব অমসুং মথা চোম্বব (য়েংথব) অদুবু অধমদ অতোন্‌বশিংগী ময়াই কাবকপগী মিৎয়েংনী।

অমুম্ব মিৎয়েং '৩৬' কী হায়খিব অসিগী কর্মশিং মথাদ হায়রক্নী অদুম্ব স্থায়ী সঞ্চারী, ব্যভিচারীশিংগী বিনিয়োগ শিংবু।

চিন্তাদা, স্তম্ভদা (য়ুম্বীগুম্ব লেপ্প) দা শূন্য দৃষ্টি অদু ওইগনি, নির্বেদ (অরাব বিষয় পাম্দ্রবদ, বৈবর্ণ্য (কুচুওনবদা) মলিন (মকশিম্ব) দৃষ্টি ওইগনি।

চোক্থব, চুমাং কাংবদ, শ্রান্ত দৃষ্টি অদু ওইগনি। ইকাইবদ, বাম্ববদ, বাদুন মঙেং তাথরকপদ গ্লান দৃষ্টি অদু ওইগনি।

চিংনবদা, অরাবদ, তুম্বদা, মঙ্‌মঙ্‌বদ, মুংঙাইবদা, মুকুল দৃষ্টি অদু ওইগনি।

খোইরাংবদ, পামুব্রবদ, থরোইব্রবদ, মিং-নাবদা, ইকাইবদ নির্বেদ অহু শিজিন্নগনি।

চাওখোকপদ, খেংজিন্নবদ, থম্মোই চাকপনচিংবদ অভিতপ্ত দৃষ্টি অহু ওইগনি।

খোইরাং খোইশাওবদ পাংশিল্লবদ অমসুং তল্লবদা জিম্ব দৃষ্টি থংনগনি।

য়াম্ন হৌরাওব শৃঙ্গারদ, মনম্ নম্বদ, হৌরাও ভয়ামবশিং অহু অর্ধমুকুল দৃষ্টি অহুবু তৌগদব ওই।

পুক্লিংন ইন্‌শিন্‌ব, তথক্ তথক্‌লদা কাওখোকপদ বিভ্রান্ত দৃষ্টি অহুবু থংনগ্নদব ওই।

তথক তথকপ, ময়াই কাব, ঙাওব, অরাব তারব শিবনচিংবদ বিপ্লুত দৃষ্টি অহুবু তৌগদব ওই।

য়াম্ন থাপ্‌খ্রবদ, ইকাইনবগী য়েংবদ অকেকরা দৃষ্টি অহুবু ওইগনি।

মিপাইবদ—ত্রস্ত দৃষ্টি ওইগনি।

ময়াই কাব থক্‌প খিবীক্ত মদিরা দৃষ্টি অহু ওইগনি।

তাম্না (মিংনহাগী) কর্মশিং

ভ্রমনং, বলনং, পাতনং, চলনং, সম প্রবেশনম্, নিবর্তনং, সমুদ্‌বৃত্ত, নিষ্কাম প্রাকৃতং।

মথল মাপন্ অসি মিংনহাগী ওইব কর্মগীনী—।

(১) ভ্রমনং—লাওন তথক্ তথক্ কোইন লৈব মিংনহা অহু ভ্রমনং কৌই।

(২) বলনং—খোইন থেক্‌প চংপ অহুবু বলনং কৌই।

(৩) পাতনং—চোইথব (তাথব) অহুন পতনং কৌই।

(৪) চলনং—নিকপ অহুবুনা চলনং কৌই।

(৫) শস্প্রবেশনম— মমুংদ চংশিনবা অদুনা প্রবেশনম্ খংনগনি।

(৬) নিবর্তন— শিংচিদা থম্ব অদুবুনা নিবর্তন কৌই।

(৭) সমুদ্ বৃত্ত— মান্নন রা'খৎপ অদুন সমুদ্ বৃত্ত কৌই।

(৮) নিষ্কাম— মিং চংথোকপ (থোংথোকপ) অদুবুনা নিষ্কাম কৌই।

(৯) প্রাকৃত— মহৌশাগী ওইন লৈব অদুবুনা প্রাকৃত খ নগনি।

(তরা, মিংনাশিংসিংগী বিনিয়োগ শিজিন্নগদব—

ভ্রমনং বলনং উদ্বৃত্ত অসিনা বীর, রৌদ্রদ ওইগনি।

নিষ্কামদসু ওইগনি বীর রৌদ্রদ।

(২) কিবদ নিষ্কাম, অমসুং বলন, হাস্য (নোকপদ) বিভংস (তুকচবদ) প্রবেশনম্।

পাতনং— পাতন অসিনা করুনাদ, অদ্ভুৎত নিষ্কামদ তৌগদব ওই।

প্রাকৃত, নিবর্তনং বুনা শৃঙ্গারদ শিজিন্নগনি।

মিংথোং‌শিংদা চংবগী মখল থব')

সম, সাচি, অনুবৃত, আলোকিত, বিলোকিত উল্লোকিত, অবলোকিত, প্রলোকিত।

সম— চপ্ মান্নব মিংয়েং, সাচি-পাগী মমুংদা মিংনহা খোইব লৈব, অনুবৃত্ত-মশক থংহন্দবগী মিংয়েং, অবলোকিত —থংহৌদনা হেক্ য়েংব, প্রলোকিত—নাকন্ অনিদ হেক য়েংব। উল্লোকিত-মথক্ত য়েংব, অবলোকি-মথাদ য়েংব)।

(তারা পুত মিংনম্বা মিংগানবী কর্ম্মশিং-)

উনমেষ, নিমেষ, প্রসৃত, কুঞ্চিত, সম, বিবর্তিত, প্রস্ফুরিত, বিহিত, সবিতালিত নচিংব মখল মাপনৃনি।

উনমেষ—মিপান্ থাইদোক্লব, থুজিল্লগ **নিমেষ**, ছুম্ লৈববুনা—**প্রসারিত**, খোইরগন—কুঞ্চিত, মশাগী ওইবন সম, মশক্ত লৈবংপন—**বিবর্তিত**, তাথরকপন—**স্ফুরিত**, চোইথরকপন—**বিহিত**, শুপ্ চিনব অহুনা **সবিতালিত** কৌই।

বিনিয়োগ শিজিন্নগদহ।

উনমেষ নিমেষ—শাওবদ (মিংপান্ লাওখোকপদ) অমসুং উমশিনবদ। বিবর্তিতসু শাওবদ (মিংপান্ লাওখোকপদ (প্রোসারিত প্রেসৃত)—অংকৃপগী অর্থ হরাওবদ, পাঙ্গল উৎপদ তৌগদব ওই।

কুঞ্চিত পাম্দব ওইব, অনমূদ, শোক্লবদ, উবদ তৌগদব ওই।

সম— শৃঙ্গারন চিংবদ ··· ··· ··· তৌগদব ওই।

প্রস্ফুলিত— খোইরাংবনচিংবদ তৌগদব ওই।

বিহিত— তুম্ব, রাম্বব, মুংশিং মৈথু অশাব, নোংচুব, হায়জব খিবীক, মিংনাবনচিংবদ তৌগনী।

বিতারিত— থে জিন্নবনচিংব শোকপ নাবদ শিজিন্নগনি।

ভ্রূ (পিগুম্) মখল '৭' কী

উৎক্ষেপ, পতন, ভ্রূকুটি, চতুর, কুঞ্চিত, রেচিত, সহজ মখল '৭' অসি ভ্রূ পিগুম্গীনী।

উৎক্ষেপ - রাংখংপদ, পতন—তাথব, ভ্রূকুটি—খেক্পা (রাংখংপ), চতুর—নিংখিহব, থরদং চাওখোকপ, কুঞ্চিত—খোইরব, রেচিত—অমত্ত ওইন ইংখংপ হম্বব, সহজ—মহোশাগী ওইব, অসিনচিংববু থংনগদব ওই।

বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব)

উৎক্ষেপ—তাবদা, য়েংবদ ওকৃপদ হরাওবদ শিজিন্নগনি।

পতন—খোইরাংবদ তুকচবদ, নোকপদ, মনম্ নম্বদ শিজিন্নগনি।

ভ্রুকুটি—শাওবদ, য়েংনবদ, থওইদবদ শিজিন্নগনি।

চতুর—নিংথিব মিংয়েদ, নৌববদ শিজিন্নগনি।

কুঞ্চিত—লাইবক্ ফব নোকপনচিংবদ ওইগনি।

রেচিতা—জগোই শারকপদা শিজিন্নগনি।

সহজ—ভাব অহু করিস্নু কাইদবদ শিজিন্নগনি।

নাসিকা (নাতোম্) মথল '৬'।

নত, মন্দ, বিকৃষ্ট, সোচ্ছ্বাস, বিঘূর্নিত, স্বাভাবিক মথল '৬' অসিনী।

হন্ন হন্ন নাতোন্ শুপচিনববু নত কৌই, নমথব অহুন মন্দ কৌই, লাওখোকপন বিকৃষ্ট কৌই, নুংশিং চিংশিন্‌ব অহুনা সোচ্ছ্বাস কৌই, খুজিন্‌ব অহুবুন বিঘূর্নিত কৌই, চপ্ মান্নন থম্বা অহুবুনা স্বাভাবিক কৌই।

(বিনিয়োগ শিজিন্নগদব)

নত—তপ্ন তপ্ন শুং শুং কপ্পদ স্বরচিংশিন্‌বদ তৌগদব ওই।

মন্দ — করীস্নু থংত্রব, চিন্ত মথুম্ মরাং হৌব অন্নাবদ শিজিন্নগনি।

সোচ্ছ্বাস—নুংশিব মমম্দা, নুংশাস্বর চিংশিন্‌বদ শিজিন্নগনি।

বিঘূর্নিত—তুক্‌কচয়বদ, খোইরাংবদ, থাংব ওমত্রবদ, তৌগদব ওই।

বিকৃষ্ট—কিবগ লোইনব, অয়াকপ অকন্ব মনম্ স্বর ন্নাংন হোন্বদ অমসুং শাওবদ শিজিন্নগনি।

স্বভাবিক—মহৌশাগী ওইবত্তুদ শিজিন্নগনি।

গণ্ড (চারুং) গী মথল '৬'

ক্ষাম, ফুল্ল, পূর্ণ, কম্পিত, কুঞ্চিত, সম মথল '৬' অসিনী।

ক্ষাম—চোকথব, ফুল—মকালাম্ব,—পূর্ণ-ন্নাংখৎপা, কম্পিত—ফনদোকপ, কুঞ্চিত—শুপ চিন্ব, সম—মহৌশাগী ওইব।

বিনিযোগ (শিজিন্নগদব)।

ক্ষাম-অন্নাবদ, ফুল্ল—হরাওবদ, পূর্ণ—মথৌন অমসু গর্বদ, কম্পিত শাওবদ, হরাওবদ, কুঞ্চিত—শন্নবদ ইংলবদ, কিন্নবদ, অনাবদ, ভুজুংবদ, সম—মহৌশাগী ওইব মওংদ শিজিন্নগনি।

ওষ্ঠ (চিনবান্গী মথল '৬' কী

বিবর্ত্তন, কম্পণ, বিসর্গ, বিনিগূহ, সন্দষ্টক, সমুদ্গগ মথল '৬' অসি ওই।

তরুক অসিগী লক্ষন—বিবর্ত্তন (লৈয়বদ), কম্পন—(নিকপ) বিসর্গ (পোংথোকপদ), বিনিগূহন—(উমশিন্বদ), সন্দষ্ট—(চিক্শিন্বদ) সমুদ্গন (লোইনহুন লৈব)।

বিনিয়োগ—(শিজিন্নগদব)।

বিবর্ত্তন—থোইন্নাংবদ, ইকাইবদ, চৈনাখোন্ ফংবদ তৌগদব ওই।

কম্পন—ইংবদ, লাইহৌদ, শাবদ, জয় তৌবদ থংনগদব

বিসর্গ—হুরাওবদ, মুংশি মুংঙোন্‌গী হরাও তয়াম্ব য়াঙাং শঙাংনচিংবদ শিজিন্নগনী।

বিনিগূহন—অরাব তারবন চিংবদ তৌগদব ওই।

সন্দষ্টক—শাশ্নবদ তৌগদব ওই।

সমুদ্‌গগ চান্নব, মহৌশাগী ওইবনচিংবদ শিজিন্নগনি।

চিবুক (খদাংগী) মখল. '৭' কী

কুটন, খণ্ডন, ছিন্ন, চুক্ষিত, লেহন, সম, সন্দষ্টক, মখল ৭' অসি খদাংগীনী।

(কম—য়াদগী খদাং ফাওববু খংনগনি)।

কুট্টন—(য়া তক্লব) খণ্ডন, (হুন্ন হুন্ন চাওখোকপদ') ছিন্ন—(চিংশিনবদ), চুম্বি • —(লাওথোক্লব, তারকপদা), লেহ —(লৈওংপদ), সম শরদং শেন্‌শাব মহৌশাগী ওইবদ) সন্দষ্টক—(চিনবান্দ য়া'ন চিক্‌শিন্‌ব)'

বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব)।

কুট্টন কিব, নিকপ লাইথু নচিংবদ।

খণ্ডন জব তৌবদ, ওম্বদ য়ারী শাব, চাবনচিংবদ শিজিন্নগনি।

ছিন্ন—নারবদ, শিনবদ, ইংলবদ, শাজেন্‌ তৌবদ, শাওবনচিংবদগী হকচাং শোক খোংপগী তৌগদব ওই।

চুক্ষিত—হকাম্‌ চনবদ, লেহন লেকপদ, শিজিন্নগনী।

সন্দষ্টক—শাওবগী কমশিংদা, সম—মহৌশাগী ওইবদ শিজিন্নগদব ওই।

(মুখরা (মাইথোংগী) মখল '৬' কী)।

বিনির্বিত্ত, বিধুত, নিভুগন, ভুগ্ন, নিবিত্ত, উদ্বাহী মখল '৬' অসি ওই।

বিনিবিত্ত—মাওথোং লৈথোকপদ, বিধুত—লৈথোক্ লৈশিনদ, নির্ভুগন খাই লুকথবদ, ভুগ্ন খজিক্কুং চিংশিন্বদ, বিবৃত্ত (নির্বিত) - চিন্বান্ খাইদোকপদ, উদ্বাহীত—হাইগংপদা, অমুত্ব অসি মাইথোংগী কর্মদ থংনগদব ওই।

বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব)

বিনিবিত্ত - শান্নবনচিংব, থোইরাংব, শাওব, থাংব ওমদব, মুপিশিংগী থরোইনবনচিংবদ থংনগদব ওই।

বিধুত্ত খাম্বদ, মচু নংতে হায়বনচিংবদ,

নির্ভুগন— চি লেম্ব চিংলেম্ম য়েংবনচিংবদ,

ভুগ্ন ইকাইবনচিংবদ, ইজ্জি লাক্শিন্বশিংগী মওংদ, শোকপ-নচিংবদসু অমদি পামদব, মরাং তৌব, নিমন্ত্রণ তৌব, চিন্তা, তৌব-নচিংবদসু তৌগদব ওই।

নিবৃত্ত (বিবিত্ত)—নোকপ, হাব অকিবনচিংবদ থংনগনি।

উদ্বাহিত—মুপিশিংগী লিলাদ (শান্নবদ) গর্ব তৌবদ, চংলো অস্থুর থরোই হারোইনবদ থংনগনি। মুখরা—(মাইথোং) অদিন নিংথিত্রবদ ফজব অভিনয় শরুক ওইদে।

মুখরা (মাইথোং) মথল্ মরিগী।

মুখরা মাইথোংদ মথল '৪' থোক খাইরী—

*স্বভাবিক, *প্রসন্ন, *রক্ত, *শ্যাম, '৪' অসিনী।

*স্বভাবিক নহোৌশা ওইবগী অভিনয়দা থংনগনি।

*প্রসন্ন — অদ্ভুত, হাস্য, শৃঙ্গারনচিংবদ থংনগনী।

*রক্ত—বীর, রৌদ্র, অমসুং করুণনচিংবদ রক্তবু থংনগনি।

শ্যাম—ভয়ানক, বিভৎসদা শ্যামবু থংনগনী।

---

*স্বভাবিক (মহোশাগী), *প্রসন্ন (হরাওব) *রক্ত অশাংবনচিংব মচু) *শ্যাম (শংবান্নব মচু)।

গ্রীব (ভক্‌কী) মথল '৯' নী।

সম, নত, উন্নত, ত্র্যস্র, রেচিত, কুঞ্চিত, অঞ্চিত, বলিত, নিবৃত্ত মাপন্ অসি গ্রীব ভক্কীনী।

সম—ধ্যান, জপ্, অসিগী কর্মদ অমসুং মহৌশাগী ওইবদ তৌগনী।

নত—(লুকৃথব) চিন্ লুকথন, লৈংবদ ৎগদব ওই।

উন্নত—(অৱাংব) থাংগৎপদ, চক্ নাংখৎপদ শিজিন্নগনি।

ত্র্যস্র—(খোইব), লেংজুম্ লুকথবদ, রারবদ নাকন্ য়েংবদ তৌগদবনী।

রেচিত (নিকপ)—নোম্ব শৃঙ্গারবর্ণচংবগী কর্মদ তৌগদব ওই।

কুঞ্চিত (থাইজিনব) উম্‌শিনব, গাঙ্গৎপদ, থৌনী তাকপদ (কনবদ) শিজিন্নগনি।

অঞ্চিত—হাইদোকপ-(চংথোকপ), পুনশিনব শম্নচিংদ অমসুং অৱাংব য়েংবদ শিন্নগনি।

বলিত—লৈথোকপ (থকপ), চক্‌লৈথোকপদ, নাকন্ লৈথোকতুন য়েংবদ শিজিন্নগনি।


নিবৃত্ত (মশানা মশাদ য়ংবদ)—লুকথবনচিংবদ শিজিন্নগনি।


অতুন্ন ভক্কী কর্ম অসি কোক্কী কর্মদসু তৌগদব ওই। মতাং অসিদ নাট্য শাস্ত্র অষ্টম অধ্যায় (নিপানশুব মতাং উপাঙ্গ বিধান লোইরে।

নবম অধ্যায় (মাপনশুব মতাং)) চেনা '৫৪' দ অমসুং দশম অধ্যায় চেনা '৭০' দা মথক্কীদ লৈখ্রে।

থাক।৮শা শায়লগনবা চালোগী ১ থাক্কা ২, ২শা খোংথাং অমসুং খুৎথেক, খোংথাং ৪, খুৎলা ৪শা তই·রেংবগী অম অম শায়লগনবা অই।


















পুংলোন খিৎ অ খেন্‌ না। খিম্‌ খেন্‌·তক বম ঙম অহু বম খোংবগী খুৎতগী শায়লগনা অই।

(অকুইং থনি চেপা ২১৬, ২০২শা থাকমে অগাইনা)

চাপীনিংসিপী অকোবনা নমপান (চুম লেপনম খিবেনকী , শায়লবদনব অই। খোংবগী তপেচুম।

(মাং চৎলগা ঊপৈ তাক্কনবগী খোং)

মথক্কী চানিমগী খোং থইদ খুদক লোইরবা মাত্তেংদ্রেগা খোং-কয়বিং অমি লাক্নি। খুদ য়েংলা মাংদ ফিংখোকপগা লোইরবা (৪) খোং- কয়বা খুৎ য়েৎলোমদা মাইরকপা এহৈ খুদা থকাকা য়েৎন মাংবা থাংনাগা (৪) গী খোংদুনা থাংলোক্পা ৩ গী খোংথক



১ ২





৪ ৩ ৬ ৭, ৮

অনিগী নৈরকনি ৬ কী খোংকথ থাংদুনা অঙুম ৬, ৭, ৮, ৬ য়েৎ ৭ এই, ৮ য়েৎ অঙুম নৈরক্লগা মাং তাংজাম খুৎনা ২(হ) অঙুম লোইরমনি য়েৎকী খুৎ থাদক্দুনা নৈরকপা মাং তাক্কনবা মথং মথং থাক্কনি। মসিগী মরমদ তুগাইন ১৪৯-১৫১ মাঙ্খেনে। ঊপ-নৈগী খুৎ মখাংবা মাইরকানি।


পুংলোন— তাকিন্ খেম—। থিন্ ... । ... তাংবিদ। তাদিসপ্রেখে। তাকিন্ খেৎ— (খে)।

মথাকী খুৎ থংলপকদা নৈপনি লোংখোকপ মমাং ঊপলপ ফিংখোকপ খুৎ — অপগা ৪, নৈরকপদ পতাক মমাং থংলপক।


লোংবৈন উপবৈন মথবাৎ যাৱব খোংকমথনী থবাপীবা খাত্নীব মতমগী খোংকম লাকপি খুৎনাংশিংবা $\frac{২}{১}$ খনিনা লাক্নুন, $\frac{১}{২}$ খোং খুৎ চিংদুনা ৩, ৪ দা লৈথকনী ২ গী খুৎ খনি খনি হাইবৎলক্নুনা লোংথুন কাওবা মতুমগী মথক্তী উপবৈদু তানবি খুৎকম ১, ৩, ৪ শীঙ্গিবাগদগী লৈবৱপা হাইবনবনি।




১




২



৩



৪









(১) ১ ১ (১) ২ ৩ ৪


২ ২ ১ ৪ ৬


লোংবৈন উপবৈনচেমা ২৩১ দা থাবনবে।

কথক

মাত্রা ৮, ১৬ কী শাক্লগদবা


খোং ৫, মাত্রা ৪ না পুৎকৎ অসিদা ঙক নৈকন নৈকন্ন ইমগৎব ওই খোংকৎ অমিদা মাং থিংখোকপা খোং অমত্তং হৎনিক্কপদ ঙকৎ মাং থুং ইমগনি। পুৎ অসি মখল কয়াগী থিংখোক থিং-শিনদ শাক্লগদব ওই। খোংগী খোংকৎ মখাদ অক থাহুমা উৎনি।






মখাগী অক ১, ২, ৩, ৪, ৫. অসিদ শাক্লগদবা ওই। মেখগী অমুক হোৎবা ওইদগী অমুক হোৎ অতুম অতমা অপুনবা শাক্লগদবা ওই। বুং- ধা ধিন্ ধিন্ ধা। ধা ধিন্ ধিন্ ধা। তা তিন তিন তা। ধা ধিন ধা ধিন্ ধিন্ ধা হন্নবা। (খাতেংগে কিটিতাকধা ০) থিগাই অসি লাপনা ভাব মৈনদ।

অক ১; ২, পিবগী নৈরকপা কাওবগী ভিগবা ভিগ থা।
ভিগৎ ভিগীদাৎ নৈব ৩ লক অথুবদি ভিগীদাৎ নৈব থম থম চৎলগ....নৈব..



১



২

ভিহাং থাবীবদু ভাবকনি অথুবদি ওক ওৎপগা লোইবগমী অহুবদি ৩ অনিবগী ৪ অনি ভাবগা নৈগনি। ৫ দা থোং মেৎ ফুং ভাজ্বা নৈরকনি থুং ববকী অসি থবাক্তা লাকনি থবাকথী অনিবা মথক থাদংতুনা থুং অমিন্থ ওৎহোকবগা লোইবগা নৈরক-কনি থাং ভাবকপগা ওইগী থোং থাংলোককনি।



৩



৪

৫ দা নৈগদবা ওই.

ভারত নাট্যম

মাত্রা ৩ দা শারগদবা

মাত্রা ১, ৩, কীখেৎশিংদি শৌজিন্নগনি। পুংলোন অসিন — তুনিতুনি তন —। ধিং তন—। তুনিতুনি থৈ — তৎ থৈ—। হন্না হন্না মেৎতগী অইদগী মখুক হোন্নুনা শারগনি।

অসিগী মতুংদা তন ধিং- তন। থৈ- তন থৈ হন্না হন্না মখল কয়া পুংদা অমত্তং চংগা। কখনচিংবা তনচিংব চংগগী মেচক দা শৌজিন্নগনি।



১



২




৩



৪

কীরেণ অসিদগী থুং ভিংখোকপ মাসিগা লোইবদা ১, ২ খোং অসিগা লোইনবা থোগনি ২, ৩ খোং অাম কাংনিবদগী থা-দগনি। ২ মী মতোঙগী ৩, ৪ দগী লেংকী খোং খয় চংশিনরকপা খোংনিং থাজৎপা অসে ওইগনি ৫, ৪ দগী মতং অসি তাগনি।

মখাগী মতাং অসি ভিহাইদা শারগদবা ওই চুম লেপ্পা মরণাইক ১ অসি শাংকনি অমুদগী ২, ৩ শাকথনি অমুদগী ৩ দা থুংবা হাইরোনকনি, অমুদগী ৯ দা, অসি শাকখনি। মতৌ অমুমনা লেঙগী অমুক ওইবগী অমুক শারগনি।




পুংলোন— তৈ তিৎতিৎ তৈ থৈ ২, মনা মনা, অথুবা তৈ তিৎতিৎ তৈ থৈ তৈতৈ তিৎতিৎ তৈ থৈ তৈতৈ তৈ তিৎতিৎ তৈ থৈ -- অথুবা অসিদমা তৈতৈদা ওই, ৱেৎ, তিৎতিৎ তৈ থৈ ওই, তৈতৈ তৈ ৱেৎ ওই তৈ তিৎতিৎ তৈ থৈ ৱেৎ, অমুম লেঙগী অমুক ওইবগী অমুক থোক্না শারগদবা ওই। (অমোইবনা)

কথকলিগী মওং

মাত্রা ৮ দা শাফপদবা

খিরেপ অসিদগীদুদ থিংখোকপা অসিগা লোয়ননা ১ ব, খোং অসিগ লোইনা হোৎপনি ২ ব, খোং কাংলিবদগী খাদাগনি ১ ব, গী মখোৎতুনা ৩, ৪, দগী হেৎকী খোং থম চংশিনকুনা খোংনিং থাংগৎপা অসি তইগনি ৩, ৪ দগী মতাং অসিতাগনি হন্না হন্না হেৎ অইদবী হোৎনা মাত্রা ৮, ২, গী মথুংদা খোং থাগনি খুৎকী মকথদা থিৎকেং তাগনি।



১




১



২



৩



৪

খুমেলোম্‌— দেৎ — ই তাম। ই তা দেৎ—। হকা হকা তি থাই। দিৎ তাং ই তা। তি ক তকী তিকী। দেৎ দেৎ—দেৎ। — তা তিকী তিকী। দেৎ তিতাবনিনা চোতে অমতুং দৈবনবা তিব পাম-গন্ধ ওই অথূৎ তাননা তিকী তিকী তিকীতিকী তিকীতিকী দেৎ—। (হকা হকা মবনা তাপ তিত তাপতিত তাপতিত তাং—অমুবা মহ মম দৈহুনবী অথোইবন (দৈত দৈত দিৎদৈত তা দে) দিৎ দৈত তা দেৎ, ।০) তিতাবনিং-সিনা চেনব চোতে দৈনকম তিবেব পামগনবা ওই।

ইংলৌবা চানীবী মচা'নিংগী মী মথল কয়া থোক্না লৈরে। মতুং অনিংবি মথংনিং অমু মখং থয়ং চাওরাক্না উৎলে কয়মা অতুপী চেৎনবী থবং।


১

২

৩



৪



৫



৬




৭



৮



৯




১০



১১



১২



(১) গী কিরেপ অসি ডক পাম্বোমগী মচৎ শাগদবগই থুবাক অসি হাইখরপা ফিনক্তক থেকপগী মওং অমসি থোং অসি অসি হাইদোক্লগা থুদনা ঊবাক মখাতাবগদু থেকুনা চোংথনকপগী শাগদবগই।

(২) গী কিরেপতা লোয়েন্নম থুগোমশিংসি থম্বোক তমশিন তৌদুনা শাগদবগই।

(৩) গী কয়কব অসিদা মথংগী ডক্তুংকী শাগদবগই।

(৪) গী কিরেপ অসিনা থুংকব অসিদগী অমুক থম্বোক্নবি। থোংকথনা থোং অমমা অসি অসি থাংবগী মথুংদা।

(৫) গী মওং অসি থুং-থোং, থোং ওইনা তম্দুনা চোংথুনা শাগদবা ওই, থোংপাকপদু লেপথুনা থোবনা থোবনা শাগদবা ওই।

(৬) গী মওং আসিদগী থোংথিনদমলপা নাকদা থোং-থুং হাইদোকুনা চংকদবগই অমদু য়েত ওইনা শাগদবগই মওং অসি চোংবৎপগী হোবা অমাদি কুপনা চেনবনাচিংবদা শাগদবা ওই।

(৭) গী কয়কবসিদনা মকচাং লৈনা লৈনা কয়বয়কপা থোগৎপনা থুংদু য়েৎ ওই শিন্দুনা শাগদবগই।

(৮) গী প্যাথেক আগ য়েত ওইদা শিংম শিমনা চোংথুনা শাগদবগই।

(৯) গী কিবম অসিনা থুং অমিমা থুজোং লৈথুনা কয়বগনী য়েত ওইদা শাগদবগই। থোংকবদু চৎথুনা শাগদবগই।

(১০/১১/১২) গী মওং আসি তাতবগী মওংবা শাগদবগই।

(১৩) গী মওং অসি লৈয়বগী থোং অমদু থুংকববগী মখল কয়াগী শাগদবগই। থোংকব অহানবদা ২, গী মথমা ৩, গীদা থোংকবশিংসি মাং-থুং হেন্দোক থেনাজদদু শাগদবগই। ২, ৩, গী থাদোবা মশিংবা শাগদবগই। মথক্ত ঊৎনোবশিংসি অথংবা তাক অমগী মকমবগী মওং মতৌ অদুগী চাদবা মখল কয়াগী পুংথোকববগই।

শিব বন্দনাভিণয়

আঙ্গিকং ভুবনং যস্য বাচিকংসর্ব বাঙ্ময়ম্

আহার্যং চন্দ্রতারাদি তং নুমঃ সাত্বিকংশিবম্ ।




(১) (২)




(৩) (৪)



(৫) (৬)



(٩) (٧)



(١١) (١٠) (٥)

ত্রয়োদশ অধ্যায়

(তরাথমদোইশুবা)

গতিপ্রকার (মচংশী) (নাট্য শাস্ত্র)।

গতিপ্রকার অসিদা—তাল মরিদি লাইশিংগী অমদি নিংথৌশিংগীনি। তাল অনিনা মধ্যশিংগীনি অধম (অতোনবা) শিংগীনি। মুখ্যশিংগীদসু থংনগনি স্থিত, মধ্য, দ্রুত লোই অহুম অসিবু বিচার তৌরগা মথং অহুম্বা গতি অহুবু তৌগদবা ওই।

উত্তমগী মচংশি খুউ, মাং মায়বদ অমমুং তপ্‌থবদা ওই। মধ্যশিংগীদি হায়রিবা অনিগী ময়াই ওইবদা ওই। নিচ (অতোনবা) শিংগীদি য়াম্না খুগদবা মচং ওই। উত্তমগী= মুদ্ধ (লাম) গী চারীদদি খুউ অহু থবাক থোম্ মথা কাওবা থাক্সংকনী। লাই-নিংথাবরচিংবা চতুস্র তালগী গতি (মচংপু) তৌগদবা ওই।

লাইশি দি দিব্য প্রকৃতিনি। নিংথৌশিংনা দিব্যা মাপুরীনি। লোকতা (মীয়াম্দা) থংনরবা কাওরবশিংদা দিব্যামনুষীনি। লাইশিংগী মতুং ইন্নবা অহুম্বা নিংথৌশিংদো বেদ আধ্যাত্মনি। মতৌ অহুম্বা অহুমা লাইগী মতৌ তম্বদা দোষ লৈতে। অতৈপা খুদোংথীবদা, শাওবশিংদা গতিগী প্রমাণ (চপচবা) লৈতে। উত্তম, মধ্যম, অধামদ কাম তংথাই অমমম থেরন প্রয়োগ তৌগনি।

শাস্ত্রনা প্রমাণ পিরী তালগী অমাম অসি খুংয়াই মতোনগী খুজেং কাওবনু তাল অম হায়দন তালগী মথলশিংগী তথাইন নাট্য শাস্ত্রগী অধ্যায় (৩১) তুবদ য়াওরী।

শৃঙ্গারীনী গতী— নিংথিনা কঞ্জবা পামহন্‌না ওইবদগী পোকপব শৃঙ্গারীনী গতিদো উৎকদবা ওই। তালদি কলা (৪) দা পাম্‌নিংগাই ওইবনা লৈতেংবা নিংথিবা মচৎ, অরোন্‌বা মচৎনচিংবদা ওইগনি।

রৌদ্রগতি— নেপথ্য রৌদ্র, অঙ্গ রৌদ্র, স্বভাবজ রৌদ্র (রাক্ষস রৌদ্র) মখল অহুম লুই।

নেপথ্য রৌদ্র—ঈ তোংলবা হকচাং নেপথ্যদগী ওইবা। অঙ্গরৌদ্র—(পাম্‌বোম্ য়ামবা, মমাই য়াম্‌বা) খুৎলাই পাইবা মশা চাওবা ঈফুল রাইফুল তৈবা।

সভাবজ রৌদ্র (রাক্ষস)— মমিং তা'বা য়োং মান্‌বা শরীর অকিবগী মশক্ ওইবা, অয়াক্‌পা খোঙ্কেলনা চৈহৎপা। হায়গ্রিব-শিংগী মচৎতা তাল মরিগী মগুংদা খোং থাঙ্গৎপা তাল অহুম্‌গী মনুংদা তাথবা মতৌ অস্থুম্‌বা গতিদো (মচৎতু) তৌগদবা ওই।

বিভৎস গতি—তুক্কচবা হঙ্গোইবা, লালদগী ওইব, অশিব অপুম্‌বা মোংফম, লৈমাই অহুগুম্‌বা পামত্রবা মচৎকী মওং, য়েন্না শান্নবদগী কাওনবা খোংথাংশিং অহুনা মথক্ মথক্ কাওনবা ওইবা খোং খুৎশিং অহুবু বিভৎস গতি থংনগনি।

বীর গতি - খোংথাং কাওবনচিংবা মখল মখলগী চারীশিংনা তিন্নবা খুৎলাই থুনা থাবা ফুবনচিংবগী মচৎ মওং তৌগনি।

গতি প্রকার অসিদা মথক্ত য়াওথ্রব রাহৈ কয়াবু য়াওরকই —হস্তকর্ম (মুদ্রা) চারী, স্থান করণ অসিনচিংবশিংগী অর্থনচিংব বিনিয়োগ (শিজিন্নগদব) মরমবু য়াওগ্রীব মকমতুদ য়েংবীগদব ওই।

মসিদা *পার্শ্বকান্ত, *আবিদ্ধ, *সুচীবিদ্ধ ওইনা হস্তম্ অচুগী খোংথা·শিং য়াম্না থুনা কিংনা ভিনবদা বীরগতি অচুবু তৌগদবা ওই। হায়রিবসিংশি উত্তমশিংগীনি।

হাস্য গতি—অডকুপা ওইবা খোঙ্গাং খোইবা থেকৃপনচিংবদা প্রয়োগ তৌগনি।

করুন গতি—খো· লেং খোংংবা তপ্‌থবগী মচংত প্রয়োর তৌগনি। অমসুং পীন থুমহৎপা হকচাং চোক্‌থবা খুং অহ অমুক্ থা·পংপা অমুক থাদবা তৌগদবা ওই। মখোন্ থোক্না কপ্পা ওইবা অৱাবনা তিন্‌বা হকচাং ওইদুনা হক্সং হন্দা চংপা ওইগনি। অসুম্না চংপা মচং অসে অতোন্‌বা জাতি-দগী সুপীনচিংবদসু তৌগদবা ওই উত্তমশিংগীদি তপ্‌থবদা পিসু তাবদা ওইগনি। করুনাদ অশেংবা অথোংপা ওইরোই অৱাবগী খোংথাংদা অমদি :মরুপ্ মপীজানচিংবা শিবদা য়াম্না য়াংবা খোংথাং চংলোই। খুংলাইন' থাবা কান্নদি হিকৃথদুনা পাম্-বোম্‌দা তাদুনা খোংথাং কুপ্পা থা·দুনা চংকনি।

শীত গতি—অয়িংবনা মাইথিহন্‌বা নোংনা চোংপনচিংব-দগী কুপী অমসুং অতোনবশিংগী স্বভাব ওইবগী গতি অচু তৌগনি। হকচাং তাশিন্‌বা, নিকৃপা, থবাক্না খুং থম্বা, নম্ পোন্‌বা, থদাং নিকৃপনচিংবদা অভিনয় তৌগনি।

---

*পার্শ্বকান্ত চারী, *আবিদ্ধ অঙ্গহার, *সূচিবিদ্ধ করণ চারী অমসুং অঙ্গহার, করণ নচিংবা মথক্তা য়াওগ্রীব মকমদ য়েংবীগদব ওই। অসুম মথক্ত কয়াবু তোইন য়াওরকনি।

ভয়ানক গতি—মতৌ অসুম্না শীতগতি অহুবু ভয়ানক গতিদসু তৌরিদবা ভট। মতৌ অসুম্না পাংজবা মুপী অঙাংদসু থংনখনি। খিং লাওথোকপা খিং তুরেং তরেংলবা কোক্নিঙ্পা নাকন্ অনিদা য়েংবা, অথুপা খোঙ্গাং অমত্তুং তৌইনা চংপা অহুগা খুং অনি অহুনা *কপোতকহস্ত ওইহনা (শাহনা) হকচাং নপ্ খিনদুনা খোইনা গোইনা চংপা ইথক্ থক্পা গতিদা ওইগনি। অমত্তুং তুবদনা য়েন্গী মতৌগুম্না খোং কাওনবা খুংশিংসু অসুম্না তৌবগী অভিনয় তৌগনি।

যতী গতি—(লিঙ্গীনাং গতি) যতি (লাইনিংবা) শিংগী তোপ তৌহনা লৈবশিংসু ব্রহ্মচারী ব্রতদা চংহনা লৈবশিংগীসু অসুম্না গতি (মচংপু) তৌগনি। খিং তুরেং তরেং তৌদবা, কাওবা ওইবা পুক্নিং অমত্তু ওইবগী লেংদবা ওইগনি। ময়াই কাবগী কিক্লেং লৈঙেং তুরং তুরুং লেংতবা, সমপাদ ওইবদা অহান্বা চতুরহস্ত শাবগা খুং অহুগী মথুং টম্না অবাবা লৈরনা খোংখাং থাংলিনবা গতি চতুর ওইগনি। হায়ব্দি বা অসে উত্তম লিঙ্গীশিনি।

পক্ষপতানাং গতি—(শা লেন্বশিংগী) কোইচং চংপদা য়াংবনা *সকটাস্ত ওইরবা খোংশিং অহুনা *অতিক্রান্ত শাবগা শা লেন্বশিংগী তথক্ তথক্পগী য়াথ না চংপগী গতিশিংদো তৌগনি।

রথ গতি—সমপাদ ওইবা অহুনা রথগতি মচং অহুবু

---

*কপোতক হস্ত কর *সমপাদ চারী *সকটাস্ত চারী, *অতিক্রান্ত চারী, *অপবিদ্ধ ভুজঙ্গ অমাগুম্বশিংবু য়াওথংব মফমশিং অসুম্না য়েংশবব ওই।

তৌগদবা ওই। মহুদা খুং নাপ্পনা লিকং পাইবা মথ (লোলাই) অহুগী মম পাইবা লাথোবগীনা চুক্তি পাইব অদুদা শুক্লিং চংনা মঙ্গ মণ্ডল অহুদা অথুবা অতপ্পা গতিবু তৌগনি অমসুং বিমান তোংবগী তুংলনী (অয়োনব) মথগী গতি অহুবু তৌগনি। থরদং মাংখংপনা পুষ্পকরূপা ওইবগী অতুংগী এবনা কুম্থরকপা ওইগনি অসুম্না আকাশচারী আকাশ গতিশুং থংনগনী। তাথরকপদা কুমথরকপদা *অপাবিদ্ধ ভুজ ওইদুনা কিনচিংবগী শন্দোক্কা, মিংনা লৈমাইদা য়েংগনী অদুগুম্না অভিনয় অহুবু কুম্থরকপগী থংলগনি।

আরোহ অবতরণ গতি—(কাথং কুম্থগী মচং মওং) মুম-কাখংপদা খোং অহু *অতিক্রান্ত ওইগনি খোং অমনা *অঞ্চিত ওইবা গতিবু তৌগনি। কুম্থবদা কোক্কুনা কুমথবহুগী গতিবু তৌগনি। অসুম্না মুম কাখংপদা ওইবা অদু চাং কাখনসু তৌগনী। চাং কাবদদি কোকু থাক্সংকনী। *অতিক্রান্তা ওইদুনা থাক্সংলবা খোংশিং অহু শূচিবিদ্ধ ওইগনী অমসুং *অপক্রান্তা ওইরদুনা *পার্শ্বকান্ত ওইবনা উদা কাখংপগী গতি অহুবু ওইগনী।

পরিনাং হ্রিয়মানস্থ গতি—ঈশিং তুরেলচিংবদা ঈশিং চাং য়েংদুনা তৌগদবা ওই, ঈশিং লুরবদা ফিজি তাথংকনী মায়া লুবন খুং থাক্সংকনী। ল্যানখোকপদা হক্চাং কোক্কুবা ওইগনী। তাওবদা পামগোম্ অমমম্না ওন্না ওন্না চিংশিন্থা ফিংথোকপা তৌগদবা ওই।

নৌস্থ গতি (হিগী মচং)—খোং অদু কুপ্থং চোইথাং থাংখংহুনা গুক্তি অহুবু ওইগনি।

*অপবিদ্ধ ভুজ অলংহার, *অঞ্চিত, *অতিক্রান্ত, *শূচিবিদ্ধ, *পার্শ্বকান্ত-চারী শাস্ত্রর মরমশিং অঙ্গহার য়েংগদব ওই।

খংগনবা মওং—শায়্ কাটি পাইবা মওংদগী শায়্ খংনগনি, চুক্নী পাইকদগী শগোলবু খংনগনি। শাক্তে পাইবদগী মথবু খংনগনি।

অশ্ববানে গতি (শাগোলগী মচৎ) কৈশাখ স্থান ওইদুনা মতৌ অহুত্তবাদুনা খোং তোইনা খাংদুনা অঙকপা ওইনা মথক মথক্তা তানদুনা (তাদুনা) শগোন্গী গতিবু তৌগনী।

বনগতি (বনদ চৎপ) স্বস্তিককী খোংথাংশিং অদুনা মথক মথক্তা খাংবা ওইদুনা বন চৎপাশিংগী গতিদো তৌগনী।

পাবক্রান্ত ওইবা খোং অদু স্বস্তিক ওইবা খোংনস্থ শিংতনা চৎকনী।

*বিটগতি খোংথাংশিং অদুনা থরদং খোইজিন্নগা য়াম্না খেংনবা খোংলবা ওইদুনা তালগী মথুংদা তাবা ওইদুনা মতৌ অমুম্না থুং খোংগী মতুং ইন্না কটক বর্ধমান হস্ত শান্নগা বিট গতিদো তৌগদবা ওই।

*কঞ্চুকী — চহি মতাংগী মতুং ইন্না কঞ্চুকীগী গতিদো তৌগনি। নহা ওইবশিংগীনা তাল তংবাইদা খাক্তংপা খোংথাং অমদি চুম্ন বিস্কন্ত (অনোইবা) ওইদুনা হকচাং রাংথৎদুনা নৈখোম পকপনা চৎপগুম চৎকনী। অহনগী গতিদ হকচাং নিকপা বিস্কন্ত ওইবা থরগী মওং তম্না তম্না খাংবা খোংথাং ওইগনি। ময়াং কংবগীন্থ তৌগদব ওই মহুদি খোং তম্না তম্না

*বিটগতি=শৃঙ্গারগী সহায়ক (খেংবাংব) ওইবগী মী।

*কঞ্চুকী=কোম্বং মহুংগী শিন্নাংব মী।

বিট, চেট, বিদুষক=শৃঙ্গারগী সহায়কনি য়াম্না তাংব শকপ কাগীনচিংব হৈব অমদি নায়িকাগী য়ায়কবদা হৈনিংব ওইব।

থাংবা গতিদা। লাইথুং লাইন, অমস্তুং তোপ তৌবদা, তোকথবদা খৌরাংবদা অহুগুবা গতিদা খর অহু মতেক্ মতেক্ হোন্দুনা পুকশিংচিন্দুনা চাইকং ময়েং তাদুনা খর হুইন হুইন (হু হু) কাম্দুনা অভোন্‌বগী মিংচেলদা থুং খোং অহু তম্মা তম্মা থাংবা গতি (মচংতো) তৌগনি।

দুরাধ্যান (থাম্মা) ম্মাম্মা থাম্মা চংপা খোং তম্মা থাংবা থুই অনি অতুগা লোইননা হকচাং বাবথুম্ব তৌগনি। স্থূল (অনোইবশিংগী) গতিদা তম্মা তম্মা লুম্ব খোং থাংবদা খর ফুইনা তোনবা, হুম্বাং খোকৃপা ওইবগী অভিনয়দা তৌগনি।

তরুণ মধ্য মত্ত গতি (মম্রাই ওইন মম্রাইকাব থক্‌পগী গতি) ওইপগী খোং অসি লৈহুনা শিংভনা চংপদা ওইগনি খোংথাং পোথাবা লৈতনা চংকনী। কোক্ অহু লৈরহুনা খোংশিং অহু তোইনা তোইনা থাংহুনা মথং মনাও নাইনা অদুম্মা ওইবা মত্তগী গতিদো তৌগদবা ওই।

উন্মত্ত গতি—(ম্রাম তাণ্ডব মচং ' পাম্বোম্ অহু চারীনা তিনহুনা মীগী মতৌতবা অমদি শম অহু কাদোক্লুনা চংপা উকুম্মা তৈবা হকচাং, বা পড়াং তাংবা অমস্তুং মথং মতৌ কয়া কয়া থংহোদনা মীশে হেক্ শকৃপা খোকৃপনচিংবা তৌগদব ওই। অগোই শাবা হুয়াওনা অমস্তুং পুং হেক্ মৈবা, খোংবনচিংবা কবিগুবদা ম্রাংনা হেক্ চেন্‌বা থংনোক্ খোকপ তৌগদব ওই। মকম্ অমদম্ব হেক তুবা, কিজেংনচিংবা কয়া খেংপনচিংব, লম্বেনদ মাগী লৈকম ওইবনচিংব তৌগদব ওই।

অমসুং *নূপুরপাদ ওইদুনা *দণ্ডপাদ অহুবুম চংকনী, অতুদগী স্বস্তিক অহুবুম শারগনী অদুদগী চারীন তিন্দুনা মাইথৈ মরিদা কোইনা চংলগা রঙ্গী চুথেক্তা বাহু ভ্রমর (হৈখোকপ) তৌগনি। অদুদগী ত্রিক অমসুং *লতা হস্ত অহুবু তৌরগা খোং অনি অদুগা লোইনন পুংশিং অদু ওন্না তৈননা চংপা মচং অহুবু তৌগনি।

খঞ্জ গতি—(খোং তেকপ মচং) মথল অষ্টম শুই। খোং নামদি লেংদবা ওইদুনা অমসুং নাম্বনা খোংদোল্ শারগা চংপবু তৌগনী নাম্বাহু য়ায়না হাবা মওংবু তৌগনী।

পাঙ্গো (খোং শেকৃপগী মওং) খোং কোনবা। কৈ নখা ওইবা অদুনা খোংকোনবগী মওংবুস্ তৌগদব ওই।

বামন—হকচাং পুন্নমক্ থুপ চনবা পিকৃশন্দুনা চংলা মচংদো বামন (অনেঙ্গা) মচংকী থংনগনী মহুদ পাঙ্গল কনবগী মওং অহু তৌরোই। খোং ইনখোকৃপা উঙ্গাহিরগ লোইনা খোং কুপথাং থাংবা তাং তৌবগী মওং অদুবু ওইগনী।

*বিদুষক গতি—(কাপীগী মী মচং) নোকৃপা মথল অষ্টম খাইরী অঙ্গহাস্য=হকচাংগী মওংদ নোকৃহনবা, বাকা হাস্য= য়াঙাংদা নোকৃনিংবা। (নেপথ হাস্য কিজেংথু ওইবা মথল, হায়থি বশিং অসিগী চাঙবা গতিদো তৌগদবা ওই।

অঙ্গ হাস্য=চিন্ পোংথোকৃপা, কোক্ হাবং, নম পোন্নবা খোং শেকৃপা অমিনচিংবৰু খংনগনী। কোইবৈ লৈদুনা কোইম য়েংবা উচেক কুম্ন চংপা খোংখাং চৌগাম কানবা অদুমুন্দু থংনগনী।

---

*নূপুরপাদ করণ, *দণ্ডপাদ করণ, স্বস্তিক হস্ত কর্ম, ভ্রান্ত্র মকম অঙ্গ য়েংশনব ওই।

*লতা হস্ত=হস্তকর্ম।

*বিদুষক=হৈশিংব য়াঙাং য়াঙা নোকহনবনচিংবদা।

বাক্য হাস্য—(য়াঙাং নোকৃনিংবা) মরমদু লৈতনা পংঙাং ঙাংবা অচুবু থংনগনী। (নোকবগী য়াহৈ য়াঅ)।

নেপথ হাস্য—ফিজেং (ফি মচেং) সউন, মচেং ইফুল য়াইকুন্ লৈঙাংনচিংবা শংচুনা লৈজেংবগী ওইবা অচুবু থংনগনী। হায়খি্বা মওং মতৌশিং অচু থংলগা গতিগী পচার (মখল কয়া) বু তৌগদবা ওই।

নিচ মলেচ্ছ গতি (অতোনবা, অমাংবশিংগী মচং)—স্বভাবতগী পোক্পা ওইথংব খুং খোইনা নয়া য়েং অচুনা চতুর হস্ত ওইবা অচ্চদগী নাকল্মা খুং খোং কোক্ অচু পুংলোন্ তালগী মতুং ইন্না লুকথচুনা চৎপা অচুবু স্বভাব অমসুং বির্কাজ কৌই। অচুম্বা ওইবা চান্নবা অচুবু থংদবা অচুদগী কংলবগী মচংপু ওইগনী। হায়খি্বশিংসি অতোন্না (নিচ) শিং মিনাইশিংগী মচংকী ওইবা গতিদো তৌগনী। মখল মখলগী হায়খি্বা অসে। (অধম) অমসুং অতোনবগী মচংনী থংগদব ওই। চেট (মিনাই) শিংগীদি নাকল্ অমদা, কোক্, খুং, খোং লোইনন চৎপা গতিদা লুকথগনী মিৎয়েংসু ময়াই ওইনা চৎকনী। ফি অমসুং শেংনা চানবগী ফিদদা, হন্না হন্না য়েংবা খো' কুয়া থাংবা মওং অচুদা নাপন্ চাওখোক্না চৎপগী মচংসু ওইগনী।

উনিংবন' মথা পোন্বা য়েংবদা পুক্নিং চংবা গতিসে অতোনবাশিংদা প্রয়োগ তৌগনী। অমাংবা শম্নবা য়াদবদগী পোক্পা হকচাংশিংচুগীদি য়াখল তৌরগা মওং অচুগী মচং অচু তৌগদবা ওই।

বিহগ, সিংহ গতি (উচেক, নোংশাগী মচং) ভগবান

নরসিংহন অসুরবা গদিবু তৌখি *আলীঢ় স্থানক শইদুনা—খুৎ অমনা থুন্দা থম্বা, অতোপ্পদুন থবাক্তা থম্বা, মাইগী পুম্নমক্তা যেংবা থদাং অদুন পাম্বোম মরুদা থম্বা, হাল মঙাগী মহুদা থাক্সংপা খোংথা, অদুনা চংকনী। অদুগী উচেকশিংগী অমদি নোংশা, শঙং, য়োংনচিংগী মহাক মহাকতুগী জাতিগী মওং মচৎ অদুবু প্রয়োগ তৌবাগী অথৌ ওইদগী গী অদুবু তৌগদবনি ওই।

স্ত্রী—(নুপী) শিংগী স্থানক অদু মখোই অদুগা তৌগনী চুম্না অমসুং *অবহিৎথ ওইরে, অমসুং অশ্বক্রান্ত ওইগনী। যেংবা খোং অদুনা নাকণা লৈবা থাং ইংখংদুনা চুম্না স্থানক অদু ওইগনী। মখোয়, থৌরদা থাম্ভিনবদ লৈমশিনবা পাঙথবদা *অবহিৎথ স্থানদো তৌবদা ওই। শনলোকদুনা হৌবকপা রঙ্গদা পুষ্পাঞ্জলী, বিসর্জন, অপাংগ্গা মাইয়েক, খুৎকানুগী থাক্ষং নাপন্ মান্ তৌবা ব ভাংনবা, মইবা অতোপ্পদা যেংবদা ছায়দিবা অদুগা স্থানদো তৌবদা ওই, মসিগী অদুদা সন (মায়ন) শৈনা র শ্র (সাইব) মাংগোমদসু ওইবকুপা অদুগী চপ নাম্না চংশন খাং অদু মাল অমগী মখুৎদ থাবা তুক (নিং) অদুসু নাংখংদা অদুগী খুং অমনা *লতা হস্ত ওইনা অমনা নিজুদা থম্বা অদুবু লেন লৈমশিংনা *অবহিৎথ স্থান তৌই

*আলীঢ় স্থানক—স্থানকতা য়েংশিনবা ওই মথক্তা য়াওখে।

---

*অশ্বক্রান্ত চারী, *অবহিৎথ স্থানক, *লতা হস্ত য়াওখ্রবা মমশিংগী য়েংগদবনি ওই। অসিগুম করণ, চারী, স্থান, হস্তকর্ম-নচিংবু কয়া য়াওরকনী য়াওরক্রবদি য়াওখ্রিবা মকম্ অদুদা মহাক্কী অক্ষণ অদু য়েংগদবনি ওই।

থংনথরে। মতৌ অসুম্না মুপীশিংগী স্থান হায়থরে হায়খি্রবা অসি স্বভাবতগী পোকপা য়ারী শাবদা অরেম্নদা পেম্নবদা, নৈনবদা অমদি থম্নবদা' লুহোংবদ' লিলানচিংবা হয়াওবদা, নৌরবা শৃঙ্গারনচিংবদা ফোংদোকপদা অমদি মাইগৈ লক্ষেন্নচিংবদা প্রয়োগ তৌগদবা ওই।

খোং অমনা থাঙ্গংপা অমনা *অর্গলনা—সঙ্কর ওইবা অমদি স্বচিবিদ্ধ ওইরবস্থু, *আবিদ্ধ ওইরবস্থু অদুবু *অশ্বক্রান্ত কৌই।

হায়খি্রবা অসি উপাদা য়াম্নবদা নৈনচিংবা হেকপদা তৌগনী অমসুং পোং থাবদস্থু থংনগনী। অসিগুম্বা মরি নৈনবদগী লাই-খিবা মীদস্থু থংনগনী। অমসুং মীংশবা অমদি মুপীশিংদস্থু শিজিন্নগনী। প্রক্রিদ নৈবা অহুম্বা স্ত্রী (মুপী) গতী—*অব-তিংথ স্থান অদু ওইরগা খুং ওইনা লুকথরব ওইরবদগী খোইদোদ অমুক্ ওইদুনা *কটক মুখ ওইরদুনা নম্ন অহুগী তুংদা য়েংথংবা খোংনা নিংখিজনা তাল মাত্রাগী ডমখৈদা থাঙ্গত্নুনা ওইথংব খোংগী মমাংদা থম্গনী (থাগনী)।

মতম অদুদ ওইগী পাংম্বোম অদুন লতা হস্ত ওইদুদুনা য়েংকী নাকল থর চোম্নব ওইরদুনা খোইদৌ ময়াদা থম্গনী অহুগী তুংদা অমুক্ খুং য়েংন নিংহুদা থম্নগ খুং ওই অদুদ য়েংকনী অদুদগী খুং য়েং অদুনা *লতা হস্ত ওইরগ খোং ওই অদুদ থম্ব (থাদব) মতৌ অদুদ নিংথিরব *উদ্বাহিত মতৌদুদ কোক্ অদুগী মকুং ইম্নস্থু শারবদ মুপিশিংগী অরাবদ অমদি মথোন্ কারকপদগী গতি অমসুং স্থান অদু ওইগনী।

মুপী অহনগী মচং—ওইথংবা অদু *অপবিদ্ধ ওইবা স্থান তৌরগা খোইদৌ মপাদা নম্না অদুদগী *অরাল অদুবু খোইদৌ খোম্ অনিগী মরক্তা নৈরগা (থম্নগা) পুক্লিং য়াবা অমসুং

মুখীগুম্বা মওং অহুম্ ওইদহুনা মথক্কী মঙ অহুম তথক্ চৎপা গতিবু তৌগনী।

প্রেবা (দূতী) শিংগী উৎক্রান্ত গামীনী (তথক্ তপক্) মচেৎ অহুবু থংনগনী। করিগুম্বদা বাংলপ অবিদ্ধ মচৎকী অমসুং *অবহিৎথ ওইবা স্থান তৌরগা ওই পাক্লোম লুকথগনী। থোইদোদা অহুমবা ওইহুনা; *কটক মুখ ওইনা থম্বগা চৎকনী।

অধনারী—মুপী নিপা অনিগী য়ান্নহুনা চৎপদা ওইগনী। নিচ (অতোন্‌বা) দগী উত্তম্‌শিংগী হায়খিবা অহুগী ভংথায় অদুনা অতোম্বাশিংগী থংনগনী।

স্ত্রী—মৈধাম, উত্তম, নিচ মখোয় অহুমগী নিংথিবা মচৎতো মুপীশিংগী ওইগনি।

বালক—অঙাংশিংগিদি মনিং মথা তমবা মচৎপু তৌগনী।

নপুংশক মুপাগী মওং থাদোক্লুনা মুপীগী মচৎ অহুবু তৌগদবা ওই।

আসন (কম্‌কম্) গী মওংশিং।—

আসন (সমপাদ) কম্‌কম্‌গী মওংশিং ব্রহ্মপৌগী অমসুং লিঙ্গস্থান (ব্রহ্ম আশ্রয়দ) লৈবশিংগী মহাক মহাক্কী জাতিদা লৈবশিংগী মুপা মুপীগিসু সমপাদ প্রয়োগ তৌগনী।

আসন (কম্‌কম্) তুমনিংলবদা বিষ্কম্ভ ওইহুনা খোং অনি অদু কোন্‌শিন্‌বা ত্রিক (নিং) অহুবু থরদং বাংথৎপা। খুৎশিং অহুম্ থ্বাংদা কৈদা নপ্‌তুনা মুংশাইনা কমবগীদা তুমনিংবগী কম্‌কম্‌বু তৌগনি।

চিন্তাগী (রাথলগী কম্‌কম্) খোং অমা ভিংখোক্পা অমনা (কম্‌কম্)দা কমবা কোক্ অদু নাকন্দা থরদং পৈথবা অদুগুমবা চিন্তাগী লোইনবগী কম্‌কম্‌দু থংনগনি।

তুষ:—থদাংদা খুং অনি নপকুনা পাখোম মকলা কোক অহু থম্বা পুক্লিং হকচাং অচুনা করিশুম্বগী থম্মবা ওইবা অচুবু অরাবগী মরাং হৌরবা থংনগনী।

ঙকপা বাহুবা ময়াই কাবা হয়াওদবদা বারবদা হায়রিবশিং অসিনা ওইরবদা মতৌ অন্নুরা কবকম্ অসি কম্‌গনী। পাবোম্ হিকৃষহুনা তিংথোকপা অমদি মশাগী ঙাকক্ম্ অমদা কম্‌লব। হকচাং পুমমকৃতা সন্দোকপ ওইরবা অচুমবা মী অদো নায়বা ইকাইরবদা, তুম্বা, ধ্যান তৌবা, রাখল তৌবদা, আসন (ফম্) অসিবু তৌগদবা ওই।

থ্বাং বাংথংপা খুনিং অমমুং নিংহৃশিংগা মম্বা অমমুং থোগ্রাই চনবা অসিনা ইপা-ইপুগী কংপদা (পূজাদা) জপ তৌবদা অমমুং সন্ধ্যা তৌবদমু আচমন তৌবদমু থংনগনী।

বিষক্ষ ওইহনা খুউ অমা লৈবাক্তা তাবদা (চাম্বীগী হুংশিনবদা) অমদি হোমচিংবা পিবদমু তৌগদবা ওই। খুউ অনিনা লৈবাক্তা তারগা লুলুক্তা লৈরবনা লাইগী মমাংদা লৈবদা শাওরবা শিংগী থৌজাল ইন্‌বদা, বারবদা, মীপাইরবদা, নোজরবদা হোম যজ্ঞগী থবকৃতা, পাওপিবশিংগী মকমদমু তৌগমী।

লাই অমমুং নিংথৌশিংগী সিংহাসন পিগনী। পুরোহিত মন্ত্রিশিংগীদি লিন শাবা আসন থাগনী। সেনাপতি অমমুং যুবরাজগীন মীমকোক্তা শাবা আসন পীগনী। ব্রাহ্মনশিংগীদি কাল নত্রগা লাজোম্না শাবা থাগবী, কুমারীশিংগীদি কুহু আসন থাগনী।

মহারানীশিগী। সিংহাসন থংনগনী। দেবীশিংগী মুণ্ড (মকোক) আসন ওইগনী পুরোহিত মন্ত্রিগী মুলীশিংগীদি লিন ওইগনী।

(ভাথিরিথিংশীমা কি, শউম, কুছুশী আসন ওইগনী। ব্রাহ্মণ ব্রাহ্মনীশিংগী অমসুং ব্রাহ্মচারীনীশিংগীদি মুকাগী আসন্ ওইগনী।

বেদ তম্বীবগী, নিংথৌগী মাংদা লৈবাগী আসন অসিদা ক্ষমগনী।

হিনচিংবা পাম্রীশিংগী (কুম্মকুম্ উবী আসনদা গুরু অমসুং আচার্য্য নিংথৌশিংগী লোইনদুনা কুমবদা আসন অদু দোষ লৈতে।

সমপাদ ওইরবদ পাম্বোম—কোনশিনবদা, মাল্লবা অমসুং শন্দোকপা অমসুং লৈথোকপা ওইবা উদ্বাহিত (খাংথংপা) ওইবা মফম্ অদুবু ওইরবদুদা তুম্বগী মফম্বু থংনগনী।

মনিং মথা অম্মা কোনশিনবা স্থান ওইবা অচুম্বদ মাম্মা ইংলবশিংগী প্রয়োগ তৌগনী। মাই লোংথোকপ লিক-চিংবা শিরবা অদু তাথবা অদুনা সম হায়না কৌবা তুম্বগী মফম্বু থংনগনী। পাম্বোম অমনা মোন ওইরগা খুউ অ'ন চপ্তিংবা অদুবু *অপসরিত—কৌবা তুম্বগী স্থান থংনগনী। লু-চেক্ লুক্থরদুনা লৈবা বিবরজন কৌই থংনখে। অদুদা খুলাইনা থারবা শিরবা, লংথংপদা খাংনা, মমাই কাবদা তাওবা নচিংবা তৌগদবা ওই।

হকচাং শরুক্ অনগী মথক্তা কোক থম্বা খুনিং নিকপা অদুবু *উত্থাপিত থংনগনী। লুংতাইবদা হয়ো তয়াম্বদা অকে-অমৌদা মপুংগী মনাক্তা চংবদা তৌগদবা ওই খিংতং খুবোম্ অদু তিংথোক্লা খুং অনি অদুনা মাম্নবা মথেক্ মথেক্, অদুবু নত স্থান কৌই। মদু তন্নপ চোকথবা, বারবদা শিজিন্নগনী।

নাট্য শাস্ত্রগ তয়াহুমদোই শুব গতি প্রকার তুম্বথৈ লোইরব।

---

*বিক্ষত, *অপসারিত স্থান, *উত্থাহিত অসিনচিংবগী অর্থ মথক্ত মাওথে।

(শৃঙ্গারগী মথল)

উজ্জল নিলমনি, ভক্তি রামৃত সিন্ধু, সাহিত দর্পণ, দশরূপক নচিংবদগী থুদমশিং মথাদা উৎলকই ।

ফুংশি ফুংজোলগী অপায় ফুংশি ওমথৈবু শৃঙ্গার খংনগনী। শৃঙ্গার হায়বসি রস শাস্ত্রদা মথল মায়া থাইরি শমলপ্পা থবদং মথাদা উৎলী।

বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গার, সম্ভোক শৃঙ্গার। ফুংশি ফুংজোন অনিগী (নায়ক নায়িকা) অনিগী নিংবা থুংহ্রিবা অদুবু বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গার কৌই। থুংনরবা অদুবুনা শম্ভোগ শৃঙ্গার কৌই। হায়রিবা বিপ্রলম্ভ অসি মথল মরি খোক্না থাইরী মতুংসি পূর্ব্বরাগ, মান প্রবাস, বিপ্রলম্ভ।

পূর্ব্বরাগ। মতিক্ মঙাল তাবা, শকৃতম্ হেক্ উবদা মহৈ মহৈ রাগ হেক্না পোক্লকপ (অহাবা) অদুবু পূর্ব্বরাগ কৌই।

পূর্ব্বরাগগী কাম্ দশা মথল তরানী অভিলাস, চিন্ত, স্মৃতি, গুণকর্থন, উদবেগ, সংপলাপ, উনমাদ, ব্যাধি, জরতা, মরন। অর্থ-অপাম্বা, খাথল, নিংশিংবা, শোয়বা খাহৈ খাত, পুক্রিং লাংবা, ঙংবো, লাইন, পংথবা, শিবা অসিনচিংবা '১০' অসি কাম্ (অপাগা) গী দশানী।

(মান শাওনবা, ওইনবা)

মান নায়ক নায়িকা অনিগী শাওনবা, ওইনবা অদুবু মান কৌই। মান মথল অনি ওই প্রনয় মান, ঈর্ষা মান। প্রনয়মান ওইনা চাওবা। ঈর্ষামান—থঙ্দুনা শাওবা, (রতিচিহ্নচিং উবদগী)। কনাগুম্বা নিপা অমনা মহাক্কী চারবীদুনা লমচৎ চুমদবদগী শাওরদুনা অকনবা চৈ থাংবা অদুগী অনুরাগ (ফুংশি ফুংজোল) গী মথক্তা শাওদবনা (ওইদবন) শৃঙ্গার ওইরক্তোই রস শাস্ত্রনা তাক্লী।

প্রবাস (কাইনবা) বিয়োগ মথল অনি গুই নিকট প্রবাস (নক্লা কাইনবা) দুর প্রভাস (থাম্না কাইবা) মথল অনি গুই।

উদাহরন—কৃষ্ণন শন খেন্‌বা চংথিবা মহারাসকী অন্তর-ধ্যান, কৃষ্ণন মথুরাদ লেংখ্‌রবা গোপীশিংগী অরাবা শুইহৌব-নচিংবা দুর প্রবাসনী।

প্রবাস মথল অহুম গুই—ভূত প্রবাস ভাবী প্রবাস, ভবন প্রবাস। করুন বিপ্রলম্ভ অসি শিরগা কাইনবা ভূত প্রবাসনী। প্রবাস বিপ্রলম্ভ অসি চিংলিঙ্গা কাইনবা ভাবী প্রবাসনী। সম্ভোক উনবা শুংনবা তিরবা পম্ভ্‌লবা নচিংবব্‌ থংনগনী। সম্ভোগ (থুংনবা) সম্ভোক্‌ মথল মরি গুই—সংক্ষিপ্ত সম্ভোগ পূর্ব্বরাগগী তুংদা উনবা শম্‌লপ্‌ (শাংননা) উনবা। সংকীন—মানগী মতুংদা উন্‌বা, কলকয়াহৌ য়াওনা উওবা। সমপন্ন সম্ভোগ—লাপতনা কাইনবা তুংদা উনরকপা (মপুং ফারক্লবা)। সমৃদ্ধি সম্ভোগ থাম্না কাইনবগী তুংদা মপুং ফাবা, চেনগংপা উনবা। কাইদক্লববগী তুংদা ওইরকপা (বিপ্রলম্ভ) গী ওইরক্‌পা সম্ভোগ তি মপুং ফাবা সম্ভোগনী অচৌদি।

অমংবা নোংনা কুপ্‌লম্বদগী
চান্‌থোইরক্‌পা থাজগুম
বিপ্রলম্ভগী ওইরক্‌পা সম্ভোগনা
নিংথিরবী মপুং ফান।

পূর্ব্বরাগ মথল নিপালগী। মান মথল নিপাল্‌, প্রেম বৈচিত্ত মথল নিপাল্‌। প্রবাস মথল নিপাল, সংক্ষিপ্ত সম্ভোগ মথল নিপাল্‌। সংকীন সম্ভোগ মথল নিপাল্‌। সম পন্না সম্ভোগ মথল নিপাল্‌ অসুম্না বিপ্রলম্ভ ৪দা ৩২, সম্ভোগ ৪দা—৩২, অসুম্না ৬৪ গুই ইশৈদা ,অমসুং লিলাদা বৈষ্ণবশিংগী ওইবা রসকী

মথাদা পুনম্শিং উংলী। পূর্ব্ব রাগ (লক্ষণ) দর্শন (উবা) সক্ষাৎ দর্শন চিত্রপট দর্শন, স্বপ্নদর্শন, নন্দিমুখ (অতোপ্পা মীগী মচিন্) দূতী, শ্রবণ (তাবা), ভুতীমুখ শ্রবণ, বংসীধনী শ্রবণ, নিপাল অসি পূর্ব্বরাগগী লক্ষণনী।

প্রবাস (কাইনবা) ভাবিবিরহ (থম্মোই চাক্পা) দ্বারিকা গমনং (দ্বারিকাদা চংখিবা) কালিবু দমন তৌবা, গোচারণং (শন শেন্বা চংপা), নন্দ মোক্ষণং (নন্দগ থাদোক্পা) কার্যার্থ প্রবাস (বৈঠক চংখিবদগী কাইনবা), রাসগী অন্তর্ধান মথল নিপাল অসি প্রবাসকী লক্ষণনী।

সংকীর্ণ সম্ভোগ (কলক্ মীতৌ শাওনা উনবা) মহারাস, জলকেলী, কুঞ্জলিলা, দানলিলা, বংশী হরণ (বংশিতবা) নৌকা বিলাস (হিদ শান্নবা) মধুপানং (ময়াই কাবা থক্পা) সূর্য্য পূজা। মথল নিপাল অসি সংকীর্ণ সম্ভোগকী লক্ষণনী।

সম্পন্ন সম্ভোগ (মপুং ফারক্লবা সম্ভোগ) নিংথিন উনরবা ঝুলন্, হোলী, প্রহেলিকা (পাওথোংগী ইরাং) পাশ খেলা নর্ত্তক রাস, রসাসন (রসগী মফম্) নিপাল্ অসি সম্পূর্ণ সম্ভোগকী লক্ষণনী।

সমৃদ্ধি মান সম্ভোগ (হেন্গৎলক্বা মানগী) সপন বিলাস (মংগী বিলাস) কুরু ক্ষেত্রমিলনাং (কুরু ক্ষেত্রদা উন্নবা) ভাবোল্লাস (ভাবতগী হরাওলক্পা) ব্রজগমনং (ব্রজদ চংপা) একত্রনিদ্রা (মতোম্ত্তা তুম্বদ) স্বাধিন ভত্তৃকা (হরাও তয়ান্নরব) বিপরিত (ওন্নবা), সম্ভোগ ভোজন কৌতুক (চাবগী খৌরাং), মথল নিপাল্ অসি সমৃদ্ধি মাননী।

নায়ককী লক্ষণশিং সাহিত্য দর্পন অমসুং দশরূপককী।—

সাহিত্য অদুগী মক ওইবা পাত্র (মশক্) অদুবু নায়ক কৌই। নায়ক অদু মখল মরি ওই। মদুদি:—ধীরোদাত্ত, ধীরোদ্ধত, ধীরললিত, ধীর—প্রশান্ত।

ধীরোদাত্ত—পুকচেল্ চাওবা, মথো কাইদবা মীঙুংশি থংবা নাপন্ ভোঁদবা মদুদি রাম, যুধিষ্ঠির।

ধীরোদ্ধত—সভাব কনবা কলক্ মীকো চাওবা নাপল চাওবা, মদুদি ভীমনচিংবা থংনগনী।

ধীরললিত—পুক্রিং থোংপা য়েংবা, ইচৈশ জগোইদা পুক্রিং চংবা মদুদি রত্নাবলীনচিংবদা বৎসরাজনচিংবা নায়ক ধীর-ললিতনী।

ধীর প্রশান্ত। মসিদা নায়কপু থংনবনচিংবগী সামান্য গুণগী নিংথিরবা মফমদা ওই মদুদি ব্রাহ্মণনচিংবগী বর্ণ ওইবা মালতী মথবনচিংবদা মাধবনচিংব নায়ক ধীরপ্রশান্তনি।

দক্ষিণ নায়ক।—মুপী লোনবদা চপ মাগনা যুংশিনা চৎপা অদুবু থংনগনী।

দৃষ্ট নায়ক—নায়িকা অদুদা অাল্লবদু চিনবা ইকাইবা পিরক্লনদু ইকাইদবা মরাল্ ফারবদু চেনবা। মহাকী মোবশিং থোংদোক্লবদু অরানবা বাদু কুপ্শিন্নবগী হোনববু থংনগনী।

অনুকুল নায়ক—মুপী অমতদা প্রেম লৈববু থংনগনী।

শঠ নায়ক—মুপী লোল্লগা প্রেমনা অমদা থম্বা মপাল্ থোংনা চপ্ মাঙবা লৈববু থংনগনী।

শৃঙ্গারগী সহায়ক মথলগী মশকুশিং।—নায়ক অদুগী মতেংদ রাঙাং হৈশিংবা মথল বিত, চেত বিদুষক মুতী অসিনচিংবা ওই। অসিগুম্বা মথল মমিংশিংদগীসু থংনগদবা—মালী, ধোবী, তমোলী (পান যোনবী) অমোংপী অমোংপা অসিনচিংববুসু থংনগনি। রস শাস্ত্রদ থংহল্লী।

বিরহোৎকন্ঠিত=লাকতবদা চাকপা ;
বিপ্রলব্দ=লাক্লরোই হায়না খল্লকপা ;
খণ্ডিত=খওণ তোবা রতি চিহ্ন উবা ;
কলহন্তরিত=তানথোক্‌থ্রগা নিংচম্‌মক্ত্রবা ;
প্রোষিত ভর্ত্তৃকা=খাম্মা লৈথ্রবদা চাক্লবা ,
স্বাধিন ভর্তৃকা=চরাঙ তন্নাম্‌ লৈমিন্নরবা ।
চায়খিব্রশিং অসি মথাদা ওপাইনা তাক্লক্নী ।

সাহিত্যদা শৃঙ্গারগী মরুওইবা পাত্রীবু নায়িকা খংনগনী। নায়িকা মখল অহুম্ ওই । স্বকীয়=লৌরবী, পরকিয়া=লৌত্রবী, সাধারনী=নিপা মখক্ নাইত্রবী। স্বকীয়=লমচৎ সণৌ ওইবীনি মসিদা অমুক মখল অহুম্ থোকই মগ্ধবি মুগ্ধ=মো অনৌবী। মধ্য=থব কুইরবী, প্রগলভ=থরা হেন্ন কুইরবী। মুগ্ধগী উদাহরণ রতি বিহারদা ইকাইখিন্নিবী, খেৎলাওন্নিবী, কান্নবী লিকাব মরোন্ চাংবদ ডাইরিবীনী। মধ্যা=উদাহরণ—রতিবিহারদা মপুং থরা ফারক্লবী রাহি রাতা হৈরক্লবী ইকাই হৎগোই থরা কোক্লবীনী। প্রগলভা=উদাহরণ=কাম্না মরাই কারক্লবী রতিলীলাদা মপুং ফারক্লবী পিত্তম্ মিংলৈ হৈরবীবু খংনগনী। (নায়িকাগী খুদম্ থরা (সাহিত্য দর্পনদগী)। ভাব। থুংশি থুংতোন্ লৈরমদবদগী লৈবকপবু খংনগনী। হাব।—যৌবন শৃঙ্গারদা ডাংনা শক্পা মিং পিত্তম্ য়াওরক্পবু খংনগনী। হেলা।— অপাঙ্গা ভাব মপুং ফানা ওইরকপা, শোভা=ফিজেৎ চাকৃচা কে যেংবা পায়বযু খংনগনী।

কান্তি=অপাঙ্গা হেনগৎলক্লবা (নিংখিঙক্লবা মওং) দ্রবুনী।
মাধুর্য্য=খুদিংমক্তা ইকদ ফজরবদ ওইববুনী।
দিপ্তী=অপাঙ্গা য়াম্না হেনগৎলক্লবা অদুবু খংনগনী।
প্রগলভা=রতি লিলাদ ইকাই থংগকত্রবীনী।

ঔদার্য্য—নিংথিবা লমচৎ খংনগনী। (মোনলুকপ লমচৎপু)

ধৈর্য্য—পুন্দা লৈতাবা (তঙ্গা) বু ওই।

লিলা—মুংশিনবগী মওং মতৌ তম্বাবুনী।

বিলাস—মুংশিবা অতু উবগা থাডাং মিৎয়েং তম্বদ ওই।

বিচ্ছিত্তি ফিজোন থক্তদন লৈতেংবদ পামনিংডাই ওইরবদ খংনগনী।

বিভ্রম—তহা তজা ফিজেৎ ওন্না তৈনন শেংপ চাখব উননিং থাখন্দা ওইবতুবু খংনগনী।

মোট্টায়িত—মুংশিব অতুগী থাবনগী থাডাং শাতাংদ পুক্নিং লুমদ খংনগনী।

কুট্টমিত—পুক্নিংদ পাচ্ছবসু তাং তৌতুনা ইশোকপ, চাকু-থোকপনচিংব উংপ চান্নবতুগী খুৎকমদা ওইবতুবু খংনগনী।

বিব্বোক—চাওথোকপ থাখলত্তগ লোইন অপাম্ব পোৎশক-শিংবু পামদব উংপদ খংনগনী।

ললিত—খোং য়েংলব চকচাং মও মতৌ অতুবু খংনগনী।

বিহৃত—মতম ফংলবসু ইকাইক্তুনা হায়ক্তব ঙমক্তদব।

তর্পন—চান্নবগী কাইন মৈচাকী অরাংবু খংনগনী।

মদ—চান্নবন লুনা চান্ন তৌবদগী চাওথোকপগ লোইনব মখোন্ কারকপ ময়াই কারকপী অতুবু খংনগনী।

মৌগ্ধ্য—খংল পোৎশকসিংতুগী মরম্‌দ চান্নবতুদ হংজিখনচিংববু খংনগনী।

বিক্ষেপ—চান্নথোইবগী মমাংদ মপুং ফাজ্রীব ফিজোন্‌বু শেং ইনবগ লোইনন মরমদী নংতন নাক য়েংথ য়েংলগ তম্ন তম্ন থাদৈ থাত ডাংববু খংনগনী।

কতুহু—কবিগুপ্ত ফজ নিংথিব পোৎশক উবদ ইন্নাংলাংবু খংনগনী।



১) উৎকণ্ঠিতা



(২) বিপ্রলব্ধা



(৩) খণ্ডিতা



(৪) মুগ্ধা



(৫) মধ্যা



(৬) প্রগল্ভা

হসিত – মখোন্ কারকপগী মরমন্থুনা থুমহংথুনা চাম্নবগী মমাংদ মরম চাদন নোকপবু খংনগনী।

চকিত—মরম চাদন চাম্ন মমাংদ অকিব উৎপবু খংনগনী।

কেলী—চাম্নবগ লোইন শান্নববু খংনগনী।

মথক্ত হারম্ভাব নায়িক'গী ২৮ গুন লক্ষণ শিংসিগী উদাহরণ নচিংবদি চাম্ন চাম্নবা বিচারহৃ তৌরগ শিজিন্নগদব ওই।

(দশরূপকগী মকমদগী)

নায়ক নায়িকাগী মথল থরা উৎলী।

নায়িকা অসি রস শাস্ত্রদা মথল্ অহুম্ থোক্না থাইরী মহুদি—স্বকীয় (মশাগী লৌরিবী মচৎ চুম্বী)

পরকীয়া (অতোপ্পা লমচৎ চুমদবা অরোনবা) সাধারনী (পুম্নমক্না ওইবী ওক্তবী পৈশা পাম্বী) স্বকীয় অসি মথল অহুম গুই মুগ্ধা (নৌরিবী অনৌবী) মধ্যা (থর কুইরবী) প্রগল্ভ (কুইরবী) মুগ্ধা অসি বয়োমুগ্ধা, কামমুগ্ধা অহুম্না অমুক্ থাইরী থুদম—মুগ্ধা—ইকাইথিরিবী বাহৈ রাতা মেংলৌবী রতিলীলাদা কেৎ লাওরিবী অহানবা রতি লিলা ওইরকলৌবী (মৌ অনৌবী)।

বয়োমুগ্ধা—হুংশি ইরাংদা নৌরিবী য়াম্না ইকাইরিবী শারেপ মপুং ফাত্রিবী ফানিংলক্রবী।

কামমুগ্ধা—হুংশি ইরাংদা বাহৈ রাতা তানিংলক্রবী অকে অমৌ (হেনগল্লক্রবী) শারেপ্ ফারক্রবী।

মধ্যাদা থুদম থরা নায়ক নায়িকাগী উৎলী মুগ্ধ অনৌবী লক্ষণ; নায়ক।—লাওনে শকুহেনবী ঐগী থম্মোয় লৈরাংও;

নায়িকা—(কেৎ লৈরোক্লগা)।

নায়ক—করিগী মাইথোং লৈরিব্রনো?

নায়ীকা—হায়বিরক্সুদা ইকাইজে শকৃহেন্বীকা হায়না (মসি অনৌবীগী খুদমনী)।

মথাগী লক্ষণ খরা কুইরবী মৌগী মুংশি মুংঙোন্গী রাখল্দ হেন্জিল্লক্রবা রাম্বুবা ফাওবগী ওইরকপগী মওংমুদ ওই। মদুগী খুদম নায়ক নায়িকা অনিগী মুংশি ইহৌ লাক্পদা পম্বুংনম্রিবা মরমদি গুরুজন অহল লমনশিংগী পন্ন খিংথীবদগী অমনা অমগী রাখলগী রসক্তা লুপত্তুনা লৈববু খংনগনী।

(মথাদা খুদম্ খরা নায়ক নায়িকা অনিগী)

মথা সম্ভোগ (পম্বুংনরব) মথা অসিগী মখল অহুম্ থোক্ই মথাখিরা (ময়াই ওইন তপ্না) খিবা অখিরা (অতপ্ তপ না) অখিরা (তপ্ তবা)। খিরাগী উদাহরণ।—

নায়ক্।— থম্মোইমুংগী মুংশিবী লৌনেসে,
নহাক্তীদমক্তা লৈরাং নাপাদ চিন্নবা,
পুরকইনে নিংথিরব পুক্নিং হুরব,
বসন্তগী হৈনৌ মপাল অসে।

নায়িকা— অসিগুম্বা লৈরাং থুদোল্ অসি,
লৌকবদা মত্তিক চাবা ওইরোইদ।
চিনবানথোংদা লাংবন থোইহী,
কৈবীরম্নদ ওকচরেদ ননাওদি।

নহাক্তী বসন্তগী লৈরাংহুবু পুরিহ্ননা,
পুক্নিং খোইদ কমহুদ,
পিবিরুবদ হেন্ন ফরগনীদ।
এরদী ইশা ইতোমুত্তামক,
নহাক্তী রাখন্না লুপ্তুনা
মহাক্তী নিংথিরবা থাইথোংগী,
অম্বুওদো চুপ্তুনা লেন্জরগে।

খিরা অখিরা খুদম—কপ্ত্না অখোইবা রাগাং অংছুনা, খাইন্‌বা।

নায়ক—খগ্মোইগী মবেম্মা।

নায়িক—খগ্মোইগী মবুংঙো।

নায়ক।— খগ্মোয় মুংগী লৈরাংও
মীংস্নদা লাইজা ইরা চেল্লীব
লৈরাং নকম্ লাংদা
খোয়ম্ ঐনা পাওদমক্তবদ
অশাও খুদম উৎপদি
করি ওইখ্রবনো লৈরাংও।

নায়িকা।— ঐনা কনাবু শাওজগনী
ঐগী শাওজবনা করি কাইখ্রবগে।

নায়ক।— ঐগী মরান্ করি? লৈখ্রবগে নকম্লাংদ

নায়িকা।— অদোমদা কনানা, মরান লৈরে হাইখ্রবগে
মরান পুম্নমক্কী ঐগীনী।

নায়ক।— করিগী কপ্‌তুনা লৈরী অহুদি?

নায়িকা।— কনাগী মমাংদা কপ্‌চদেদা।

নায়ক।—ইনাক্তা মিংস্না লাইজ ইহৌবসিদি

নায়িকা।— ঐহাক অসে কনাগী লৈরাংনো?
কনাগীদমক্তা মিংস্না জরং ইহৌবনো?

নায়ক।— নহাক্কী ঐগী খগ্মোয় মুংগী
পামজবা লৈরাংনীনে মুংশিবী।

নায়িকা ।— ঐহাক্তী নহাক্তী থম্মোয়স্থংগী
লৈরাং নংত্রমায়ে থজচুনা
ঐগী মিংস্না ঈহৌজবনী ।
মসি থির অথিরা—
(অতপ্ তপ্তগী) থুদমগী থংনগদব ওই ।

অথিরা (তপ্তলীন) পীগা লোইননা অয়াকৃপা য়াংনা হায়রক্পা চান্নবা অদু লাকপদা ।

নায়িকা—(মত্তা অমদা)—
হে ইত্তা চংহন্থরোনে
থামমুসগী, লুনা পৌজবগী, করি কাব্বগে
লোম্নবীদুগী শৃঙ্গার (চিবান্‌গী) থুদমবু
লৈতেংলীবা চান্নবা পাপীসিবু ।
(ঐহাক্ অমুক্ হন্না য়েংজনিংত্রে— । ২)
য়েংজনিংত্রে য়েংজনিংত্রে ।

অথিরাগী থুদম্ অমসু মসি তপত্তবী অদিবাগী থুদম্‌নী ।

অথিরা — লৌনম চাওরবা ইবুংঙো ইথোংদা চুরগী,
লৌনম লিলাদো পামজত্রে শাজবীরুদা ।
নংগী থম্মোইদুদি নংগী মুংশিজরিবী,
লিলাশিংগী অমত্ত ওইরবা য়াগলদুগী
শেমশারীবী হাব ভাব ওইবী অদুধী,
প্রেমিকাদো লেংদন লৈরীয়ে ।
লেংদন লৈরীয়ে '২' থেলৈ লাংজবগী করি কান্নগদগে,
লৌনম্ চাওরব ইবুংঙো ওকচরে ।
পামজত্রে '২' ইথোংদ চুরবগী লৌনম লিলাদো ।
(মসি সাহিত্য দর্শনগী তপত্তবীগী থুদমনী) ।

(পগলভা মুংশি মুংঙোনগী ইকাইবা
থাদোক্লবী ইকাইবক্ত্ বীগী খুদম)

শিরা (অতপ্পা) ধিরা আধির (অতপ্ তপ্ত) অধিরা (তপ্ তবী) অসুমাসু থাইরী মথলচুগী উদাহরন, ধিরা পগলভন নায়ক অদুবু শাওরগা অসুম্না ওই। মদুদি হেক্ লাকপা উরগা ফিদা থাপা থাই, থবক ইনথাংদা মচা মনাই থাজিল্লী। মপান্দা থবক্ ইনথাংগী লাংবা খোংপগী চংথোকই। নায়ক অদুগী মকমদা বাবহদি কাইদে হাহৈ হাতাদা তাসিল্লদে।

ধিরা প্রগলভ। উদাহরণ (লেক্ককী মত)

নায়ক।— লাওনে মকম অসিদা (নায়িকা খুমদনা চংপা)

নায়ক।— করিগী শাওরিবনো।

নায়িকা।— (নৈথোক্ত না চংলগ) কনা কনা লৈ —।

করি করিনো থরা।

সেবা তৌনবা কনাসু লৈত্রবরা ?

(চংথীব) মসি ধিরা পগলভ উদাহরননী।

(সাহিত্য দর্পন)

ধিরা-ধিরা পগলভ। (অতপ্ তপ্ত) শাওরগ কপ্তুনা নায়ক অদুবু থাহল্লী।

উদাহরণ। নায়িকা —

থম্মোই মুংগী পামজবা ইবুংঙো
নগা ক্লৌনে শৃঙ্গারগী লৈতেংশিংদো
লৈতেংদব ওইহুনসু
ঐগী থম্মোই হুরিবনী।
অদুবু ঐনা করি অমুক হায়গনী
হৌজিক্তি অতুম ওইরীবী প্রেমিকাগী
নকম্ লাংদা উরেদো
খুজিন্ মকম্ লৈতেংদো॥

(দশরূপক) *নিংশিংউ অদুম্বা মতমদু ওইরম্বা,
ঐখোয় অনিগী অমনা অমদা হৌনরম্ব।
পিডুম খেক্কী শাওনা ইরাংগী ইপোমদ।
লমন্ থুম্নরম্বা মতমদো অমন অমদ
হরাও মিনোক মিৎয়েংগী হৌনইপোম্শিংদো
খনবীকরগু চৌজিক্কী অদুম ওইব প্রেমদো। *নিংশিংউ
থুংলরে অদুম্ব দশাদো ইকমলাংদা
তুররেদো ঐগী ইখোৎখক্নক নহাক্ক।
অদুগ ঐনা মান তৌদুনা কম্জরবী ওইরী
নহাক্কা হায়জরবা ফাওবদা লাইবকু থীবী ঐদি
খাম্মায় ইংবী ওইত্রিদে॥

হায়খিবা অসি হিরাধিরা প্রগলভগী থংনগনী অহির প্রগলভনা (তপ্ত্রবী নারিকানা) নায়ক অদুবু পুম্নগা চিংলদুনা মশাশিংগী মফমদা থংহল্লী রতিচিহ্ন অদু, অদুগ কপতুনা ফুরদুনা হায় অমুক হন্না তেংখিগদ্র অসিন চংবা। নায়ক অদুনা রতিচিহ্ন অদু কুপ্শিল্লী।

উদাহরণ (লক্ষণ অদুগী)) সাহিত্য দর্পনদগী।

নায়িকা—করিনোদ ইবুংঙো, লৌনন্ চাওবও
করিগীমদক্কা তাৎ তৌবীররিবনো।
থংলে চেন্বা মাররোইয়ে
রতিচিহ্ন আসমক অসিনা।

নায়ক— (ইকাইব। তুম্মিন্না লৈরদা কনাগুম্বনা তাখিনী
নহাক্কী অদুম্বা অয়াপ্ল খোক্কেন্শিংসে।

নায়িকা—হেহে থংহনগেদা ইত্তাশিন্না (পুনর)
(পুন্দুনা লাকপা) য়েংঙ্কে ইকাপা লৌনম চাওবসে
উরিবা (পকলীকা) রতিচিহ্ন অসে
কায়াদ ইকাই থংখীত্রবনো।

নায়ক— (ইকাইজ্জুনা কুপ্‌শিনবা)
অছুম্বা লৌনমুন্নুনা এগী নাক্তা
অমুক চন্না লাকখিগনা ?
(কপজুন্না কুবা)

মথক্তা পন্‌খ্রবা মুদ্রা '১' মধ্যাগী অহুম্ প্রগলভগী অহুম্ '৭' অসিগী মৎং তাক্‌খরে হৌজিক্ কানিষ্ঠ (প্রেম য়াংবা) জেষ্ঠ (প্রেম খর হেন্‌বা) অসুম্না কানিষ্ঠ জেষ্ঠগীসু '৬) অমগা মগী মুদ্রা, মধ্য প্রগলভগা তারা হুম্‌দোই তুরে হৌজিক্ কানিষ্ঠ জেষ্ঠগী লাকললী।

লৌনম্বা (তাং তৌরবা) অহেন্ হেন্নগী নায়ক্না মফম অনজুদা (ফম্‌থহুনা) লৈরম্বা নায়িকা অনিবু, নায়ক অহনা অমবু মনাই খুমজিন্নগা অমদা প্রেমগী য়াথন্ত কোংদোকপা (মাইথোং লৈবাং চুন্না) থংনপক ওই।

(মশক্রপকী) (পরকিয়াগী)

পরকিয়া (অরোন্‌বী লমচং, লম্‌গী) পরকিয়া অসিবু মথল অনি খোক্‌ই কন্থ (লৈশাবী পরোবা মো) মোগী উদাহরণ।— (হংনবা অমদা হায়ব) হ হতা! ভাইহাক্তংদি য়ুম্ অসিবু লেংগীরম্বগদব ওই মরমদি এগা নিপাদো কুত্র (কুহাগী) ঈশিং নংত্রবদি থক্তে, য়েংউ ইতা য়ুম্ অসে ইজোম্‌ত মঙাইরবনিদো অহ্নগ পুথ্রীগী ঈশিংদি শোক্‌তুগদব চংকদোরী মফম অদো তোমান পানবীশিংম শুক্রবনি মহুদা অয়ুক হুংধিন্নগ অমম্বগী ওইবক্তী মফম্‌নি, অহুখ অয়াবদি অসুম, মহুদি অকিব মশক্‌নীদ তিংথং

রতিচিহ্ন (মশাদ কনাগুম্বী অনগী হুংশি খুদম ওইব) মহুদি খুজিন মফম্ য়াগী য়াপুন্ মফম।

তুমবোনা পরেংনী লির লিরবা উপাল্ (উন্নী রারী) লৈরীবনী মফম অতুদগী ঈশিং শোকউগদব অহাবগী মশকনী। তদুম ওইংমক শোকউত্রবদি য়াত্রবনিনা অরাবগী ওগখৈ ওইতুনসু হায়খিবাশিং অসিনা পরোরা (মৌ) গী লমচং চুমদবগী থংনগনী)।

প্ররকীয়া ওইবা "কন্যা" গী ওমথৈদি আসনি মতৃদি মহাক্না মহাক্কী মমা মপাগী থুডম্ চন্দুনা লৈবা ওইবা। (কন্যা প্রারকিয়া নায়িকাগী মশক মওং) (মালতী মাধব) নাচ বদগী প্রকর-নশিংদুদ নিংথিনা শন্দোক্না (মালতী। নচিংগী মওংতুবু উবা ফংই।

কন্যাগী ওইবা "রত্নবলী নাটিকাদ" রত্নবলী, তমদি নাগানন্দ নাটিকাদা মলয়বতীগী অনুরাগ বর্নদ থংহনী।

প্রবকিয়া ওইবা কন্যাগী ওমথৈদি অসিনী মতৃদি মহাক অতৃ মমা মপাগী থুডুম্ চন্দুনা লৈবা ওইবী। কন্যা পরকিয়াগী মশক্ মওং মালতী মধবনচিংবগী প্রকরনশিংতুদগী শন্দোক্না মালতী-নচিংবগী 'মশক্ মওং অতৃ উবা ফংই।

সমান্য নায়িকা লক্ষণ

সমান্য নায়িকাগী মওংদি লৈশাত্তা পাশা লৈশা লৈত্রনা মকমদা, মগুণ চেনবা ওইনসু থাদোক্পা, গুণ য়াওত্রবা ওইতুনসু হায়বদি কংত্রবা কয়ানা ত্তিল্লববু লৈশাত (ধনত) বু পিরবদি মতুগী প্রেমী ওইবা, মতম্ পুম্মক্না মুংদি ইকাংগী কে মৌদুনা লৈবা অমসুং হাহৈ রাত্তা শাজং ইকাই খংদবীব ওই।

সমান্য (উদাহরন) গী লক্ষণ অমুদগী পোক্লকপগী মওং থরা লেপ্পকী মত)

নায়িকা—পুক্লিংগী খোইদরবও
লৈরাং লৈহী চুপকে থল্লবদি
মত্তিক্চাবা লৈরাং ওইরনবীরু
খোইমু নংগী নত্তিক নত্তরা।
নায়ক— হায়রু শকুহেনবী লৈরাংও
খোইমু ঐগী ইত্তিক্ ইওম্।
নায়িকা—লৈরাং নাক্তা খোইমুনা
পুক্লিং লেপ্‌লবদি পিনবীরু
লৈতেং লিক্লাং মখল্
কেনজগে নহাক্কী লৈরাংনি।
নায়ক— থল্লীনে নত্তং আংগীদমক্ত
মতম্ খরনং চাইখোনে
লেপ্পজগেনে ইম্রাংদা
মত্তিক্ চাবা ঐগী লৈরাংনী।
নায়িকা—থংজরে লৌনম্ রাথলদো
লৈরাং লৈহি চুপকে থল্ল
লৌনম্ পুকচেন্ কাম্নরোইদকো
নরন নথুম্ পিনিংদ লৈরাংনী
খোইমু নংগী লৈরাং নথক্তে ঐদি
লল্ থুম্ পিনীংল লৈরাং নাক্ত
খোইমু শকমাই লৈবীথরোদা
লৈরাং ঐদি নহাক্কিদি
মত্তিক চাবা রাংলবী লৈরাংনী
মুংশি থুদম, লৌনম্বা ওকচরে।

থুদম অসি সমাপ্ত (পৈশাত পাম্বা) অঙ্গগী উদাহরণনী। শৃঙ্গার নায়ক নায়িকাগী ওমথৈগী মওং মত্তৌশিংগী শম্লপ্প থর থর মকম্‌সিদা লোইয়ে॥

নবরসশিংগী অপুনব লক্ষণ উদাহরণনচিংবন শিল্পবগী
অমুক্ ঙম্‌ৗৈব উৎলকৃই মকম অসিদ
(শৃঙ্গার রসকী অপুৰ ভাবশিং) (নাট্য শাস্ত্রগী)।

মুংশি মুংচোনগী হরাও ঙমথৈবু নিংথিবা মফম ফজবা মম অমদ শাবা উবা অসিনচিংব বিভাবশিংদগী পোকই। মতুংগী অভিনয় মিচি মিখং পিশুমগী মচং শিংশিবা মুংশি রাংই রাতা মওং সংবেকী অনুভাবশিংদগী তৌগদবা ওই। মতুংগী ব্যভীচারিদি অলস্য উগ্রত জুগুপসাবু শাদোক্লগা লেমহৌবা মথৈ ওইগনী। শৃঙ্গার রস অসি মথল শরম্ থায়রি মতুংদি ঈশ্বর মমা মপা লাইংরুদ য়ইবা শৃঙ্গারবু সাত্বিক থংনা মুংশি মুংচোনগী ভাব, মইং ননাওগী ওইবদ দমপাশা শৃঙ্গার ওইগনী।

শৃঙ্গারগী মথল অনি থোক্লা থাইরি নাট্য শাস্ত্রনচিংবদ, (১) সম্ভোগ শৃঙ্গার, (পুংনব), বিপ্রলম্ভ শৃঙ্গার (কাইনব)।

(শৃঙ্গার দৃষ্টি)

হর্ষ প্রসাদজ নিত্ত কান্তাত্যর্থং সমন্মথা।
সভ্রূক্ষেপক টাক্ষাচ শৃঙ্গারে দৃষ্টিরিষ্যতে॥
(নাট্য শাস্ত্র)

হরাও অমম অমসুং থৌজালগী পোকপা অপাম মুংশি মুংচোনগা লাইনবা পীশুম মিংচ মিংথং নিংথিবা ওইবা অদুবু শৃঙ্গার দৃষ্টি (শৃঙ্গার মিংয়েং) কৌই।

মফক্তা থায়থিবাশং আসগী অভীনয় মথাদা উৎলকই।

ভাব—নিংথিবা ক্লিজেং কৈজেং কৈশুনচিংবা অপাম্বগা লোইনবা রাংই রাতানচিংবা অমসুং নিংশিংবা অসিনচিংবদগী ওই।



শিব-পার্ব্বতী (শৃঙ্গার ভাবকী)

শিবে বলদেব বর্ম্মা (নটরাজ, নৃত্যাচার্য), পার্ব্বতী মমতা দেবী।

নবরসকী দৃষ্টি (বিশেষ মানসিকী রস)

বলদেব শর্ম্ম নটরাজ, নৃত্যাচার্য্য



শৃঙ্গার দৃষ্টি



হাস্য দৃষ্টি



করুণ দৃষ্টি



রৌদ্র দৃষ্টি



বীর দৃষ্টি



ভয়ানক দৃষ্টি



বিভৎস দৃষ্টি



অদ্ভুত দৃষ্টি



শান্ত দৃষ্টি

উংখি্বা নবরসশিংসিগী রস অমমমদা মশিং কয়া থোকই অদুম্বা মওংশিং অঙ্গী লক্ষণ উদাহরণগা লোইননা অপুনবা থংহনবা অমসুং 'গতি' মুক্তা হস্ত মুদ্রা নচিংবগা লোইননা মথাদা উংলি মখক্তদু দৃষ্টিশিং অসি ওয়াইথ চেপা ১৫ দগী ১০৮ ফাওবদা য়াওরে।

নৃত্য হস্ত - ভ্রমর, মুকুল, পদ্ম কোশ, কতকবর্ধমানক, অর্ধচন্দ্র আসিনচিংবদগী ওই।

দৃষ্টি অপাম্ সু শি হুংডোন্‌গা লোইননা পীগুম্ অমসুং মিংচি মিংথং অসিনচিংবদগী ওইগনী।

অঙ্গবিকার—নিংখিবা শাথেক্কী মওং মতৌ স্মিত, হসিত (.ন কুকেং) তৌনচিংবদগী ওই।

গতি—পান্‌নিংথাই ওইবা মচং অতম্মা অমুবগী তালদা থংনগদব ওই।

বিপ্রলব্ধ শৃঙ্গার (কাইনবগী শৃঙ্গার)। অভিনয়শিং

ভাব—কাইনবগী বাথলশিংগী অচাকপা থম্মোয়নচিংবদা থ নগনী।

নৃত্যহস্ত - মুষ্টি, কর্তরিমুখ, কটক, সুকতুণ্ড কপোত, পতাক, অঞ্জলী, আসনচিংবদগী ওই।

দৃষ্টি মিংপান হুইথবা মিং চোইথবা।

অঙ্গবিকার - হকচাং চোইথবা হুংশাম্বর শাংনা, চাওনা হোন্‌নদগী থংনগনী।

গতি, তাল - খোং তম্মা থাংবা থোংথাং চোক্‌থবগী মচং অ.ম্ম শাল (ইনা তম্ম) দা চংকদবা ওই।

স্থায়ি ভাব, রতা, ভাব, বিভব অনুভাব ব্যভিচারি ভাবনচিংবা অমদি নৃত্য হস্ত অমসু গতিনচিংবগী ওগাইন মথক্ত য়াওথরে মকম্ অহুদ য়েংগদব ওই, য়াওখ্রুব অমদি য়াওরক্কদবশিং। নবম, ষষ্ঠ, সপ্তম, অষ্টম, ত্রয়োদশ অধ্যায়নচিংবদ।

(বিপ্রলব্ধগী উদাহরণ শ্রীমতী রাধাগী)

নোংদোন অরুণন য়াকাইরে
কৌরৌহনব উরক্লে অসে
য়েংউ ইতা নোংপোক মাইগৈদ
খংলে ঙসিদি শ্যাম লাক্লরোই।
শ্যাম নৎতন ঐদি হিংলরোই
উজরগ থুংঙাইজনী রাখলগী অতিং
অরাবদ ওইরেদো ঙসি অচৌং অসে
ইতা থারসী থরাই ঙসি কুঞ্জ অসিদা
হায়ুনে ইতা? হিংউবগী করি কনাখাগনী
থরাই অসে থাজখীবন হেন্নু ফরগনী ইতা

বৎসল রসকী (গোবিন্দ লিলা মৃত) দগী উদাহরণ

যশোদা— অঙাং নরা ওইরিবা
ইমাগী ফিজিগী মনিও।
ঐদি থণ শেন মণঙাক্ চৎকনী
অসুখা নহাক্কী নিংঙাই চাওবা।
রাহৈ রাভাশিং অসিবু
তোক্লো ইমাগী ইবুংঙো॥
নমা ঐখোয়গী দমকুদি
থণশেন্ থণঙাক রাংতেদো।
চাম চামগী থুজিংনা
নৈরিনে হৈশিংলবা॥
অচুক্ নৌরিবা নহাক্না খোংউপ্ য়াওদনমক।

কোইনা কোইনা মুমিং চুম্বা তিংখং তুখৌলক্লদা চংলবদা মপা মমা ওইবী ঐখোয়না করম লৈহৌসিগে।

(যশোদন কৃষ্ণবু রারকপ থুদোন্‌বীনচিংব শিংহুনা)

বাৎসল্য উদাহরণ— হায় ! কল্লাই হয়েং মতুং মনাও
অমুক হন্ন হুরান্‌থীগন্না ?
ননি মাখলশিং অসে
ব্রজ গোপিশিংগী মকমদগী।
ঙসিদি থংগনিদো
পুন্দুন থমলগেদো।
খোংকাপ্‌ অমত্ত চংখোক্লহল্লরোই
ব্রজগী খুংগংশিং অসিদা।

বাৎসল্য রসকী খুদম্‌শিং, কৃষ্ণনা ননি মাখল ব্রজগোপীশিংগী ময়ুমদগী হুরান্‌হুনা চারুবদগী মমা যশোদানা রারকপা। খুদোনবী-নচিংবা শিংহুনা কিহন্‌বা। থৌরীনা পুন্দুনা থম্বা। অমনা যণ-শেনবা চংকহুনচিংবাশিং অমদি মমা মপাগী মমাংদা অংকৃপা ঙগোই শাব। কালিয়দমননচিংবা তৌথীবগী অরাব মুং-াইবন-চিংবদ বাৎসল্য রসকী মপুং ফানা যাওরী থংনগদব ওই।

বাৎসল্য মশকী ওইবা মুংশিব (স্নেহন) স্থায়ীভাবনি, মচা-নচিংবা অহুনা আলম্বননী অন্নুমা থংনখরে।

চোং ফনবা ফাগী তৌবা নোকপনচিংবা, মহৈ মশিং অমসুং অঙকৃপনচিংবা উদ্দীপন বিভাবনি। আলিঙ্গন (কোন্‌বা চুপ্পা) মকোক মাইথোং পাইবা, য়েংবা, তুজুংবা, মুংঙাইবা, অমসুং পিত্তাবা অরাবা অসিনচিংবশিংন অনুভাব থংনত্রে।

খুদোন্‌বী থিন্‌বনচিংবা হরাওবা গর্ব তৌবনচিংবা অহুনা লঙ্কারী থিবিক্কি অন্নুমা থংনগদব ওই।

বর্ণনা—থম্বাল মচুংগী অতৌবা মেন্ মান্বা মচুগা মান্নবা গৌর্যাদি ষোড়শ (১৬) মাতৃকা খিবিক্না দেবত ওই।

উদস্থনৃত্য (সাত্বিক ভাবকী)

(উদস্থ নৃত্য—৺শান্তিকেশ্বর শর্ম্ম নৃত্যাচার্য্য)। ঈশ্বরগী ওইবা হায়খিবা সাত্বিক শৃঙ্গারগী মওং ঋর শান্তিকেশ্বর শর্ম্ম নৃত্যা চার্যানা শাবিখিরম্বা থর মথাদা উৎচন্নী।

অসুম্ ওঈবা জগোইবু শাখিব প্রয়োগ অসিদা য়ৈখিবা পুংলোনাশং অমসুং প্রবন্ধনচিংবা মথাদা উৎলক্নী।

শ্রীযুক্ত রাসবিহারি শর্ম্মা চন্দ্রবদন শর্ম্মা মৃদঙ্গাচার্য্য অনিনা নৃত্য অদুগী ভাব অভিনয়বু ফোংদোক্লিংহনা য়ৈথীবদ ৺শান্তিকেশ্বর নৃত্যাচার্যান শাখিবা জগোই (নৃত্য) গী শরুক থরা মথাদা পিজরী।—

শ্রীচৈতন্য প্রভুনা রথ যাত্রা দর্শনগীদমক লেংলকপদ
শ্রীশ্রীজগন্নাথগী কাংথাদ ভক্তশিন লৈতেংবগ লোইনন
পুং শেন খিবরু য়ৈরহুন ইবুংঙোগী নাম শোল্লিংদ।
শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য প্রভুনা সাত্বিক বিকার ফোংদোক্ল
হরাও তুজ জগোই শাথীব অদুম্ব প্রভুগী জগোই অদুদ
পেম নাইত্রব শ্রীজগন্নাথনা কাংথক্তগী বিশম্ভব ভায় লৌথী।
মতাং অদুদ রথবু ভক্তশিংন থৌন পাঙলদ কাংগী থোন্নী চিংবদ
থোরক্ই থোম্বাং কে ক্রে হাইন অদুম্ব থোম্বাংদুবু ভাজরগ
সিত্তা নাথ অদ্বৈতন থিন্দন য়ৈরকই পুংলোনগী মুখবোলদ।

পুংলোন্ নৃত্য (মাত্রা ৪ গী—
ধিন্নধিন তাধিন্ত ধিন্‌ধিন্ত ধিন্‌ধিন্ত
ধিংত্রধিং তাধিং ধিংধিংত ধিংধিংত
(দ্রুত দ্রুত)

প্রবন্ধ (বোল)— কাংশী

তেটে তেটে কট কট	|	ঘু ঘু রুক রুত
ধপ তধ পত ধনি	|	ধকড়ান তক্ বা জত
* তম তম কটি নক	|	ঝা — তক্ বা
জত তম তম কিটি	|	নক ঝা — তক
বা জত তম তম	|	কিটি নক তেরে কত্ত
তম তম দুল কিট	|	পুম্ পুম্ রে রে
মনি পুল কিট খিমা	|	ন কিট দিক কিটি
দিক কিটি দিক কিটি	|	বা জত কিটি নক
ঝা — বা জত	|	কিটি নক ঝা —
বা জত কিটি নক	|	ঝা — — —

* (তম তম অসিদ কনাগুপ্বন তুম তুম, দুম দুম স্থ হায়নৈ)

মৃখবোল— ধিধি কত্ত রিয়া তাথৈয়া বোল
বাজে মৃদঙ্গ মোহন রোল
অদ্বৈত ঠাকুর বাজত মধুর
বোলত ঘনঘন দুলে দুলে
দুলেদুলে বাজত শ্রী —
কৃষ্ণচৈতন্য পতিত পাবন
কলুষনাশন অধমতারন
নিত্যাই নিত্যাই ভাই নিত্যাই
নিত্যাই ভাই নিত্যাই নিত্যাই
ভাই — — —।
ঝা তিতি তাতিতি তাতিতি

—তা তত্তি তাত্তিত্তি তাত্তিত্তি
- ঝা ততি তা তাত্তিতি
—তা তিতি তা তাতিতি।
(হুম হুম)

ঝাউরর ঝম্পট লাউরর লম্ফট
নভঙ্গী নটপট বম্ম ধ্বরা
ভজেঙ্গী গৌরনিত্যাই ছুতিপদ
তকাধিয়াও তকধিয়াও উররর খেততাতা
তকধিয়াও তকধিয়াও উররর খেততাতা
ঝা — উররর খেততাতা
ঝা — উররর খেততাতা
ঝা — — —

সাত্ত্বিক ভাব—

রাধা ভাবতু নিংশিংলকুলে
শ্রীভগবন্ধু উর ইবুংঙোন।*
রাজরবী শ্রীমতী রাধাহুন।
দোলাই চকাদ পাইজখিব।
মধুপুর খোংসান লমদাই
অক্রুরগী দোলাই থকতুদা।
হায়রীবদো শ্রীকৃষ্ণ চন্দ্রন
নংগী লমনসে শিলগেকো ঐহাক্
কাওরক্লে সাত্ত্বিক বিকারশিংদো
মতমসিদ কাইন মৈচাকী অবাব।
(রাধভাবতু ....)*

আশ্চর্য, স্বেদ, স্তম্ভ, কম্পিত, আশ্রু, বৈবর্ণ্য, রোমাঞ্চ, স্বরভেদ, প্রলয়, (কারনকু)।



গুরু [illegible] [illegible]চাগী ([illegible] অমগ সাদিক [illegible])

[illegible] চাখা [illegible] [illegible] চপচাক [illegible]
গুরুজী [illegible] কযা পুথোকলমই, অতুগী নমুদ [illegible]
[illegible] গুরুজীগী জগোইদ সাগাব মিলন নৃত্য, অ[illegible],
[illegible] অজর্ন, কুম্ব অমদ উদয় নৃত্য অসিনি। গুরুজীগী অহুকপ
[illegible], অকুম্বরগী নমুদ নকাধং করন লাইন উংলা মতুদ—
[illegible] প্রথমগ [illegible] অসিন
অমনা অ[illegible] প্রথম আনিদ মৈগী পাত্র ওইরগ রঙ্গমঞ্চ (স্টেজ)
অত্র [illegible] মশাগী মে অতনা জালহল্লগ লৈন লৈন [illegible]
[illegible] মরব মবক্তা [illegible] অনিদুগী [illegible]
[illegible], লৈমাইদ [illegible] ওপ্প ওপ্প [illegible] অসনি। মসি
[illegible] অমনি। গুরুজী কল
[illegible] ভারতকী মক্কম
কযাদা [illegible] অনিশুবা লাঙ্গাওগী মমা-দ, গুরুজী গুরু
অমুদোন [illegible] মতিকচাব অহানব ছাত্র অমনি।
গুরুজীগী উদয় নৃত্যগী মওং থক [illegible] ২৪২-২৭৫ দ যাওবকনি।



গুরু অমুদোন শর্মা পদ্মশ্রীগী চানগী ফিবম অমা।

গুরুজীগী অহল-লমন তাক্কুকপগী মথং মথা কাসহানবা এই-
নকই শ্রীগোবিন্দগী, গুরুগী গুণ মনুংথংনা, মণিপুর জগোইদা হৈখ্রবা
মীপুম খুদিন শিংথানখ্রবনি গুরুজীগী শিল্পশিং ভারত অমসুং
মীবৈবাক কয়াদা পাকখ্রবনি। ভারত সরকারনা গুরুগী সনমান
উৎখ্রবনি গুরু অমসুগী চাদবা শাগ মপু চপচাবা জগোই
পাদোক্কুকপদা মচুখি চাই এইবু গুরুনা মণিপুর জগোই গুরু-
জীনা হুম্বীবম শরুক খবদা খজহৌবা ঐনা ঐগী প্রচলিত মণিপুর
নাটা কলা কৌবা অসিনা য় ওবিবা চানী, চানপরে: অমদি বসন্ত
বাসনচি-বশি সি এবাগী মচংনি

মতাং অয়োইব (পগয় অসিদা চক্রগুম্বা লৈরগ তাগনী লৈমাইদ খেঙ্গুক্সমনা অতুদগী ভক্তশিংগী হরিনাম শৈলকৃজগী অমুক হৌগৎলক্লুনা জগোইদ শারগ লোইরগনী।

হায়ধুীর পুংলোনগী প্রবন্ধ ময়াম অসিগ লোইনন শ্রীশ্রী চৈতন্য প্রভুগী সাত্ত্বিক বিকারগী ওইব নৃত্য ভাবশিং অহবু নৃত্যা চার্য্য শান্তিকেশ্বর শর্ম্মান শাবীথিবদ মমাংদসু মতুংদসু অদুগ নৃত্যগী মওং অহু লাকথোগদ্র হায়নবী অমসুং শোরগী।

মতাং অসিদ শৃঙ্গার অমসুং সাত্ত্বিক ভাবকী ওয়খৈ লোইরে।

হাস্য রস

হাস্য রসকী স্থায়ী ভাব হাস (নোকপনী)। ফিজেৎ ওয় লৈনবা, ইকাই খংদবা, ফাগী ফবাং তৌদুনা হেক মাংবা লোৎপা, ত্রিকি হৎপা, চোইরোন্ ছাংবা, মওৎ মগৌ চুমদবা উবা, মরাল শিজিনব য়াহৈ অসিনচিবা বিভাবতগী পোকই।

অভিনয় চিনবান, নাতোন্, থজাই, চাইরুং নিকপা, মিং পাংলোক্ পাংশিনগী মওং, চোংফনবা, মমাই শকতম্ ওনবা, অমসুং নাকন্দ থিনবা হৎপনচিংবা অনুভাবশিংদগী ফোংগদবা ওই।

ব্যভিচারি ভাব—অবহিৎথ, আলস্য, তন্দ্রা, স্বপন, প্রবোধ অমাদ অসূয়া অসিনচিংবদগী ওইগনী।

বর্ণ (মচু) শুক্ল (অঙৌবা), দেবত—রুদ্রগী কাংলুপ, খংনগনী।

দৃষ্টি (মিংয়েং)— ক্রমাদাকুঞ্চিতপুটা বিভ্রান্তকুল তারকা হাস্যা দৃষ্টিস্তু কর্ত্তব্যা কুহকাভিনয়ং প্রতি॥

(নাট্য শাস্ত্র)

অর্থ—ক্রম নাইনা মথং মথং মিংপান্ খুজিনবা কোইরেং লেংবা তনিক্ তনিকপা মিং নহা অছম্বা অহবু হাস্য দৃষ্টি (নোকনীংবগী মিংয়েং) কৌই।

হায়থৗশিংসিগী অভিনয়শিং মথাদা উৎলকই।

ভাব—অমগীগী বা ভাংবা মওং মতৌ চুমদবা থেক্ খোংপা চোংফনবদা থংনগদবা ওই।

নৃত্য হস্ত—সূচিমুখ, কপিথ, পতাক, হরিনমুখনচিংবদা শাগদবা ওই।

দৃষ্টি—মথং মথং মিৎপান থুজিনবা কোইরেং লোবা অনিক অনিকপা মিৎমহা মিৎয়েংবু ওইগনী।

অঙ্গবিকার—চোংফনবা, খ্রিকি হৎপা, থুমথেকপা, মাইমিং মওং ওনবা, নোম্বনচিংবদা ওইগনি।

গতি তাল—অতপ্পা অথুবা, তুরে'ই চারোই, চংথোক্ চংশিন্, তৌগদব ওই।

উদাহরণ—অমুম্ব (কুক্কুট মিশ্রপাদ য়ৈন্ কৌব উচেক্ মানব) ব্রাহ্মণ অথোইবা অসিনা হুমিং মঙানিদং চুপ্পা হৈরবা গুরুগী মকমদগী মিমাংস শাস্ত্র মশকপু তমলগা হুমিং তুম্নিদ স্থু বেলান্ত-নচিংবস্থু তম্লগা অমস্তং তক্র শাস্ত্রবু মনম্ মমুউরগা লাক্লে ওইরিবা ভাব, দৃষ্টি, হস্ত, গতী অঙ্গহারনচিংবা মথক্তা পনখে। মফম অতুদনী য়েংগদব' ওই। হেন্দোক্লা প্রয়োগ তৌগদবদ ওই॥

শাস্ত্রশিং চুবুম মনম্ নন্উরগা, অসিদা লাক্লেনেসে। উদাহরণ অসিগী মকম্সিদা কুক্কুট মিশ্রপাদনা অলম্বনগী, তম্বনচিংবন উদ্দীপননী হকচাংগী মচং মওংনা অনুভাবনী, নোম্বনবা হোৎমরিবা ব্যাভিচারি ভাবনি।

হাস্য রস অসিদা মতোম্দা নোকচধানচিংবদু অম্মম্ব হাস্য কৌই।

অতোপ্পদগী নোক্লকপনা—পরস্থ হাস্য কৌই হায়রিবা হাস্য রস অসি মথম '৬' ওই।

মচুদি ঃ— (১) স্মিত, (২) হসিত, (৩) বিহসিত, (৪) উপহসিত, (৫) অপহসিত, (৬) অতিহসিত।

স্মিত—হসিত উত্তমগীনী বিহসিত, উপহসিত, মধ্যমগীনী অপহসিত, অতিহসিত, অধমগীনী।

স্মিত হসিত যাম্না খোংনা মেংনা নোক্কেং তোব নাপ অমগুং ঙিংচিনী মিংনোক্ মিং মাইখোং মকা লাম্বা য়া থরনং উবা হসিত। মাউইনদবা মীনেক্ স্মিত কৌই।

বিহসিত—মীং চাইরুং খুজিলবা মরগা লোইনবা নিংথিবগী মীনোক্ অমুবু বিহসিত কৌই।

উপহসিত—নাতোন্ আওখোক্লনা কোক্ শুপ্চিন্দুনা নোক্পবু উপহসিত কৌই।

অভিনয় (উংকদবা)

অপহসিত পিগা লোইনবা মিং কেপ্কী শরক্ হায় হুমহুনা মকম মতম্ চাদনা নোক্পা অমুবু অপহসিত কৌই।

অতিহসিত তরং তরং (কাইরেং লংবা পিগা লোইনবা মীংনহা অমগুং য়াক্লবা মরন খোঙেলনা) তিল্লবা হক্চাং চোংবা শুইদুনা নাকন্ নপ্শিন্দুনা নোক্পা অমুবু অতিহসিত কৌই।

হাস্য (ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)।

স্মিনং—য়াউহন্দনা নোক্পা চাইকংদি শাংকাইববু থংনগনী।

উদাহরণ - শ্রীকৃষ্ণবু শক্তোম্ হুরানলে হায়দুনা তানরকপদ কৃষ্ণনা হায়খ্রীব।

কৃষ্ণ—ঐগী ঈয়াম্বনা শক্তোম্ মাখোল হুরান্বনী হায়দুনা ফংত্রবা অহন্ হুমুবী অসিনা ঐবু তাম্লী। হৌজিক কদায়দা চেন্গনী ঐবু কন্বীয়ু। খোদোক্ অসিদা কৃষ্ণবু উরদুনা সর্গদা মুনিশিংনা থজিতুং নোক্পদ স্মিত অমুবু কোংদোক্ই।

হসিত (ভক্তি রস)

হসিত—য়া খর উরগা নোকপা, রাধিকাগী অভিমন্যু (জটিলাগী মচা অভিমন্যু) শাক্তুন কৃষ্ণন জটিলাগী মনাক্তা লাক্লগ হায়খীব।

কৃষ্ণ—(জটিলাদা) ইমা য়েংউ কৃষ্ণনা ঐবু শারক্তুনা নমাংদা লৈরিবসে (অসুম্ হায়রবদা) জটিলান শাক্তক্লুনা মচা অভিমন্যুদা লাওহৎতুনা ফুখরে। মহু উবদা শখিশিংন খংলদুনা হসিত ওইনা য়া খরগী উব লৈখেংদা নোকৃখিবা অতুবু খংনগনী।

বিহসিত (ভক্তি রস)

বিহসিত—খোঙ্গেলগা লোইননা লাওব, (কৃষ্ণগা লোইননা জটিলাগী ময়ুমদা শক্তেম হুরানবা গোপশিংনা।

কৃষ্ণ হে সখাশিং নিংথি নিংথিবা শক্তেম-মখোল হুরান্নু য়ুম অহুদ কনাবুস্নু কিক্ননুকো কনাহুস্ন কিক্ন ॥ (জটিলানা খর শাংনা চাওনা হোন্দুনা তুম্নখদগী তারক্তুনা)। বিহসিত—(খোঙ্গেলগা লোইননা নোকৃখিবা) মিনোকতুবু খংনগনী।

অবহসিত -(ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)

অবহসিত নাতোন্ লাওখোকপা মিৎ থুপ্চিনবা লোইননা নোকপা। মহুদি কৃষ্ণন ময়ুমদা অয়ুক অনবদা লাকপা। (সখিশিংগা হরাওন শানক্রবদগী) মতম অদুদা যশোদানা কৃষ্ণবু উরগা হায়রকই।

যশোদা—ইবুংঙো নহাকী নমিং অনিদা অরবা (অমুবা) থাতুগী মচু অতুবু পকলীব অতুগ করি মরম্দগীনো বলদেবগী অশংবা ফিগে শেংলুরীবসিনা।

যশোদাগী বাহৈ তারগা মাংদা লৈরিবী হুতিশিংনা অবহসিত ওইতুনা নাতোন্ লাওখোক্লুনা মীৎ থুপ্চিন্না।

অপহসিত — (ভক্তি রস)

মিংকী পিগা লোইননা লেংজুম্ নিক্তুনা নোকৃপদ ওই। (কৃষ্ণগী কোংদোক্লকৃপা শক্তম্‌দা ব্রহ্মানচিংবা লাইয়ামুবুস্থ জগোই শাহন্‌খিবা)— ব্রজগী অঙাংগী শক্তম লৌরিবা শ্রীকৃষ্ণনা হনুবীগী শক্তম মওংবু লৌহুনা জগোই শাখিবা উরগা। সর্গগী দেবঋষি নার্দনা লেংজুম নিক্তুনা নিংথিবা পিরাংগা লোইননা নোকৃপদ। মাগী পরেংনা অঙৌব নোংশিংগী মপৈত্থুগী পরেং শুইরহুনা মিৎয়েংনা কৃষ্ণ তম্মা লৈথরে।

অতিহসিত (ভক্তি রস)—

অতিহসিত—খুবাক্ খুত্থনা হকচাং চোংহুনা নোকৃপদ ওই। (কৃষ্ণনা অহন্ ওইরবীদা লক্লখিবা)—

কৃষ্ণ — হে ইবেন্ হনুবী ও—।

নহাক্কী উন্‌শাদো, পুম্নমক খুইথরেদো

য়োংগী মাইথোং মালক্লে।

মরম অতুদগী য়োং নিংথৌনা

নহাকপু মতিক চাবনী খল্লহুনা।

সুহোংনবগীদমক পাম্বহুনা

ঐবু য়োং নিংথৌনা লাইনিং পরৈ ওইব্রিয়ে।

(রা অসি তারহুনা হনুবী অচুনা খুমকই।)

অভিমন্যু—অয়োন।

হম্বী— ঐনা অহুম ওইবা মতিক্ অহুদগী
তপ্থবা রাখল য়াওদনা (খিন্দন)
য়োং নিংথৌ অদুবু মাংহল্লগা
পুতনা তৃনাবর্ত্তনচিংবা মাংহনখীব
মহাক নত্তনদি অতোপ্পা কনা অমত্তুদা
লুহোংলরোইদৌরিবা, অহুম লেপ্খ্রব ঐহাক্কী ॥

অত্তিহসিত—(কয় নোকপ)।

অহুম্থুদা নাক্কা লৈরিবা অভাবশিংনা অতিহসিত ওইহুনা খুবাক্ থুহুনা হকচাং চোংহনা নোকখিবা অদুবু খ নগনী।

করুণ রস

করুণ রস অসিগী স্থায়িভাব শোক (অৱাবা) নী, শাপ হগী অবাবা, মুংশিনবা মরুপ্ কাইনবা, লল্ থুম মাংবা, হাংপা, পুন্বা মিনুংশি হৈত্রব রাহি রাতা, ল'ওথোংব তেক চেন্ব চোৎবন-চিংব, হেক শোক্পা, য়ৈথায় খিনগাইবনচিংবা অমুম্বা বিভাবশিং অসিদগী পোক্ই। মহগী অভিনয় ৱ'ম্ববা কপ্পা, শমফোইবা, কোক্ হায়বা, চোংফন্বা, পি চহ্বা কপ্পা মাই মক্শিন্বা, কুচু শনবা, হকচাং চোক্থবা, মুংশা খর তোইনা হোন্বা, নিংশিংবা, থোক্তবা, বৃদ্ধি মাংখিবনচিংবা চোংকনবনচিংবা অনুভাবশিংদগী শিজিন্নগদবা ওই। মহগী বেভিচারী নির্বেদ গ্লানি, চিন্ত ঔৎসুক্য আবেগ, ভ্রম, মোহ, শ্রম, ভয়, বিসাদ, দৈন্য, ব্যাধি, মরন, স্তম্ভ, বেপথু, বৈবর্ণ্য, অশ্রু অমদি স্বরভেদ নচিংদগী ওই।

দেবত যমনি—বর্ণ—কপোত (খুমুনী)।

দৃষ্টি—(নাট্য সাস্ত্র)

পতিতোর্ধ্ব পুটা সাস্রা মন্থ্যা, মন্থর তারক। নাসাগ্রানুগত দৃষ্টি করুনা করুনেরসে ॥

মিৎপান্ হুইথরক্পা পিরা শিংগা লোইনরবা, অচুম্বা অরাবগী মীৎনহা অদুনা নাত্তোন্ নাক্‌চিদা হাইথরক্পগী মিৎয়েং অহুম্বা অহুবু করুন দৃষ্টি (অরাবগী মিৎয়েং) কৌই।

অভিনয় (উৎকদবা) শিং অচুগী ভাব অরাবা রাখল, শাপ কংবা মরুপ কাউনবা, শোকপনন্নবা অমসুং অশিবন-চিংবগু উৎকদব ওই।

নৃত্য হস্ত —অলপদ্ম, মুষ্টি, কপিত্থ, দোলা (পতাক অনিনা), অবহিত্থ (শুকতুণ্ড অনি) কটক অসিনচিংবদা উৎকদব ওই।

দৃষ্টি—মিৎপান্ হুইথহুনা পিরাংগা লোইনবা মিৎনহাগী ওই।

অঙ্গবিকার—হক্‌চাং চোক্‌থবা মুখীগুম্না লেম্না লাইবক্তা, কোক্তা, খুংনোইনা, খাবা ফুদনচিংববু তৌগদব ওই।

গতি অমসুং চাল থোং রাংনা থাংনবা, তপ্পা চৎপা, তফিং তফিং চৎপা অমসুং হেক্ লেপনচিংব তৌগদব ওই।

তাল অংমা তালনচিংবদ থংনগনী উদাহরণ (সঙ্গীত-দর্পণ)—

(বনদ চৎকদবগী থৌরাংনবা রামদা মপাবুং দশরথনা হায়খিব)।

পাঁর ইন্দুগী অঙাং নরা ওইরগনি ও
বন চৎকদবগী ঋষি ব্রতগী শকতম্ লৌরবা।
কোথক্ত ফুটান নৈতেংলব ওইরবা
থোং নৌরব শকতমদো করি ওইরবী।
থৌর থাংশান শিরিষ লৈরাং হেকপগুম্
নোংদম বিধি মহাক্কী তম্খির খুশেম্নি।
মকম্ অসিদ রামন আলম্বন বিভাবনি।
বনদ চৎকদবগী থৌরাংবন উদ্দীপননি।

বিধাত নিন্দা তৌবনা অনুভাবনি, অহাবশিং অহুনা ব্যভি-চারি সঞ্চারিনী।

করুণ (ভক্তি রসকী) উদাহরন।—

কৃষ্ণবু লিল (কালিলিল) না নমৈনা য়েংশিনখ্রবদ কৃষ্ণ অহুবু (যমুনাদ) উবা ষংদ্রবদা চান্নরবা সখা (গোপ পুন্নমক) না য়াম্না খানখী।

অহুম্বা অম্বা অনং অমদি অকিবন ত্তিন্নবন
বুদ্ধি মাংহুনা লৈবাক্তা তুহংখিয়ে
হেরাক্তন কৃষ্ণগী অরাবা উবদা গোপশিংনা
অতুম্বা পৌদেক অমু ওইরোইদব লৈতে।
মতুদি অয়া, থম্মোয়, লল, মতু মচা
অপাম্ব পুন্নমক কৃষ্ণ মহাকী মফমদা কংখ্রবনী।

রৌদ্র রস

রৌদ্র রস স্থায়ি ভাব ক্রোধ (শাওবা নী। রাক্ষস দানবশীচোং ফনবা অমসুং মীওইওবশীসু ওইবা চোং ফনব। লান্নচিংবনা মরম্ ওইহুনা ক্রোধ স্থায়ি ভাবকী রসনা রৌদ্র ওই। হেক্ শাওবা, হেক্ ইন্‌বুবা, মরান পিবা চুমদনা রাহৈ, শোক্পা মাবা, রাহৈ রাত্তা অকাইবা কলক্পা অসিনচিংবা উদ্দীপন বিভাবতগী পোক্ই।

য়েথায়বা নম্ন ফুনবা, খুংলাইনা ককথংপা, থোংতংপা, লাওখোংব, চৈহংপা হায় হুম্না চংপা, থুংলাই পাইনা কান্ন কর্মদগী ওই। মতুগী অভিনয় মিৎ ভাংবা পিক্তম্থেক্পা, চিন্‌বান্ চিক্পা থজাই পৈবা, থুংনোইবনচিংবা অনুভাবশিংদগী তৌগদবা ওই। ব্যভিচারি ভাবন অসম্মোহ, উসাহ, আবেগ, নচিংবদগী ওইগনি।

দেবত রুদ্রনী, বর্ণ রক্ত (অ) মচুনী।

দৃষ্টি – ক্রুরা রুক্ষারুনোদ্বৃত্ত নিষ্কপুট তারকা।

ভ্রূকুটিকুটিলা দৃষ্টিঃ রৌদ্রে রৌদ্রী রসা স্মৃতা।

অর্থ—তম্ থীরবা থম্মোয় কল্লবা, মুংশি হৈত্রবা, শাওরবা, ভ্রূ াংনরবা মিৎ লৈয়রবা (লৈখৎলকপা) লেংত্রবা মীৎপান্ মিৎনহা, পিশুম্ থেক্ খোইবা মিৎয়েংদো রৌদ্র রসকী রৌদ্র দৃষ্টি কৌই।

অভিনয় (উৎকদবা) শিং অদুগী — ভাব - শাওবা থম্মোয় চাক্পা, কলক্পা, হনগৎ হন্দা চৎপা, স্বর চাওলা হোনলা, লাক্চ পুহুম্ চন্থিবা অসিনচিংবদগী ওই।

নৃত্যহস্ত—সূচি মুখ, মুষ্টি, পতাক শিখবনচিংব উৎকদবা ওই।

দৃষ্টি—ভ্রূ াংনরবা মিৎ লৈয়রবা (মিৎ লৈখৎলকপা) পিশুম্ থেক্পা খোইবা, মিৎয়েং, মিৎনহা মীৎপান্ লেংদববু থংনগনী।

অঙ্গবিকার—পাম্বোম নিক্পা, তিংবা, হক্চাং নিক্পা, থুংলাই পাইবা, য়ৈথাইবা কাপথোকপনচিংবা তৌগনী।

গতি অমসুং তাল—চোংবা ফনবা, ফিংনা চৎপা তাল অথুবনচিনবু তৌগদবা ওই।

উদাহরণ (সাহিত্য দর্পন)

বেনী সংহার নাটক্তা দুষ্টদ্যুমনা দ্রোনগী মচক্ কক্র্বদগী শাওরবা দ্রোনগী মচা অশ্বৎথমানা দুর্যোধনগীদমক্ অর্জুনবু কৌদুনা অসুম্না হায়খি।

অশ্বৎথমা—

শামকী পাংথক ওইরব ইকাই খংত্রবশা।

থুলাই খাদোক্ত্না লৈরিডেদ দ্রোন গুরুবু।

থুলাইন লৈতেংলব নখোই নমাংমক্তদ

ইপা অহুগী মহুক অহুবু কক্‌হনখ্রব।
ব্রহ্ম হত্যাদি মহাপাপপু তৌখ্রবনিকো
মতম অহুদ ক্রুপদনচিংব নখোইন য়াখ্রবনিকো।
মরম অহুন, কৃষ্ণ অমদি ভিম অর্জুননচিংবগী
শত্রুম খিবীকপু অশ্বত্থম ঐহাকমক্তা
মাইগৈ খুদিংদ লৈবীব ভূত প্রেতকী
লেপ্‌নমক্‌ মচিঙাক্‌ ওইহল্লগদবনী॥

অহাংপ দৃষ্টদ্যুম্নবুদি কৌরবুনা অর্জুননাচংবব কৌরী অসিগী মরমদি দৃষ্টদ্যুম্নবুদি গুরু হাংপগী পাপ চেন্‌খনি (লোয়া হাংখিবন) যুদ্ধবীরগা রৌদ্ররসকা খেন্নবা, মিং ভাংবা ঙমাং কাংবা মাই ভাংবদ রৌদ্ররস ওইগনী। যুদ্ধবীরদদি ওইরোই।

মফম অসিদা অর্জুননচিংবা আলম্বন হাংপগী খুংলাইনচিংবা অসিনা উদ্দীপননী অহুগীদমক্তা লাওখোংগীব অহুনা অনুভাবন। নাপন্‌ উংলিবা অহুনা ব্যভিচারি, সঞ্চারি ভাবনী।

(রৌদ্ররস, বেনী সংহার নটককী মত খরা)

কুরু পাণ্ডব অনিগী লান সন্ধিগীদমক্ত থোরাংখ্রবদা রাশক পরৈ তম্‌খ্রবী মশম্‌ জটান লৈতেংলবী দ্রৌপদীনা মমিং অনিপিগী ইবা চেন্নরুনা অৱা রাখল খল্লমই মহুদি লাল সন্ধি তৌখ্রবনি কৈদৌঙৈনো। ইশম জটা থোকদব অসুম খল্লৌতৈ মতমদা ভীমনা দ্রৌপদীগী মফমদা হায়খী।

দ্রৌপদী করিগীদমক্ত মমিং অনিদ
অৱাব পিরাংগী ইরা চেন্নীবনো।
নহাকীদমক্ত লাল সন্ধি পানগ্রব
ভীম ঐদি, ওসিদগী হৌরদুন।
ইচিন ইনাওশিংগী লজ্জগী
তোঙাল্লবনী তোঙাল্লবনী দ্রৌপদী।

মাঙ্গ সভা মখাই অমদি
গুরুজনশিংগী মমাংমকুতন
মহাপাপী দুঃশাসননা
নশম নকি লাকচিং
ইকাই পিডৈ মতম্ অদুনা
অহংকারন থুমহুংলব দুর্যোধনগী
তা হৈন রাহৈ কয়ানা শাগৈগমী মৌন
মহৈক নিঙ্‌ করেম্ -খাঁব
মতম্ অদুদা গুরুজনশিংগী মাথং
চাক্ খাংডমরব ভীম ঐনা
থাশক পরৈ তমখীবশিংদো
কাওরোই কৈদৌহৈদগু ভীম ঐনা।
কাও তাও দ্রৌপদী। ঐগী রাহৈশিং অসে
লাংতকনরব খুংশাসিং অসিমা
মহাপাপি দুঃশাসনগী মথবাক অদো
শে গাক্, শেগাইবদগি থোরকপ ঈশিং অমদি
হুন্ন হুন্ন থক খাদ লৈয়রব অদুম্ব
লাংতক্করব ইখুংকী গদাদগী
মহাপাপি দুঃশাসনগী মহৈক অদু
খে-গাক মৈথেকপদগী থোরকপ ঈশিং
ঈশিং অদুবু মতম কুইনা থোরাংনা ঙাইরীব
নংগী জটাগা শম্‌লাংশিং অদুবু
থোকপীগদবনি ভীম ঐনা
*(নহাকীদমক্ত··· ··· ··· ··· ··· ···)

রৌদ্র রসকী (ভক্তী রস)—

(জটিলানা মমৌ রাধাগী কিবু কৃষ্ণগী—উরম্বনা শাওনা হায়কপ)।

জটিলা— অরে দুর্গী ছুরান্‌বা (মীৎয়েং চুম্‌দবা)

তশেংনমক নহাক্কী নথবাক্তা।

ইমৌগী কিনা লৈতেংজবা?

আঃ অন্নাবনীদ অমুম্বা রা অসিবু

করম্না হায়গদবা ওইবগে॥

অরে ব্রজবাসি পুম্নমক করিগীদমক

নখোয়ন খোলাও অসি তারোইদৌবগে।

অমুম্ব ব্রজ নিংথৌগী মচা অসিনা

ঐগী ইচাগী মযুম্‌দা লৈহোৎরবীবসে॥

বীর রস

বীরগী স্থায়িভাব উৎসাহনী। নকুম্বা, থোংনবা শক্তী কন্‌বা, লম্‌চৎ নিংথিবা নোঙ্গুকপা, শাঙ্গল মখিক্‌ চাওবা, শক্তি থোনা মতিক নয়াই কন্‌বা, মখিক্‌ মতান্‌ অসিনচিংবা বিভাবকী পোকই।

লেংদবা, তপ্‌থবা, অথৌবা, তৌশিংগ মসি অসিনচিংবা অনুভাবশিংদগী অভিনয় তৌগদবা ওই। ধৃতি, মতি, গর্ব, আবেগ, উগ্রতা, অমর্ষ, স্মৃতি রোমাঞ্চনচিংব অসিনা ব্যাভিচারিনি।

ছন্‌বা, থাব, থাদবা, থোনাগী রাহি বাতা, লোইনবদগীসু অভিনয় তৌগনী।

দেবত ইন্দ্রনী, বর্ণ গৌর (অঙৌবনী)।

দৃষ্টি—দিপ্তা বিকসিতা ক্ষুব্ধা গম্ভীরা সমতারকা। উৎফুল্ল মধ্যা দৃষ্টিস্ত বীরা বীর রসাশ্রয়া॥

অর্থ—শাংকাইরবা (কোংদোরবা) নিংথিরবা মঙালগী তক তক, তরং তরংলবা গম্ভীর ওইবা, মিংনহা চপ মান্নবা লৈব ; ময়াইদা মকা লায়া শাংলবা, অতুগুম্বা মিংয়েং অহুবু বীরগী মিংয়েং খংনগনী।

অভিনয়— (উৎকদবা) শিংহুবী— ভাব— ওকুহবা, লমচৎ নিংথিবা, নোমুকুপা খোনা শক্তি অসিনচিংবদগী তৌগদব ওই।

নৃত্যাহস্ত— শিক্ষব, মুষ্টি, পতাক, কপিথ অসিনচিংববু খংনগনী।

দৃষ্টি – (মিংযেং) তরং তরংব (তক তকব) নিংথিব মিংনহা চপ মান্নব ময়াইদ লৈরব, ময়াইহুদ মকা লায় শাংপগুম্বনচিংবদ ওই।

অঙ্গবিকার – অরেম্বগী শাগুং শাংখেক্, খুৎলাই পাইবা, কাপ্পা, হুনবা, কুবা, য়ৈবনচিংবদগী তৌগদব ওই।

গতি অমসুং তাল— লেম্বগী মচৎ তকিং তকিংদবা, য়েংবদা অকনবা, খোনাগী মওং মচৎ ওইগনী।

তাল— নিংথিবা, অরেম্ব মধ্যলয় অমসুং দ্রুতলয় তাপ্পাওনচিংবদগী তৌগদবা ওই।

বীর অসি মখল মরি পোক্ত থাইরি মদুদি :—

(১) যুদ্ধবীর (২) দানবীর (৩) ধর্ম্ম বীর (৪ দয়াবীর (সাহিত্য দর্পণ)।—

যুদ্ধবীর— (বাল রামায়ণদগী) রামচন্দ্রন রাবণদা হায়খিবা।—

জগতকী শিংথানিংঙাই ওইরব হে লঙ্কেশ্বর ?
জনকগী মচাগুপি সিতাবু পিনৌনে।
রাম ঐনা নিজরী নহাক্কী নকম্লাংদ
অসুম্ব অসে নহাক্ক করি খন্দ্রাব ?

লমচং ফজব থিবিকপু নিংশিংবিসি
নহাক্কী রাজা অমদি নচাশিংবু।
মাংহনখীগ্রীব রাম ঐহাক্কী
মরম অসিন সিতাদেবীবু পিনৌ।
নংত্রবদি খরদুষণ অমসুং তিশিরাগী
মণ্ডক ককাখাঙগী ঈ পক্ক ফেঙ্গৈ
লিকুং লিবিদা তেঙ্গা থোংলীব
মরুপ অসিন কৈদৌঙৈদসু কনবীরবোই।

মরুম অসিদা রাবন আলম্বন বিভাবনি; রাবন সীতা হুবা উদ্দীপননী; অতুক্কী মথৈ হায়নরিবা কনবিররোই হায়বা নাপন্না সঞ্চারি অমদি ব্যভিচারি ভাবনি, লানগীদমক্ত থৌনা অহুনা স্থায়ি ভাবনি।

দানবীর উদাহরণ

কর্ণগী অকন্বা শক্তিবু কীরহনা ইন্দ্রনা ইন্দ্রগী খুদম মুনশ্রগনী খনদুনা ইন্দ্রনা ব্রাহ্মণ শাহনা কর্ণগী মফমদা দান লোবা। কর্ণনা মহাক্কী কবচ কুণ্ডল পোকৃপদগী লোইনরক্লবা মশাদগী লৌথোক্‌না কংপা।

কর্ণ—

হে ব্রাহ্মণ ঐগী কয়াম্কম্‌গী
পোংলম মথল কয়াসু লৈরী।
অদুম্বা কবচগী মশক্ ওইরীব
কুরিং অমসুং কুণ্ডল অনিবু।
নিবিরিবা ব্রাহ্মণগিদমক্তা
থাংশাং অসিদগী চেম্থরক্লদব।

ঈগী মরিকশিংনা তিল্লগদবা
ঈঙক অসিবু খুদক্ অসিমক্তদ।
মুংশি হৈত্রবা ওইদুনা ককৃথৎচরগা
কৎথোক্লগে ব্রাহ্মণগী নফমদা।

ধর্ম্ম বীর (সাহিত্য দর্পণ) গী উদাহরণ

যুধিষ্ঠিরগী পাম্জবা—
ঐগী রাজ্য অমসু, ইরন্ ইথুম্ ঐহাক্
অমদি মুপী ইনাওশিং, ইচা ইশু
ঐগী ইথাদা লৈরব রাজ্য পুম্নমক্
ধর্ম্মগীদমক্তা কৎথোক্লব থোরাংলি
মতিক্ চারবনী অস্থম লেপ্লদুনা।

দয়াবীর (সাহিত্য দর্পণ)

মাগনন্দ কৌবা নাটকতা গরুড়ন ওল্লবা ইগ্রনা চারকদৌরিবা লিনবু কনগে হায়না জিমুত বাহন মশাবু চাখিনবগীদমক গরুড়দ পিথোক্লবগী উৎসহ ফোংদোকপ অদুদগী গরুড়না চারকৃপদগী হনব লৈত্রবা দয়াবীবগী থৌনাহুদ গরুড়ন ভক্ত্না লেপলকপদা হায়খিবা।

হে গরুড় নংগী মচিন্ থোরবদুনা
শিংলিশিং তুপথৎতুনা চারকৃপদগী।
ঈশিংন শিন্থরক্লিব শদুমশিং লৈরীনে
হৌজিক ফাওব নদাংমক্তদ।
অদুকী মথৈ পেনব নাইক্লব নহাক
করিগীদমক্ত শদুমশিংসে চাবদগী লেপ্লীব।

হায়ঙ্খিবা দানবীর, ধর্মবীর, দয়াবীরগী ভাবনচিংবা মথলদি মথক্তীদা বীরগী তাকাঙ্খিবা অতুদা য়েংলগা বিচার তৌগদবা ওই।

বীর ভক্তি রস (ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)

বীর ভক্তিরসগী মরমদা দান বীরদা অনুস্বা মথল থোকই।

বহুপ্রদ উপস্থিতদুল্লভ অমদি পবিত্যাগী কৃষ্ণগী পেম্নবগী-দমক্তা খুদক্তা অয়াম্বা ভমথৈ দান তৌবা ভম্বা অদুবু বহুপ্রদ কৌই।

বহুপ্রদ পশ্তিংশিংনা মথল অনী থোকই হায়রি অভ্যুদয়িক, সম্প্রদানক। কৃষ্ণগী দমক্তা বিক্তা নিবা অনম্ভং ব্রাহ্মণনচিংবদ ভমথৈগী দান তৌরীবা অদুবু আভ্যুদয়িক কৌই।

উদাহরন—

মতুদি, ব্রজরাজগী মচা শ্রীকৃষ্ণনা মপোক লাংলন ওইরকদুদা (পোক্লবদা) অশেংবা পদ্মোায় অমদি মঙ্গল মশক্তীদমক পাংদুনা অথোই অথোইব ধননচিংবা দান তৌখিবা মফম অদুদা ব্রাহ্মণনচিংব পেন্নখিবা অদুবু থংনগনী।

সম্প্রদানক— অদুম ওইবা মী হরিদা চংলদনা হরিগীদমক্তা ঐ, ঐখোয়গী অসিনচিংবা হমথৈ মশক্তা অয়াম্বা দান তৌরিবা অদুবু সম্প্রদানক থংনগনী।

মফম অদুদা প্রীতিদান অমদি পুংদান অনুমুনু থোকই মতুদি—প্রীতিদান—মহারাজ যুধিষ্ঠিরনা রাজসূয় সভদা শ্রীকৃষ্ণদা চন্দন, * বিজয়ন্ত মালা সনাগী যেক্লবা থাল্লব ফজোন মণিগী ভমথৈনা লৈতেংলবা, সনাম। লৈতেংলবা শামু. শগোল, দোলাই অসিনচিংবা পুন্নমক লৈবাক শাগৈ ভাই মশা ক্তাওবা দান তৌরবদা অতোপ্পা দান তৌনবা উবা ফংডক্রবদ (লৈরকুব্রবদ) রাজ যুধিষ্ঠিরনা অরাবদা তাখি। (মসিবু প্রীতিদান থংনগনী)

---

* লৈ মচু মঙাল। তিনুব খুট ফাওব চোল্লব লৈ পরেং।

ভূমিদান—

হরিনা ব্রাহ্মণগী রূপ লৌরবদা বলী মহারাজনা কৎথিবা অহুবু ভূমিদান কৌই ॥

হরিনা শকুলোন্ পুথোক্তনা লাকইবনী, মহাক্তী দান অসে মাংহনবে হায়না, অসুম্মা শুক্রাচার্যন হায়খীব মতাংসিদ বলিরাজন খুমখী।

বলিরাজ— হে মুনি ? অদোম্গী বেদবিদ্যা ওইব
হৈশিংলব অমুব মুণিশিংবিশিংগী
অচুব যাগ যজ্ঞ অহুমক ওইরী
পূজা তৌহুনা লৈরিবমক্ অসিন ॥
অসুব ব্রহ্মাচার্যা অসিংনা
অহুব বিষ্ণু অহু ওইরসহু
ঐগী যজ্ঞগী হেক্লবক ওইব।
অহুম্ হায়বীরিব অচুব ঐনা অহুমক
ভূমিদান অসে তৌজরগদবনিক্তি।

সাহমতি (ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)—

কালিন্দী মপান্দ উনাশিংগী মৃদ
অবনি খাঁগীগী খোম্বাংশিংনা
নিল্লম্ই আকাসকী ভম্বৈখেদা
অচুব খোম্বাংশিংহুনা শব্দোল্কবদ।
অমদংগী হিংচাবনা শ্রীকৃষ্ণবু
লানথৈনব পাম্বহুনা
চংলকপা খোম্বাংগী ভম্বৈখেদা
শ্রীদামন পল্লব লৈতনা

থৌনাগী চমথৈ কোংদোক্ল
খ্বাংলাক কিশি লাকখরে।

ভয়ানক রস (নাট্য শাস্ত্র)

ভয়ানককী স্থায়িভাব ভয়রসনি, অকিবগী খোল্লাও ভুত প্রেত হিংচাবনচিংবা উবা, শা-কৈদগী অরাবা, অহাংবা বন, লমহাং, মরুপ মপাং হাংপা পুন্‌বা অমদি খোঞ্জেন তাবা বিভাবশিংদগী পোকই। খোং খুং নিক্‌পা মীং তথক্ তথক্‌পা, তুচুংবা, মাইথোং লাংশিন্‌বা, স্বর কাইবা অসিনচিংবা অনুভাবতগী অভিনয় তৌগদবা ওই। স্তম্ভ, স্বেদ, গদগদ, রোমাঞ্চ, অশ্রু, স্বর পরিবর্তন বিবর্ণ শঙ্কা, মোহ দৈন্য, আবেগ, চপলত, জরতা, ত্রাস, অপস্মার, মরন, অসিনচিংবনা * ব্যভিচারি ভাব ওই।

মসিগী মরম খরসু লৈরি—মহৌদি:— স্বর কাইবা, ভুত প্রেত উবা, লান, বন লমহাং চংপা, গুরু অমসুং নিংথৌনচিংবা অসিদগীসু ভয়ানক পোকই। খোং খুং নিক্‌পা চিনবান কংবা য়ুম্বীগুম্বা লেপ্পা হকচাং খস্মোয় নিক্‌পা অসিনচিংবা অভিনয় তৌগদবা ওই।

ভয়ানক দৃষ্টি (নাট্য শাস্ত্র)

পোদ্‌বৃত্তনিষ্কম্পুটা প্রস্ফুরদ্বৃত্ত তারকা।
দৃষ্টির্ভয়ানকাত্যর্থং ভীতা জ্ঞেয়া ভয়ানকে॥

মাংথংলগা লেংদ্রবা মিপান্ ওইবা মকা লাম্লবা মিংনহা লংথং-লকপ (লৈশংলকপ) অহুম্ ওইব মিংকম্ন তিল্লব অকিবগী মশক ওইরব অহুম মিংয়েংদো ভয়ানক দৃষ্টি (অকিবগী মিংয়েং) খংনগনি।

দেবত=কাল, বর্ণ=কৃষ্ণ (অমুব) নী অভিনয় (উংকদবা)—

---

* ব্যভিচারি, সঞ্চারি ভাব নচিংবশিং মথক য়াওখ্রে। য়াওবিব মকম অহুদা অর্থগী চাং অহু য়েংশীগদব ওই।

ভাব, বিভাব, অনুভাবনচিংবসু।

ভাব=অকিবগী মশক মওং উবা কিবা নিঙ্গুলা থর কাইবা, তথক তথকপা হুমাং কাংবনচিংবা ভাবশিংদগী ওইগনী।

নৃত্যহস্ত=পাতাক উর্ণনাভ, অঞ্জলী, কপোত, স্বস্তিক অসিনচিংবদা তৌগদবা ওই।

দৃষ্টি=রাংথংলগা লেংত্রবা মিংপান্ লৈথংলকপা (লৈথোক্ লৈশিন্ তৌবনচিংবা তৌগদবা ওই।

আঙ্গাবিকার=মুখীগুম্না লেম্না, তুরোই হারোই থেকপা, হকচাং থুম্ন কোম্ববা অসিনচিংবা ওই।

গতি=তুরোই হারোই চংপা খোং রাংনা তম্না থাংবা, চেম্না, খোং রাংনা থাক্ষং থাক্ষংতুনা চংপা, (চংখোক্ চংশিন্ তৌবা) নচিংবা তৌগদবা ওই।

তাল=অতম্না অথুবনা থিন্নবদা।

সাহিত্য দর্পণ

রত্নবলী নাটকৃতা য়োংগী ফিজেৎ শেংলবা বিদূষক্ (কাগিগী মী) বু উরগা কোম্লুংদা, অতোম্বা অমম্ভুং নপুংসক নচিংবনা কিত্থনা চেন্‌বা। মী মরক্তগী শিংথানিংঙাক ওইত্রবা চেন্‌বগী ইকাইবা নাইত্রবা মীপাইরবা নপুংসক থিবরা চেন্‌খ্রে। অদুম্বা মথিক্ নেম্নবা অপিক্পনা ব্রাহ্মণ অহনগী ইনফি মত্থুংদা লোৎলী। পাস্তদ লৈরবা কিরাতশিংনা মশাগী মহৌশাগী মতৌ অদুবু ওইরহনা কারন তুরন চেন্‌লী। মতৌ অদুম্না মশা উথিনী হায়না চিংনহনা নমপোন্‌বশিংনসু অংগানবগী মতৌগুম্না অমুক পিক্শিন্দুনা চংলী।

ভয়ানক (ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)

মণি মুম্নবদা কৃষ্ণগা জম্বুবানগা খুমিং তরেংলী লাল শোক্নবদা, শোম্বরক্নবা জম্বুবান নিংথৌনা থল্লকপা, ঐবু ঙমনিংঙাইমক ওইরব অসিবু কনানো। (থব.........) মতমদুদা কৃষ্ণনা।

তে খক্করাজ নহাক্না কক্লিগীদমক্
মাইথোং ল্যাংশিল্লিব
অমম্বুং, থম্মোইগুবদে নিংল্লীব
মহুমক্ থাদোকপল লোইনক
থাজব ওইবু প্রৈহাকপু।
নহাকী মচৌশাদগী ওইব অচৌদ
প্রৈনা কল্লিস্লু শা এদে নকমদা।
নহাকী থিন্দনা কোংদোক্লুব
লালগী মৈচাক্ অহুনগী
চরাও ফম্মাংগী সেবানক্কা
প্রৈগী ইকমদা নিংথিহল্লে।

ভয়ানক অসি মথল কয়া হল্লী রসামৃত সিন্ধুদ থাইরি। মতুদি :—

দর্শনাৎ ভয় (উবদগী কিবা), শ্রবণাৎ ভয় (তাবদা কিবা), স্মরণাৎ ভয় (নিংশিংবদগী কিবা), দর্শনাৎ ভয় (উবদগী কিবা) মতুদি :—

যশোদা—করম ওইরসিগে গোপ নিংথৌ। অঙাং তথক্লবা অসিবু থিংহুনা (থাজহুনা থর্গীযুগে নৈমাইথক অসিগা লোইননা প্রৈগী পুক্লিং (থম্মোই। তথক তথকগাল্ল। শ্রগোলগী মগক হিংচাবা অসিনা উগী চুক্তোনশিংদা নৈথাইরিব্ অসে।

শ্রবণাৎ ভয় (তাবদগী কিবা) মতুদি :

অঙিবগী মগক কংলবা শগোল মগক হিংচাবনা য়াম্না লাও থোক্লুমা গোকুল চংলক্লে, রাশি যশোদানা থুদক অহুদা হেক তাবদা। মচা কংথবগী অয়াম্বা থম্মোই ওইহুনা মাইথোংদা পিরাং ইচেন হোৎরকই।

স্মরণাৎ ভয় (নিংশিংবদগী কিবা) নিংশিংবদগী তমথিরবা (অরাবা) কনাগুম্বী অমনা লাক্লগা পুতনাগী মতৌবু হংবদা যশোদানা হায়খি।

যশোদা –

ও ইমা তপ্খো তপ্থখো
অদুখা পুতনাগী মরমদু হংলগনু।
মদু নিংশিংলকপদা লাক্লে
অমুকহন্না হকচাং নিকপা।
অদুখা পুতনানা অংাংবু
লাক্লগা চারগে খল্লদুনা।
কোঘদা অকিবা খোঙ্গাং লোইনর
মওং অদু ফোংদোক্লকপদ
অকিবা অচৌবা হকচাংগী
শিংথাকম খংদবা ওইরম্বদো।

বীভৎস রস (নাট্য শাস্ত্র)

বীভৎস রসকী স্থায়ি ভাব জুগুপসানী অসুম্বা নম্খিবা, শেংদ্রবা, পামদ্রবা, মুংশিদবা উবা, তাবা শক্শোন্বা অসিনচিংবা বিভাবশিংদগী পোকই।

অভিনয়=হকচাং পুম্নমক চিংশিন্বা (কোন্শিন্বা) চিন্ মাই খুমজিন্বা, ওবা তিন্শিংপনচিংবা, হকচাং নিকপা অসিনচিংবা অনুভাবশিংদগী অভিনয় তৌগদোবা ওই।

অপস্মার, উদ্বেগ, আবেগ. মোহ, ব্যাধি, মরণ অসিনচিংবনা ব্যাভিচারি ভাবনি। অসিগী মরমদা মমাংথৈগী পাওতাক থরম্মু লৈরি।

পাম্দবা মিৎয়েং, মনম্, রস, শম্বা, অমদি মাইমিৎ খুমজিন্বা, নাতোন্ মেন্বা ওক্ হায়বা, খুৎ থোংদা নম্খিবা পক্পা অসিন-চিংবদগী অভিনয় তৌগদবা ওই।

দেবতা—মহাকাল, বর্ণ নিল (অশংবা) নী।

বিভৎস দৃষ্টি—

নিকুঞ্চিত পুটাপাঙ্গা ঘূর্ণোপ প্লুতভারকা।
সংশ্লিষ্টস্থিতপক্ষ্মাচ বিভৎসা দৃষ্টিরিষ্যতে ॥

অর্থ— তুক্কচবা হঙোইবা ওইদুনা মিৎপান্ মিৎচি খোইজিন্বা মিৎনহা তরেং তরেংলবা মই মই পকৃশিন্নবা পা কাংব (নোক্পগুম্বা) ওইব অতুম্বা তুক্কচবা ওইবদুবু বিভৎস দৃষ্টি কৌই।

অভিনয় (উৎকদবা) উৎকদবশিংগী

ভাব=তুক্কচবনচিংবদ।

নৃত্যহস্ত=উর্ণনাভ, সর্পশির্ষ, পতাক (চিন্মেন্বা ডাক্থোক্প খুৎ)

দৃষ্টি=মিৎপান্, নিংচি, মিংনহা তরে তরেংবা মই মই মিৎ প' পকশিনবা, পাদি কা বনচিংবদা ওই।

অঙ্গবিকার=হক্চাং কোন্শিন্বা, চিন্ খুমজিন্বা, ওবা, তিন্শিংপা অসিনচিংববু থোগদবা ওই।

গতি=য়েল্লা মখোং কাওথোক্পগুম্ অমস্থং অকিবগী মতৌগুম্বদুম্ থোগনী।

তাল=অতপ্পা অনস্থং ময়াইদা ওইগনী।

(উদাহরণ সাহিত্য দর্পণ)

মালতী মাধবতা অঙাওবগী অঙ্কদা মোংকমদা লৈবা অশিবা চাবা প্রেতরঙ্ক মাধবনা অস্থুমা হায়রক্পা মতুদি :—

অরাম খোরাংবনা তিক্কবা শাহিং চাবনা নমদুনা লোখিনি চিংনদুনা তগক্ তথক্ মিৎয়েংদা মহাকী ময়া থিপৎলদুনা অশিবা খিবিক্কি মরক অসিদা অতোন্বা ফংজদবনা অহান্বদা অশিবগী

মউন্ অদুবু থুজিন্না লেংতোক লেংতোক্নুনা চারী অমসুং চাওর চাওরবা মথা মথা লাওরবা, লেংজম কৈ. থাং, খুকউমচিংবা অপুম্বা নম্থিরবা শক্তম্ মরাওনচিংবশি মতম্ তাক্তা শাইহুনা খকশিংদা পক্লিবা অচৌ পিশকশিংবী অশিংবী মথাদো চারীয়ে।

(সাহিত্য দর্পণ)

বীভৎস (ভক্তি রসামৃত সিন্ধু)

স্থায়ি ভাব=জুগুপ্সা, রতিনি। অসিগুম্বা রতি অসি বিবেক অমসুং প্রায়িক খেন্নবা অনি অসি ওই। কৃষ্ণ ভক্তিদগী হকচাংনচিংববু বিবেক জনিত (রাখলগী খেন্নবা) অচুদগী জুগুপ্সা পোকই, মদুনা বিবেক জনিত ওই।

উদাহরণ বিবেক —

হায়! ভগবান শ্রীকৃষ্ণদা থরদংগী শক্তী
রতি পাংথোকপা ওইরবদা জ্ঞান লৈরবশিংনা
ইথে শিংদা উন্শাশিংনা কুপ্লিব অহুম্বা
মহাও মতোং উন্শাগী লৈনান তিল্লবা
হকচাং অদুবু করিদগী পাম্গদবা ওইগদগে।

প্রায়িকী লক্ষণ—

অনাংবা অমদি অপুম্বা রাখল মতুংইন্না পুম্নমক অচুগী মরী লৈনবা ভমখৈ অচুম্বা জুগুপ্সা পোক্লবা অদুবু প্রায়িক কৌই।

উদাহরণ (ভক্ত অমনা)

হে কংসগী য়েক্লব
ঐনা অচুম্ব কংত্রব হকচাং
ঈগী মশক ওইরব
তুকচরব নমথিন্ন মহি মনাই থল্লব

ইমাগী পুক্‌নুংদা লৈরম্বন
পুক্লিংদ অতুকী মথুম মরাং পোক্লে
মরম অসিদগী ওইবমক্তা
হে কৃপাগী ভু,নকম ওইব ইবুংঙো
অদোম থোজানবিয়ু
মতিকচাত্রবা নহাকী ভোজন কর্মশিংদ
অতুকী মথৈ ওইরব
মতিকচাত্রব ওমথৈশিংন তিল্লব এবু ॥

অদ্ভুতরস (নাট্য শাস্ত্র)

অদ্ভুতগী স্থায়ি ভাব বিস্ময়নী।

নিংথিবা ফজবা মক্তুবা, মাঁশি উবা পুক্নীংগী অপাম্বা হেক্ ফংবা, উপবন অমদি লাইগী মন্দিরনচিংবদা কোইবা অমদি দোলাই অপাইবী মিত্রং অসিনচিংবা বিভাবতগী পোকই।

মিৎ লাওথোক্তুনা য়েংবা, মিং কুপ্পা য়েংবা তুজংবা, পি তাবা অমদি ছুমাং কাংবা, হুরাওবা, চাংদম্নবা ফৈ ফৈ হায়না থাগৎপা, দান তৌবা, হা, হা, ও, ও, লাওবা পাম্বোম, ফী, খুদোন্‌বীনচিংবা লৈবা, চোংকনবনদিংবা অনুভাবশিংদগী অভিনয় তৌগদবা ওই।

ব্যভিচারি ভাব—

স্তম্ভ, অশ্রু, গদ গদ রোমাঞ্চ, আবেগ, সম্ভ্রম, জড়তা, প্রলয় অসিনচিংবদসী ওইগনী। মসিগী মরমদা শৈরেং পাওতাক থমম্না লৈরি।

হেক্ শোক্পা, চোংকনবা, লাওখোংবা, কপ্পা, ছুমাং কাবন-চিংদসীনু অভিনয় তৌগনী।

দেবত ব্রহ্মা, বর্ণ-পিত (নাপু) নী।

দৃষ্টি— য স্বাকুঞ্চিতপক্ষ্মাগ্রা সাশ্চর্যোদ্বৃত্ত তারকা।
সৌম্যা বিকসিতান্তা চ সাদ্ভুতা দৃষ্টিরদ্ভুতে ॥

অর্থ— অদুম্বা পামতোন্ খুজিন্‌বা অঙকপগা লোইনবা মিংনহা অদু লংখংপা মিংচি তক্ক তক্ক লাওথোকপা নিংথিনা লাওথোকপা অদুম্বা অঙকপগী মীয়েং অদুবু অদ্ভুত দৃষ্টি কৌই।

অভিনয় (উংকদবা) শিং অদুগী—

ভাব— উরক্‌পা, ফজবা, লাওখোংবা, তান্নবা, বিন্না, চোংফন্‌বা অসিনচিংবা।

নৃত্তহস্ত— পতাক, অলপদ্ম, কতরীমুখ, সূচিমুখ অসিনচিংবা।
দৃষ্টি— পামতোন্ খোইজিন্‌বা, মিংনহা লংখংপা কোইবা মীংচি লাওথোকপা অসিনচিংবদা ওই।

অঙ্গবিকার— চোংফন্‌বা পাম্‌বোম্ খুদোনবীনচিংবা খংলৈ লৈবা, অসিনচিংবা, হকচাং খেক্ থুম্না অমতুং য়াংখংপনচিংবা তৌগদবা ওই।

গতি— যুম্বীগুম্না হেক্ লেপ্লদগী চংপা খোং খুং তপ্না কান্দুনা চংপা অসিনচিংবা ওইগনী।

তাল— অতপ্না অথুবনচিংবা তৌগদবা ওই।
অদ্ভুত— (অঙকপা) হায়বসি মখল অনী ওই।
(১) দিব্য [নোংথাং] (২) অনন্দজ [হরাও তয়াম্বা]।

লক্ষণ (সাহিত্য দর্পণ)

মহাবীর চরিত্রদা রামনা ত্রিরুং থুদেক্‌পগী মতমদা, অদুম্ব হরধনু (শিবগী লিরুং) গী খোম্মাং, শান্নবা খোম্মাংগী অঙকপা ওইরবদগী লক্ষণনা হায়রক্‌পা।

উদাহরণ—

আঃ শ্রীরামগী পাম্বোম্ অনি অসিনা
অহুম শিবগী লিকুংবু চিংউবদগী (লিরি হাপ্পদগী)
শিবগী লিকুংবু অনিথোক তেক্লম্দাই
রামচন্দ্রগী অনৌবা মিংচংকী ডিণ্ডিম্
লিকুং শরিক খোম্বাংশিং অহুনা
থিন্দনা হেক শন্দোক্খীব মতমসে
অচৌব চক্ষুগুম ব্রহ্মাণ্ড মহুংদা
ভংলকপগী অঙকপ খোম্বংশিং লেপ্তরী
অঙকপনী খোক্লী খোম্বাংশিং অসিগী
মথল মথেন কয়াগী খোম্বাংশিং।

হায়খ্রিবা অসিদা লিকুং মথোন্না আলম্বনি শন্দোকখিবা মথোন্না উদ্দীপননী অমুক্ হেন্না পাক চাওনা শন্দোকপনা অনু-ভাবনী। অঙকপনা স্থায়ি ভাবনী হরাওবনচিংবা অপুন্বা ময়াম অহুনা সঞ্চারি ব্যভিচারিনী।

অদ্ভুত ভক্তি রস (* ভঃ রঃ মৃঃ)

অদ্ভুত ভক্তি রস—অসিগী মথল অনী থোক্ই। মহুদি :—অমনা সাক্ষাৎ (হেক শইব') অমনা অনুমান্গী ওমথৈ। সাক্ষাৎ মিংত উবা, নাকোংদগী তাবা, চিন্দগী কুপ্তনচিংবা শক্পদা সাক্ষাৎ বিস্ময় রত্তিনী।

সাক্ষাৎ বিস্ময় (উবা তাবনচিংবা) গী থুদম্।

কনাগুম্বা অমনা—

যশোদা ! য়েংউ কদাই ! নহাকী নচা
খোন্নাং থকইব অভাং কদাইদ করি

* ভঃ—ভক্তি, রঃ—রসা, মৃঃ—মৃত।

মহুদি! অমুম্ব গোবৰ্দ্ধন চিংগী চিংদোনব
নোং পুম্নমক থিংহনম্রে কয়াদ ঙকখ্রব!
অচুম্ব গিরিরাজ নচাগী ওইগী থুংতা
সানা কাংক্রম্গী মওংগুম লৈতেংলীব
আই করিনো! করম্ব মিত্রংবু উংলীব!

অহুমিংত (ভমথৈগী) থুদম্— (বন মৈ চাকৃথিবগী মরমদ) ব্রজগী অঙাং পুম্নমক মিং পাংথোক্লকপগা লোইননা। হুম্নমক ভাওির বনদা য়েংথীবদ, মখোয়গা লোইননা বণ ময়াম ভমথৈবু মৈচাক মরক্তগী অবাবা কোক্লম্ব উবদগী পুক্লিংদা অচুকী মথৈ অঙকপা মতৌ অদুবু ফংথরে।

শাস্তরস (নাট্য শাস্ত্র)।

অচুম্বদ ওইক্লব অবাব, নুংঙাইবদসু, য়েক্লব থোইরাংবদসু অমদি থবাই পানব পুম্নমক্ত অমত ওইব মতৌচুবু ওইরবহুদ শান্ত রসনী হায়ন অখোইব ভয়রনচিংব থিবিক্ল হায়রে। শান্ত রসকী স্থায়িভাব সমনি। মোক্ষদ চংলকপ, তত্ব জ্ঞান, বৈরাগ্য (থাদোকপ) চিত্তশুদ্ধি (থম্মোই শেংবা) অসিনচিংবা বিভাবশিংদগী পোকই। যম (পুক্লিং লাকশিনল নিয়মদ), অধ্যাত্ম (আত্মাগী মরমদ), জ্ঞান, ধ্যান, ধারণ, উপাসন (ঈশ্বরনচিংব) পাঠ তৌব থবাই পাশ্বশি দ শৌজ্ঞান নুংশিব ওইরব, সংসারগী বিষয় থাদোক্লব ওইরব অসিনচিংব অনুভাবশিংদগী অভিনয় তৌগদবা ওই। নির্বেদ, স্মৃতি, ধৃতি, শেচি সমস্ত রোমাঞ্চ অসিনচিংবনা * ব্যভি চারি ভাবনী। (সাহিত্য দর্পণ)

নির্বেদ, স্মৃতি, ধৃতিনচিংব * ব্যভিচারি ভাবশিংসে মথক্তা য়েংবীগদব ওই অর্থনচিংব অমদি ভাবশিংচুগী।

দেবত=শ্রীনরায়ণ, বর্ণ=কুন্দশ্বেত অমদি চন্দ্রশ্বেত অমুম্ব পুক্লিং হুরব লৈনচিংবশি গী ওইবম খংনগদব ওই।

দৃষ্টি (নাট্য শাস্ত্র)।

নাসাগ্র সক্তা নিমিষা তথা ধোভাগ চারিনী
আকেকরপুটাচৈব শান্তা দৃষ্টির্ভবেদসৌ ॥

অর্থ নাতোন্ শুমাংদ মমথয়কপ (উমশ্বরকপ) তংথাই য়েংশ্বরকপ, অতুম্‌শুইব মিপান্ অহুবু শান্ত রসকী মিংয়েং খংনগনী।

অভিনয় (উৎকদব) উংকদবশিং

ভাব= মোক্ষদ (অরান্ খুবন্‌দ) চংলব, তত্ত্বজ্ঞান ধর্মশাস্ত্র নিংশিংব পাবনচিংবদগী ওই।

নৃত্যহস্ত= পতাক, ত্রিপতাক, অঙ্গুলি, স্বস্তিক অমিনচিং-বদগী শিজিন্নগনী।

দৃষ্টি= মিংপান হুইথব নাতোন নাকচিদ য়েংথরকপ, তংথাই ওইব মিংপান্দা ওই।

অঙ্গবিকার= অয়িং অতম্বগী মও মতৌ অনদি ঈশ্বরগী নাম শোম্বদ কোক হায়ব খুং নোম্বনচিংব, য়ুম্বীগুম লেপ্প অমসুং পদ্মাসন্-নচিংব মওংশিংবু উৎকদব ওই।

উদাহরণ= (কনাগুম্ব মশাবু থরোইরক্‌ব বিক্ষা নিব অমনা)।
(সাহিত্য দর্পণ)—

উদাহরণ—

* কৈদৌঙৈনো ঐগী ওইরকদব
অহুম্ব লাইবক ফব অহুবু।
অমোং অকাই ফিজেংশিংন
লৈতেংজরব ওইজর মতম্।

খুজং কয়াদ কোইনা চৎচবদ
খুজং মচাশিংন থওইদ মিৎয়েংতম্।
করিগুম্বদ করেম্ কথাইনবীব
অমদি চানবীব মিৎয়েংনচু য়েংবীব ॥ *(কৈদৌঙৈনো) (১)
মতমচুদ লৌনম লৌথুপ লৈত্রব
মুংঙাইব রাখলগী অমৃত থকচব।
সংসারদগী ইমাই লৈথোক্লব
ইমিং অনি অচু উইশিঙ্গরীব।
শ্রীগী ইথুবাক্ত য়াওজরীব
বিক্ষাগী পোৎলমশিংত্রদগী।
চি নব লৈতনা কৈদৌঙৈনো
কাকশিংদুনা লৌরগদবা ॥ *(কৈদৌঙৈনো)। (১)

[অদুম্ব ভাবকী ফোংদোক্লকপ অসিবু শান্ত রসকী থংনগনী]

উদাহরণ (শিব নিংব অমগী)—

কৈদৌঙৈ ওইরক্কব কাশীপুরগী
ভগবতী ভাগীরথী মপান্দা।
কৌপীন শেৎতুনা লৈজবদো
ইকো'কৃথক্ত ইথুং অনি লোম্লজত্তুনা। (১)
হে গৌরীনাথ! হে ত্রিপুর মাংহন্‌ব!
হে শম্ভো! হে মিৎম্না অহুম লৈতেৎব!
